মণিপুর স্টেট কলা একাডেমী

মণিপুরী ভগোই সেমিনারগী
নৈনখিবা মশক
১৯৭১

মণিপুরী জগোই সেমিনারগী

নৈনখিবা মশক—

১৯৭১

সম্পাদন তৌবা

শ্রী এলাংবম নীলকান্ত সিংহ

মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী
ইম্ফাল।

অফোঙবা—
মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী
ইম্ফাল।

Manipuri Jagoi Seminargi Neinakhiba Mashak—1971

(Proceedings of the Seminar on Manipuri Dance—1971)

অহানবা শাঙোন
ফেব্রুয়ারী ১৯৭৫
কপি—১০০০

MANIPUR UNIVERSITY LIBRARY IMPHAL
8637

মমল—লুপা ৭০·০০

নম্ফম—
ভাগ্যবতী কার্য্যালয়,
চূড়াচাঁদ প্রিন্টিং বার্কস,
ইম্ফাল।

বাহৈ খরদং

ইং কুমজা ১৯৭১ গী ওক্টোবরগী তাং ২৪ দগীনা ৩০ ফাওবা জবাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাদেমীনা মণিপুরগী শিক্ষাবিভাগ, শ্রীগোবিন্দগী পালা লোযশংগী তেংবাংগা লোযননা নুমিৎ ৭ নি চুপ্পা মণিপুরী জগোইগী সেমিনার অমা ফমখি। মণিপুরী জগোইগী তোঙান্ তোঙানবা মশকশিং—থাং-তা, লাই হরাউবা, সঙ্কীর্তনগী ঈশৈ, চোলোম অমসুং পুং, গোষ্ঠলীলা, রাসলীলা, চীং অমসুং তমগী লোকগীত অমসুং লোকনৃত্যশিং— যনা নীংথিজনা কুপ্না নৈনখি। মপানগী শীংথানরবা পণ্ডিত অমসুং কলাকারশিং যাওখি। নুমিদাংগী শকুন্তলা ঈশৈ জগোইশিং উৎখি। অসিগুম্বা সেমিনার অসি জাতিগী সংস্কৃতিগী ইতিহাসতা অতাঙবনি।

অসিগুম্বা সেমিনার অসিদা পাথোক্লখিবা চে-শিং অমসুং নৈনখিবা রায়মশিং অদু অযাম্বদি টেপ রেকোর্ড তৌহৌই। অসিনা তৌখিবা সেমিনার অদুগী মপুংফাবা রিপোর্ট অমা শাগৎনবা সেমিনারগী ডাইরেক্টর— শ্রীনীলকান্ত সিংহদা শিন্নখি। ফোঙদোকপগী মতাংদা য়ানবা মতুংইন্না মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা ফোঙবা হাযনা তাখি।

অসিগুম্বা লাইরিক অসি ফোঙজবা যাহন্বীবা— জবাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাদেমীগী কর্তৃপক্ষবু থাগৎচরি। বানানগী মতাংদা অশোয-অঙাম খরদি চুমথোকচরি, অসিমকপু চিংথহৌবা কযাগী-দমকসু ভাকপীনবা নীংশিংজরি।

প্রকাশক

ছীরম-লামায়

১। মণিপুরী জগোই সেমিনার ১৯৭১ ইং রিপোর্ট—১—১৫

[নৈনখিবগী শমল্পা মওং, থাঙ্-তা, লাই হরাওবা, মণিপুরগী জমগী অমসুং চৌংগী খুমুং ঈশৈ, সংকীর্ত্তনগী ঈশৈ, সংকীর্ত্তন চোলোম, সংকীর্ত্তন-পুং, গোষ্ঠ লীলা, রাস লীলা, তাখিবা রারেপশিং, ষ্টেট কলা একাডেমী লিংখৎপদা মুংঙাইবা ফোংদোকপা, সনা কোনুংগী লোইশঙ্দা শক্তি হাপ্পা, মণিপুরগী ফোক লোর রিসার্চ ইনষ্টিট্যুট লিংবা, জবাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাদেমি চাউথৎহনবা, পুং-ঈশৈ জগোইগী সংস্থানশিংদা সরকারনা মতেং পীবা, জগোইগী খুৎথেক শাথেকী মমিং-মথা লেপ্পা, স্কুলশিংদ পুং-ঈশৈ-জগোইগী ক্লাস থম্বা]

২। মণিপুরগী থাঙ্-তা— ১৬—২৪

[লৈমরোন-থেংগৌ, (থাঙ্-তা), থেংগৌরোন, ফিজেং, থেংগৌগী মহৈ, মশক নাইবা লাই খবগী খুংশু লৈশেমলোন অমসুং জগোই, জগোইগী শাথেকা থাঙ্ তাগা মান্নবা শরুক]

৩। লাই হরাউবা— ২৫—৩৩

[লাই হরাউবগী মথল, ফিজেংত থেন্নব, লাইরোল অমসুং শান্নবা থেন্নব, লো খোনব পেনা, মাইব, লাই হরাউবগী থোঙচৎ ডিমোনষ্ট্রেশনগী শরুক (জগোইন উৎপা)—হকচাং শাগৎপ, ঈকৌব, খয়োন, ঈহাইফু, লৈয়োম, হীরীলং, কোনয়াই ঈশারফু, ঈকৌবগী থৌঙ্, লুক থাব]

৪। মৈতৈ জগোইগী খুৎথেক— ৩৪—৪৬

[খুৎ নামগী জগোই খুৎথেক—লাইচিং খুৎথেক, লৈনা খুৎথেক খাঙ্ খুৎথেক, পাম্বোম খুৎথেক, চিরাইশাবা খুৎথেক, কোকচি

খুংথেক, খুন্থম খুংথেক, নাকচি খুংথেক, লৈশাং খুংথেক, লৈহেক খুংথেক, লেংনোন খুংথেক, খুকউ খুংথেক, লাইচিং খুংথেক, মিং খুংথেক, খুংনীংখুংথেক, চন্দ্রা ওকপী খুংথেক, নাকোঙ্ খুংথেক, লৈপোম্বা, খুজেং খুংথেক, খুংনাউবী খুংথেক, নাতোন শূমাং খুংথেক, মরু পোকথায়রবা খুংথেক, খুংনীংথৌ খুংথেক, **খুং অনিগী জগোই খুংথেক**—নোংদাই লৈতাইরোন খুংথেক, লৈপেক খুংথেক, লয়াই খুংথেক, খোযদৌ শাবা খুংথেক, য়া শাবা খুংথেক, চীনবান শাবা খুংথেক, লুখম শাবা খুংথেক, হুকচাং লাংবুম, য়াঙ্ শাবা খুংথেক, হরায় হাপ্পা খুংথেক, লৈমুং থোঙ্লেন খুংথেক, থরায় নিবা খুংথেক, খুজেং লৈবী খুংথেক, হুকুপ খুংথেক, চুকয়ংবা খুংথেক, থবাক শাবা খু থেক, তানকম শাবা খুংথেক, খৌরীতোংদম খুংথেক, লেংপাক শাবা খুংথেক, থরায় হাপ্পা খুংথেক, চীরোঙ-চীরেন খুংথেক]

৫। **খুনুং ঈশৈ (মণিপুরী লোকগীত)**— ৪৬—৫৯

[ঈশৈনা হৌরকপা, মণিপুরী খুনুং ঈশৈ, ঈশৈগী মখল, পেনা, পেনা যন্ত্রগী মওঙ্ মতৌ অমসুং শারিবা চঙ্ইবা পোং-চঙশিং, শৈশক-কাঙ্লুপ, লাইরোল, রাধী পরিং নত্রগা কাব্য শকপা, হৈরোল লৈরোল, পেনাগী চংনবী শৈশকশিং, রাগ তৌবা, হেপাল পাবোং শিকপ লোন, লৈমরোল শেরোল, কালেন শৈজিং, পাম্হৌইবী শৈরোল, হেপ্লী থাঙ্বৈ, জাং শৈশক, খোংজোম পর্ব্ব, থবক শিন্থা কোন্নবা ঈশৈশিং, মরু-ওইনা নৈনগদবা খরা]

৬। **কবুই জগোই অমসুং ঈশৈ**— ৬০—৮২

[জগোই ঈশৈ হৌরকফম, চাহ অমদা চংলিবা থাগী মমিং অমসুং করম্বা থাদা কবি কবি হয়াউকুমৈ তৌবা, য়ুম পানবগী

থবক ইনথাং শু-নোম্বা, লাওকুমলু, কছু ঈশৈ, লাও-লেঙলু ঈশৈ, মীওইবগী ধর্ম্ম কর্ম্মগী থবক, মাহুৎপগী জগোর ঈশৈ, লমলোনলু, লুচেনলু, চপালু, কাইরোং লোনলু, কৌও-ঈশৈ, চহিগী হুয়াউ কুম্মৈ, নতু করোন পুইলু, পাথং-ফাল হজিনবদা শব্দবা ঈশৈ, তরাংকাই গুমৈ বানরুমৈ, অহানবা কৈণ্ডং ঈশৈ, লুহুরেও—(ঈশৈ মথং মথং), জগোয়গী ফিজেং-লৈতেং মরম, জগোয় ঈশৈগীদা শিজিন্নবা যন্ত্র, জগোয় শাবগী মওং, চপালাম জগোয়, মথোম লাম।

৭। সংকীর্ত্তনগী ঈশৈ— ৮৩—১০৮

[ঈশৈগী হৌরকপা, সঙ্গীত মথল অনি, কয়ম্না সংকীর্ত্তনগী মূর্ত্তি শাগৎখি, সংকীর্ত্তনগী গুণ অমসুং কান্নবা, সঙ্গীত রাগ, রাগিণী, সঞ্চার, নিতি লীলারস, মুরলী হরণ, নায়িকা মথল ৮, মণ্ডপ, মণ্ডলী, নিমন্ত্রণ, মণিপুরগী ঈশৈ, মণিপুরী রাগ অমসুং তালদা শাস্ত্রনা য়ুক্ষম ওইনবা]

৮। নট চোলোম— ১০৯—১৪০

[মৈতৈ লৈবাক্তা জগোই হৌরকপা, অনৌবা ঈখায়, নট পালা, চোলোম হৌরকপা, গঠন, চোলোমদা অভিনয়, হকচাং ইপোম, চোলোমদা খোঙথন, তিনতাল ফফৎ, তাল ক্ষম, অকনবা তাল যক্ষম, ক্ষম অহুমগী করতাল খুৎপায়, করতাল থীংবা, করতাল মপুন, করতাল মশেক, অখেৎপী, অথৎপী, অনীকপী, রাজমেল করতাল, চোলোম ফিরেপ, খু-থন, থোংখোঙ, রাজমেল চোলোম মওঙ, লয়চৎ, গতি, চোলোম মখল, মথং মথং চোলোম চাওখৎলকপগী মওঙ, চোলোম মথল অনি, গৌরচন্দ্রিকা, শৈশক-ক্রম, ফিজেং লৈতেং শীজিন্নবা যন্ত্র, করতাল, চোলোমদা ৩। ৩ চৎপী শাজৎ, নট চোলোমদা তালগী মচাং, দুইতাল, তত্ত্বগী মাযকৈ—]

৯। সংকীর্ত্তনগী পুং— ১৪১—১৫৭

[পুংগী হৌরকফম, পুংগী মখল মওঙ্, রাগ হৌবগী মরম, তালতত্ত্ব, পুংগী মরম, মৃদঙ্গধ্বনি নির্ণয়, রাগ অচৌবা, বোল নাম, অষ্টনাম ছয়নাম, একনাম, গুরুঘাট, পঞ্চতত্ত্ব, জীব সঞ্চারিণী, বড় সঞ্চার, গৌরপদ মেল, বেড়িঘাট, কার্ত্তিক-সঞ্চার, রাগস্বর হুজিনবা, তিনতাল মচা, রাজমেল, মেলহৌ, লক্ষীঘাট, ঘাট, সেতুঘাট, অথাবা]

১০। মৈতৈ নট-পালাগী তালদা শাস্ত্রগা শম্নপ্না চাংদম্নবা— ১৫৮—১৬৮

[তালগী মশক, কাল প্রাণ, অঙ্গপ্রাণ, ক্রিয়াপ্রাণ, জাতি প্রাণ, লয় প্রাণ, কলা প্রাণ, মার্গ প্রাণ, যতিপ্রাণ প্রস্তারপ্রাণ, মাণ, বর্দ্ধমাণ]

১১। গোষ্ঠ-লীলা— ১৬৯—২০৬

[শ্রীমদ্ভাগবতকী গোষ্ঠ লীলা মওঙ্, লীলাগী মওঙ্, ক্রমদা থক-খা ওন্নবা, গোবিন্দগী গোষ্ঠ লীলা ক্রম, গোষ্ঠ লীলাদা রস, কৃষ্ণসখা মখল ৪, সখ্য রতি, বাৎসল্য-রতি, ঈশৈগী শরুক, জগোই,—গোষ্ঠ ভঙ্গী অচৌবা, গোষ্ঠ বৃন্দাবন পরেং, গোষ্ঠ লীলা কনানা হৌদোকখি, গুরু প্রণালিকা, পাত্র-পাত্রি অমসুং কিজেং লৈতেং, মায়দবা অমসুং চুমথোক্লীংবা থরা, গোয়াল আরতি, শঙ্গোম শুন্দা মমাশাবী রাওবা, ফি নত্রগা শেল থাবা, কিজেং লৈতেংদা থোশানদবা, ধেনুকাসুর অমসুং মাগী চরশিং, পোংলোই শূবনা কায়রকপা, ঈশৈ থুগায়বা, রেংনখিবা লাইরিকশিং।]

১২। রাস লীলা— ২০৭—২২৬

[জগোইগী হৌরকফম, ধর্ম্ম তিন্নরকপা, মণিপুরগী জগোই রাস হৌখিবা, জগোই রাস কৎপগী মরম, রাস, মণিপুরদা রাস

কংপগী নিয়ম, কুঞ্জরাস, নিত্যরাস, কুঞ্জরাস দিবারাস, রাস-শিংগী মত, জগোই রাস পুথোকপিরম্বা নিংখোবোল, জগোই রাসদা করি করি ভঙ্গী শাবা, জগোই রাসকী মখল, রাস শান্নকম, রাস মণ্ডল, পূর্ব্বরঙ্গ, গৌরাঙ্গ ভাবি, মণিপুর জগোই রাসকী মত, রাসকী ঈশৈ শৈরেং, জগোই রাসকী রস, জগোইনা কোংদোকপা, অনৌবা মওঙ্ খরা, অনৌবা ষ্টেজদা জগোই উৎপা, জগোই রাসকী মরুওইবা মথং মনাউ, ফিজেৎ—রাসকী ফিজেৎ, কৃষ্ণ পোৎলোই, নুপী পোৎলোই, নিত্যরাস ফিজেৎ, অনৌবা মওঙ্ খর।

১৩। An Approach to Manipuri Dancing— 1— 6

১৪। Ballet in Manipuri— 6—19

১৫। Manipuri Dance Seminar 1971 (A Report)— 21—38

১৬। Manipuri Dance Seminar & Arts Festival (Oct. 25—Oct. 30, 1971) Programme—

১৭। Appendix A— i—ii

১৮। Participants in the Seminar —iii—xvi

১৯। সেমিনারদা নৈনখিবা শরুকী শম্নপ্পা মওং— ১—২৬

মণিপুরী জগোই সেমিনার—১৯৭১ ইং
রিপোর্ট

জবাহরলাল নেহেরু মণিপুর ডান্স একাদেমীনা মণিপুরগী শিক্ষা বিভাগ অমসুং শ্রীগোবিন্দজীউ পালা লোয়শঙগী মতেংগা লোয়ননা ইম্ফালদা ১৯৭১ ইংগী ওক্টোবর তাং ২৪ দগীনা ৩০ ফাওবা চয়োল অমগী সেমিনার ফমখি। সেমিনার অসিদা নৈনখিবা মশক্তি—মণিপুরী জগোইগী মশক কন্না-থাং-তা, লাই হরাউবা মণিপুরগী তমগী অমসুং চীংগী খুনুং ঈশৈ (লোক-গীত) সংকীর্তনগী পুং ঈশৈ অমসুং চোলোম, গোষ্ঠলীলা অমসুং রাস লীলাগী মশক চপচানা পুথোকপগা লোয়ননা কমদৌনা হোংলকইবা সমাজগা ঈরোয়ননা কায়দনা থমগদগে অসিনি।

মণিপুরগী মহুংদগী পণ্ডিত, কলাকার, অমসুং ঈশৈ-জগোই-পুংগী ওঝা, ৩০০ লোম হেন্না প্রতিনিধি ওইবীনবা বার্ত্তন তৌবদা প্রতিনিধি ২৫০ বোমদি লাওখি। মপানগী ও না—দিল্লী, বোম্বে, নোংচুপবঙ্গ, মাদ্রাজ অমসুং আসামদগী মণিপুরী জগোইগী ওইবা মমিং চংলবা পণ্ডিত অমসুং কলাকার ১৭ বার্ত্তেন তৌবদা প্রতিনিধি ৮ থক লাকুনা লাওরখি। অসিগী মথক্তা মণিপুরগী লীংথানবা মীওই অমসুং ওঝা কয়াসু ওবজার্ভর ওইনা সেমিনার অসিগী নৈনবগী শরুক্তা লাওহুনা তিল্লখি।

সেমিনার অসি ওক্টোবরগী তাং ২৪ গী অয়ুক্তা মণিপুরগী উপরাজ্যপাল শ্রী ডি. আর. কোহলিনা হৌদোকখি। গুরু মৈস্নাম অমুবী সিংহনা সভাপতি ওইখি। শ্রী এন. তোম্বী সিংহ এম. পি. লীল্লিবা কমিটিগী চেয়ারমেননা নৈনগদৌরিবা বিষয়শিং শন্দোক্না তাকখি। হৃমিং

আসিমক্তী লুংখিল পূং ২ তাবদগী তোঙান তোঙানবা বিষয়দা নৈনবগী সভা হৌখি। তাং ৩০ গী অয়ুক্তা সেমিনারগী ডাইরেক্টর, প্রোফেসর শ্রীনীলকান্ত সিংহনা লুমিং ৬ নি চুপ্পা নৈনরক্লিবা অতুগী মচং ওইবা রিপোর্ট পুথোক্লুনা সভানা য়েংনবা লৈতনা য়ানরবা মতুংদা য়ারেপ (রিকোমেণ্ডেসন) ৮ থক য়ারেপকী ড্রাফটিং কমিটিনা পুথোক্লুনা য়ানখি। লুমিং অসিমক্তী লুংখিলদা বিদায়গী সভাদা কুমারী সবিতা মেহতানা বিদায়গী ভাষণ পীখি। শ্রীচিংগাংবম কলার্চাদ শাস্ত্রীনা সভাপতি ওইখি। লুমিং ৬ নি অসিগী সভাশিংগী তোঙান তোঙানবা সভাপতি-শিংদি মথাগী অসিনি—

তাং ৪ গী লুংখিল (বিষয়—থাঙ-তা): ওঝা লাইয়েনময়ুম দামু সিংহ
... ২৫ .. অয়ুক (...লাই হরাউবা): পণ্ডিত মোইরাংথেম চন্দ্র সিংহ
... ...লুংখিল (... ... ...): পণ্ডিত থোঙাম মাধব সিংহ
... ২৬ কী অয়ুক (খুনুংঈশৈ অমসুং জগোই): (ক) ওঝা পরশুরাম (শেকমাই)
... ...লুংখিল (সংকীর্ত্তনগী ঈশৈ): ওঝা নিংথৌজম চাউবা সিংহ
... ২৭ ...অয়ুক (... চোলোম): ওঝা থাংজম চাউবা সিংহ
... . লুংখিল (... পূং): ওঝা নাউরেম ধ্বজ সিংহ
... ২৮ ...অয়ুক (... ...): ওঝা লৈচোনবম কোইরেং সিংহ
... ...লুংখিল (গোষ্ঠ লীলা): গুরু অমুদোন শর্ম্মা
... ২৯ ...অয়ুক (রাস লীলা): গুরু হাওবম অতোম্বা সিংহ
... . লুংখিল (... ...): ... ...

(ক) নৈনখিবগী শমল্লপা মচং

(মণিপুরী জগোইগী সেমিনার ১৯৭১)

' ' মণিপুরদা অহানবা ওইনা তৌখিবা মণিপুরী জগোইগী মায়কৈ কীবা—থাঙ-তা লাই হরাউবা, মণিপুরগী খুনুং-ঈশৈ, সংকীর্ত্তনগী পূং

ঈশৈ, চোলোম, গোষ্ঠ-লীলা অমসুং রাস-লীলাগী হৌরককম, চৎথ-রকইবা মশক (পরম্পরা) অমসুং হৌজিক ওইরিবা ফিবমগী মতাংদা হুমিং ৬ নি চুমা নৈনখি। নৈনখিবা শরুক অসিদা থায়নগী মশক খিজিনবদসু নত্তনা কমদৌনা অশেংবা মশক অসি হোংলকইবা সমাজ গী ঈরোয়নবা ভাকদগে হায়বসিসু মপুং ওইবা রাকম অমা ওইখি। অকুপ্পা মরোলদি পুখোক্তুনা পা-নখিবা চে ১৪না মুক্তম ওইরগা থোরকপা রাকম কয়ামুক্কী মপুং ওইবা শরুক খরদা প্রতিনিধিশিংগী সভানা ফোংদোকলিবা মত অমসুং য়ানখিবা মশক খরা উৎখি।

থাঙ-তা

থাঙ-তা হায়বসি মৈতৈগী লিরবা অমসুং মগুণ লৈরবা লৈশেম-ঙৈগী ওইরবা সংস্কৃতি মশক অমনি। মসিনা থেঙ্গোরোল ৯, খোশা-রোলনচিংবা কয়া লৈরিবা অসিনা মৈতৈগী লিরবা সংস্কৃতিগী থরায় ওইরি। লাই হরাউবগী জগোই-রাসকী অমসুং পালা-চোলোমগী মশক কয়ামুক্তা থাঙ-তাগী খুৎথেক অমসুং শাথেক্কা নকশিন্নবা কয়া উবা ফংই হায়বা প্রমাণ তৌখি। খরগী মত-তা থাঙ-তাগী খুৎথেক শাথেক্কগী মৈতৈ জগোইগী খুৎথেক শাথেক খরমথৈদি লাকই হায়বা থাজরবসু সভানা হৌজিক কাওবগী নৈনবগী মতাংদদি—অমনা অমদগী লৌনবা নত্তে, মায়বা শরুক কয়া থেংনবতনি হায়না মত ফোংদোকখি।

থাঙগা তাগা কনানা হানবগে হায়বগী মতাংদা মত খরা খেন্নখি। অসিমকপু পুয়াগী অমসুং লাইরোলগী প্রমাণ কয়াদগী অনিমক অসি চপ মান্নবা লিরবনি হায়না য়ানখি। প্রতিনিধি অমগী মত-তা—তা-না থরায়নি, থাঙনা হকচাংনি হায়বা চেংনা থাজবা মত অমদা অনিগী নক্লবা থানবা য়াদবা মরীসি প্রমাণ তৌখি।

লাই হরাউবা

লাই হরাউবগী থায়নগী মশক অমসুং হৌজিকী ওন্নকইবা মশক নৈনবদা—থায়নগী মশকী অরাংবা দর্শন অমসুং লিরবা সংস্কৃতিগী মশক

পুথোকপগা লোন্নবা হৌজিক্কী শিথরকইবা মশক অসিদা ফুংশা থীবা ফোঙদোকখি। হৌজিক্তি লাই হরাওবা খুম্নেগুম্বা লৌনরকপা, থোইদোকখস্তু বেঙ-নচিবা মতমগী লাক্লিবা যন্ত্রশিংগী ছন্দনা থোক্লকইবা অকায়বা মওঙ, জগোইগী খুংথেক-শাথেক অসি থিংগদবনি হায়না অকনবা মত ফোংদোকখি। থোইদোক্লস্তু মাইবী-লোইশঙ অমস্তুং পণ্ডিত লোইশঙগী শক্তি চাউহন্দুনা অমস্তুং কায়রকইবা অসি মতমগী চেন্থরকইবা ঈচেলদা অসি ফাওবদি য়াই হায়বনচিংবা কয়া—নীংথিজনা লেপথোক্লহন্দুনা মাঙথরকলিবা মশক অসি কনগদবনি হায়না মত ফোঙদোকখি। অসিগীসু মথক্তা হৌজিক ফাওবদা কায়ক্রিবা থায়নগী ফজবা মশক থরসি তুংগীদমক কনহোনবা ফিল্ম লৌথনা অমস্তুং টেপনচিংবদা ঈশৈ—লাইশোন কয়া রেকোর্ড তৌগৈগদবনি হায়না মত ফোঙদোকখি।

লাই হরাউবগা মরী লৈননা মৈতৈগী জগোই-খুথেক্কী মতাংদা লাই হরাউবদস্তু মৈতৈগী ওইবা মমিংদা শীজিন্নরম্বা, চংনরিবা ভারতকী অভিনয়গী শাস্ত্রদা তাকপা হস্তক কয়ামুকস্তু লৈরি হায়না প্রমাণ তৌখি। হায়রিবা খুংথেকশিং অসি চপচানা হৌজিক ফাওবা শীজিন্নরবদি য়ানবা মমিংশিং অসি ইশিন্দুনা থম্বা ফাওবা দরকাররনি হায়বা মত ফোংদোকখি। অদুবু সংস্কৃত মমিং ফাক্তা শীজিন্নবগী মতুংতা মৈতৈরোনগী মমিংশিং শীজিন্নগদবনি শাস্ত্রগী মমিংদা অসি অসি লৈ হায়বা ফাওবদি য়াই হায়না মত ফোংদোকখি। প্রতিনিধি অমনা হৌজিক ফাওবদি খুংথেকশিংগী মমিং অসি মৈতৈ জগোই তম্বীবদা শীজিন্নদবন হৌজিক্তা নৌ-হৌনা পুশিনবদা থেঙনরক্রা হায়না চিংনবা পোকখি। অসিমকপু থায়নগী লৈজম্বা পোং ওইবনা অমস্তুং থোদোকনস্তু জগোইগী পকুথোকপা মশক—নৃত্য নাট্য অমস্তুং বেলেনচিবদা মমিং মথাগা কোম্না শীজিন্নবা য়াবা মথৈ মৈতৈগী তোপ-তোম্বা টেকানকতা শীজিন্নবা হৌবা য়াব্রে হায়না মত ফোংদোকখি।

মণিপুরগী তমগী অমসুং চীংগী থুনুসুং ঈশৈ

মৈতৈগী পেনাগী শৈশক্তা মশক কয়ামুক নৌহৌনা থেংনবদা সভান্না অপেনবা পোকখি অমসুং খরগস্থ হেন্না কুপশিন্না থিহনা চপচানা সুরলিপি কাওবা ভৌহনা মশক লেপথোকপা অমসুং শাগে খায়দোকপা দরকার ওইরে হায়না লৌনখি। খ'বগী খঙনবা লোক-গীতপু মণিপুরীদা হায়বদা, মমিং কয়া থোন্নরকপদা থুনুসুং ঈশৈ হায়বনবু খন্না হেন্না চুনবন্না হায়না সভান্না মত ফোঙদোকখি। অসিগুম্বা থিজিনবা (রিসার্চ) অসিদা হিন্দু ধর্ম্ম চঙলক্ত্রিবৈগী মমাঙ অমসুং চঙলক্লবা মতুং হায়না থিজিনবসু কায়গনি হায়না মত ফোঙদোকখি।

পেনাগী শৈশক্কসু নত্তবা খোংজোম পর্ব্ব অমসুং মোইরাং-শাইগী শৈশক্লচিংবা মওঙ কয়াসু কুপশিন্না থিজিনবা অমসুং সুরগী মশক্কগী থুনুসুং ঈশৈ কৌগত্রা নত্রগা পরম্পরাগী ও'বা মশক কৌগত্রা হায়বনচিংবা রাফম কয়াসু কুপশিন্না খন্নবা দরকার ওইরে হায়না মত ফোঙদোকখি। থোইদোক্লসু ময়েক্কী মতাংদা হৌজিক কালগী রাইহে কয়া, পেনাগী অমসুং খোংজোম পর্ব্বগী ওঝাশিংনা শীজিন্নরকইবা অসি চুমদে হায়নসু মত ফোঙদোকখি।

কবুই জগোই অমসুং ঈশৈগী ওইবা মশক্তা লৈরম্বা কুপথ্রবা ঈশৈ অমসুং জগোইগী মথল কয়াসি উবদা সভানা অওকপগা লোয়ননা লৈনখি। নহাক্লদি হৌজিক জগোই-ঈশৈ থোশানরক্কে হায়বগী পেন্দবসু ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈরিবা থুনুসুং-ঈশৈ কয়াগী মনুংগী ভাব অমসুং অর্থ অমসুং বৈজ্ঞানিক ওইবা মওঙদা খায়দোকপা মশক অমা দরকার ওইরে হায়না মত পীনখি। খু থেক শাথেক্তা হেজিনবা মশক অমসুং মনুংগী থৌশিন্না খঙদবদগী থোরকপা ফজদবা খরসু শেমদোক্লদবনি হায়না য়ানখি। কবুইগা মৈতৈগা থায়নগী ওইবা সংস্কৃতিগী মশক্তি য়ায়মক নকজিনবা মরী লৈনৈ হায়নসু সভানা মত ফোঙদোকখি।

সংকীর্ত্তনগী ঈশৈ

মণিপুরী সংকীর্ত্তনগী ঈশৈগী শরুক্তা মৈতৈতগী ওইবা শৈহেক শৈদা অমসুং মৈতৈগী খুনুংং ঈশৈগী শৈহেকী মশক কয়া চঙলবসু ঈশৈগী যুক্ষ্মদি শাস্ত্রীয় ওইবা রাগগী মশক্তি হায়না সভানা য়ানখি। চীন্দগী ওইনা তন্নবা ঈশৈগী মশক ওইবনা চহি চনিরোমগী মনুংসিদা শকপাদা খেন্নরকপা অমসুং মপুং ফাদবা খন্না য়াওরবসু হিন্দুস্থানী অমসুং কর্নাটিক-কী ঈশৈগী পরম্পরা (স্কুল) অনি লৈরিবা অসিগুম্না মৈতৈগী সংকীর্ত্তনগী শৈশকসু অহুমশুবা স্কুল অমা ওইনা দাবী তৌবা মতম ওইরে হায়না মত ফোঙদোকখি। অদুগা মৈতৈগী—সংকীর্ত্তন-শৈশক অসি মপান্দগী তম্লুবা নত্তে; লাইওন্নবা ওঝাশিংনা, ওল্লকইবা ধর্ম্মগা ঈরোয়ননা পুথোকপিরম্বনি হায়না সভানা য়ানখি। নৈনবগী অরোইবা ওইনা হিন্দুস্থানী নত্রগা কর্নাটিক-কী শৈশকা মান্নবা মান্নদবা থিবদসু নত্তনা লৈজরিবা মশক অসি শেংনা উত্তুনা মৈতৈগী রাগগী শৈশক্তি অসিনি হায়না বৈজ্ঞানিক ওইবা মওঙদা থিত্নুনা প্রমাণ তৌগদবনি হায়না মত ফোংদোকখি।

সংকীর্ত্তন-চোলোম

মৈতৈগী সংকীর্ত্তনদা য়াওরিবা কুপ্পবা অমসুং ফজরবা চোলোমগী মশক কয়া উবদা সভানা য়াম্নমক অপেনবা পোকখি। থোইদোকসু শা-উচেকী শাজংতগী লৌবা চোলোমগী ফজরবা মশক্তা সভানা য়াম্না মুংঙাইবা পোকখি। চোলোমনা উৎলিবা জগোইগী মশকসি চুম্নগী মতৌ তম্বা নত্তে -মংগী থরাম্বগী মশক অহু জগোইগী খুৎথেক-শাথেক্তা হাপ্পনি হায়না য়ানখি। অদুবু অসিগুম্না চোলোম অসি গোহাম্লিংনা ইতৌ তৌনরক্কবদসু নত্তনা তম্নরক্তে, হায়না মুংঙাইতবা কোঙরোকখি। অমুকসু সংকীর্ত্তনবু ফজনা ঙাক্তে হায়রবদি দোহাম্লনা চোলোম অবদসু নত্তনা পালা খুদীংমক্তা চোলোম তমদবা য়াদে হায়রবা

অকনবা মতম্ন্নু কোঙদোকখি। অসিগুম্বা সংকীর্ত্তনদা মতমগী ঈরানো পুশিল্লকইবা অকান্নবা পুন্নমক অসি থিংননবা হোৎনগদবনি হায়না মত কোঙদোকখি।

সংকীর্ত্তন—পুং

সংকীর্ত্তনগী পুংগী শরক্তা লৈরিবা রাংলবা মৈতৈগী থায়নগী পরম্পরাগম্নু মরী লৈননা থমলিবা ধ্যান অমসুং লাইনীংগী মশক অসিদা সভানা অপেনবা পোকখি। থোইদোক্সু রাগ অহৌবদগীনা সংকীর্ত্তনগী লোইশিনবা ফাওবদা চংথরিবা ভাব অমসুং রস অসি করি অমতা কায়হন্দনা থমগদবনি হায়বসি সভাগী মতনি। অরিবা শাস্ত্রগী ওইবা লাইরিক থরগী প্রমাণদা হৌজিক্কী লৈরিবা - রাগ অচৌবা হৌবগী পুংলোনগী মশক্তা খেন্নবা থরা উরবসু মচু চুমথোকলোইদবনি— লাইরিক্তা প্রমাণ ওইদে, চৎনবীনা প্রমাণ ওইগদবনি হায়বা মত কোঙদোকখি।

রাজমেলগী দুইতাল অচৌবগী মাত্রা মশীংদা সভানা খেন্নবা মত কোঙদোকখি। রাজমেল হায়বসি 'রাজমিলনং' হায়বদগী থোরকপনি অমসুং তাল অমত্তগী মমিং নত্তে হায়বদি খনখি। অদুবু রাজমেল দুইতালগী মতাংদদি শ্রীগোবিন্দজীগী পালা লোয়শঙগী ওঝাশিংগী মত ওইনদি, মাত্রা নিপন ওইকম থোকই হায়না অকনবা মত কোং-দোকখি। রাকম অসি থান্নগী ওঝাশিংগী কোর্বেক করানসু সাক্ষী ওইরি হায়নসু মত কোঙদোকখি। রাকম অসিদা প্রতিনিধি থরনা মাত্রা ৭ কী ছন্দনি রাজমেল হায়বসি হায়না অকনবা মত কোঙদোকনি। চুমগী লাইরিক্কী প্রমাণ নত্তনা চপচাবা য়ৈনজুনা মায়কৈ অনিমক্কী ডিমোনষ্ট্রেসন তৌনজুনা সভাদা উংখি। নাকল অনিমক্কী মত হোমং-ত্রবা মরমনা অসুম্না লোইশিনবদা সভানা য়ামখি--পালা লোয়শঙগী ওইবা ওঝাশিং অয়াম্বগী মততি মাত্রা ৮ নি; অসিমকপু মাত্রা ৭ নি হায়না য়ানীংদবা অকনবা মত কোঙদোকপা ওঝাশিং থরসু লৈরি।

থরগা অমুক কুপশিল্লা নৈনহনা অতোপ্পা পুন্নমক্লা য়ানবা মত অমা লৈত্রি কাওবদি অসুম হায়না থম্বদা সন্তানা হয়াউনা য়ানখি।

পুংগী তাল-লিপি (নোটেশন) গী মতাংদা হিন্দুস্থানী পদ্ধতিদা চংকদ্রা নত্রগা কর্নাটিক পদ্ধতিদা চংকদ্রা হায়বগী বাফমদা কুপ্পা নৈনখি। মৈতৈ পুংগী শাস্ত্রীয় ওইবা যুমফমদা অনিমক্কী নকবা মশক লৈরি হায়না য়ানখি অমসুং অসিমক্লা শাস্ত্রীয ওইবা প্রমাণবু চেংশিনহন্নি হায়না ছংডাইবা পোক্কনি। তাল লিপিদা লঘু গুরু শীজিন্নবনা কর্নাটক-কী মত চংপা নত্তে, থাযনগী ওঝাশিংনা শীজিন্নবা শাস্ত্রগী লাইরিক্কা লঘু গুরু য়াওবা ডাক্তনি হায়না প্রতিনধি অমনা মত ফোংদোকখি। প্রতিনিধি অমনা ধর্ম্মগা নকশিন্নবা বাংলা কীর্ত্তনগী তাল শাস্ত্রগী মায়কৈদসু থরগা হেন্না কুপশিন্না থিজিনবা চুমী হায়না মত ফোংদোকখি। পুন্নমক অসি অমুকসু হেন্না কুপশিন্না নৈনরগা তোপ তোপ্পা মণিপুরী তালগী তাল-লিপি অমা পুন্নমক্লা য়ানহনা পুথোকপা চুম্মী হায়না সন্তানা মত ফোংদোকখি।

গোষ্ঠ-লীলা

গোষ্ঠ লীলাগী মশক কুপশিন্না নৈনরবা তুংদা কোনুংদা তৌজিকমক চথরিবা পরম্পরাদগী খেন্নবা কয়া থুম্লক্তা শান্নবদা লৈরিবশিং অসি চুমথোকপনা চুম্মী হায়না য়ানখি। ফি, শেল থাবা অমসুং ফিজেং লৈতেংদা কায়বকইবা কযাগু খিংফম থোকই হাযনা মত ফোংদোকখি। গোষ্ঠ লীলা হাযবসি রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মতমগী অহুল্লাইনগী ওইকম থোকই হায়না প্রমাণ পুথোবকপা অসিদসু সন্তানা য়ানখি।

জগোইগী শকক্তা—উপলৈ অমসুং ঘটকী জগোইগী মশক্তা শ্রীগোবিন্দজীগী পরম্পরাদগী থরা খেন্নবা উরিবা অসি চুমথোকপা চুম্মী হায়না মত ফোংদোকখি। মত খেন্নরিবা ওঝাশিং থরনদি—অসিমক হায়রগীনি হায়না য়েংখি প্রতিনিধি অমনা খেন্নরিবা অনিমক

উইল থেরবা ওইনা থম্নম্ ঝাই হায়না মত শীখি। অসিমক্তপু হৌজিক্তমক শ্রীগোবিন্দদা চৎনরিবা অমম্তুং শারিবা জগোইগী মশক অসিমদি কায়হন্দনা থম্না অচুম্বা ওইগনি হায়বা রাকমদা সজানা য়ানখি।

রাস-লীলা

রাস লীলাগী হৌরকপগী রাকমদা লাই হরাউবদগী চৎথরকলিবা মশক অমম্তুং মথং মথং ওইরকলিবা বিকাশকী মশক থিজিনবদা চিথক্লোবা ওঝা গুরু কয়াবুম্ম পুথোক্তপা চুম্মী হায়না সজানা মত ফোঙদোকখি। জগোইগী থুংথেক শাথেক্তা মৈতৈগী থাঙ-তাগী থুংথেক শাথেক্তা মায়বা নকশিন্নবা কয়া ডিমোনষ্ট্রেসন তৌবদা সজানা য়ানীংবা উংখি।

জগোইগা নকশিন্নবা মুদ্রা (ওঝা শিংগী রাহৈদা 'হস্তক') গী মতাঙ্গা নৌহৌনা নৈনখি। মৈতৈ-জগোইদা মুদ্রাগী মায়কৈদা পঙথি থিজিনবা অমম্তুং মীগী শাস্ত্রগা মান্নবগা মান্নবা হোৎনবগী মাথকৈদা পঙচঙ চঙশিনবা চুমদে হায়না মত ফোঙদোকখি। 'ইহান্ন হায়বা মান্দনা য়াম্না হায়বা' হায়বসি মৈতৈগী জগোইগী থম্নাযনি হায়না সজানা য়ানখি। খোঙজিনা (ঘুঙুরনচিংবা) তাম্বা পীবা চুমদে অমম্তুং হিন্দুস্থানী যন্ত্রনা ঈশৈগী মতুং ইনবা—ওঝাশিংগী মাক্তা ফমছনা থবগা নৈনদ্রবদি ফজদে হায়বসিদা সজান্ম য়ানখি। রাসকী ওইবা জগোইগী মশক্তা পোৎ-লোইগী শন্নক্তা—থায়নগী মৈতৈগী ওইবা কয়া চঙথিবা অসি কুপ্পা থিজিনগদবনি হায়না মত ফোঙদোকখি। সংস্কৃত-শাস্ত্রগী ওইবা রাকম অক্তনম্ম জগোই রাসকী মশক তাক্তপা ওমলোই অরিবা লাই হরাউবগী মায়কৈদম্ম থিগদবনি হায়না সজানা য়ানখি।

জগোইগী শন্নক—বেলেগী মতাং নৈনবদা মত থম্না থেন্নখি। রাস লীলা, লাই হরাউবগু থায়নগী ওইবা বেলেগী মশক্কি হায়বা প্রতি-

নিখি অমগী মত-তা—মসিদি 'নৃত্য-নাট্য' কৌগদবনি, বেলে হায়বসিদি রা-তাওবা নোংচুপতগী চঞ্চলকপা আর্ট—(Abstract Art) অমনি হায়না সভানা য়ানখি। মণিপুরী জগোইগী পাল্লবা খুৎথেক শাথেকী পুকৈদগী বেলে পুথোকপদি য়াম্নমক খুদোং চায় হায়রনম্ব সভানা য়ানখি। মৈতৈ জগোইদা—অমুম অমুম শম্নবগুম চথখিবা শাথেক অসি মৈতৈ জগোইতগী ওইবা তোপ তোপ্পা মশক্কি হায়না য়ানখি।

ভঙ্গী শাবগী মতাংদা নৈনবদা মপুং ওইবা ওঝাশিং থরুনা য়াজ-মেলবু মাত্রা ১৪ ওইহনবদগী থোরকপা—থরা শাংদোক্পা শারকপা—য়াকমদা নৈনখি। ওঝা অমনা শাস্ত্রীয় ওইবা মশক—থোইদোক্লসু মৈতৈ ওঝাশিংগী য়েং-ওয় কায়দনবা মশক্কুগী থোকহনখিবনি হায়না মত ফোঙদোকখি। থোকহল্লিবা মশক অসি তালগী মাত্রাগী মশীংনা থোক-হনবনি হায়বা সভানা উখি। অসিমকপু থায়নগী মশক্তি য়ারিমথৈদি হোংদোকপা চুমদে হায়বসিনা সভাগী মত ওইনা লৈখি।

(খ) তাখিবা য়ারেপশিং—

জরহরলাল নেহেরু মণিপুর ডান্স একাদেমীদা থাগৎপা –

হন্দকী সেমিনার অসিনা মণিপুরী জগোইগী ওইবা চাউরবা কুমিং ৭ নিগী সেমিনার অমা জরহরলাল নেহেরু মণিপুর ডান্স একা-দেমীনা শীন্দুনা নীংখিজনা পাংথোকপা অসিদা য়াম্নমক অপেনবা ফোঙ-দোক্লি। অসিগুম্বা সেমিনার অসিনা মণিপুরী জগোইগী মাবকৈ কয়াগী ওঝাশিং, কলাকারশিং অমসুং পণ্ডিতশিংগী য়াখলদা য়াম্নমক খন্নহনবা অমসুং নৈনবগী কান্নবা অমসুং চুংঙাইবা অমা শোয়দনা পোকহল্লে হায়না উই।

অসিগুম্বা সেমিনার অসি নেহেরু-একাদেমীনা থরগা তোয়না তৌদুনা মণিপুরী জগোইগী চংথরক্লিবা পরম্পরা অসি ঙাকশনসু

নত্তনা অনৌবা ফজবা মশকয় থোকহনগনি হায়না হন্দকী সেমিনার অসিনা থাজরি।

ষ্টেট কলা একাদেমী লিংখৎপদা মুংঙাইবা কোংদোকপা

—হন্দকী সেমিনার অসিনা মণিপুরগী ওইবা ষ্টেট-কলা-একাদেমী অমা লিংখৎনবগী থবক চথরক্‌লুনা ঈশৈ, জগোই, থিয়েটার, ললিত-কলা অমসুং সাহিত্যগী ওইবা অপুনবা সংস্থান অমা মণিপুর সরকারনা লিংখৎলকপা অসিদা য়াম্নমক অপেনবা ফোঙদোকলি। অসিগুম্বা একাদেমী অসিনা মণিপুরগী ঈশৈ-জগোইগী ওস্তাশিং অমসুং কলাকারশিং কয়াগা তিন্নহনুনা, মণিপুরগী মফম পুম্নমক্তা চাইহনুনা লৈরিবা কলাগী সংস্থানশিং চাউখৎহন্দুনা অমসুং থায়নগী সংস্কৃতিগী লংলবা মশক কয়াবু পুথোকপগী মায়কৈদা চঙশিন্দুনা মণিপুরী সংস্কৃতিবু মরম কয়াদা ঙাম্থোকহল্লকনি হায়না আশা তৌরি।

সনা কোনুংগী লোইশঙদঃ শক্তি হাপ্পা

ঙসি তিল্লিবা মণিপুরী জগোই অমসুং ঈশৈবু মুংশিজবা খঙহৌবা পণ্ডিত, গুরু অমসুং কলাকারশিংনা মতমগী মতুংইন্না ওল্লকলিবা অমসুং হোংলক্লিবা জগোই-ঈশৈ অসিগী মাঙথরকদবা মাল্লবা ফিবম অসি ফুপ্পা নৈনরে। ঙসি ফাওবদা মণিপুরী জগোই ঈশৈবু য়োকপিন্নিবা, কল্লিবা অমসুং অচুম্বা মশক লেপলিবদি সনা-কোনুংদা লৈরিবা লোয়শঙশিং অসিনা ওইরি। অসিগুম্বা লোয়শঙশিং অসিমু মতমগী মতুংইন্না হোংলকলিবা রাজনীতিগী অহোংবা লাকপদগী হায়না লৈরম্বা শক্তি, কায়রনচিংবা অহু মাঙশিল্লকদবা, হস্তরকদবগী ফিবম উরকলি। অদুবু মণিপুরী জাতিগী সংস্কৃতিদি মাঙহনবা য়াদে; সমাজ অমসুং চৎমবী কয়াবু হেক হুন্দোকখিবা য়াদে, মণিপুরী জাতিগী মহুংদা চৎনরিবা—

তোকপা য়াম্ববা জাত-কর্ম্ম; মেবকর্ম পুম্নমক্তা পুং-ঈশৈ-জগোই শকপা, শোনবা তঙাইফদনা চঙলিবনি। মরম অসিনা মণিপুরী জাতিগী যুগ কয়াগী পুনশিগী মশক উৎলকলিবা জগোই ঈশৈশিং অসি মতিকচানা ঙাক্তুনা থম্নবা অমসুং অরেপ্পা মশক্তু কন্দুনা থম্নবগীদমক হৌজিক হৌজিকমক সনা কোম্নুংদা লৈরিবা লোয়শঙশিং অসি লেঙদনা কায়-হন্দনা থম্বা অসি, তঙাইফদবনি। অসিগুম্বা লোয়শঙশিং অসি থম্বা য়াম্নবা অমসুং শেন-থুমগী ফিবম অসি য়েংশিনবীনবা মণিপুর সরকারনা চহিগী বজেৎকী শেনফম থরদি কাইথোক্তুনা থম্বীবনা চুমলক্রবা থম্মৈ। মসিগা লোয়না লোয়ননা হৌজিক লৈরিবা সনা কোম্নুংগী লোয়শঙশিং —পালা-লোয়শঙ, পণ্ডিত-লোয়শঙ, মাইবা-মাইবী লোয়শঙ, পেনা লোয়শঙ, গারোৎনচিংবা অসিদা মতিক চানা হৈশিংলবা, লৈবাক্না শক-খঙনরবা ওঝা গুরুশিং পুম্নমক য়াওহন্নবা শীনখিবা অমসুং লোয়শঙগী নিয়ম কানুন-নচিংবসু মতমগা চানবা মওঙদা থরদুং শেমদোকপিবা পামমৈ। লোয়শঙশিং অসিনা মুম্না থমহৃনা লেপ্পরবশিং অতুগী মতুং ইন্না জগোই-ঈশৈ, পালা-চোলোম, পুং-চোলোমনচিংবা মহৈ (কলাবিদ্যা) পুম্নমক তুংগী নহারোনশিংনা তমজহৌনবা, তৈজহৌনবা মণিপুরগী স্কুলশিংদা অহৈবা ওঝা হাপ্পিহৃনা তম্বীহন্নবা শীনখিবা অসিমকসু পামজরি।

মণিপুরগী ফোক-লোর রিসার্চ-ইনষ্টিট্যুৎ শিংবা

মণিপুরী হায়রিবা জাতি অসি তোঙান তোঙানবা কাঙলুপ কয়ামক্কমনা তিন্নরগা শাবনি। তোঙান তোঙানবা কাঙলুপ খুদীংমক, মশা মশাগী মতিকচাবা লোন, সাহিত্য অমসুং কলাগী ওইবা সংস্কৃতি লৈমৈ। অসিগুম্বা সংস্কৃতি অসিদা য়ুম্ফম ওইহৃনা কাঙলুপ খুদীংমকী অপুনবদা মণিপুরী সমাজগী য়ুম্ফম ওইহৃনা লৈরিবনি। মতমগী য়াঙন মতুংইন্না অসিগুম্বা য়ুম্ফম অসি থরমথৈদি কায়শিন্নক্রে হায়বসি

থকমরে। মসিনা অতুম চথখিবা তারবদি মণিপুরীশিংগী অশেংবা মশাক অমু পুথশিনরগনি।

অসিগুম্বা কারুশিল্পকলা অসি য়াম্বিকমখৈ থিজনবা অমসুং মণিপুরী-শিংগী মশাক অমু মাণ্ডরুলনবা সেমিনার অসিনা ফোক-লোর রিসার্চ ইনষ্টিট্যুৎ অমা লিংবা চুমই হায়না লৌই। হায়রিবা ইনষ্টিট্যুৎ অসিগী মপুং ওইবা থবক্তি—

(ক) অরিবা মণিপুরী জগোই অমসুং ঈশৈ থিজিনবা অমসুং থিরুদুনা কংলকপা অমু মতম মতমদা কোঙদোকপা।

(খ) হৌজিক হৌজিকমক চৎনরিবা লোকনৃত্য (ফোক জগোই) অমসুং ঈশৈগী চাং অসি হস্থদনা চাওখৎহনবা হোৎনবা। মতুগা লোয়-ননা য়ারিবমখৈ থিজিন্দুনা কংলকপশিং অচুগী পরিংদা চুমথোকনবা হোৎনবা।

(গ) হায়রিবা ইনষ্টিট্যুৎ অসি রিসার্চ-সেন্তর ওইবদা নত্তনা তক্ষম ওইদুনা—রিসার্চ-স্কোলার অমসুং অতন্থা অনিমক্তা স্কোলারসিপ পীননবা থৌরাং তৌবা।

(ঘ) মতুপা মরী লৈনবা লাইব্রেরীগা তিন্নবা ম্যুজিয়ম অমা হাং-দুনা, জগোই-ঈশৈগী অরিবা অনৌবা লাইরিক—য়ারিমখৈ খোমজিনবা অমসুং অনি অসিগী (হায়বদি জগোই-ঈশৈ) অকংবা হৌজিক্কী অরিবগী মশাকমখৈ, ফোটোগ্রাফ, মোসন-পিকচর অমদি টেপ রেকোর্ড তৌদুনা থমজিনবা।

জবহরলাল নেহেরু মণিপুর ডান্স একাদেমি চাওখৎহনবা

হৌজিক নেহেরু ডান্স একাডেমি অসি জগোইনা মপুং ওইবা একাদেমি অমনি। একাডেমি অসি মপুং কারা অমা ওইরবা অরাংপা অত্তে লৈরিবা হিরমশিং অসি হাপচিন্দুনা ক্লাস মখাং হেনগৎ-নবা সংগীত-নাটক-একাডেমিদা থগুহনবা চুমই হায়না ওসিগী সত্তানা

লেপ্পরে। জগোই ডিপার্টমেন্টকী ক্লাসতি মপুংফানা লৈরে। সংকীর্তনগীদি ডিপার্টমেন্ট ওইনা লৈত্রি। ডিপার্টমেন্ট অমা ওইনা লৈনবা পুংগী, চোলোমগী, ঈশৈ অমসুং য়াগগী ক্লাস অহুম অসি হাংনবা ওসিগী সভানা লেপ্পরে। জগোইগা মরী লৈনবা থাঙ অমসুং তাগী অমদি অখোংবা যন্ত্রগী (পেনা অমসুং বাঁশীগী) ডিপার্টমেন্টসু লৈত্রি। ডিপার্টমেন্ট অসি লৈহনবা, থাঙ-তাগী অমসুং অখোংবা যন্ত্রগী ডিপার্টমেন্টসু হাংবা চুমই, হায়না ওসিগী সভানা লেপ্পরে।

য়ায়েপ অসিগা মরী লৈননা চুমগী জগোইগী সার্টিফিকেট অমসুং ডিপ্লোমা পীবদসু নত্তনা ঈশৈগী, পুংগী, চোলোমগীসু সার্টিফিকেট, ডিপ্লোমাশিং পীগদবনি।

পুং-ঈশৈ জগোইগী সংস্থানশিংদা সরকারনা মতেং পীবা

পুং-ঈশৈ-জগোই তম্বা সংস্থান কয়ামুক মণিপুরগী মফম মফমদা লৈ। কলাবু সুংশিবা মীশিংনা য়াম্না য়ানা অমসুং কন্না হোৎনত্তুনা সংস্থানশিংসি হৌজিক হৌজিক য়াম্না য়ানা হিংলি। য়ানা হিংলবসু কলাগী অয়াংবা থাকী পোংথোক্তি ফজনা থোরকই। মচু লৈবাক প্রজানা উচুনা লৈরিবা অসিনি। সংস্থানশিং অসি লৈবনা মণিপুরগী কলাশিংবু হিংহনবা অমসুং চাওখৎহনবদা য়াম্না মতেং ওইরি। অদুবু শেল-থুমগী অয়াংপা কয়া লৈবনা সংস্থানশিং অসিনা কলাগী সেবাদি নীংবা থুংনা তৌজবা ওমত্রি। হায়রিবা সংস্থানশিং অসিদা সরকারনা মমিংতা ওইনা মতেং থর থরদি পীরি। মতেং থরা অসিনদি সংস্থানশিং অসি চালাইবদা য়ানা থোকই। মরম অসিনা পুং ঈশৈ-জগোই তম্নীরিবা সংস্থানশিংদা সরকারনা মতিক চানা মতেং পীবিবা চুম্মী হায়না ওসিগী সেমিনার অসিনা অকনবা মত ফোংদোকলি।

জগোইগী থুংখেক শাখেকী মমিং মথা লেপ্পা
(Technical Dictionary on Dance)

মণিপুরী লাই হরাউবা অমসুং রাসকী জগোইদা শীজিন্নরিবা থুংখেক শাখেক পুন্নমক অসি খোমজিন্নগা মৈতৈগী চপচাবা মমিংশিং অমসুং মগুগা কোন্নবা চপচাবা অর্থ পুথোকপা অভিধান অমা কোঙদোকপা হৌজিকমক মতম চারে। অসিগুম্বা খোমজিনবা অসিদা মমিং মথা লৈতবা করিগুম্বা থুংখেক শাখেক য়াওরগদি অখণ্ড অহেংগী বোডি অমনা কুপ্পা নৈনরগা অনৌবা মমিং শেম্বসু দরকার ওইরে হায়না সেমিনার অসিনা লৌরি। মসি পুথোক্নবা সরকারনা অমসু' মবী লৈনবা অথোবিটিশিংনা য়াব-মথৈ থুনা থবক অসি পায়থংপা চুম্মী হায়না সভানা লেপ্লে।

স্কুলশিংদা পুং-ঈশৈ-জগোইগী ক্লাস থম্বা

মৈতৈ সমাজগী পুন্সীগা মতম পুন্নমক্তা তংনা-থানবা য়াত্রবা পুং-ঈশৈ-জগোই অসি থায়নদি লৈকাই খুদীংগী শীংলুপ পালা লিংহুনা সংকীর্ত্তনগা মরী লৈনবা থবক পুন্নমক অতোপ্পগী মতেং লৌদনা মথোর-তনা অহুম্মক তৌরম্মী। কন্নথবা শীংলুপকী চংনবী অসি মুখরক-পদগী কলা অসিগী মমি শামথরফপা ওইরি। শীংলুপকী চংনবী অসি লৈনা লৈনা সার চূড়ার্চাদ মহাবাজগী মতমদা স্কুল স্কুলশিংদসু কোন্ননা চংপা ওঝাশিং থমহুনা পালি নাইনা অঙাংশিংবু তম্বীহন্নম্মী। হুজিক্তা অনৌবা তম্নখংলকপা মীগী মশী, য়ান্না হৃন্থরে। মমৈদদি শরুক য়াবীনবা মী কংদহুনা কলা অসি পুং মুং মুংখিবা য়াবা মওঙ অমা শোংনা উন্নরে। অসিগুম্বা ধর্ম্ম অমদি পুন্সীগা তংনবা য়াত্রবা পুং ঈশৈ-জগোই (চো-লোমগী শরুক যাওনা) গী ক্লাস অমা স্কুলশিংদা অযাবা য়েংহুনা সর-কারনা থম্বীবা চুম্মী হায়না সেমিনার অসিনা মত ফোঙদোকলি। ইতি—

শ্রীনীলকান্ত সিংহ ডাইরেক্টর—
মণিপুরী জগোইগী সেমিনার
৩০। ১০। ১৯৭১ ইং

মণিপুরগী থাঙ-তা

লম অসিগী য়েলহৌঙৈদগী হৌনা থাঙ তা, পুং ঈশৈ-জগোই য়াম্মসি ফিবম ফিরেপ খোঙলোন খুৎলোন তাঙ্গা মেজা মিংয়েং নায়েংদা অমগা অমগা য়াম্না নক্পা মরী লৈনৈ। কনাগুম্বা নিপা অমা থাঙদা মতম্বা অহুগা তাদি শুকথঙ মখঙত্রবা অহু ওইরবদি চিন্নবা মতমদা খোংলোম কুপশিনবা য়াংলকই। অহনা থাঙ হৈবা মী অয়াম্বনা খল্লা ওইরবসু তা খৌশাবা হৈনৈ অহুগা তা হৈবা ওঝা অরাম্বনা থাঙ হৈত্তবা পঙনা খেংনদে। অনী অসি পূন্না হৈত্রবদি ওয় য়েং শুদবশুম থোকই। শা লান্দা অমদি য়েকনবদগী মশা কন্নবগীদমক্তা শীজিন্নবা মরম্না অনী অসি থানবা য়াদবা মহৈ ওইনা থোকই।

থাঙ হাইবদা খুৎ য়েংনা থাঙ পায়রগা খুৎ ওয়না চুঙ্গোয় পায় নত্ত্রগা থাঙ অনী পায়হুনা হাইবসু চংনৈ। তা খৌশাবদা খুৎ য়েংনা তা পায়, ওয়না চুং পায়। মৈতৈরোন অয়িবদা তাবু তিমেন চুংবু মরোং কৌই। তা হায়বসি য়েকনবদা থিন্নবা মচিন তুম্বা য়োংনা শাবা খুৎলাই অমনি, মথোক য়াম্না শাংই। শীজিননফমগী মকুং ইন্না মশক মওং তোঙান তোঙাল্লি। মহুদি থৌগন তা (মহারাজগী সনা থৌগন চংপদা পায়বা) শগোল তোংবা লাম্মীনা পায়বা তা, তাপাক, থংনং তা, কৈ চনবদা শীজিন্নবা লম্বু (মসিদি তা অতৈজগী চাউবা হেল্লি) শাম্বু তানবদা শীজিন্নবা লাংশোই।

চুং অমসুং চুঙ্গোয় অসিনা য়েক্লবনা ফুরকপা থিল্লকপা য়াল্লকপা মতমদা হকচাং শোক্তনবা ঙাকথোকপদা শীজিন্নৈ। থাঙ-তা অসিসু হকচাং ঙাকথোকপসু শীজিন্নৈদি হায়রবু মরু ওইবদি মীতোন্দা য়ানবা থিনবা মীমুং থোকহনবদা শীজিন্নৈ। থাঙ তা-দা নত্তনা পুং-ঈশৈ জগোই অসিসু খোঙলোন-খুৎলোন খোঙফম চোংথোকপা চোংশিনবা ফিবম

কিরেপ মিৎয়েং নায়েং কযাদা অমগা অমগী মান্নবা কয়া য়াওই। হায়রিবা থাঙ-তা পুং-ঈশৈ জগোই অসিগী হৌরককম থিবদা লৈশেম নোংশেমগী য়াগী লাংঙ্খিক্লা তোঙানবা খয়া খয়া লৈরবসু মখোয় অসিগী **হেন্না নকশিন্নবা** মরি মখোং উবা ফংই।

লৈশেমলোন—থেংগৌ (থাঙ-তা)

তাইবংপানবগী মপু মাঙবা ভুম্বা নাইদবা শিদবা লাই-অতিকোকনা (গুরুশিদবনা) মচা অতিয়া শিদববু লৈপাক শেম্নো হায়না শীথরকএ হায়রুনা অতিয়া শিদববু মমিং **অশীবা** হায়না কৌখি (পুদিন)। তাইবংপানবগী মপু গুরুশিদবা হায়রবসি মঙান্দি নোংথাঙ কুপ্পগুমই, মহাক্তি নূপী নূপা মরক ওই, লৌরাইগা হামুন নৈরগা গুরুগী মশক ওই, লুনাঙদা শমজিন চিন্নগা নিপাগী মশক ওই, লুহুংদা শমজিন নৈরগা পজেমগী (নূপীগী) মশক ওই। [থিরেন মৈরুম লীবা] শিদবা লাই অসিনা মহাক্কী (হকচাংগী) য়েত্তগী অশীবা, ওয়দগী কোজিন তিং-থোকপা, মাঙদগী হারাবা, তুংদগী লৈকপকোং তাথোকখি। গুরুশিদবনা অশীবদা পারি ইবুংঙো অহন নঙ কোরৌ নোংকৌও, মালেম লৈশেমও হায়বদা অশীবনা ঐবু লৈশেম নোংশেমও হায়রবদি করম শেমগদবনো হায়না তাইবংপানবগী মপুদা হংলবদা **গুরুশিদবনা হায়খি হে অশীবা ঐবু য়েংও হায়রুনা** ময়া কাথোকখি। গুরুশিদবগী মপুক মনুংদা লৈরম্বা ময়াম অহু উবরুনা অশীবনা য়ায়া কিররুনা গুরুদা খুরুমজরুনা ময়া উমশিনবিরো হায়রুনা গুরুনা ময়া উমশিনখি। গুরুশিদবগী মপুক মনুংদা তিংলিবা শিংলি পাকনগী মরক্তা য়েকলিবা ময়েকশিং অহু য়েংনা শেম্নো হায়না তাকপদগী অশীবনা থেংগৌ শান্নুনা লৈপাক শেমখি। হায়রিবা অশীবনা মতোমদা শেম্বা ওমলোই হায়রুনা মাঙোন্দগী লাইবং-থৌ পুথোকখি। হায়রিবা **লাইবংথৌশিং** অসিনা লৈশেম্বদা থেংগৌ শাখি। লাইবংথৌ—লৈশাতাউ—নোংশাতাউ—লৈথোমত উ নোং-থোমতাউ—মরিনা থোঙজোং অহুমলক চোংম্বনা লৈহৌ থেংগৌ শাখি।

চক্কফরিংবা, তাংমরিংবা, লৈপুরিংবা, নোংপুরিংবা লাইবংথো মরিনা নোংথো থেংগো শাখি। খোঙচোংদি মন্তারক চোংখি।

থেংগৌরোন :—

লৈশেমলকপদা লাইপাখং মাপন্না (করিগুম্বা লাইরিক্তা তরেংনা লৈনেংঙৈদা খোকখিবদি :—

কাওনা কাওনা নেংলকই হায়তুনা অকাও থেংগৌ কৌখি।

চোংনা চোংনা নেংশিল্লকই হায়তুনা লৈফন থেংগো কৌখি।

চোংখোক চোংশিন নেংতনা লাকপনা লৈচাই থেংগো কৌখি।

চোংশিন চোংশিন লৈনা লৈনা নেংতনা লাকপনা নোংফন থেংগো কৌখি।

শিক্লা শিক্লা নেংতনা লাকপনা লৈকক থেংগো কৌখি।

চোংখোক চোংখোক লৈনা লৈনা নেংতনা লাকপনা লৈনেং থেংগো কৌখি।

চোংনা চোংনা, নিক্লা নিক্লা নেংতনা লাকপনা অতান থেংগো কৌখি।

চোংশিন চোংশিন নিক্লা নিক্লা নেংতনা লাকই হায়দনা লাংকক থেংগো কৌখি।

থেংগো-লাথাপি-খম্বান্নাওরা মেন শাবা অথম থেংগৌ শাবদা শোয়রবদি মচা-মগু গুম্বা শোইদ্রাদে, মশা লাইথুং থুংই। থেংগোগী চুংনা লৈমরেম্মি থাঙনা ভুবী চীংরোং য়াশবা থাঙককলেন য়াশবা কৌই।

ফিজেং :—

অথম থেংগো শাবা চীংগোন থেন কাবদা শেংকদবা ফিজেত্তি—নীংথম শমজিন খুদাংয়াই খুবোম য়াই শিরোনবা খোঙ্গ্যাই মথক মখা লাংমৈ পুংলেনবা, মতু লৈথাম পজেং থোনা মথক্তা থোনবা ফীরান নাম্মাথক্তা নাম্ব থেংপা নিংথৌফি, তাজিন শায়াং তাঞ্চপ। হায়ব্রিবা ফিজেংশিং অসি শুদবনা শারবদি মতাক পুন্সিদে, লৈমা নিংথোগী কল্লে লৈপাক রাম তৌহৈদে চাকতোন ফিদোম লোম্বা কৌই। লৈপাক শেম্বা

লোইরবদা পাখংবনা কেক্রুপাল্লা চীংগোন থেন কাহুনা অথম থেংগৌ শাখি। খুইগী পাখংবগা হাংনবৈগা পাখংবনা খুইবু মগুক কক্তুনা শাশিং চামা ফারে লানশীং চামা ফায়ে, হায়হুনা চীংগোন থেন কাহুনা অথম থেংগৌ শাখি, নাকথ লাম্নী কৌহুনা য়েনবুম হুইরোই চনখি। খুইগী মথরায়না য়াকথোং (yellow fittern) ওইখি। য়োইমোংবা তাউ-খিংমাং মচীন মনাউ অনিনা কাকয়েন মীওম্বা ফাবা লোইরবদা শাশীং চামা ফারে লানশীং চামা ফায়ে হায়না তাউথিংমাংনা শরিক পাল্লা থেন কাহুনা অথম থেংগৌ শাখি। য়েনবুম হুইরোই চনখি। অমুম তৌনা নিংথৌরোন মথং মথং থেংগৌ শাখি। লাইনিংথৌ খাগেম্বগী সনা হাক্তক্তা অথোম ময়োম্না অথম থেংগৌ শাখি। মহারাজ গরিবনিরাজ সনা হাক্তক্তা অপোং সোয়োংথাইবা থোংজেন য়াংখৈরাকপনা অথম থেংগৌ শাখি। রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র সনা হাক্তক্তা অতোম গোপীনা লাইরিক লাইগু পুম্নমক শেম্বদা পেল্লে হায়হুনা অথম থেংগৌ শাহনখি। মথংদা য়াংখৈ পণ্ডিত গোপীরামনা পাচ হনবা ওইরবদা অথম থেংগৌ শাখি।

থেংগৌগী মহৈ :—

অকাও থেংগৌনা খমলবদি চাক-ঙা হোক্তিও। নোংকম থেংগৌনা খমলবদি লৈপাক নিংথৌ পূকচেল তিন্নদে, নিংথৌ মপুক শাউএ। লাংকক থেংগৌনা খমলবদি শা-লান মথে লাংক্তি। লৈচাই থেংগৌনা খমলবদি লৈপাক তাক ফায়এ, নিংথৌ শি। লৈনেং থেংগৌনা খমলবদি লৈপাক মরা তপএ। অচোং থেংগৌনা খমলবদি মত্তিন মরাই কলদি। অভাম থেংগৌনা খমলবদি নিংথৌ পুক্তিএ। লৈথম থেংগৌনা খমলবদি লৈপাক মরা তপএ। তাম্বোও লেমথোও মমুং মফৈ পাকনা পাক্তি নিংথৌ খুক্তি।

তৌন শিদবনা চাকশৌ মশীওমনা হুমিং খুদিং শৌহুনা শেমলকপা মল্লাকনা মথম্না ঈনথায়রবগা পোকখিবনা মল্লানা শীংজং-য়োং ওইখি।

× × × মানাক অশাংবনা থাঙশাং কবাক থাঙ ওইখি—মমিংদি হায় কুপলেন ফিরোক থাঙ কৌএ। ফিরোক থাঙ কৌবদি × × × নোংথাঙ কুপলবগা লৈচিনবু থাঙ অতুনা হাইদোকুনা নোংথৌবু শেংহল্লে, মহুগী ফিরোক থাঙ কৌএ। নাকলু মোইফাং তোল্লা থাঙশাং মাখি ওইখি। মমিংদি মপা থাঙ কোংম্বিপা কৌএ। × × × × তীন শিদবগী মরৈনা পুকপ থাঙ কৌই। × × × তীন শিদবগী মমৈনা থাঙ তেম শাবনে কবো লৈতেং মওঙনে। × × × পান্থোম য়েংনা তরুং থাঙ ওইখি। কবোদা পীখি। চকোংনা থাঙজো ওইখি। × × × মুপংনা থাংগু তা ওইখি। (থাঙলোন থাঙচৎ)

লম অসিদা লৈবা শলাই তরেং অসিগী থাঙ মশক মমিং তোপনা লৈ। মহুদি :—

১। পুকক থাঙ— অঙোম শলাইগী ২। তোনকক্পা—খুমনগী
৩। লাইথাঙ চিনাইবা—ঙানবা শলাইগী ৪। চকথাং— নিংথৌজাগী
৫। য়েনবা মতোকশাবা—মোইরাং শলাইগী ৬। তোন্দুম্বা—লুৱাংগী
৭। খুম্হোঙ থাঙ শবাং লৈশাংথেমগী (শলাই থৌনিরোল)

মশক নাইবা লাই থরগী খুৎশূদি : -

থাঙ তেমশাবা– থাংজিংগী থাঙ, পুকপ থাঙ—অপানবগী থাঙ, তরুং থাঙ্গা কবাক থাঙ তেম শাবগদি—গুরুগী থাঙনি, হৈজ্রাংনে, খুংশম্বনে, নাউকন থাঙনে, য়েন্থাঙনে—লৈমরেন শিদবীগী থাঙনি, থাঙজো—থবারেনগী থাঙনি, চৈগু থাঙ—মার্জিংগী থাঙ চপথাঙ—অতিয়াগী থাঙ, থাংগু—পোইরৈতোনগী খুৎশ্ৰু। (থাঙলোন থাঙচৎ)

মৈতৈ নিংথৌ থরগী থাঙ—মৈদিংঙু নাউফংবগী (খৃঃ ৪২৮—৫১৮) থাঙদি কপস্লেং কৌই। মৈদিংঙু শমৈরাংগী (খৃঃ ৫১৮—৫৬৮) থাঙদি অনীনি—অমনা খোমলেন তোংবা কৌই, অমনা মিতোংতূপ কৌই। উয়াংকোম্ফোবগী থাঙদি অনীনি—অমনা লৈরুখোম্বা কৌই, খোঙতেকচাগী থাঙদি অনীনি—মুয়া ফাবা কৌই। (নিংথৌরোনগী থাঙ)

লৈশেমলোন অমসুং জগোই

গুরুশিদবনা অতিয়া শিদববু লৈপাক শেম্মো হায়না শীথরকএ হায়রুনা অতিয়া শিদববু অশীবা কৌখি। অশীবদা গুরু শিদবনা পল্লিং লাংশও উরোং লাইশোন শীংকাপ মণ্ডামক শুনা তাকপীরবদা গুরুনা তাকপীবা লাইশোন অদু অশীবনা শোন্দুনা কোংগোন অয়াম্বা পোকএ। মথংদা অমুক শোনবদা ইশং পোকএ। মতুংদা কংলীক কওজাউ পোক তরও লাইজা ঈপাকথক্তা (ঈশিং মথক্তা) অশীবনা মিরেনগী লাংগুম (মিরাংগুম) পল্লিং লাংশওথা উকাকময়রোং য়াম্না লৈশেম নোংশেম হৌরে। মাগী পাম্বে ওইনবা অহুমমনু-গা অরৈবুগা অনী পোকলে। অহুমমনুনা হুমলেন মুংশিং পোকএ। অরৈবুনা হামলেন লৈচিন পোকএ। হুমলেনগা হামলেনগা (লৈচিনগা মুংশিংকা) নিপা নুপী ওইনা ওভনরে। ঈশিং তরওদা ১। কম্লিনে ২। কয়ানে ৩। নোংদম খুবনে ৪। নোংয়ায় মরি ওনবনে ৫। চৌরা মপান থাবনে ৬। তরও খোইমুচানে ৭। পিশাতাউনে তরেৎ পোকএ। অতিয়া শিদবনা পল্লিং মমায়দা কম্নগা লৈপাক্তি কদাইদগী লৌশিগে হায়না তৌকম খওদনা মুংবওনা লৈবা অদু গুরুনা খওলদুনা তরওগী মথাদা লৈথখিদুনা ঈশিং মনুংদা থেংগু পোকএ। অদুগা গুরুনা থেংগুগী মথক্তা কমলে। অশীবনা ঈশিং মনুংদা কম্নি লৈবগে য়েংগে হায়রুনা লৈথরকপদা ঈশিং মনুংদা গুরুগা থেংনরে। গুরুনা কদোম্বা লাকপনো হায়রবদা অশীবনা লৈপাক নিগে লাকইবনি হায়রবদা গুরুনা অদুদি নখুৎ নতুংলোম ওন্থোকলগা গুরুগী খোয়দগী নয়ানা চিক্কুনা লৈপাক খজিক্কুং লৌখো হায়রুনা লৌরবদা গুরুনা লৈপাক অদু থেংগুগী মথক্তা শেম্মু হায়রুনা অশীবনা থেংগু তোংদুনা ঈশিংদগী কাওগৎলকলে অদুগা লৈপাক শেম্বা হৌগৎলকপদা লৈপাক মনুং ওইনবা হারাবনা চাইথাদুনা লৈপাক অদুনা লৈচিন ওইখ্রে। মথংদা অশীবনা ঈশিংদা তাউরিবা ময়াম অদু অমুক খোমজিল্লে। মাগী থুরাদগী নুরা তাদুনা ডাগ্রুম (mudeel) পোকএ। অশীবনা ডাগ্রুমগী মশোক্তা তোংদুনা গুরু তাম্না চংখিদুনা অমুকা

লৈপাক নিরুরে। অশীবগী মতেং ওইনখা লৈথোম তাউনে, নোংখোম তাউনে, লৈশাতাউনে, নোংশাতাউনে মরি পোক্রে। মরি অসিনা লৈহৌ থেংগৌ শাত্থনা লৈপাক শেমখি। হারাবনা অমুকস্থ চাই খাইরে। হন্দক চাইখাইরিবসিনা উন ওইথ্রে। মতুং অথুদা অশীবনা মাগী খুয়াদগী তাখোকতুনা কোবী পোকএ। অশীবনা কোবীবু গুরুদা থাত্থনা লৈপাক নিহল্লুই। গুরুনা কোবীদা লাইশোন অমস্থ তাকপীরে অত্থগা লৈপাকস্থ পীরত্থনা কোবীনা লৈপাক অত্থ মকোক্তা থোংনা পুত্থনা লৈপী তোমশোন মরিন ফাংনা কাখৎলক্তুনা অশীবদা লৈপাক অত্থগা লাইশোল অত্থগা শিন্নরে। অশীবনা লৈপাক অত্থ চাইথোক্তুনা গুরুনা কোবীদা তাক্লকপা লাইশোন 'লৈপী তোমশোন নপ্ফা" হায়না শোন্দুনা লৈপাক অত্থ নীংথিনা শেমলিঙৈদা হারাবনা অমুকস্থ থুগাযগে হায়না তৌবা অত্থ গুরুনা উরত্থনা রাখল তৌরগা গুরু মহাক্কী মখোয়দগী খোয়নৌ কৌনা মিং নাপ্লাগী মশক্কুন্না গুরুনা মাগী মিংলুরমদা কোথোকলে। মমিংদি তরৈ মিংয়েংশেন মি মি মিয়েংশেল কৌএ। গুরুনা খোয়নৌ মিয়েংশেল ও অশীবনা লৈপাক শেম্ববু হারাবনা হৌজ হৌজ য়ৈথায়রে। মহাক্না য়ৈখায়বা ওয়দনবা নওনা হারাবনু কাউহল্লো হাইনা খুনিংথোদগী নোংথোঙ লৈমা পুথোকলে। ইমোম নোংথাঙ লৈমা নঙদি নত্থ নিংথৌ অশীবনা লৈশেমঙৈদা লাইজা ইপাকথক্তা (ঈশিং মথক্তা) নমু মীপুক শুনা (মীগী পুক্লিং হূনা) শান্নরু হায়না থৌদাখি। লৈপাক শেম্বত্থ থুগাইগে হায়না হারাবনা লৈথিঙ্গায়গে লাকপদা লাইজা তরঙথক্তা নমু মীপুক হুবী তক্তা নোংথাঙ লৈমবু উরবদা কনানো মোমস্থ চেংলো শকহেনবী পায়মা খোয়জঙবী তিল্লাং খোয়দাবী ও হায়না হংববু য়োম্ববু নোংথাঙ লৈমা নমু মীপুক শুম্বীনা থেক থেকপা মথক্তা থেকরাক্তা ঈক্তুনা নৌগ নৌবা মথক্তা চরৈ মকাফোং মাল্লৌ মীমাঙ তাক (ফজবা কীজোক্না ফিরেং লৈতেংত্থনা) মিংমৈ তোরানথা খোয়রুম মোমোন নোকনা চীনগোই ঐবু পাউশন্নরবা (ঐবু হুংশি রাহৈনা করেম্নরবা) নঙত্থম কনানো? পলেম পম্থো কনানা পোকপনো? য়োয়বু ঐদি পম্থো পানাইদবী পলেম

পীনাইরবী, কোলোয় মিংনাইরবীদি ঐনি হায়রমলগা ঈশিং তমলেনবুদো থূপখরে। ঈশিং তমলেনবুদগী মৈক্রো খানিকনা খারো থাঙ-শেংনমা কাওরকলে। হায়বনা নোংথাঙ লৈমগা রা অওক অথোং তৌনা ভাঙনা শানতুনা পাউরমরিঙৈদা অশীবনা লৈশেম নোংশেম্বা লোইতুনা লাইবংথো নোংদম খুবগা নোংদম লেংবগনা লৈরোই থেংগৌ শাখি, লাই পাখং তরেৎ লাই তুরা তরেৎপু নোয়না ঙমদনহন্দুনা হায়বদি জগোই শাহন্দুনা লৈরোই নোংলোই ঈশৈ শকখি।

জগোইগী শাথেক্কা থাঙ-তাগা মান্নবা শরূক

জগোইগা থাঙ তাগা থানবা য়াদবা, য়াম্না নকশিন্নবা মরী লৈনৈ। মণিপুরদা চংনরিবা জগোই মক ওইবা মথন অনীনি। মতুদি: লাই হরাউবগী জগোই অমসুং রাসগী জগোই। লাই হরাউবগী জগোই তাংকক অমগী লোইশিল্লকপা মতাংদা লাইরিংথো লাইরেম্মা খুরুম্বদা খুজেংলৈবী তৌতুনা জগোই থোকলিবা মী অতুনা খুরুমলগা মানা শারিবা জগোই অতু লোইশিল্লি। বাসগী জগোইদসু হবুঙো রবেম্মাবু খুরুম্বদা গোপীশিংনা খুজেং লৈবী তৌরগা খুরুমতুনা জগোইগী তাংকক অনা লোইশিল্লি। লাই হরাউবদা শীজিন্নরিবা খুজেং লৈবী অসিগা রাসদা শীজিন্নরিবা খুজেং লৈবীগা মওং খুজেং মরৈ মরাক চপ মান্নে। থাঙ হাইবদসু খুজেংলৈবী শীজিন্নে। খুজেং লৈবী হায়বসি থাঙ তৌবশিংনা তমদবা য়াদ্রবা নিয়ম অমনি। খুজেং অঃপকী মতিক নৌরগা থাঙ হাইবদা য়েংবদসু ফজে অতুগীসু মথক্কা মী অনী লাম্বা তৌনতুনা থেংনরক্পা মতমদা খুজেং খরা হেন্না নৌবা মী অতুনা খুজেং নৌদবা অতুদগী খুদোংচাবা লৌবা হেল্লি মরম অতুনা থাঙ তম্বদা খুজেং নৌ-ননবগীদমক্তা মমা ঙৈদগী হৌনা খূজেং লৈবী অসি তমদবা য়াদবা অমা ওইনা তমনৈ। অতুনা খুজেং লৈবী হায়বসি থাঙ হাইবদা লাই-হরাউ-বগী জগোইদা অমদি রাসগী জগোইদা ইশি শীজিন্নরে। শীজিন্নরিবা খুজেং লৈবী অসি লাই হরাউবদা অমসুং রাসগী জগোইদা শীজিন্নবদি

খুজেং লৈবী খুৎলোন অাং অমত্তা শীজিন্নে অহুগা থাঙ হাইবদা শীজিন্নবা খুজেং লৈবীনা খুৎলোন অনী শীজিন্নে। থাঙদা শীজিন্নরিবা খুজেং লৈবী অহনবী অসিদি জগোইদদি শীজিন্নদে। থাঙদদি খুজেং লৈবী অসিগা কোন্নবা খোঙলোম খোউথাং লৈ, মহু কায়রবা য়াদে। খোঙদি য়েংকী খুৎনা মথক থংবা মতমদা য়েংকী খোঙ থাংশংকনি, য়েংকী খুৎনা থকুগী খারোমদা হাইথবগা ঈরোয়ননা য়েংকি খোঙ অহু লৈপাক্তা থাগনি। ওয় খোঙ খুৎসু অস্মা তৌগনি। খোঙকমদি মাঙদা চঙশিনবা তুংদা হন্দোকপা খোঙকম অনী চৎপা য়াই। খোঙকম অহুম—থা মচেং শাবা খোঙকম অহুম কুংগা নুংহুম শাবনচিংবা খোংকম করাদা শীজিন্নবা য়ায়। জগোইদদা নত্তনা পালাগী চলোমদা, পুং চোলোমদা অমসুং ফীবমদা থাঙ তাগী ফীবম করামকুমগা মান্নবা য়াম্না য়াওই। পুংগী খোংখোঙ শাবা, ঘাট তাবা পুংগী বাক লৈবদা থাঙ্গা মান্নে।

[ওঝা তরঙ্গ, ওঝা দামু, ওঝা চনহম বীরহরি অমসুং ওঝা পরশু-রামনচিংবা তাখঙ অহৈগী সব-কমিটি মেম্বরশিংনা পুথোকপীরক্লগা শ্রীখেলচন্দ্র সিংহনা ইথোকপা অমসুং ওক্টোবর ২৪ গী মুমিদাংরাইরমদা পাখিবা]

শ্রীনিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ

লাই হরাউবা

(ওক্টোবর ২৫ অয়ুক)

লাই হরাউব হায়ব অসী তাইবঙপানব মপুন লৈশেম নোংশেম-লকউগী থবক অদু লাইশিংন খুংন থেকতুন উৎপ, জগোই শাফুন তাকপ, চীনুন শকৃপ-শোনব, ডাঙবন খঙহল্লি। লাই হরাউব অসী মখল অহুম খোকন খারগোকুই :—কংলৈ হরাউব, মোইরাং হরাউব অমসুঙ চকপ হরাউব—অহুম অসিনি। লাই হরাউব মখল অহুম অসী অমগ

অমগ মায়বে, খেন্নৈ। কংলৈ হরাউবা; য়ুমজাউ পাকন-ন লাইরেন মথেক চংলী। লাই হরাউব লোয়রগ মূক্রা লমজেল তৌই। লাইরোই লুমিংত ঔগ্রি হংগেল শকঈ। অদুগা মোইরাং হরাউবদ তিললু-লাইরু লাইরেল মথেক চংলী। লাই হরাউবিরিভৈগি মচুংদ মুক্রা, লমজেন তৌঈ। অদুগ ঔগ্রি হংগেল-ন খোং চিংব কুমতদ শকঈ। কংলৈন চহী খুদিঙ লম থোকঈ, মোইরাংন কুম অম লম থোকঈ, কুম অমন খোং-চিংঈ অদুগ কুম অমন য়ুম ফমঈ। চকপ হরাউবদ লাইরেল মথেক চংতে, অদুমনদি ওইরগ লোয়শঙ কোয়ব হায়ব অমদি তৌঈ।

কংলৈ, মোইরাং অনীন লাই ঈকৌরগ লাইচুংদ পুশিললী অদুগ চকপ হরাউবন হেক পুশিনদে। ঈকারকপ মতমদ লাইশঙদ লৈব মীন পুঙগি মপু, খোংগি মপু পুরক্লবরা হংলগ লাকলিবা কাঙবুন পুরকলে হায়রগ পুশিললি। অসিত নতুন লাইরোন মশান্নদসু খেন্নৈ। মাসীন লাই হরাউব মখল অদুমগি খেন্নবনি। অদুগ লাইশিংগি মচুংদসু খেন্নব য়াওরি। লাই পুন্নমক নোংপোরোন খেন্নে। লাই হরাউব তমবদি সনা কোনুংগি মাইব শঙলেনদ মাইবন মাইবদ, মাইবীন মাইবীদ অদুগা পেনান পেনা শকপদ তমঈ। অসুম তৌন লোইশঙ অসীগি মখাদ মাগি মাগি শঙফমদ (Department) মথং মথং তম্লকপন ঙসি ফাওব চংথরি।

লাই হরাউব অসী ইহান হানবদা লাই ময়ামন নোংপোকপু লাইগী নিংথৌ সোরারেন হাপ্ল মতমদ লাই ময়ামন লৈ লাংলগ শায়খিব অদুগি মতৌ অদু তমদুন খৃষ্ট মাঙ শতাব্দী 8 গি অদুরাইদ থাব লৈরেল খৈন হৌদোক্লমদগি (পানথোইবী খোঙ্গুল) মথং মথং লাকপন ঙসিগি অসী ওইরবনি। লাই হরাউব অসি মওঙ খর খর তোংলকপন ঙসিগি মশক অসী তাবরবনি। মমাঙৈঙদ হরাউবদা ঙাঙনব য়া, লাইমিং লাইশোন, খুংথেক অদুমক হোংব য়াত্রবসু মতম মতম অদুগি হোংদব য়াত্রব মরুওইবদি ফিজেংনি। ফিজেং হোংলকপগি মচুং ইয় পোংচঙদসু হোংলকঈ। খুদম - শরেল কংপ হারব অসী

রাহন্নদি হোংত্রি, পোংতি মহুৎ শিনথিবন রামগ্রে। লাইশিং অসীগী মন্নুংদ লাইনিংথৌ খোরীফাব ঙা কৎপ রাদে। পুরৈরোম্বা, কবোক কৎপ রাদে।

ফিজেৎত খেন্নব—হৌজিক জাতি পুম্নমককি মন্নুংদ ফিজেৎ অসী খেন্নরকলে। মীওইবন ফিজেৎ খেন্নরকপ মতুংইন্ন লাইদ কৎপ ফিস্থ খেন্নন কৎলে। খেন্নরিব মওঙদি মক ওইব ফিত্তম হোংত্রবস্থ মচাকত খেন্নগ্রে। থায়নপি নীংথম শমজিন কজেংলৈ, কনেক ইনফিন-চিংব অসী হৌজিকমক খেন্নরে। মখোয় অসী মীতৈগি খুৎম নাইধ লংন শারমঙী। হৌজিকন মীরৈবাককি মচাকন শাথরে। লাইরেম্নগি কনেকত থায়নপি কানক কনেক, পুমথিং কনেক, হিশা কনেক, লাইফি-কানক-নচিংব অদু হৌজিকত অয়াম্ব লৈত্রে। লাইরিকত লৈব মাইবীগি ফিজেৎতি 'কোনজ্রে চরৈ-ফিঙৌ-শেংপী-খাবী' হায়। মসীন মাইবীগি ফিজেৎতি ফিঙৌনি হায়রব তাকঈ। অদবু হৌজিকতি রেশম ফুরিৎ অশংব লীৎলে, খামেন চংপা ফি ইললে। নাইনগি মহুৎত হাইবায় (নারানবী ন শিন্নুন খেন্নহললে। হৌজিকত মৈতৈ লশিং ফি লৈত্রে। মীরৈবাককি লংন শাব কিনি, ইনফিস্থ নূপীগি শিল্প, ক্রেপনচিংবন শিল্লে। মাসীন তাবদি মশা'ন খেন্নব তারবনি।

লাইরোল অমসুং শান্নবদ খেন্নব—হৌজিক শান্নবিব লাই হন্নাউব অসী লাইরোল, জগোই, ঈশৈ অসিদস্থ ফিশেংত খেন্নরকপগুম মথং মথং খেন্নরকঈ। হন্নাউবগি শান্নব মওঙস্থ মতমন রাদবনগি তোক-খিবস্থ য়াওরকলে। খুদম - মম টৈঙদ লাই নূপী থিব হায়ব অম য়াও-রমঈ। মাদু মাইবীন কাংঙজয় পায়দুন মমায়দ ফিন কুপশিল্লগ মমিৎ উইশিন্নুন কোয়ন চৎলগী থিবদ কাওজয়ন কোৎপ নূপী অহু লাইগি নূপীনি হায়দুন ফিরোন অথেনপোং পি, মানস্থ লাইদ ঙমজব পোং কৎলী। মাসী লাই কৎলৈ খোকপ কৌঈ। হৌজিকতি মাসী তৌনদে, খোরীফাব লাইগি থৌনিরগ তোক্করে। অসীন থৌনিবোনগি থৌরমদ কায়বনি। অদুগ জগোইদ খেন্নবন খুৎথেকত হেনজিন্ন খেকপ, লাইহৌবগি লাই-

চিংথোকপদ কা হেন্না হকচাং চেপথব—উপথব-নোনথব, হাইবনচিংব অসী হেনজিনব মওঙ ওাক্ত উরে। লাইরিকত লৈব মপোপ কান্নদব অদু থুগায়রুন এথোয়গি লাই হরাউবগি জগোই—থুংশেম ভাহল্লে। মাসী পুংলোন্ন কায়হনবনি। হৌজিক হরাউরিব লাইফম অয়ামব থায়নগি হরাউপুংগি মহুৎত ধুলোকন শীজিন্নরি। হান্নগি পু'দগি ধুলোকন খুংথৎ থুব হেললি। অদুন পুঙলোনগি মতুংইন্ন জগোই শাব হওনবন খুৎথেক-শাথেক, খোঙথাং ইহুল মরম পুন্নমক্ত খেন্নহনবনি। মমাঙৈঙ-দদি হরাউপুঙগ বাঁশি পেনাতগ হরাউরমঙ্গী। মতম অদুন হকচাং ইপোম কান্নদন ইঙ্‌ন শাবমঙ্গী। হৌজিক হকচাং ঈবাঙ হওন ঈথক ঈফেনদ জগোই শাথ্রে।

লোংখোনব—লাই হরাউবদ লোংখোনব য়াওরিব অসি ঙা কানব খোনব নত্তে। শান্নরিব লাই অদুগি থবায়ন, শান্নবদ শোয়খিব য়াও-হুন, মফম খঙদন লৈহৌব য়াওরন্নবসু ফাজিন্দুন লাইকোনদ খোনজিনবগি থবকনি। পেনান লোং খোনব মতমদ মিকোয়োল খোঙ্গী। মতম অসিদ শাব জগোইন লাওব য়াব মতমগী খুৎথেক অমসুঙ খোঙথাং য়াওদন ইঙন শাগনি। অদুবু হৌজিকতি চোংদুন অমসুঙ চেন্ন চেন্ন খোনদুন লাই হরাউবগি ফিভম থুগায়রি। মাসীগুমব অওনব অসী মাইব, মাইবী, পেনা খোংবশিংগি তমশিনব য়াৎপননি অমসুং মখোয়গি তমফমশঙ (School) মতিক চাদবন খোকপনি। মমাঙৈঙগি নিংথৌশিংন পাল্লিঙৈদ লাই হরাউব অসী লৈবাককি ধর্মগি মরু অমসুং কলচবগি মকনি হায়দুন য়ামন চেকশিন্ন ভাকলমন্নদগি মন্নন-নাই অহৈব উঝাশিংদগি তোপন তোপন তমনখিবদগি উঝাশিংগি অমগ অমগ মোত খেন্নরকপদগি কলচবদ কায়রকপনি, খোঙলোন খুংলোন খেন্নরকপনি। মাসীন পেনাদসু মরোল মান্নদবনি। মাইবী অসি মশান শঙলেন, লংমাই, ফুয়া হায়ন অহুম খোকপন লৈদুন, লাইশোলদ খেন্ন-রবসু জগোইগি খুংথেক শৈশকতি মান্নগদবনি। অদুবু সেবোকন থবায় য়াওখিদবা উঝান মতিক চান লৈতবদগি খেন্নরকপনি।

পেনা—মীতৈগি পেনা হায়ব যন্ত্র অসী গুরু লৈমরেলগি মশকনি হায়নৈ। অহানবদ পেনা অসী খোম ভুমবান ওইরগ চয়জিং হাশান ওইরমঙৈ হায়। অতুদগি মযায় ওইব মতমগি পেনান চয়জিনে য়োং, শরীকনা শেল, শহৈ, উয়েক, উতোং, তেঙখলন রা, চুমবুলন তরেঙন নাইব লং, পেনা মকন হাকন ওইরমঙৈ। হৌজিককি পেনা মওঙন— শরীকন শীথ্রাই, মকন মুবীন ওইদুনা অয়ামবন শীজিননরি। মাসী মওঙদ মান্নরবসু পোংশকত খেন্নরি। মসিদ নংতন পেনা শকপন শকপ ঈশৈদ লুরব লাইরোল শৈশকতা উঝাশিং লোল খঙদবন মী-রৈবাককি লোল কয়া য়াওন শকলি। মাসী চাওখংলকপগি মতুংদ হাপকংলবনি হায়গদবদ মীতৈগি কলচরত্তুম মাঙনব মরম অম ওইরি। লাই হরাউবগি মতুংদ লৈশেমবগি মরম তাকপা হোইরৌ, হয়া, জগোইন হওরকপগি মক তাকপ অনোয়রোল কায়হৈত্রব শৈশক অসী তমব রাং-পদগি অয়ামব পেনা খোংবন শকপ ওমনদরি। শকপ ওমব মী লৈতব নংতে, অদুবু তাঙনদি লৈরে। অদুগ মণিপুরগি মমিং চংলিব পেনা খোংব উঝাশিংদি লাই হরাউবগি মরমদ থৌওইবীদবন হৈতে। মখোয়দি মোইরাংগি থোইবী-খম্বগি ঈশৈশঙদ হৈনবনি। লাই হরাউবদ থরায় য়াওব উঝাশিংন তমফম হংজফম তাওবন লাইরোলগি মরমদ য়ামন রান লাইগি থৌগাল তৌরি। পেনা হায়ব অসী মীতৈগি থাদোকপ য়াদরব লৈশেমবদগি লোয়নরকলব, লাই হরাউবন বৃংওরিবমখৈ লৈ-হৌরগদব যন্ত্রনি। করিগুমব মতিকচাব তমফম অম অথরিটিন শেমবিদরবদি পেনা খোংবা রাংথরকপগ লোয়নন খুংলোন, শৈশক-নচিংব রাংলক্তুন নোংম নোংমগি মাঙথরকপ নংতন চাওখংলকপগি মরম উদে।

মাইব—লাইহরাউবদ মাইবগি মথৌদি লাই হৌব-লোইব, তীনশক লাইশক খঙন কোনয়াই থাব, লৈ ভুনব, লাইশোন-তীনশোন তৌব মাইবগি মথৌনি। মখোয়ন অশোয়-অভাম থোক্তনব য়েংশিললি। মাসিদ অরুবগি মাইবন মতিক চান তমফম লৈতব, উঝা লৈরবসু মীতৈমজেক খঙদবন

তমবদ খুদোং চাদব মীন মাইবগি থবক তৌবদগি মাইব মায়দবতগি থায়নগি শৈশক শৈথা কয়াবু থুগায়দুন মশান হৈনব শৈশক্ত শকতুন তাবদ হয়াউবগি লাইরোল অদূ পূমওল ওয়ন তাহলনী। অদুগ মশান শকলিব-শোললিব অদূগি মহুংগি য়াখল থনথব য়াৎপদগিসু হয়াউববু উয়িব মীশিংবু কয়ি তৌয়িবনো হায়ব অদূ ভাব তাহনবদ য়ান থোকই। হৌজিককি মতমগি মাইবশিংদি থৌগল কায়দনব হয়াউবগি মরম খরদং খঙলগ হয়াউব মাইবন অয়ামবনি। মাসিনা লাই হয়াউবগি চাওখৎপগি অচৌব পল অম ওইরি।

লাই হরাউবগি খোঙচৎ—লাই হরাউবগি থবক অসিসু পৃথিবীগি খোঙচৎ মতুংইনন চাওখৎপ, শিথব মতম লৈতব নৎতে। খৃষ্ট মাঙ মরিশুব শতাব্দীদ লৈ লাংব চাকলোন কৎপন মপূঙ অহুদ নোংথাঙলৈম জগোই, পানথোইবী জগোইন চাওখৎপ মতুংইন্ন লাইশিংন তৌখিব থবক, মীওইব শাব, মখোয়ন পানব ঙমনব য়ুমশাব, পাম য়ামদুন মহয় মরোং থাব, ফি শাবনচিংব ফাওব উৎতুন হয়াউরে। অহুদগি খৃষ্টগি অহানব শতাব্দীদ নোংতা লাইরেল পাখংবন পানব মতমদ পূঙ-ঈশৈদ চাওখৎলবসু মতুংদ অনিশুব শতাব্দীদগি হৌনা লাই হরাউব অসী য়ামন থীন শিথখি। অহুদগি খৃষ্টাব্দ ৭ শুব শতাব্দীদ পানব নাওফংখোং সনা হাকথকতগি অমুক চাওখৎলকপন ১৬ শুব শতাব্দীদ পানব খাগেমব মহারাজ সনা হাকথকত অমুক মপুংফান চাওখৎলরে। মাঙথরবব লাইরোলনচিংব খোমজিল ইশিললমঙ্গ। অহুদগি খৃষ্টগি ১৮ শুব শতাব্দীগি অহোবদ পানবা মৈতিঙু গরিবনিরাজ মহারাজ সনা হাকথকত লাই হরাউব অসী নমথখিবদগি মশু ইবুংঙো জয়সিংহ (ভাগ্যচন্দ্র) মহারাজ সনা হাকথকত য়ামন কয় থিজিনবীদুনা থমবীরমঙ্গ। অদূমনদি ওইরগ যুগ পুরকপ মওঙ অমদ চৎথিবন লোলয়ালন মপূঙ ওইন অশৈ, অমাই, মাইবী লোয়শঙ অহুম-মকত চঙশিললমবন স্বর্গীয় বোধচন্দ্র মহারাজ সনা হাকথকতদি লাই হরাউবন '**হরি হে নারায়ন, রাম কৃষ্ণ নারায়ন**' হায়ন শকনরমলে। হৌজিক্তি

থায়নগি মরী কায়দনব হোংনরি। লাই হরাউবগি মওং অসিদ লোল অমসুঙ ফিজেৎত ওনবগ লোয়নন শাথেক হেংলে। অদুগি মথক্ত ধুলোক অমসুং বেংগুন, শৈশক খৎপ, খোঙথাং ফিংবত নৎজন লাই হরাউকম, লাইশঙনচিংবদ শেম শাগ্রিব মওং কয়া অসীন মরম ওইদুনা থায়নগি লাই হরাউবগি পনদব মাদরব মাইবরোলগ থুংথেক খরদগ ভায়হৌদুনা মমৈথঙদদি নিঙথিন ভাকশেনব শোলহৌরবদি মাসনচিংব অতোপ্পা জগোই কয়ামুক্ক মরূপ ওইবদগি মীতৈ লাই হরাউবগি থুংথেক জগোইনচিংব অসী পুমমাঙমক মাঙদরবসু অয়েংব মীম, কয়মব জগোইন মপুঙনো হায়ব অসী পুক্লিঙদ চিংননিঙঙাই ওইরকপা মাই। বেঙগি খোঙথাংগ পানথোইবী জগোইগ য়েকনব ওইরবসু হরাউব খুদিঙদ তংতন থেংনববনিন শোয়দন তিনলরকপ তাই।

ডিমোনষ্ট্রেশনগি শরূক (জগোইন উৎপ)

১। হুকচাং শাগৎপ, ২। পানথোইবী জগোই, ৩। ফিদম জগোই (লাইবঙথৌ + লাইরূরা)

মথাদা, মরু ওইব 'লাই ঈকৌবগি' অকুপপ মরোল খর নৈনরি মথুদি—

ঈকৌব—লাই হরাউবগি অহানবদ তৌগদব থবকতি 'লাই ঈকৌব'নি। ঈকৌবদ য়াওব মক ওইব পোৎচঙদি—খয়োম, ঈহাইফু, লৈয়োম, হীরী-লং, কোমযাই, ঈশায়ফু অসীন মকনি।

খয়োম—মন্নংদ কোনয়াই হাপ্পা, লাংথৈ মতোল ৩ থেৎপ, য়েরূম ১ গ লারোল অহুমন চেঙগ য়োমব, পযান পুনব ময়োমবু খয়োম কৌই।

ঈহাইফু—ঈকৌবদ লৈয়োম হাপনব লা-মচেংন লৈমা হাপ্পা হীরী লংনে পুনব চফুবু ঈহাঈফু কৌই।

লৈয়োম—লা-ন য়োম্ব, লাংথৈ মপোপ ৯ অমসুং ৭ পু লৈয়োম কৌই।

হীরী লং—ঈহাই-ফুগা লৈয়োমগ শন্নবা লংজা ৯ মা ফাইব অমস্থুং লংজা ৭ ন ফাইব, লম অনী শাংব লং অনীবু হীরী-লং কৌই।

কোনয়াই—সনাগ লূপাগ অনীবু কোনয়াই কৌই।

ঈশায়ফু—ঈকৌবদ হয়াত্তব লোইড্রিব ফাওব থিন্নব ঈশিং শোকনব চফু অদুবু ঈশায়ফু কৌঈ।

ঈকৌবদ য়াওব্রিব খয়োমন নুমিৎ-থানচিংব করি অমত লৈতরিদ্রৈদ তাইবঙ-পানব মপুন ঈশিং তব্বওদ কন্নম লৈব, অদুগ লৈশেম্বন কন্নম তৌন শেমখিব হায়ব অদু উংলি। খয়োমদ য়াওব য়েন্নমন তাইবঙ মপুন তাইবঙ পানব শেমদ্রিদ্রৈদ মথনত লৈব্রিডেংগি ফিভম উংলি। য়েকম মন্থু দ সনা লূপা, কোনয়াই হাপ্পন মতম অদুদ গুরুগী মশাদ গুরু লৈমন্নেল পূন্ন লৈব তাকই।

লাংথৈ মতোল ও থেংপন গুরুগি মশাদ লৈশেমব, লৈঙাকপ, লৈতাকপ ও মক লৈ-গুমন লৈব উংলি। চেঙন—গুরুন লৈব মকমদ মশিঙ নাইদব পৃথিবীগুমন তাইবঙপান কয়ান য়োমদূন লৈব তাকঈ। অদুগ লা ৩ ন য়োমবন গুরুগ কোন্নন হওব্রব, ওইব্রিব, ওইরক্লব মতম ৩ ন য়োমদূন মতমগি মথা পোন্ন লৈব তাকঈ। অদুগ তাইবঙ মপু গুরুগি মশাদ লৈব্রিব পুন্নমক অসী কব্রিগুম্ব পাংগল অমন অমগ অমগ ফাজিন্নতুনা থম্ব খঙহল্লি।

ঈ হাইফু অনীনি। মাসীন তাইবঙ মপুন শেমব অসী লৈপাক নিংথৌ অনী শেমঈ। অনীমক চফুগুমন মতুম তান্ন হায়ব উংলি।

লৈয়োম অসীন তাইবঙপান শেমবগি মরূদি লাইবঙথৌ ৯, লাইকন্না ৭ ন মকোক ওইন শেমখিব তাকঈ। লৈয়োম অমন লাইনিঙ-থৌগিনি, অমন লাইরেম্মগিনি। লাইনিংথৌগি লৈয়োমদ গুরুগি লাংথৈ মপোপ ৫. লাইবঙথৌগি মপোপ ৯—পূন্ন ১৪, ষ্টপ্‌ন থাব লারোল ৩ ন য়োমঈ। লাইরেম্মগি লৈয়োমদ লোংন থাব লারোল ৩ ম লাংথৈ মপোপ ৭ য়োমঈ। গুরুগি লৈপোপ ৫ ন গুরু লৈমন্নেল অমত্তনি

তাকঈ। মপোপ ৯ ন গুরুদগি লাইবওথো ৯ পুথোকপ, লাইরেম্মগি লৈপোপ ৭ ন লৈমরেলদগি লাইরুমা ৭ পুথোকপ উংলি।

ঈশায়ফুন তাইবঙ জীব পুন্নমক অসী ঈশিং মারা ওইবী লৈমরেল শিদবীদগি থোকখিব অহুগ লেঙদবী লৈমরেলনি হায়ব তাকলি।

ঈকৌবগি থৌওঙ—লাই-থেমগৎলমদাংদ মাংবীন লৈয়োম অনী অদু ঈশাইফু পুল্লিব হীরী লংন পুল্লপ হীরীচয়দ পুন্ন অহুমলক য়েং লগ থুং য়েংন পায়গনি। মচিল অনীন ঈহাইফুদ মতোল অমমম পুনগনি। মাইবীন মখুং ওয়ন শরীক খিওলগ লৈয়োনহু লাই তোংত্রিব কাওব ঈশিংদ চূপ চূপ লূপকনি। মাইবীন লাইতোংলেবতদ লৈয়োম অনী অদু থাইদোক্লগ লাইনিংথৌগি হীরী-লংন লাইনিংথৌগি লৈয়োমদ য়েংলগ লাইনিংথৌগি ঈকৌফুদ হাপকনি। অদুগুম লাইরেম্মগি লৈয়োমসু লাইরেম্মগি ঈকৌফুদ হাপকনি। মাসী মাইবন লাইয়িংথৌগি মাংবীন লাইরেম্মগি লৈয়োম হাপকনি। মাসী লোইরগ লাইশঙ য়োনব কারকপবু 'হিকাব' কৌঈ। লাইমাঙ য়োরবদ ঈশায়ফু পুবী নুপীগি ঈশায়ফুদ ঈকৌফুদগি লৈয়োম লওথোক্লগ হাপকনি। নুপী অহুন হীরী-লং অহু পুল মপানগ পায়মিন্নগনি। লং অদু লৈপাকত তাবা য়াদে। লাইশঙ য়োরবদ মাইবন লাইনিংথৌগি লৈয়োম-হীরী অদু লওথোকলগনি, মাইবীন লাইরেম্মগি লৈয়োম হীরী লওথোক্লগনি। অহুগ লাইয়িংথৌগি হীরীদ কাংরোয় শুব নীপা অহুম, লাইরেম্মগি হীরীদ কোকশেং শেংপী, খাওজেং-শেংপী নুপী অহুমন পায়রগ মাইব মাইবীন মাঙ থান, মাইবন হি লাউহুম চংলগ ফমদেংলিব লাইপি খোয়দওদ লৈয়োমন শোক্কনি। লাইনিংথৌগি লৈযোমন লাইনিংথৌদ লাইরেম্মগি লৈয়োমন লাইরেম্মদ শোক্কনি। মসিবু লাই থরায় হাপ্প কৌঈ।

লাইগি থরায় হাপলগ মাইবীন লৈযোম অদু থোকলকগ লাংয়িংথৌগি লৈয়োমদগি গুকগি লৈপোপ ৫ ন লাং অনীগি মরুক্ত থমংনি। মসীবু নমঙা-লৈ কৌই। লৈপোপ ৯ ন লাংয়িংথৌগি মাঙদ হুকচাংপ

থেনেন থমগনি। লাইরেম্মগি লৈয়োমগি লৈপোপ ৭ন লাইরেম্মপ থেনেন মাঙদ থমগনি। অহুগি মতুংদ নমঙা-লৈগি লৈপোপ ৩ না লাই-নিংথৌনা, লৈপোপ ২ ন লাইরেম্মদ থমগনি। লাইনিংথৌগি মাঙদ থমখিব লৈ ২ অহুন রেংত লৈব লাইবঙথৌ ১ দ অমমম থমগনি। অহুগ লাইরেম্মগি মাঙদ থমখিব লৈ ৭ ন ওয়দ লৈব লাইরূরা ৭ ডা অমমম থমগনি। মাসিবু লৈহুনব কৌঈ।

মথক্ত হায়খিব পূম্নমক অসিবগি মথাগি অসী থঙব ঙমঈ। লাই থেমগৎপ মতম্মদ মাইবীন লৈয়োম অনী পূম্ন পায়বন ঈশিং ডাঙঅ গুরু-শিদব মথনত ঈশিং ঈপাক্ত লৈরঙঈ হায়ব তাকঈ। ঈকৌয়গ লৈয়োম অনী থাইদোকপন গুরু মথনতন লৈশেমকলমদাইদ নীপা অম, নূপী অম অমী থোকখিব উৎপনি। মাহু নমঙা-লৈন লাইনিংথৌ-লাইরেম্মদ গুরুগি লৈপোপ মঙান থাইখিব অহুনমু তাকঈ। অহুগ লাইনিংথৌগি লৈপোপ ৯ ন লাইবঙথৌ ৯ দ থাবন গুরুদগি লাইবঙথৌ ৯ থোকপ, লাংরেম্মগি লৈপোপ ৭ ন লাইরূরা ৭ ত থা-বন লৈমরেনদগি লাইরূরা ৭ থোকখি হায়ব তাকপনি।

লূক-থাব—লাই হয়াউবদ লাইদ কৎনব থাব লা-বু লূকথা-লা কৌঈ। লা অদু মকম চা-না থাহুন পোৎ কৎনব তৌববু লূকথাব কৌঈ। কমদেংলিব লাইগি কানখোঙ ৪ গি মনাক্ত লা ৪ লোংন থাংনি। লাই অনীগি মথা কাল ময়ায়দ লাতোন ১ উপ্ন থাগনি। মাদুবু 'চনিঙ' কৌঈ। লাই মমাঙদ লা ৩ তাইহুন পাকন থাগনি। মাদুবু 'লূকলেন' কৌঈ। লাইবঙথৌ ৯ গি লান উপ্ন থাগনি। লাইরূরা ৭ কি লা-ন লোংন থাগনি। লা উপ্‌ন থাব লূক্ত লফোয় উপ্‌ন হাপকনি। লা লোংন থাব লূক্তন লফোয় লোংন হাপকনি।

[পুথোকপিবা—শ্রীচন্দ্রসিংহ পণ্ডিত অচৌবনচিংবা সনা কোঙ্গুং লোয়শঙগী পণ্ডিতশিং]

পণ্ডিত শ্রীকুলচন্দ্র সিংহ

মৈতৈ জগোই খুৎথেক

(ওক্টোবর ২৫ মুংথিল)

মৈতৈ জাতিগী ম্রেসহৌডেদগী লৈরক্লবা 'লাই হরাউবা জগোই'দা জগোই-খুৎথেক (নৃত্যহস্ত) কয়ামরুম মরাং কায়না লৈ। জগোই খুৎথেকশিং অসিনা শীজিন্নবা য়াবা হায়বদি বিনিয়োগ তৌবা খুৎথেক অমনা অতৈ করি করিদা ভাব অর্থ কোংদোকুনা অভিনয় তৌবদি কয়া কয়া তৌরমদরে। লাই হরাউবা জগোই অসিদা মতাং মতাংগী খুৎথেক কয়ামরুম লৈ, মহুদি—

১।	মাংবীগী লাইচিং জগোই খুৎথেক—মশী'	১১	পুন্না ১৩৩
২।	লাইবৌ হকচাং শাবা জগোই	৬৪	
৩।	যুমশারোন—	১৯	
৪।	পামহাই—	৩৯	

মপুং ওইনা জগোই খুৎথেক ১৩৩ অসি পুন্না লৈ। মসিদা শাকম খেন্নরকহু খুৎথেক মান্নবা কয়াহু য়াওই।

খুৎথেকশিং অসি মোইরাংথেম চন্দ্রসিংহ পণ্ডিত অচৌবনা (পণ্ডিত লোইশঙ) ভম্বীরকই অমসুং থায়নগী 'মৈতৈ-লাই হরাউবা' লাইরিক্কী পণ্ডিতমশা ইথোকপিহুনা এরোন্দা পীরিখি।

অমনা পণ্ডিত লোইশংগী শ্রীওরিব'নবম কুলচন্দ্র সিংহ পণ্ডিতভগী লাই-হরাউবা অসি খর মথৈদং ভমজে। পণ্ডিতকী 'মৈতৈ-লাই হরাউবা' কৌবা লাইরিক্কমু মথক্তা হায়জরিবা জগোই খুৎথেকশিং অসি নীংথিনা ময়েক শেংনা য়াওরি। জগোই খুৎথেকশিং অসি থেংনজরকপদা মসিনা মৈতৈ জগোইগী "নৃত্য-হস্ত" হায়বহু ওইবা য়ারক্লদবা হায়না পুক্নিংদা য়াম্না থাজবা মুংঙাইবা অমা কাওজখি। অদুনা জগোই খুৎথেকশিং অসিগী মতুংদগী ভগবান নন্দিকেশ্বরগী "অভিনয়

দর্পণ'দা য়াওরিবা নৃত্যহস্ত, অসংযুত হস্ত অমসুং সংযুক্ত-হস্তশিংগা মায়রবা থৱা মথৈরং খনগৎচস্লনা অমুগুম্বা মৈতৈ-জগোই-খুৎথেক থৱা অমুগী শীজিন্নকম (বিনিয়োগ) তৌজবনি। মসিদগী অহেনবা অমদি অয়াংপা কয়াম্ব অখণ্ড অহৈশিংনা পাঙ্তাক শীবিরবদি থোইনা হেন্না মুংওাইজগনি। হায়রিবা অসিগুম্বা মৈতৈ-জাতিগী ওইবা জগোই খুৎ-থেকশিং অসিগী পূকটৈ অসি থেংনজরকপদগী মৈতৈ-জগোইগী ক্ষেত্রদা মতিক চাবা জগোই খুৎথেকময়াং কায়না অমদি য়াম্বনা লৈ হায়বসি ঐগী থাজজবনি। মথাদা খুৎ নামগী অমসুং খুৎ অনিগী জগোই-খুৎথেকশিং শীজরি—

খুৎ নামগী জগোই খুৎথেক (অসংযুত হস্তাঃ)

লাইচিং, নৈনা, খ্বাঙ, পাম্বোম, চিরাই, কোকচি, খুদুম, নাতোন, লৈশাং, লেংদোন, খুকউ, লাইচিং, মিৎ, খুনীং, চম্প্রাওকপী, নাকোঙ, লৈপোম, খুজেং, খুৎনাউবী নাতোন শুমাঙ, মরু-পোকথায়বা, খুৎনিংথৌ—অসিনচিংবা জগোই খুৎথেক অসি লাইবৌ জগোই খুৎথেকশিংদগী খুৎ নামনা শীজিন্নবা য়াবা খনগৎচবনি, মশীং—২৩ নি।

১। লাইচিং খুৎথেক—(পতাক)— খুৎপীদগী খুৎনাউবী কাওবা খুৎচাশিং নপ্পগনি অমসুং খুবাক তিংগনি—অসিবু 'লাইচিং-খুৎ-থেক' কৌই। শীজিন্নকম—নোং, কন, অহিং তুম্বেন, আতিয়া, অয়াংবা, ককথৎপা, মুংশিং, ভূম্বা, মতিক মঙ্গল, থৌজাল, থাবল, মুমিৎ-মঙান, অইন কনবা, পাজল-কনবা, শাউগনবা, ইথক-ইপোম, থোং, খুজেকপা, লম্বী চৎপা, চপমান্নবা খনবা, হকচাংদা তৈবা-নানবা, ভূমির লৈয়, ইশাগী কায়বা, উনা, চুদোর, লোকপা, নিংথৌ, অস্থম অস্থম তৌবা, আশীর্বাদ, সমুদ্র, অকবা মিঙচৎ, কজবা, চহি, থা, থাঙ-শৎপা, নোং-চুবা মতম, অনেম্বা, অয়াংবা, নাকল, মশীং মঙা—অসিনচিংবা অসি লাইচিং খুৎথেকনা শীজিন্নবা য়াই।

২। লৈন। খুৎথেক—(অৰ্দ্ধ পতাক)—খুদোম্বী, খুৎয়ারনা থুংনা তিংলগা খুৎচা অতৈনা কোনগনি—অসিবু 'লৈনা শাবা খুৎথেক' কৌই। শীজিন্নক্রম—মশীং অনি, কাটি, উপাক, হোরাম, হৈগ্রাও, ছুরি, ফিরোল মটি সনথোও, থিন্দুনা তাকপা, চুরুট থকপা, অরাম্বদা তাকপা,—অসিনচিংবা অসি লৈনা শাবা খুৎথেক্না শীজিন্নবা য়াই।

৩। খ্বাঙ খুৎথেক (অৰ্দ্ধচন্দ্ৰ)—খুৎপী খুদোম্বী কাক্তোরগনি, খুৎচা অতৈনা খুদোম্বীপা নরুনা তিংগনি—অসিবু 'খ্বাঙ-শাবা খুৎথেক' কৌই। শীজিন্নক্রম—নিপাম্নি পানবা-থা, অচাপোৎ হাম্না পাত্র, ওক পায়হুনা ঈনবা, পূক্নিংদা রাখল পোল্লকপা, খ্বাঙ, থবাক মৈবা (ইমাই পেম্মা করিনো), অঙাং পম্বা, হায়জবা, পোৎ-শোকপা, নানথোকপা, নীংশিংবা তর্পণ, মূৰ্ত্তি মণ্ডপ তাকপা,—অসিনচিংবা অসি খ্বাঙ-শাবা খুৎথেক্না শীজিন্নবা য়াই।

৪। পাম্বোম খুৎথেক—খুৎপী-খুদোম্বী কাক্তোরগনি, খুৎচা অতৈনা কোনতক তৌগনি—অসিবু পাম্বোম শাবা খুৎথেক কৌই। শীশিন্নক্রম—পাম্বোম কাবী (লৈতেং), খুবোম য়াই, য়া কাহুনা হা হা কাম্বা, ওক লাকুনা ঈনবা, খৌরি পায়বা, খুজাই গ্লাস পায়হুনা ঈশিংনচিংবা থকপা—অসিনচিংবা অসি 'পাম্বোম শাবা' খুৎথেক্না শীন্নবা য়াই।

৫। চিরাইশাবা খুৎথেক—(অৰ্দ্ধসূচী)— খুদোম্বীনা তিংলগা খুৎপীনা খুদোম্বীদা নপকনি অমসুং খুৎচা অতৈনা খুবাক মথাক্তদা কোনশিনগনি—মসিবু 'চিরাইশাবা' খুৎথেক কৌই। শীজিন্নক্রম—থজীক্না, পোৎকী ময়োম, মতোন অপীকপা উচেক, তীল, মসি, মছু, শোৎ অমবু থিন্দুনা তাকপা, য়েত্তুম, মচীনঙ্গুম্বা পোৎ থিনবা, উরুউক লৈবা, কলম, তুডি কোইরপ কোয়বা তাকপা, মিংতো কাঞ্জল থাবা,—অসিনচিংবা অসি 'চিরাই শাবা' খুৎথেক্না শীজিন্নবা য়াই।

৬। কোকচিং খুৎথেক—(মুষ্টি) চিরাই শাবা খুৎকমদগী খুদোম্বীনা কোনশিল্লকুনা খুৎয়ারগা লৈমিন্নগনি- মসিবু 'কোকচি শাবা

খুৎথেক' কৌই। শীজিন্নকম—মরা শংবা, শম শায়বা, খুতুম্বা থাবা, লৌহিং পায়বা, লৈতেৌবা, শীঙ খায়বা, পদা, লান তৌবা, মনশিনবা শীংবা, পুরীং লেঙবা 'থাখল চেৎপা, মিপা 'জগোই শাবা, অকন অরীং শীনবা, থম্বোই চেৎপা, শাউবা, চৈতুশায়বা, শাটিন ভূপা, কীয়ান পাইবা, মোংবুং খোংবা, করতাল খীংবা, মন্দীলা খীংবা তাল থাবা,—অসিনচিংবা অসি 'কোকচি শাবা-খুৎথেক্তা শীজিন্নবা য়াই।

৭। খুদুম-খুৎথেক—(শিখর) খুদোম্বীদগী খু নাউবী কাওবা খুবাক ময়ায়দা কোমশিন্নগা খুৎপীনা য়ুংনা তিংগনি মসিবু খুদুম খুৎথেক কৌই। শীজিন্নকম—লীকং পায়বা, শাংরোঙ পায়বা, লেঙনবা য়ুমী, শোয়দনমক, তর্পণ তৌবা শ্রাদ্ধ থাখল মকায়াম্বা, মত্তে ওইদে, নুপী নিপা য়ুংশি-য়ুংওন্দগী শীজিন্নৈ, নীংশিংবা, খাঙদা করিগুম্বা পুনবা, কিশিকিবা, শরীক খীংবা, নিপানা ময়াইকানা জগোই শাবদসু শীজিন্নৈ।

৮। নাকচি খুৎথেক—(ভ্রমর) খুৎপীগা খুৎয়ায়গা অনি মতোন শম্নগনি, খুৎচা অতৈনা তিংগনি - মসিবু নাকচি খুৎথেক কৌই। শীজিন্নকম—খুজি, খুজিশিবা, থোংমু, নাসিকা, নাইন, লৈ মচা, লৈহেকপা, তখোকপা, চন্দন তকপা, চন্দন থিনবা কাপ্পা, মহৈ য়াল্লবা পোৎ, উচেক মচা খুদোপ, খুদোপ-শিজিনবা, চাবা, কুশীদগী হৈশিং হৈবা, খোই, কুবাক,—অসিনচিংবা অসি নাকচি খু থেক শীজিন্নবা য়াই।

৯। লৈশাং খুৎথেক—(পদ্ম কোষ) খুৎচা পুম্নমক পুক্নগা য়ুংলগা খুৎ মতোন লত্তক লত্তক থমগনি—মসিবু 'লৈশাং খুৎথেক' কৌই। শীজিন্নকম—উহৈ, নুপীগী থবাক, করিগুম্বা অমা ওনখোকপা, লৈ-নাচোম, উরু উরু লৈশিনবা, চখোম, বোল, কাওক্রম পোমশাংনবা থম্বাল, লোত্তজীন, শরীক, উচেকময়ুম, হৈনৌনচিংবা উহৈ অসিনচিংবা অসি লৈশাং খুৎথেক্তা শীজিন্নৈ।

১০। লৈহেক খুৎথেক (কটাকামুখ)—খুৎপী, খুদোম্বী, খুৎয়ায় মতোন মতোন শম্নগনি, অরেম্বা খুৎচা অতৈনা খুবাক ময়ায়দা

কোনগনি—মসিবু 'লৈহেক খুৎথেক' কৌই। শীজিন্নকম—লৈহেকপা, মুক্তাপরেং, লীকপরেং উৎপা অমদি শিবা, পানা খুদল, য়া ভাঙথোকপা, মনম নম্বা, যা-চন্দন ভকপা, ভেম কাপ্পা, শগোল য়াচনগী লাগাম, কস্তুরী, ইবা, রেকপা, মাইবগী গুলি—অসিনচিংবা অসি লৈহেক খুৎ-থেক্না শীজিন্নৈ।

১১। লেংদোন খুৎথেক (সর্পশিরঃ)—খুৎচাশিংনা খুবাক ময়ায়রোমদা কোত্তক তৌগনি—মসিবু 'লেংদোন খুৎথেক' কৌই। শীজিন্নকম—লিন, মখোনতাবা, খীকপা চাইবা, কোংখৎপা মলশিংনা পাম্বোম মরু পায়বা, কৌবা, লাই হাইবা, চৎলো, ব্যবহার তৌনা য়া ভাঙবা—অসিনচিংবা অসি 'লেংদোন খুৎথেকনা' শীজিন্নবা য়াই।

১২। খুকউ-খুৎথেক (ব্যাঘ্র)—খুৎপী-খু নাউবী অনিনা খুৎনমলোমদা তিংনা লৈগনি, খুদোম্বী, খুৎয়ায়, খুৎনীংথৌ অহুমনা খুবাকলোমদা কোত্তক তৌগনি—মসিবু 'খুকউ-খুৎথেক' কৌই। শীজিন্নকম—বাঁশী কামহুনা থোংবা, যন্ত্র থোংবা, চায়রুং, নুপী ভাকপা, চক্রি তকপা, অকিবা, চায়ববু কৌবা, চৎলো, লৈ-ই অহুম চিংবা, শক্তি, চন্দন থিনবা, ছাটিন তুপ্পা, পে-খানবা—অসিনচিংবগী 'খুকউ-খুৎথেক'না উৎপা য়াই।

১৩। লাইচিং-খুৎথেক (সিংহমুখঃ)—খুৎয়ায়-খুনীংথৌগা খুৎপীগা মতোন মতোন শম্নরগা খুৎনাউবী-খুদোম্বী অনিনা খুৎনমলোমদা তিংনা থমগনি—মসিবু "লাইচিং-খুৎথেক" কৌই। শীজিন্নকম—দৈবপূজা তৌবা, কুশ শেৎপা, মাইবগী হিদাক, নোংশা, শক্তি, জল হৌবা থোংবা থাকপা, সিংহাসন, থেবা, শঙ্খ, শগোল, মনা কনবা শা, পাউভাক অসিনচিংবা অসি 'লাইচিং,খুৎথেক'না শীজিন্নবা য়াই।

১৪। মিৎ-খুৎথেক—খুৎপী খুদোম্বী অনি মতোন শম্নগনি, মমক অহু খুৎপী অমরোম লাপ্পহনগনি, খুৎচা অৌনা তিংগনি মসিবু 'মিৎ-য়াবা-খুৎথেক' কৌই। শীজিন্নকম—তুলসী মনা, মঙ্গল ওইবা পোংশক,

কিশি-কিবা, য়াবেপ, পাউত্তাক, য়েংহুম পায়বা, মুক্তা, মল্লিকা, লৈ-মচা, নুংগুয়া কনবা পোং, খজোকপা, অয়েম্বা তাবা, লীকপয়েং-শিবা, য়াইফল তৌবা, থাউমৈ চুখৎপা, বর্ত্তি, তুমান চুংবা, নাদা লৈ থেংপা, শিখা পুনবা, চীকথৎপা, শিখাদা লৈ-তুলসী থেংপা, মমা কায়নবা, পাউত্তাক—অসিনচিংবা অসি 'মিং খুৎথেক'না শীজিন্নবা য়াই।

১৫। **খুৎনীং খুৎথেক (চতুর)** খুদোম্বী, খুৎয়ার, খুৎনীংথৌ নগনা জিললগা খুৎপীনা খুৎয়ারগী মখোঙ শোকুনা খুৎনাউবীনা হাইথরবদি মদুবু 'খুৎনীং শাবা খুৎথেক' কৌই। **শীজিন্নকম**—মশীং মরি, থাবৈগুয়া খোংপা, মতূপ মতূপ, কোর্বেক পাবা, থম্বাল মনা, লাইদা—ঈশিংদা অর্ঘ্য কৎপা, যোগীশিংনা করমালা চৎপা (মুসলিমশিংগী সলাম তৌবদসু শীজিন্নবা উই) - হায়রিবশিং অসি 'খুৎনীং-খুৎথেক' না শীজিন্নবা য়াই।

১৬। **চম্প্রাওকপী খুৎথেক (অলপদ্ম)**—খুদোম্বীদগী খুৎ-নাউবী কাওবা লৈরপনা য়ুংগনি, খুৎপীসু লৈরপনা য়ুংগনি, খুবাক ময়ায় কুৎহনগনি—মসিবু, চম্প্র ওকপী খুৎথেক' কৌই। **শীজিন্নকম**—থাবল কবা, থম্বাল অশাংপা, নুপীগী থবাক, কায়নবা, নয়গা চোংবা, মিংশেল য়েংবা, পুক্লীংদা শাউবা, ধর্ম্ম খঙবা, প্রাক প্রাক লাওবা মখোল, মীয়ায়া নিন-খোংবা, দলান মতোন, করিনো হংবা, তোংপা, জগোই শাবা, য়া হংবা—অসিনচিংবা অসি 'চম্প্রাওকপী-খুৎথেক'না শীজিয়ে।

১৭। **নাকোঙ-খুৎথেক (হংসাস্য)**—খুৎপী খুদোম্বী মতোন শয়রগা খুৎচা অতৈনা কনগনি, মসিবু 'নাকোঙ-খুৎথেক' কৌই। **শীজি-ন্নকম**—অশাংপা মল্লিকা, মুক্তা, তু-চুংবা নোংলীক, পুক, গুলি, পোহাল, পোং-মচা, মশীংথীবা, চেঙ-থোইদিং কৎপা, লৈপয়েং উৎপা, শিবা, কিশি কিবা, কায়নবা, অয়েম্বা, পাউত্তাক, লাইরিক পাবা, বিচার তৌবা, লংথোকপা—অসিনচিংবা অসি 'নাকোঙ-খুৎথেক'না শীজিন্নগনি।

১৮। **লৈপোম্বা (মুকুল)**—খুৎচা পুম্নমক মতোন মতোন শয়-গনি, মসিবু 'লৈপোম্বা শাবা খুৎথেক' কৌই। **শীজিন্নকম**—চখোম,

থরো থম্বাল অপোম্বা, চপ্পা কামদেবগী পঞ্চবাণ, পোং-লোৌখংপা, লরু-থরো, মশীং মঙা, নাচোম শেম্বা, ইকরীবা, রাঙাও থোক্লকপা, খিকপা, লৈশাবী মচাগী থবাক, হম হম লাউবা থঙোই, খংলেং লেংথোকপা, কু-কামথোকপা, মনম মম্বা,—অসিনচিংবা অসি 'লৈপোম্বা খুৎথেক' শীজিন্নবা য়াই।

১৯। **খুজেং খুৎথেক**—খুদোম্বী খুৎয়ায় অমসুং খুৎপী মতোন মতোন শম্নগনি, লেমহৌবা খুৎচাশিংনা কোম্নক তৌনা তিংগনি—মসিবু 'খুজেং খুৎথেক' কৌই। **শীজিন্নকম**—মাইবগী হীদাক, কুরাক, মন্ত্র শোনবা, যন্নাউমচা, চন্দন তকপা, চৈ পায়বা, ছাপা-থাবা, তেন শংপা, তেন কাপ্পা, লৈ পরেং, খুজি শিবা, খুদোপ শিবা, খুজেং, কিজি পায়বা, লোম্না চংপা, শঙোম শুম্বা, কাঁজল থাবা,—অসিনচিংবসি 'খুজেং শাবা খুৎথেক'না শীজিন্নবা য়াই।

২০। **খুৎনাউবা খুৎথেক** (ত্রিশূল)— খুৎপীনা খুৎনাউবী মতোন্দা নপশিনগনি অমসুং খুৎচা অতৈনা নপ্পনা লৈগনি। **শীজিন্নবা**—মশীং অহুম, লিম্না মরৈ তম্বা, হৈখাগোক মনা, মচীন অহুম লোঙবা খুৎলাই (ত্রিশূলনচিংবা), লোঙজীন—অসিনচিংবা অসি 'খুৎনাউবী খুৎ-খুৎথেক' শীজিন্নবা য়াই।

২১। **নাতোনশুমাঙ খুৎথেক**— খুৎপী খুৎনাউবী খুরাক লোমদা কোম্নবগা লেমকৌবা খুৎচা অহুমনা তিংগনি, মসিবু 'নাতোন শুমাঙ খুৎথেক' কৌই। **শীজিন্নকম**—কৈ, হঙোই, য়োং, লিন অচৌ-বনা মম্না কাবা, মম্না কবাক খনবা, তাপ হেক কাবা—অসিনচিংবা অসি 'নাতোন শুমাঙ শাবা খুৎথেকনা শাবা য়াই।

২২। **মরু-পোকথায়বা খুৎথেক** (সূচি)—খুৎচা মখিমক মতোন শম্নবগা খুদোম্বী তিংখংকনি, মসিবু 'মরু পোকথায়বা খুৎথেক' কৌই। **শীজিন্নকম**—রাহৈ অমা, মশীং অমা, চাম্বা, হুমিৎ তাবা, মচু মসি, অকিবা, তুজুংবা, চাকা, কোইবগা কোয়বা, চকু শাবগী নুংকাল,

ভূমিন লৈমু হায়বা, মালা, মালা চৎপা (লাইনীংবা), উরুক লৈবা —অসিনচিংবা অসি 'মরু পোকখায়বা খুৎথেক'না শীজিন্নবা য়াই।

২৩। খুৎনীংথৌ খুৎথেক (ময়ূর)—খুৎপীগা খুৎনীংথৌগা খুবাকলোমদা ভিংনা মতোন নপ্পগনি, লেমহৌব খুৎচা অতৈনা তিংগনি মসিবু 'খুৎনীংথৌশাবা খুৎথেক' কৌই। শীজিন্নফম—তুলসীপত্র, ওথোকপা, মল্লিকা, লাইদা পোৎ কৎপা, য়াহোং, শাস্ত্র পাবা, ইবা, য়েকপা, মহৈ য়ানবা পোৎ, চন্দন থিনবা-কাপ্পা, গুলি চাবা,—অসিনচিংবা অসি খুৎনীংথৌ শাবা খুৎথেকনা শীজিন্নে।

খুৎ অনিগী জগোই খুৎথেক (সংযুত হস্তাঃ)

নোংদাই, লৈপেক, লয়াই, খোয়দৌ, য়া, চীনবান, খৌরীতোংদম, লূখম, লেংপাক, য়াঙ, থবাক, থরায় হাপ্পা, ঙামফম, লৈচুং থোঙলোন, হুকচাং লাংবুম, থরায়নিবা, চূকয়ুংব ইকুপ্পা, চীরোঙ-চীরেম, খুজেং লৈবা। মশীং ২১ নি।

১। নোংদাই-লৈতাইরোন খুৎথেক (অঞ্জলি ,— খুৎ অনিমক খুবাক তিংগনি, খুৎচা নপ্পনা অমসুং য়েৎ-ওয়গী খুৎনা খুবাক অনি নপ্পগনি—মসিবু 'নোংদাই খুৎথেক' কৌই। (লাইচিং খুৎথেকনা য়েৎ ওয় অনি খুবাক নপ্পবদি 'নোংদাই জগোই' কৌই। শীজিন্নফম —সাই (দেব), গুরু, ইথকথোৎবা, অহল্লম্মন, খুকপা, (লাইপক মপাদা, কোকথক্তা), ইকাই খুম্নবা মীশক্তা ব্যবহার তৌবদনা খুৎ অসি থবাক মপাদা থমগনি অমসুং মথক্তা হায়রিবা অসি নোংদাই খুৎথেক্তা শীজিন্নবা য়াই।

২। লৈপেক খুৎথেক (পুষ্প পুত)—খুৎ য়েৎ-ওয় অনিমক্তা খুবাক ময়ায় কোক্তক তৌগনি খুৎ অনিগী খুৎনাউবী মতোন কাওবা শম্নগনি—মসিবু 'লৈপেক-খুৎথেক' কৌই। শীজিন্নফম—ঈশিং, লৈ খুজোক, আয়ত্তি তৌবা, পোৎ লৌবা য়াবা, অর্ঘ্য পীবা,

মক্তগী আহুতি কংপা, ঊহৈ লোবা, লৈকংপা, ঈশিং থকপা, ঈশিং শিংত্তোকপা (ঈশিংপা), হুমিত্তা ঈশিং কংপা—অসিনচিংবসি 'লৈপেক খুংথেক্লা' শীজিন্নবা য়াই।

৩। লৱাই খুংথেক—খুং-য়েং ওয় অনিমক্লা খুষাকলোমদা খুংচা পূম্নমক মতোন মতোন শম্নহনগনি, খুজেং ফাক্তোরক্লনা মম্নক্লা থম্বাল শানা থম্নগনি—মসিবু 'লৱাই খুংথেক' কৌই। শীজিন্নফম—লৱাইলেম্ফ্, কুপ্পবন, য়ুম, দলান মতোন, অৱাংবা চীংদোন, য়ুম্বী-অচৌবা মতোন, ক্তিনাঊ, কুপশিনবা, কৱিগুম্বদা খুরুম্বদা শীজিন্নৈ, য়াখল তৌবা অসিনচিংবা অসি লৱাই-খুংথেক্লা' শীজিন্নগনি।

৪। খোয়দৌশাবা খুংথেক—খ্বাঙ শাবা খুংথেকনা খুং-য়েং ওয়না খুংপী খুংপী মতোন শম্নগনি অদুগা খুদোম্বী মতোন মতোন শম্নগনি, খুংচা অতৈনা তিংনা তিংনা কৈগনি, মসিবু 'খোয়দৌশাবা খুংথেক' কৌই। শীজিন্নফম—মথক্কী লৱাই খুংথেক্লা মাম্নৈ। কৈ (পোংথম্নবা), কৈজা উক্রোঙ অহোবা, য়াখল তৌবা, অৱাংবা—অসিনচিংবা অসি 'খোয়দৌশাবা খুংথেক'না শীজিন্নৈ।

৫। য়া-শাবা খুংথেক—খুং য়েং-ওয় পূমতিং তিংগনি, খুং-নাউবী অনি চেপ্পা শম্নগনি—মসিবু 'য়া শাবা খুংথেক' কৌই। শীজিন্নফম—মিংশেল য়েংবা, লাইদা লৈ কংপা, হুমিত্তা ঈশিং কংপা, চাইথবা, ঈশিং শিংতোকপা—অসিনচিংবদা 'য়া শাবা খুংথেক' শীজিন্নৈ।

৬। চীনবান শাবা খুংথেক (শকট)—খুং য়েং-ওয়গী খুংপী অনিমক শম্নগনি অমম্নুং খুদোম্বী অনি মতোন মতোন শম্নগনি, খুদোম্বী অনি খুংপী অনিগী মরক্তা খুংপীমুক লাওহনগনি, লেমহৌবা খুংচা পূম্নমক্লা তিংগনি—মসিবু 'চীনবান শাবা খুংথেক' কৌই। শীজিন্নফম—হিংচাবা (নাতোন শূমাওগী কোই, মকোই ক্রীংক্রীং

তোঙ্গা শাঙবা, তীল, কুরাক অচৌবা পাইবা। অসিনচিংবদা মদি শীজিন্নবা য়াই।

৭। **লুখম শাবা খুৎথেক**—খুৎ অনিমক্তা উপনা খুদোন খুদোন শম্নগনি, খুবাক তিংগনি—মসিবু 'লুখম শাবা খুৎথেক' কৌই। (লাইচিং খুৎ অনিনা মতোন মতোন শম্নরগা লুখম শাবা ওই)। **শীজিন্নফম**—তৌংলী-য়াঙলীবা, হকামচনবা, হকচাং থেকপা অসিনচিংবা অসি 'লুখম খুৎথেকনা' শীজিন্নবা য়াই।

৮। **হকচাং লাংবুম** (স্বস্তিক)—খুৎ য়েং-ওয়না খুবাক তিংনা কান্নন চনগনি, য়েংনা মথক থংগনি, খুজেং খুজেং শম্নগনি—মসিবু হকচাং লাংবুম-খুৎ কৌই। লাইচিং খুৎথেক অনিনা য়েং-ওয়না কান্নন চনগনি য়েংনা মথক থংগনি খুজেং খুজেংদা—মসিবু 'হকচাং লাংবুম খুৎথেক' কৌই। **শীজিন্নফম** নিংথম্বা, কিবা, থুম্বা, ইকাইবা, পুং ওয়াইবা, য়াথল চমম্বা, কোনশিনবা, উচেক মশাথম্বা, সমুদ্র-ইথক, কিত্নবা লোম্না চেনবা, কাংগী উত্রা, কুম্ভীর অসিনচিংবা অসি 'হকচাং-লাংবুম-খুৎথেক' শীজিন্নবা য়াই।

৯। **য়াঙ শাবা খুৎথেক**— খুৎ য়েং ওয় অনিগী খুদোন তন্না-মক শম্নরগা খুৎনম-খুৎনম থেংনগনি, খুদোলনা মথক ওনথংকনি—মসিবু 'য়াঙ-খুৎথেক' কৌই। **শীজিন্নফম**—ওন্না তৈনবা য়াথল, তিন্নবা য়াদবা, অরাংবা মতোন, য়ুমলোল, চূড়া—অসিনচিংবা অসি 'য়াঙ খুৎথেক্না' শীজিন্নগনি।

১০। **থরায় হাপ্পা খুথেক**—ওয়গী খুৎনা খুৎচাশিং শম্নরা খুবাক কোত্তক কৈনা থম্নগা য়েংকী খুৎনা খুবাক কোত্তক মথক্তা উপ-কনি, মসিবু 'থরায় হাপ্পা খুৎথেক কৌই। **শীজিন্নফম**—মথুম, ইথক থোংবদা নোঙ্মুক্না য়া ওাঙবা, হুরানবা, মীনম্বা পোৎ নোইহৎপা অসিনচিংবা।

১১। **লৈনুং থোঙলেন খুথেক**—য়েং-ওয়গী খুৎগী খুদোঙ্গী কম্মোয়না, য়েং-ওয়গী খুৎপী খুদোঙ্গী অনি মতোন মতোন শম্নগনি,

কোয়না অহোবা অমা থমগনি—মসিবু 'লৈচুং-খোঙলেন-খুৎথেক' কৌই। শীজিন্নফম—উক্রোঙ অহোবা, কৈজা, পোং থম্নবা কৈ, উতোং অহোবা, উখোঙ, পাত্র থাংগত্তুনা ঈশিং থকপা, চোংগা, দূর্বিন—অসিনচিংবা অসি 'লৈচুং-খোঙলোন'না শীজিন্নবা য়াই।

১২। থরায়নিবা খুৎথেক—খুৎ অনিমক য়ুংনা খুৎশীগা খুং-শীগা চেপ্পা শম্নগনি, খুৎনাইবী অনি মতোন মতোন শম্নগনি, খুৎচা অতৈনা লল্লপ্পা তিংনা লৈগনি, খুবাক মক অনি নপ্পগনি—মসিবু 'থরায়নিবা খুৎথেক' কৌই। শীজিন্নফম—অশাংপা থম্বাল, থয়োম, লৈ কংপা, কেতুকি, উহৈ য়াবা, মৈবুন, লোঙশা মচীন, রাখল চমম্নবা, বোল ওকপা,—অসিনচিংবা অসি 'থয়োম খুৎ থেক্না শীজিন্নবা য়াই।

১৩। খুজেং লৈবী খুৎথেক (চক্র)—খুবাকী খুৎচা লম্তক তৌরগা য়েৎ-ওয় অনিনা খুজেং নক্নরা য়েৎলোমদা মথং মথং লৈথ-গনি—মসিবু 'খুজেং লৈবী খুৎথেক' কৌই। শীজিন্নফম—জগোই শাবদা শীজিন্নৈ, উরুক লৈবা, থাঙ হাইবা ভাকপা, জগোইনা থুরম্বা, মঙ্গলগী মতমদা শীজিন্নবা য়াই।

১৪। ইকূপ খুৎথেক (মৎস্য)—ওয়-য়েৎকী খুৎ অনিনা খুৎশী ফাক্তোক্লগা খুৎচা অতৈনা নপ্পগনি অমুগা ওয়গী খুৎনমদা য়েৎকী খুবাক্না নৎগনি, খুংশী অনি হাইদোকনি—মসিবু 'ইকূপ্পা খুৎথেক' কৌই। শীজিন্নফম—ঙা, ঙানা ঈশিংদা চাবা, মসি 'ইকূপ্পা খুৎ'না শীজিন্নবা য়াই।

১৫। চুক-য়ুংবা খুৎথেক—ওয়গী খুতুম মথক্তা য়েৎকী খুতুম্না নৎগনি, (খুতুম অনিমক য়ুংনা লৈগনি) মসিবু 'চুক য়ুংবা খুৎথেক' কৌই। শীজিন্নফম—থম্মোই ফাজিনবা, উচুক য়ুংবা, কৌ-তুবা, লৈবা, কীরান চৈখোক পায়বা, গদা শীজিনবা অসি চুক য়ুংবা খুৎ-থেক্ন য়াই।

১৬। **থবাক শাবা খুংথেক**—খুং য়েংনা ওয়গী খুনম মথক্তা থমগনি, য়েং-ওয় অনিমক খুংগী মুংখংকনি, খুবাক কোত্তক তৌগনি— মসিবু 'থবাক শাবা খুংথেক' কৌই। **শীজিন্নফম**—উচেক মশা থপ্পা, নূপীগী থবাক, যূপকাষ্ঠ পুং ঔরাইবা—অসিনচিংবা অসি 'থবাক শাবা খুংথেক্লা' শীজিন্নগনি।

১৭। **ভানফম শাবা খুংথেক**—খুং য়েংকী খুংয়ায় খুং-নিংথৌ অনিমক নপ্পরগা খুংগীনা শোকনি, খুদোম্বী খুংনাউবী তিংগনি, ওয়গী খুবাক তিংলগা য়েংকী খুজেংদা খুদোম্না শোকনি—মসিবু 'ভান-ফম শাবা খুংথেক' কৌই। **শীজিন্নফম**—ঐগী নূপী, শজিমচা, অসি-নচিংবা অসি 'ভানফম খুংথেক্লা' শাই।

১৮। **খৌরী তোংদম খুংথেক**—খুং অনিমক খুংগী ফন-দোকনি, খুংগী অমগী মতোন্দা খুংগী অমনা শোক্লগা ওয়গী খুংনমদা য়েংনা ননগনি। মসিবু 'খৌরী তোংদম খুংথেক' কৌই। **শীজিন্ন-ফম**—যূপকাষ্ঠ, অরাংবা চীংদোন, উচেকনা মশা থপ্পা অসিনচিংবদা মসিনা শাবা য়াই।

১৯। **লেংপাক শাবা খুংথেক**—খুং অমিমক খুবাক তিং-গনি। অমম্নুং য়েংনা মথক থংনা কায়ন চনগনি, খুজেং খুজেং থেংনগনি— মসিবু লেংপাক খুংথেক কৌই। **শীজিন্নফম**- -সমুদ্র-ঈথক, অরাংবা চীংদোন, নিংথম্বা, অকিবা, নূপীনা ইকাইবা, পুং ঔরাইবা—অসিন-চিংবা অসি লেংপাক খুংথেক্লা শীজিন্নবা য়াই।

২০। **থরায় হাপ্পা খুংথেক**—ওয়গী খুংনা খুংচাশিং নপ্পনা খুবাক ময়ার কোত্তকনা লোংনা থমগনি, য়েংকী খুংনা ওয়গী মওঙদা ওয়গী খুংতা উপশিনগনি। মসিবু থরায় হাপ্পা খুংথেক কৌই।

শীজিন্নফম—লাই নীংবা, ধ্যান তৌবা, নৈহৎপা. নোইহৎপা জগোই শাবদসু শীজিন্নৈ, পূজাগী মতমদা শীজিন্নৈ, মথুম থুমজিনবা— অসিনচিংবা অসি থরায় হাপ্পা খুংথেক্লা শীজিন্নবা য়াই।

২১। চীরোঙ-চীরেন খুংথেক—খুং অনিমক খুবাক তিংনা কায়রন চনগনি অমসুং খুং লোংথোকনি। মসিবু 'চীরোঙ-চীরেন' খুং-থেক কৌই।

শীজিন্নফম—মন্দির মণ্ডোন, চীংদোন, উচেক মশা খম্না, যুপ-কাষ্ঠ (বলি তৌকম চুক), কৈরেন কৈজাউ মমায়—অসিনচিংবা অসি চীরোঙ চীরেন খুংথেক্না শীজিন্নবা মাই।

—শ্রীথম্বাল শর্মা

খুন্নুং ঈশৈ (মণিপুরী লোকগীত)

(ওক্টোবর ২৬ অয়ুক)

ঈশৈনা হৌরকপা—

ঈশৈগী মরুদি শব্দনি। শব্দগী কুপ্পবা খোন্থাঙ—'নাদ'দগী সঙ্গীত থোরকপনি হায়নৈ। প্রাণবায়ু অমসুং ইচ্ছাশক্তি অনিগী তিন্নবনা কুপ্পবা স্বর (সূক্ষ্মস্বর)—'নাদ' পোকই। শাস্ত্রনা হায়রি—'না' হায়বাময়েক্না প্রাণবায়ুনি, 'দ' হায়বা ময়েক্না মৈগী মশক্তি। অনি অসিনা তিন্ন হুনা থোকই হায়দুনা 'নাদ' হায়না খঙনৈ। (শ্রীকৃষ্ণ-রস-সংগীত-সংগ্রহঃ)

নাদ মখল অনিনি—'আহত' অমসুং 'অনাহত'। অনাহত নাদদি অসুক্কী মতিক কুপপ্রে মতুদি চুয়গী নাকোঙনা তাবা ঙমদ্রে। আহত নাদনা মফম, মতম অমসুং ফিবমগী মতুংইন্না তোঙান তোঙানবা মওঙদা থৌনাউগী থোঙদা মপান থোরকপা মতুদগী সঙ্গীত (ঈশৈ পোক্রে।)

মেলহৌতেদা মীওইবা জাতিগী থম্মোইসুংগী থুপ্পবা মফমদা লো-হুনা লৈরম্বী সঙ্গীত। অদুবু মহৌশা লাইরেম্বীগী অতে মচাদিং—

শা-উচেক কয়াগী খোংবদা ঈশৈগী মশক কোন্তলোক্লম্মী। মত্তৌ তম্বমা মীওইবা জাতিগী মতম চুপ্পদা হৌনশানি। হিংনবগী কন্না নোমবা অমসুং হোৎনবা তাবনা মীওইবগী পুন্সীদি মতম চুপ্পা চিন্দুনতা লৈবনি। হিংনবগী কন্না নোম্বা চৈরক্তা অহাওবা মতম থিংনা মহৌশা লাই-রেম্বীগী মকমদা মীওইবনা থম্মোইগুংগী রাকৎ ফোংদোক্লবা কন্না লাক্লজে। অরা-নুংঙাই কয়াগী মরক্তা শান্তিগী আশাদা তাইবঙশেম্বা মপুগী মকমদা থম্মোইগী অয়োনবা রাকম্বু হেক হেক ফোংদোকচে। অদুগুম্বা রাকমশিং অদুদা রাওরম্মী 'স্বর'। মখল মখা কয়াগী স্বর নক্রবসু স্বর অমা, অনি মত্রগা অছুমগী অমদি ইচম চম্বা ছন্দদা য়েলহৌঙৈগী মী-ওইবনা শেমজরম্মী ঈশৈগী অহানবা য়ুম্ফম। ভোগান ভোগানবা শা উচেক কয়ানা খোংবদা তারম্মী মখোয়না নুংশিবা খোঞ্জেল অমসুং কাও-রম্মী পুক্নীংগা শান্তি। মতুদগী মীওইবনা অদুগুম্বা খোঞ্জেনশিং অদু পুদুনা মশাগী ওইবা স্বর অমসুং রা (ময়েক) দা ঈশৈ শেম্বা হৌরকই। মমৈদা চাওখৎপগী য়াওন মতুংইন্না ঈশৈগী শক্তম মথং মথং হোংল-ক্লুনা ভাব করানা থল্লবা অমসুং মীরমলেনতগী নত্তনা লাইরমলেনগী ওইবা, রাংলবা আদর্শবু তাকপা ওয়বা নীংথিরবা কলাবিত্তা অমগী মশক ওইরকই।

য়েলহৌঙৈগী মীওইবা জাতিগী পুন্সীদা ঈশৈ-জগোই হায়বসি হিংনবগী নোম্বা অমসুং হোৎনবগী মরক্তা তঙাইফদনা চঙবা শিনকম অমনি। অদুগুম্নবা চন্নবা স্বর অমসুং ছন্দদা শকপা শাবা অদুদা চুন্নগী শরুমচেং, উকক-রাকক-তা ফুন্দুনা য়ৈহুনা পুথোকপা মখোল, শউন্না তিংবা যন্ত্র অমদি খুবাক্কী মখোল শীজিন্নদুনা থম্মোইগুংগী ফোং-দোকনী বদো হেন্না মপুং ফানবা হোৎনরম্মী।

থায়মা মীওইবনা ঈশৈ শকই, জগোই শাই পুক্নীং-থরার অমসুং রাখল পুন্নমক হাপ্তুনা। মতুগা লোয়না লোয়ননা থিজে করিগুম্বা লোত্তুনা লৈরিবা শক্তি অমবু ফংনবা। হিংনবা নোম্বগী অচিনবা মরক অদুদা মীওইবনা য়াবু য়াকায়হনবা ঙমদে। অদুবু জগোই-

ঈশৈগী মতমদা মীওইবনা শক্তি অহুগী অনুভব তৌবা ঙম্মে। অনাবা কয়য়বা, কত্তবা তান্থোক্নবা অহুগা অতৈ হিরম কয়াগী ওইনা উৎসব, থৌগোক-কূম্মৈগী ঈশৈ-জগোইগী মতমদা পূকনীংগী পাঙল অমসুং মহুগী প্রভাব মীওইবনা নীংথিনা খঙবা ঙম্মী।

ঙসিগী চাওখৎলবা মীওইবা সমাজগী কলা সংস্কৃতিগী জগৎ অসিদা থায়নগী চাওখৎত্রিবা খুনুং-ঈশৈ-জগোইগী মমল লেপ্পা ঙমদবা য়াই মত্রগা মতিক চাবা সম্মান উৎপা ঙমদবসু য়াই। অদুবু চাওখৎলবা ঙসিগী কলা-সংস্কৃতিগী বিকাশ অমসুং হৌরকপদি থায়নগী অসিদগীনি হায়বসিমদি চেনবা য়াত্রবা রাকমনি।

মণিপুরী খুনুংসুং-ঈশৈ—

লোকগীত নত্রগা 'কোক-সোং' হায়রগা হৌজীক ঐখোয়না খঙনরিবসি ঙসিগী চাওখৎলবা মীওইবা জাতিগী কলা-সংস্কৃতিগী মমি তাত্রবা ঈশৈ মখল অহুনি হায়না লৌবা য়াই। শম্না হায়রবদা সহরগী চাওখৎপা খুংশেম চঙদবা ইচম চম্বা থায়নগী অমসুং খুনুংগী ওইবা ঈশৈ মখলনি।- মসিদা স্বরগী মওং (মেলোডিক-ষ্ট্রাকচার) হঞ্জিন হঞ্জিন শকপদগী রা—ঈশৈগী ময়েক্লা হেন্না মরু ওইহল্লি। স্বরগী খেয়বা (ভেরিয়েশন) অনি অহুমদগী পঙহেন হেন্দ্রবসু ছন্দ অমসুং তালদি অহুমক য়াওই। **চঙলিবা স্বর (মিউজিকেল নোট) মশাংসু অহুম মরিদগী হেন্দে।** মরম অসিদগী অসিগুম্বা খুনুংগী ওইবা শৈহেক শৈদাগী ঈশৈবু 'খুনুংগী ঈশৈ' নত্রগা 'খুনুং-ঈশৈ' হায়বা য়াগত্রা খল্লি।

ঈশৈগী মখল—

মণিপুরগী খুনুংসুং-ঈশৈগী মখল চাউরাক্লা মখাগী অমুম্না থায়লোকপা য়াই—১। পেনা, ২। খোংজোম পর্ব্ব, ৩। কূম্মৈ থৌগোক নত্রগা উৎসবশিংগা মরী লৈনবা ঈশৈশিং অমসুং শিন কোয়বা ঈশৈশিং; ৪। শাই নত্রগা মোইরাং শাই হায়না খঙনবা ঈশৈ।

১। পেনা—

মণিপুরগী খ্বায়দগী লিয়বা ঈশৈ মখলনি। তশেংবদি ঈশৈ মখল অসিদা শীজিন্নরিবা যন্ত্র অহুগী মমিংনি 'পেনা'। পেনা শকপা ওবা-লিংনা কন্না থাজৈ—লাইনা শীবা অমসুং লাইগী মশক ওইবা যন্ত্রনি। লৈকূরেল-নাম্বুংবী অমসুং অতিংকোক শিদবা অনিগী অপুনবা শক্তিগী মশক ওইবা যন্ত্রনি। পেনাগী তৌরককম অমসুং কয়া কুইরবা মসিগী থোইদোকপা মরী মখোঙ, ইতিহাস অমসুং পুরা নৈনবিবশিংগী মকমদা লাম্বোকচরবসু মসিমদি হায়রজনীংই মহুদি; পেনাগী প্রভাব অসি মণিপুরগী পরম্পরাগী ঈশৈ খূদীংমক্তা ফজনা চঙই। হৌজীকী আধুনিক-ঈশৈ নত্তনা মণিপুরগী ঈশৈ খূদীংমকী যুম্ফমদি পেনানি হায়বদা হায়-মনবা থোকলোইদরা খঞ্জে।

পেনাগী শৈশক্তা জাতি অ'সগী মশাগী ওইবা তোপ-তোপ্পা সুরবু (টিপিকেল-টিউন) ময়েক শেংনা তাবা ফংই। শৈশক শৈহেক অসিদা হৌবনগী লোইবা ফাওবা অনিকপা খোম্বোকী ঈথক তৌহল্লি। করিগুম্বা স্বর অমবু হঞ্জিন হঞ্জিন উচ্চারণ তৌরগা অনিকপা খোম্বোক অসি থোরকই—মসিবু ঈশৈগী লোন্দাদা 'কম্পন' হয়রগা খঙনৈ। অসিগুম্বা কম্পন অসি পেনাদা অসুকী মত্তিক কূপ্পা অমসুং কূনে শীজিন-নথ্রে মহুদি, মহুগী চাং নত্রগা পাদম লৌবা য়ারে। কৰিগুম্বা তোঙান তোঙানবা স্বর অনিবু অমনা শীক অমসুং অমনা চাউনা অমুক্তদা পুন্না উচ্চারণ তৌবা ভূমিকা' গী মওঙসু পেনাদ ফজনা চঙই।

পেনা যন্ত্রগী মওঙ মতৌ অমসুং শারিবা চঙইবা পোৎ-চঙশিং—

যুবীগী হিদাকফু অমবু তংথারগী থর কল্লপ থায়রগা শউনগী পুংমায় হাপ্পুনা উগী উয়েপ নত্রগা মওক অমা লম্ব ওইনা থিজ্জোক্লগা রাগী উতোং অমা পুহনা পুংমায়গী মথক্তা তেঙথল নত্রগা ব্রিজ মচা অমগী মথক্তা শামৈ চবুন অমা থূদোল অমগুম্ব শজ্জোক্ল তিংবনি। অতোপ্পা, য়োংকী অকোনবা উগী নত্রগা রাগী খূৎপায় পানবা অমদা

শামৈ চবূল অমা তিংবন্থুনা লেন্দুনা খোংনবা 'চৈজিং' ওইনা লীজিমৈ। পেনাগী চফুদি থাম্বনা উরু-ম্বারু নত্রগা তুম্বানা ওইরম্মী। কাইনখওলা হিদাকফু-মুবী মনীংনা শিনজিল্লকপনি অম্ঙ্গা হায়রৈ। পুংমায়গী অপাকপা চাউরাক্লা খুনম অমরোমনি। পেনাগী অশাংবনা চাউরাক্লা খুত্থুপ অম-গুম্বনি। শামৈ পুরিবা রাগী উতোংগী মমায় (ডায়েমিটার) চাউরাক্লা খুদোল অনিয়োম ওইগনি হায়রবদি খুংগী অমম্লুং খুদোম্বীনা কোমন চপ্তু্না পায়ব য়াগনি। চৈজিংগী অশাংবা, অজি ময়েক শাবা য়োংকী অকোৎপা অমস্লুং উগী নত্রগা রাগী থুৎপায় পুন্না 'শা' অমগুম্ব হায়রবদি থগায়দগী কাপ অমা তাবনি।

শৈশক-কাওলুপ—

ভাব, রস, ময়েক অমস্লুং শৈশক-ষ্টাইল মতুংইন্না চাউরাক্লা পেনাগী কাওলুপ (কেটাগোরাইজেশন) অহুম থোক্লা খায়দোকপা য়াই।

১। লাইরোল—মসিদা লাইগী মকমদা হায়জবা নোঙবা, লাই-শিংগী পেন্নবগীদমক, লাইশিংগী মতিক মগুণ শৈথাবা অমদি লাই-শিংগী য়াকায়রোলনচিংবা মথল খুদিংমক কোনশনবা য়াগনি। মসি-গুম্বা শৈশকশিং অসি য়াম্না চৌং-লেম্মী অমস্লুং মরু ওইনা শান্ত অমস্লুং মধুর রসনা আধারনি।

২ শুবদা—রারী পরিং নত্রগা কাব্য শকপা।

মসিদা নিংথৌরোল, কংলৈরোল, থোইদোক্লস্থ মোইরাংগী খম্ব-থোইবীগী চুংশিরবা ঈশৈ পরিং কোনশনবা য়াই। শৈশক অসিদা শৃঙ্গার, বীর অমস্লুং করুণনা মরু ওইবা রসনি।

৩ শুবদা—হৈরোল-লৈরোল।

হৈরাং-লৈরাংগী মুংশিবা মনম তারগা অমদি ফজবা মশক উবগা মীওইবগী পুক্নীংদ অশেংবা মুংঙাইবগী রাখল অমা কাওরকই, মতুদগী মহোৎশা লাইরেম্বীগী ফজববু শৈথাহুনা মীওইবনা শক্লকই। অসিগুম্বা শৈশক অসিদা কল্পনাগী থাক য়াম্না রাংই। নীংথিজবা প্রমাণ-উপমা-

নচিংবা অলঙ্কার-শাস্ত্রগী মতাংদা থমবা শৈশকনি। মসনা মরু ওইনা শৃঙ্গারনি। শৈশক কাণ্ডলুপ অসিদা মহৌশাগী করবা, নীংথিবা থিবীকপু শৈথাবা মথল অমম্বা কোনশনবা য়াই।

পেনাগী চৎনবী শৈশকশিং—

পেনাগী চৎনরিবা শৈশকশিংদ চাউরাক্লা তরেৎ-নিপান গুরি—রাগহৌবা, হেপলি-পাবোৎ, শীকপ্লোন, লৈমরোন-শৈরোন, পাম্বোইবী শৈরোল, কালেন-শৈজিং, হেপলি-থাওরৈ অমসুং জাৎ-শৈশক—অসিনচিংবা। হায়রিবা শৈশকশিং অসিদা শীজিন্নরিবা স্বর অমসুং লৈরিবা স্বরগী খেন্নবশিংবু (ভেরিয়েশন) নৈনহনা য়েংবগী মতাংদা য়াম্না কুপ্না থিজিনবগী চাউরবা অধ্যায় অমা লৈরি। অদুমকপু শৈশকশিং অসিগী শকলোন অমসুং কোংদোরকপা মওঙ চাউরাক্লা প্রাক্টিকেল ওইনা থরদং উৎচগে।

১। রাগ হৌবা—

শৈশক অমগী অহৌবনি। রাগ সঙ্গীত-তা হায়রবগা আলাপকী শরুক অদুনি। স্বর অমা অনিতদা 'হয়ুম, হয়া হে' না হৌবা রারোল থরবু ছন্দ নাইনা উচ্চারণ তৌবনি। মসিদা সুরদগী রা-গী শরুক্লা হেয়া নম্মী। শীজিন্নরিবা স্বর (মিউজিকেল নোট) শিংদি অসুমনি—

সস, রর, স, সরস, রস, সরস, স, সর, স—অসিনচিংবা। ষড়জনা মুখ্য স্বরনি, শান্ত অমসুং চীং-লেম্বা স্বরনি, ভাবকী পোরুকমনি। অদুনবা শৈশকী অহৌবা রাগদ মরু ওইরিবা?

২। হেপ্লি পাবোৎ—

অকল-অথোগী ভাব কোংদোকপা সুর অমসুং ছন্দনি। ওঝা-শিংনা হায়রৈ—'গগ, গর, স, গ, গর, স'— শুদ্ধ-গান্ধারনা স্বরশিং অসিগী মরু ওইবা মপুংনি। স্বর তরেৎকী মনুংদা শুদ্ধ গান্ধার অসি য়াম্না থোবা অমসুং লাকওম কাওমত্রবা ওইনম শীংথানৈ।

৩। শিকপ্ লোন—

অরাবা-তেংথা লাইওইগী ভাব ফোংদোকপা শৈদানি। স, মমম, মম, মমম, মম, মগ, গগ, গর, স— অসিগুম্বা রূপ অসিদা শুদ্ধ-মধ্যমনা থৌজাল অমম্বুং মুংশিবা প্রেমনা মাগী ওইবা অচুম্বা প্রভাবপু কয়া শক্দোকই।

৪। লৈমরোল শৈরোল—

হয়াঙি তয়ামগী মুংঙাইবা অমম্বুং ফজবগী ফোংদোকপদা শীজিন্নবা শৈদানি। স্বরগী মওঙদি —

স, রস, পগ-প, প প, প, পপ, পগ, প, পগ, পর সর, স—অসুমনি। ষড়জগা য'ম্না চান্নবা অশোনবা স্বরশিংবু মাঙোন্দা চঙজকম পীওম্বা, মতিক-মগুণ চেনবা অমম্বুং মুংঙাইবগী মশক ওইবা ফজরবা পঞ্চম-স্বরনা মসিদা মপুং ওইরি।

৫। কালেন শৈজিং—

কাম্নবগী লাওতরবা-বিরহনা শৈশক অসিগী মপুং ওইবা ভাবনি হায়নৈ। স্বরগী মওঙ —

প—গপ, গপ, স, র, স—অসিনচিংবা অসিনা ভাব অসিবু কদায় ফাওবা ফোংদোকলিবা হায়বদু অতৈম্বু থরা থিজিন্নীংঙাই ওইরি।

৬। পাম্ভোইবী শৈরোল—

লৈশী লৈথোন্দুনা লাইগী মফমদা হায়জ-নোঞ্জবগী মঙ্গং হুঞ্জনবা ভাবকী ঈচেল লূরবা অমা শৈরোল অসিগী মমুংদা চেল্লি। স্বরদি—

স, রস, <u>গ প</u> —পপ, পপ, পগ, পগ, রর—গপ, গর, গগ, স, স,— র —স, – অসিনচিংবা অসিনি। মসিদা কাখিবদা পঞ্চম অমম্বুং কুম্নকপদা ষড়জদা স্বরগী পোথাকম ওইরি। চৌংলেম্বা (শান্ত) অমম্বুং মুংঙাইব (আনন্দ) অনিমক শৈরোল অসিদা মরেক শোন্না ফোংদোকই।

৭। হেপ্‌লী খাওয়ৈ—

অনোবা অমসুং কজবা শৈখাবদা পীজিনবা শৈরোলনি অসুমা হায়নৈ। স, গ, গ, — সগ — স অসিনচিংবা সুর ষড়জ্‌ অমসুং গান্ধার তমক পীজিনরি। পঞ্চমদি য়াওদ্রি।

৮। জাৎ শৈশক—

খুংঙাইবগী ঈথক ইপোম হৌরবা কজরবা শৈশক্রি। শৈশক অসিদা কেজ নোঙবগী ছন্দ অমসুং তালগী মওঙ কজনা উৎলে। সুরদি

—'স পপপ, প-পগ, প—-গ, সরস — অসিনচিংবা।

সুর অসিদা ষড়জ্‌ অমসুং পঞ্চম — স্বর অনিগী তিনবা (কোম্বি-নেশন) ময়েক শেংনা কজনা হায়বা য়াই। শৈশক অসিনা ফোংদোক-নীংলিবা ভাবপু য়াম্ন মকা লাখছল্লি।

পেনাগী সুরদা খেন্নবা মখল (ভেরিয়েশন) মরু ওইনা অনিতমক উবা ফংই। মচুদি—খুংঙাইবা ফোংদোকপগী সুরদা—

স, প, প, প পপগ, প-গরস নত্রগা সপ —-প, প গ —

পগ, সর — স, — অসিনচিংবা।

অমনা অরাবগী ভাবতা তেংথা-লাউওইগী সুর —

সম —ম, ম ম গ,—ম গ র, স র, স অসিনচিংবা অহানবগী অসিদা পঞ্চম, অকোনবগীদা মধ্যমনা মুখ্য স্বরনি। স্বর অনি অসিগী মশা মশাগী ওইবা গুণ অমসুং প্রভাবনা সুরশিংসিদা চঙহুনা অরাবা অমসুং খুংঙাইবগী ভাবপু ময়েক শেংনা ফোংদোকই। পেনাদা, হায়-রিবা খেন্নব-সুব অনি অসিতনি মপুং ওইরিবা। সুর অনি অসিনা ওস্থাও ওনশিন কয়া তৌহুনা পেনাগী শৈশক শৈরোল ময়াম অসি শকহল্লি। পেনা শৈশক্তা চঙইবা স্বরনা (মুজিকেল নোট) মরু ওইনা মঙানি—স প ম গ র

লৈমরোল শৈরোল খুংঙাইবদা স প গ র স

অরাবা শিকপ লোনদ—'স ম গ র স'। মসিদা পঞ্চমগী মহুৎতা মধ্যম পীজিনরকই।

কড়ি-মধ্যম অমস্তুং ধৈবত চঙবা স্বর অমগা লৈরি—

'শোক কম্বোং লাওয়াথেল ফুব লাইমকোল ককচেনা লাইকারম' হায়রবনচিংবা ঈশৈদা—

ম্ম ম্ম ম্ম | পপ | —ধ—প | ম্ম প-প গ | প—গ | সরস—।

শৈহেক অসিগী লয় (টেম্পো) অরাম্বদা থুনা শীজিন্নৈ। মসিদা তালগী হুংঙাইবা ইহুল অমস্তুং লয়গী ইথক-ইপোম কজনা লৈহল্লি।

মসি নত্তবা পেনা মরোল অমগা লৈরি অথুবা লরদা— —

গ র গ | গ র স— | প প র গ | স র স— |

স ন্ স - | স ন্ স স | —গ গ গ | গ র স— |

তশেংবদি মসি যন্ত্রগী (ইনষ্ট্রুমেন্টাল) মরোল ওইনা তৌই। পেনাগী স্বরদা নিষাদ শীজিন্নবা মতাং অসিদা থেংনৈ। নিষাদকী মতুংদা লাকইবা অহানবা গান্ধার অসি খর নৌবা গান্ধারনি, মতাং অসিরাইদদি অকৃপ্পা থোম্বাওশিং—শ্রুতি নত্রগা মাইক্রোটোনগী মওঙ কজনা শীজিন্নরে। করিগুম্বদা হৌজিক-কালগী যান্ত্রিকশিংনা খর নৌবা গান্ধার অসিবু কোমল গান্ধার ওইনা লৌহনা জ্ঞ জ্ঞ জ্ঞ গ র স—অস্তুমনা শীজিন্নবা থেংনৈ—মসিনা কদায় ফাওবা ওইফম পোকপা থিজিনবগী দররকারনি।

পেনাদা ছন্দগী লয়গী অমদি তালগী মওঙ য়াম্না ফিবম তানা লৈবা উই। অদুবু অয়েবা বাদ্যযন্ত্র অমা শীজিন্নদুনা তাল সঙ্গত পীবসি কল্লা থেংনদে। অস্তুমনা পেনাগী শৈশক শৈরোল মতুংইন্না খায়দোকলিবা কাওলুপশিং অসিবু তোঙান তোঙানবা ঘারণাগী মখল অমমমনি হায়না লৌবা য়াগত্রা খঞ্জে।

২। খোং জম পর্ব্ব—

ঈশৈ মখলা অসি ইকুই কুইদ্রি, চহি চামা কাদ্রিবনি। ইং কুমজা ১৮৯১ দা মণিপুরগী নীংতম্বগী লানফমদা মৈতৈ-লৈমগী অথোবা মপারিশিংনা মরৈপাকীদমক ইচঙ থোনা মথম্বার কৎখিদা মহুগী কাউওমত্রবা

সুর অমমা শৈখল অসিদা হৌবদগী লোইবা কাওবা নীংশিংবগী থোম্বাঙ রৈহল্লি। বীর-না মপূং ওইবা রসনি। মাত্রা ৮ গী তাল অমদা পাঞ্জাবী ঠেকা নত্রগা সৌকাগী লয়চংকুম্বনা মপূং ওইবা গতি ওইরগা মরক মরক্তা 'করাজ' হায়রগা খণ্ডনবা ছন্দগী অহোংবা (রিদথমিক ভেরিয়েশন) পীত্তুনা অকল-অথৌ অমসুং হচঙ থৌবর্ নীংখিজনা কোংদোকই।

খয়নীংঙাই ওইবদি 'খুনুং-ঈশৈ' নত্রগা 'লোক-গীত' হায়বসিদা মতম কুইনা চংনররকবা 'অরিবগী' রাকম অমা লৈবা তাবনা শৈকম অসি খুনুং-ঈশৈ হায়বসিদা চনগত্রা নত্রগা চল্লোইত্রা অসিনি। করিগুম্বা চনবা তারবদি —মসি ২ গুবা মণিপুরগী খুনুং-ঈশৈ মথলদা থম্ব য়াই। অসিগুম্বা 'বীর-গাথা' গী শৈখল অসি পেনাগী সুরদ যুক্তম ওইরগা 'নট' ঈশৈগী শৈশক পুত্তুনা শেমখিবগী খুদম উবা ফংই, সুরগী মণ্ডঙ মতৌ (মেলোডিক ষ্ট্রাকচার) অসিদা মুন্না থিজিল্লুরবদি।

শৈখল অসি 'ধোবি লৈনৌ' হায়বা ওঝা অক্তুনা হৌদোকপিরম্বনি, মথংদা খুমঙ্গেমগী ওঝা 'চাওবা' নচিংবা ওঝাশিংনা মথং মথং লৈহৌই হায়নৈ। সুরগী মণ্ডঙ—স র গ ম (নোটেশন) গী পাম্বনা চাউরাক্লা থরদং উৎচগে—

স্থায়ীদা—ধ্ স স স স র গ— | ম গ

র স, স র গ ম গ র স র—স।

। ।

অন্তরাদা—প ধ ধ প, — ধ স স —

। । । । । । । ।

স র গ—ম গ র স ন ধ প ধ ন স ন ধ প—গ ম ধ ধ ধ—

।

প ধ ন স ন ধ প, প ধ ন ধ প ম গ, ম গ র স

করাজ ছন্দগী অহোংবা — ছন্দগী অফোংবা (ভেরিয়েশন) পীরক-পদা— ধ প—গ র স র স | স স র,—গ, প—গ র স রস।

অসিগুম্বা ছন্দগী অহোংবা করাক্ত অসি মথল অহুম থোক্লগ শীজিন্নবা থেংনৈ।—

অহানবদা মাত্রা ৮ গী তাম্বাদা—

+ ৩
১ ২ ৩ ৪ | ৫ ৬ ৭ ৮ |

২শুবদা মাত্রা তরামম্বিগী তাম্বা ৪ দা—

| | | | | | | | | | | | | |
১ ২ ৩ ৪ | ৫ ৬ ৭ ৮ | ৯ ১০ | ১১ ১২ ১৩ ১৪

৩শুবদা মাত্রা ১০ গী—

| | | | | | | | | |
১ ২ ৩ ৪ | ৫ ৬ | ৭ ৮ ৯ ১০

মাত্রা ১৪ গী অমসুং ১০ গী অসিদি অথন্নবা ওঝাশিং নত্তনা সাধারণ ওইনদি পঙশি শীজিন্নদে।

৩। খুনুসুং ঈশৈগী অহুম শুবা মথলদি—কূম্মৈ ফিরো', থৌদোক উৎসবকা মরী লৈনবা ঈশৈশিং—শিন্থা কোন্নবা ঈশৈশিং অসি কোন-শনবা য়াই।

কূম্মৈ-থৌদোক উৎসবতা মক ওইনা লাই হরাউবা অমসুং থাবল চোংবা, নক্সগা কে ক্রে ক্রেক—পনবা যাই। ঈশৈতা নত্তনা জগোইগী শরুকসু নী থিজনা য়াওবি।

লাই হরাউবগী ঈশৈদা—'রাকোল্লো'না তৌবা ঈশৈগী পরিং অথুবা লয় অমসুং ছন্দদা রামমক মরীক চূম্মী। মরায় ওইবা লয়চা 'অভৌবা শগোল তোংবরা, নিংথৌরেলগী শগোলদি মমৈ গে গে লাউবনি।' অতপ্পা লয়দনা— 'হৈরাওখোয়নিদা চানবা হৈনিদা' নচিংবা ঈশৈশিং থোইদোকনা পনবা যাই। শীজিন্নবা তালদি মাত্রা ৬ অমসুং ৮ গী তালনা মক ওইনা উই। শৈখল অসিদা ইরাৎ পূজাগী মশক (এট-মোসফিয়ার) অমা লৈহল্লি।

থাবল চোংবা নক্স। কে-ক্রে ক্রেক চো'বগী ঈশৈদা মক ওইনা স্বরগী মথল (মেলোডিক ভেরিয়েশন) অনিয়োমদগী পঙহেন হেন্না উদে। নোটেশনদা হায়রগা

স স গ—র, গ র প—স, স স গ—র, গ র গ —, প প ধ—ধ, প ধ —প গ, গ প—গ—র, স স গ—র গ।

শীজিন্নরিবা স্বর শাক্কায় অনিগী অকোনবা অসি কোমলমক্তি নত্তবা থরা নোৌবা শাক্কারনি। মসিগী য়াম্না সুংশিবা অমসুং নৌহনবা অমা কাওহল্লি পুক্কীংদা, লয়দি অতপ্পা অমসুং য়াম্না চীং লেবা—মাত্রা ১৩ গী তালদগী পোক্লকপা ছন্দগী মওং উংলি। মসিগী মথং থুজিল-লকপদা মাত্রা ৮ গী তালদা লাকই—

স গ র স—গ র—স,—গ প ম গ—গ র স, অসিনচিংবা।

থাবল-চোংবীদা—হায়রিবা স্বর অনি অসি নত্তবা থরা নৌথবগী মওং মানবা—'হৈরাঙ-খোয়নিদা'গী কাইদাদা অমসুং ময়াই ওইবা লয়দা থেংনৈ। অকোনবগী হায়রিবা স্বর অসি থাবল চোংথমকীরা হায়বসি খিজিরিওাই মশক ওইরি।

থাবল-চোংবা—মৈতৈগী কজরবা ফোক-কলচর অমনি। মসি হৌজীক্কী পূমহোং চোংলে হায়বা য়ারে। নক্ষত্রগনা শিরে হায়বা য়ারে। মমিংতা ভায়হৌরে। **ঈশৈ য়াওখিদরে, যন্ত্রতমক—খোইদোক্লা বেন্দম্যুজিকতা মপূং ওইনা** শীজিন্নরে। এখোয়গী ওস্থোক্লা লাইবক থীবনি। মসিদা সমাজ অসিগী খোইদোক্লম সংস্কৃতি নৈনবা মীওইশিং অমসুং কলাকারশিংগী চেকশিনবা মিংয়েং চঙশিনফম থোকই। করম্না অমুক হিংগৎহনগদগে হায়বগী অকনবা থৌদাং লৌথৎফম থোকই।

থবক শিক্ষা-কোন্নবা ঈশৈশিং –মখল অসিদা লৌবুক্তা পাখং লৈশাবীশিংনা লৌ শূরিদৈ অরা পোথানবা ওইনা অরায় অথুম শরুবা খুন্নও ঈশৈশিং, লৌভাকপদা শরুবা –'চা উবিং মাপঙবী' নচিংবা অমদি অঙাং নাউথেম্বদা শরুবা ঈশৈশিং পুশল্লকপা য়াই।

শিক্ষা কোন্নবা অমসুং খোদোক্লা মরী লৈনবা ঈশৈশিং হৌজীক্তি অমাম্বা তাবা কংলক্তরে। মসিদা মখল মথা করাগী পাম্বৈ শীজিন্নবসা খিব-হুমগী অধ্যায় অমা চাউনা লৈরি।

হৌজীক্তা—পেনা অমসুং খোংজম পর্ব্বগা য়াম্মদুনা শেন্নগী মওং মানবা—শাই নত্রগা মোংরাংশাই হায়না খঙনবা শৈখল অমসু চৎনয়রকলে। মসিসু খোংজম পর্ব্বমক্তগীসু থরা অমুক নৌথম্নিবরা হায়না খঙ্গে।

শৈখল অসি মণিপুরগী খুন্নুং ঈশৈগী মমুংদা অমা ওইনা চনগত্রা নত্রগা পরম্পারাগী ওইবা ট্রেডিসনেল শৈখলশিংগী মমুং চনগত্রা হায়-বসি ফোক অমসুং ট্রেডিশনেলগী খিওম্নিদা হাপ্তুনা য়াম্না কুপ্না মৈনবা অমা চঙই।

অতৈ মরু ওইবা নৈনগদবা থরা—হৌজিক অসিদা খুন্নুং ঈশৈ (ফোক-সোং) গী মশক অসি ইশেং শেংলক্তবা নত্রগা অয়েপ্পা নাইদবা মওংদা চথরকপগুম্বা অমা তৌরি। ওইবা য়াই, ঘরাণা খেন্নবা নত্রগা কলাকারশিংগী অশোনবা কয়ানা মসিগী মরম। অদুবু অয়েপ্প—অচুম্ব শৈশক শৈরোল থিডুনা ছমদুনা পুখোকপা পুন্না কলা-কারশিংগী অমদি মীয়ামগী হৌজিক হৌজীক্কি ওইবা চাউরবা থোদাংনি। মসিদগী থিম্বরবদি ফিবম হেন্না ফংচল্লক্তবা য়াই। ফোক-সোংগী যন্ত্র-সঙ্গীতকী মতাংদসু চান্নবা যন্ত্রশিং অমদি মশাগী কোন্নবা যন্ত্র খিবা তাই।

থিজিনবগী মতাংদা মমিং লৈরবা ওস্তাশিং অমসুং কলাকার-শিংগী রেকোর্ডিংগী পূকৈ হেনগৎহনবা য়াম্না মস্তেং ওইগনি।

য়াকম অমনা—খোংজোম পর্ব্বদা খোংজোমগী থৌলোক অতুগী য়ারী নত্তবা য়ারী অতৈ কয়া নিংথৌবোলনচিংবা কয়াসু হৌজীক্তি শরুরে। কম্রি অমুক হায়গনি, রামায়ণগী য়ারী ফাওবা শরুরে। মসিগী মতাংদা লেপথোকনবা অমসু চঙত্রা হায়না খঙ্গে।

জাতি অমগী মশক তাকপ মতমদ খুন্নুং ঈশৈ (লোকগীত) হায়বসিসু য়াম্ন মরু ওইনা চঙবা মচাক অমনি মরম অসিদগী শুসি,

পৃথিবী পুম্বগী ওইন "ইণ্টরনেশনেল—ফোক ম্যুজিক কাউ-ন্সিল"না খুনুমুং ঈশৈশী লমদ খোমজনবা অমসুং থিজিনবগী অচৌব থৌদাং অম পারখৎলকলি।

খুনুমুং ঈশৈ হায়সিনবকুবু মরু ওইন চীন্দগী মথং মথং লোন-বকপা ওইন তৌবন, খর থৈনরকপ নত্তগ খর মাঙশনকপ শোয়দন মাওরুমগনি অমসুং মাওরকখিগনি—খোয়দোক্লসুগী সুর মতাংদ। হিরম অসিদ ঐখোইগী পুক্লিং চংশিনব তাই অমসুং চেকশিনব মীৎয়েং মতম চুপ্পদ থম্ব তাই।

খুনুমুং ঈশৈগী মনুংদসু তোঙান তোঙানবা মখলশিংগী শকপ-শোনব মতমদ মাগী মাগী শৈশক-শৈখল অতুগী মনুংদ লৈব তাই। থিজিনবগী মতাংদ—থাপ্প অমসুং মনুং কয়া হুজিন্দুন মহোশাগী ওইব ফিজম-মতম-মকম অমসুং থৌদোক-উৎসব কয়া থীতুন টেপ-রেকোর্ড লৌরুব তাই। অতুগ কংলকইবশিং অদু য়াম্ন লায়ব অমসুং অচম্ব নোটেশনদ ইথোক্তুন থম্ব তাই। মসিন খুনুমুং ঈশৈগী সুর অমসুং মরেক্কী অচুম্ব থাইনগী ওইব মশক অদো থিবদ য়াম্ন মতেং ওইগনি—মসি হৌজিক্কী থিজিনবা অমসুং নৈনব যুগ অসিগী দাবীনি।

শ্রীচান্দম গোপাল সিংহ

কবুই জগোয় অমসুং ঈশৈ

(ওক্টোবর ২৬ অমুক)

জগোয় ঈশৈ হৌরককন :—

জাতিগী সংস্কৃতি ওইবা জগোয় ইশৈ অসি য়েনহৌভেদগী, লাইগা মীগা শম্নয়কপদগী হৌদোকমিন্নরকপা মরম্না জগোয় ইশৈ অসি করম্বা মতমদা হৌদোকখরকপনো হায়বা অসি লাইরিক হৈবা অমসুং বাখী খঙবা কনা অমত্তনা হৌজিক ফাওবা হায়বা ঙমদে। জগোয় ইশৈ অসি মতম লৈবখিবিক্ত প্রকৃতিগী খোংদোই মতুংইন্না থাদোকুবা লৈত্তনা ইয়োইমিন্নরকলি। অহুংগুম্বা প্রকৃতিগী খোংচৎপু খকুগী মতুংইন্না তোঙান তোঙানবা শকফমদা ওন্দুনা চৎনরকলিবা পরম পম্নাগী সংস্কৃতিবু ঙসি ফাওবা কবুই নাগানা চৎনবী কইম অমদি ধর্ম্ম ওইনা চৎনরকলি। কবুই নাগাগী চৎনবী জগোয় ইশৈ অমসুং ফিজেৎ লৈতেং পৃথিবীদা পুম্নতোপ তোপ্পী।

চহি অমদা চৎলিবা থাগী মমিং অমসুং করম্বা থাদা করি করি হরাউ কুম্মৈ তৌবা ?

শজিবু থা :—শজিবু থাবু নপগু ফুনকৈবু হায়না কৌই। নপগু হায়বা অসি চইন, চানবা চিঙ্গাক পুনি, থাইনা অহল লমনশিংবা চইন হায়বা চাক অসি খাইদগী ইহান হান্না চাবা চাকনি হায়দুনা শজিবু থাদা চইন হুল্লি মরম অদুনা চইন হুনখিবা থা অদুবু নপগু ফুনকৈবু হায়না কৌখি।

কালেন :—কালেন থাবু নপচং ফুনকৈবু হাইনা কৌই নপচং হায়বা অসি চান্নবা অশেংবা ফো অদুবুনি। থাইন্দগী চৎনবী ওইনা কৌদি হুনবা হাইবসি ইহান হানবদা খুলগী ওহনা পাথং ৪ লৈশাবী ৪ না য়ুমথোং, খুদিংদা লো লৈবা ইমুংদা কৌদি মুট অমমম থারবগা লৌবুক্তা

চৎলুনা মাগী মাগী লৌবুক্তা তোথোক্লগা হৌনবিনি হায়দুনা কৌদি হায়নই। মদুবু হুনগ্রবগি মতৌ মতৌ মরম্মাইগী লৌশিং অদুগুম্ লোয়না হুনবা যায়ে। মরম অদুনা থুনগী চৎনবী কৌ ইস্নান হায়া হুনথিবা থা অদুবু মপাচং ফুংকৈবু হাইনা কৌই।

ইঙা থা :—ইঙা থাবু লাওফুম চুংবু হায়না কৌই। লাওফুম-চুং হায়বদি লৌ ময়াই চনশিল্লককবা মতম অদুবুনি। ইঙা থা অসিদা লৌ অসি মতৌ মতৌ ময়াই চম্নরক্লবনি হায়দুনা থা অসিবু লাওফুম-চুংবু হায়না কৌই।

ইঙেন থা :—ইঙেন থাবু লাওফুম ঙাইবু কৌই। লাওফুম-ঙাই হায়বদি লৌ লোইরকপগী কুম্মৈ (হয়াওবা) নি। লৌ অসি মতৌ মতৌ শূনরকপনা ইঙেন থাদা লোইনা লোইনরকলে। অদু ওই-রবদি হয়াওরসি হায়না হয়াওবা থাবু লাওফুন-ঙাইবু হায়না কৌই।

থৱান থা :—থৱান থাবু বুমবু হায়না কৌই। বুম হায়বা অসি থবক ইংথাং শুবা য়াদবা হায়বনি থৱান থাদা মতমগী নোংনা য়াম্না কম্না মরাং কাইনা চুথিবা মরমনা মী পুম্নমক থবক শুবা য়াদদুনা মতৌ মতৌ বুমদা লৈবা মতমনি হায়দুনা থা অসিগী মমিং বুমবু হায়না কৌই।

লাংবন থা :—লাংবন থাবু পোককাবু হায়না কৌই। পোকফা হায়বদি পোকথাইবা অদুবুনি, থৱান্দা নোং ফজনা (পোকথাইনা) তাথিবা মরম্না কৌশিং অদুগুম্ মরু চংনা ফজনা পোকথাইরা শাংলি হায়দুনা থা অসিবু পোককাবু হাইনা কৌই।

মেরা থা :—মেরা থাবু নপথন ঙাইবু হায়না কৌই। নপথন-ঙাই হায়মদি কৌনৌগী কুম্মৈবুনি (হয়াওবা)। কৌসিনা ফজনা পোথাফনা শাংলকপগী ফজনা মুম্নরকলবা অতুদা হুঙাইরে, কৌনৌ লাকসোই হায়দুনা হয়াওবা অদুবু নপথন ঙাইবু হায়না কৌই।

ছিয়াংগৈ থা :—হিয়াঙৈ থাবু লাও তাইবু হায়না কৌই। লাও, তাই হায়বদি লৌ থাওববুনি। হিয়াঙৈদা লৌ কজনা মুক্তে থাওবা য়ারে থাওয়সি হায়দুনা থাওনবা থা অদুবু লাওতাইবু হায়না কৌই।

পোইন্তু থা :—পোইন্তু থাবু ঘানবু হায়না কৌই। ঘানতাই হায়বা অসি কবুই নাগাগী খুইদগী চাওবা চহিগী হয়াওবনি। লৌউ শিংউম্নু লোইরে, মহৈ মরোংস্নু মহৈ মহৈ ময়ুমদা পৈশিন্নরে; লৈবাক্কী ওইনা হয়াওয়সি হায়না হয়াওবা থা অদুবু কুম্মৈগী মমিং লৌদুনা ঘানবু হায়না কৌই।

য়াকচিং থা :—য়াকচিং থাবু চগাবু হায়না কৌই। চগা হায়বা অসিসু কুমৈ মথল অমনি। হয়াওবা মথল অসি অসুম তৌরকপদুনা নোংমদি ঐখোয় অসি শা লাল লাক্লবদি মাম্নথিবা তারে হায়দুনা শা লালগী মহৈ তমহৌদবা য়াদ্রে হায়দুনা শা লাল তম্বগী কুমৈ তৌই; মদুগী কুমৈ মমিং লৌদুনা য়াকচিং থাবু চগাবু হায়না কৌই।

ফাইরেন থা :—ফাইরেন থাবু কতোই তাইবু কৌই। কতোই-তাই হাইবদি খোইদিং অঙৌবা কুমৈ হায়বনি। য়াকচিং খুনগী লৈশ বী পাথংনা লাল তম্বগী কুমৈ লোইবগা ঐখোয় অসি পুকচেল খোইজেল মায়না লৈসি হাইদুনা য়াশরুবা ওইনা য়েনশাং অমত্তা চামিন্নশি হায়-দুনা য়ুমথোং খুদিংগী য়েনশাং চফুদা খোইদিং অঙৌবা থাদয়গা হয়াও তম্বায়া চামিন্নথি, মদু চামিন্নবা থা অদুবু কুমৈ অসিগী মমিং লৌদুনা কতাইতাইবু হাইনা কৌই।

লমদা থা :—লমদা থাবু চকাকতাইবু কৌই। চকাকতাই হাইবদি অচংবা অমসুং অশিবা অনিবু থাইনবগী কুমৈবু চকাক তাই কৌই। জাতিগী চংনবী ওইনা শজিবু থাদগী লমদা থা কাওবা অদিগী মসুংদা কনাগুম্বা পোকপা শিখিবা য়াওয়বদি লমদা থাদা লৈবাক্কী পুন্নমক্কী ওইনা হয়াত্তবা মতমদা মাগী সমাশোর শোনগদবনি। মতম অদুদা নত্তনা অতোপ্পা মতমদা শোনবা য়াদে। মতো অদুগা অচংবা

অমস্তুং অশিবশিংগী হৌনবী ধর্ম্ম কর্ম্ম থবক পাংথোক্লবগী তুংদা অতুগী মমিং লৌহনা খা অসিবু চকাক ভাইবু হাইনা কৌই।

য়ুম পানবগী থবক ইংথাং শূ-নোম্বদা :—

কবুই নাগাগী য়ুম পানবগী থবক হাপবসি লৌশিং উবনা খ্বাইদগী মরু ওইবা থবকনি। লৌ-শিং উবা ইথোল কোইবা অসিবু ইপা-ইপুগী মাইহৈদা য়ুমশা-কৈশাবা, লৌউ-শিংউবা, শিং-য়েন খিবা হায়না চৎনৈ, কবুই নাগাগীনা কাইশু-শামস্থ মৈ লাওতাই-লাওদিমৈ থিংলেম-তুইজুমৈ হায়না চৎনৈ।

লাওতাই লাওদিমৈ—হায়বদি লৌ খাওবা লৌ য়েবা হাইবনি।

কাইশু শামশুমৈ—হায়বদি য়ুম শাবা কৈ শাবা হাইবনি।

থিংলেম তুইজুমৈ—হাইবদি শিং চনবা ঈশিং শোকপা হাযবনি।

পুন্নমকী মাহৈ অসিবু পুলপ ওইনা খওবা অশম্বা লোলনা কাইশু লাওলোয়মৈ হায়বগা খওনৈ। কাওশু লাওলোয়মৈ হায়বগী অর্থদি য়ুম শাবগা লৌ-শিং উত্তনা ইথোল কোয়বা অহুবু খওনৈ। হায়রিবা কাইশু লাও লোয়মৈ অসিগী থবক্ত থায়না অহল লমনশিংনা নিয়ম অমা নাইনা চৎননবা ফজনা শেমবিরম্মী। কুম অমগী ইহান হান্না লৌ তায়গে হায়রবদি খুনগী ওইনা ফোকোবা পূজা ইহান হান্না তৌগনি। মতুগী তুংদা মহৈ মচৈ লৌ শুনবা হৌরগনি। লৌ উবা, শুবা হৌনরক-পগী মতুংইন্না লৌউ শিংউবগী ইশৈ নাংমাইস্থ অতুম শকপা হৌন-য়গনি। লৌ তাবগী মতমদি মথক্তা থাগী মমিং ইবদা থাগা হরাওকুমৈগা লোয়ননা ইথ্রবনি, অতুদা কবম্বা থাদা লৌ তাবা হৌবগে হায়বতু য়েংবীয়ো, অহানবদা লৌ শুবদা (তাবদা) শকপা ইশৈ :—

লাওকুনলু :—

লাওকুনদো তুনা পোংকনিমৈতা লুংশিয়ে
লিন কৈজিংমং তিংগো'মৈতা লু'শিয়ে
লিন কৈজিংমং গিমলম শোনলৌমৈতা লূ শিয়ে ॥

অর্থ ঃ—লৌউ-শিংউবী মতমদা নিত্তোলনা চংখিদদবনু থম্মোইনা যুংশি, তামগ্রবা লৈচিন্না মন্নবা লমদমদা লৈহুনগদবনু যুংশি। তামগ্রবা লৈচিন্না মন্নবা মীগী লমদমদা থাজখিগদবনু থম্মোইনা যুংশি।

লৌ শূবদা য়োংনা অমুক তৌথখিবা অহুগী তানথাদা ইশৈগী য়াইহ অমগা লোয়ননা স্বরদা শক্তুনা লৈশাবী পাখংশিংনস্থ স্বরগী তানখা মতুংইন্না তৌরকপদগী তালদা ইশৈ অহু অরাই অথুম তৌজনা শকই, ইশৈ অসিগী যুগুাইবা য়াগদা লোইননা থবকস্থ ঐগী লৌমাংনা মীগী লৌমাংদগী হেন্না য়াংশিনগে, মীনস্থ মীঙোন্দগী হেন্না য়াংশিনগে হায়না মহৈ মহৈ হোংনহুনা থবক অহু অহেনবা তান্নহুনা শুনৈ; অহুবু ইশৈমা করি অমত্তা য়াগন্দে। লৌ অহুনা অহুম শুনরকপা অহুনা হৌজিক্কি পোত্থারসি হায়বদি মযাম অসি থবক থাদোক্লয়গা অতোপ্পা ইশৈ অমা শকনি মহুবু কত্তু হায়না খঙনৈ।

কতু ইশৈ ঃ—হো লো বাংলুনৈ কুমৈ লুনৈ
লিখং লিলু ঙালেং কুম পু
নং তা'বনজু ঙুই গন জে—
হা — — লুই — হি — — —

থবক খুৎ থাম্নগা ইশৈ অসি অরাই অথুম তৌহুনা শক্লগা পো-থারগনি মহুদগী চান-থক্লবা চাকয়োমনচিংবা পুথোক্লরগা অচা অথক তৌহনা পোত্থাগনি অস্নুম তৌহুনা অদুগুম্বা ইশৈ মখল মখলশিং পুথোকতুনা শক্লগা লৌ অহু লোইন্নবা তানশিল্লি। লৌ অহু লোইরগা ফৌ ভুনথ্রগনি কুমগী নোং ল'ক্ল্রগনি পাম্বীস্থ অহুম চাওথ্রগনি। চাও-রকপগী মতুংইন্না নাপীস্থ হৌজিল্লকই, ন'পী অহুনা য়াম্না বৌজিল্লক্লবদি ফৌ পাম্বী অহু চাওবা ঙমদে হাযহুনা লৌ পেংবা হায়বগী থবক অমা লাকই লৌ পে'বগী ইশৈ ঃ—

লাওলেওলু ঃ— হৈতুই ইখা তলোন লুমকি আইহৌমংগে,
অনলাও লেংলাও হৈলাউ ককহু ইন লুই

আইনৌরে মৈ লমদৈ শানলো হৈকুমৈনৈ
শানলো লাওলোন ককখৌ ছুইকৈমৈহৈ
ছুইহৈ কনাইগাইনা লোংলুবুরে ॥

অর্থ :—ঈশিং মাইশিং কয়া থেংনরকলবস্তু ঐদি উখিদ্রি, ঐহাক্তি ঐগী ফংখিদ্রবা মৌবি রাক্লনা থল্লবা লৌরকী ঈশিংদনা ইরুজে, অতোপ অতোপ্পা মীস্তু লাকুনা লুজে, ঐহাক্কী মুংশিবীনস্তু লাকুনা লুজে, লৌরক্কগী চেনথরকপা ঈশিং অসিদনা লাইবক ফনা মায়োক্লনা থেংনবীরি।

অসিগুম্বা ইশৈ কয়ামকমগা লোইননা থবক অহু শুরকপনা পেং-নবগী শরুক লোয়শিল্লে, ফৌ পাম্বীশিং অহু ফজনা পেংথোকপীরবনিনা পাম্বীশিং অহু নোংমা নোংমগী য়াম্না থুনা চাওরকলে মপান শাংন-রকলে, মহৈ পাম্নরে, ফজনা মুম্নরে হায়বা মতমদা ফৌ লোকপা মতম ওইরে হায়না খুলগী ফৌকৌবগী পূজা লৌই মহুদগী মহৈ মহৈ লোকপা য়াবা লোকপা ত্রৌনরকলগনি। ফৌ অহু লেরুগা নৈশাবী পাখংশিংনা ফৌ অহু য়ুম তাম্না হোল্লকই। ফৌ হোনবদা য়ারবা নৈশাবী পাখং-শিংনা খৌবুদা (যুমবু) অরাম খৌরংব কোকহল্লু পিজৌ হায়হনা থেম্বা ইশৈ :—(মজাপু)

ইশৈ :—হাহো, হাহে, ইয়ে তুয়ে
নলোই কতানলে মলোয় কতানলে ইহে
শিমপোং ত্তিমখো ও তুয়ে
হে শিমপোং ত্তিমলনা হে
চাংবাব বংগং শাউ দেও লুম গুনখো ও তুয়ে।

অর্থ :—হা, হে, হা, হে হায়না খোংনরকই উচেক রায়াশিংনা। উচেক রায়াশিংনা নৈহি চুপশি হায়না হায়নরকই। নৈহি অহু চুপল-বগা মোংশোং মরক্তা মুঙাইনা লাংউরমি।

অসুম্না ইশৈ অহু তোঙান তোঙানবা অমমম শরুহুনা হা হা লাওনা অচা অথক তৌহুনা অরাবা কোকহল্লি। লৌ অসি মহৈ মহৈ লোই-নয়রুবা মতমদা খুনগী অহল লমম্না খ্বাইদগী কনানা হেন্না কৌ মহৈ মরোং লোকপগে হায়রকহু য়েংই মাহুবু দোং জাওমৈ হায়না কৌই। লোংজাওমৈ হায়রবদি কোং য়েংবা হাইবনি। কোং য়েংবদা খুনগী অহল-লমম্না মুমথোং খুদিংদা চৎতুনা য়েংই খ্বাইদগী হেন্না কৌ লোকপা ইমুংদা ইশৈ তৌই, মহুবু কোন তমৈ হায়না কৌই। অসুম হায়না লৌউ-শিংউবগী থবক অসি লোইশিল্লি অসিগুম্বা ইশৈশিং অসি মতাং অমমমগী ইশৈনা মশিং থংদনা লৈরুবনি মহুবু চাওরাকপা অমমমদা তাকপদনি। লৌউ শিংউবগী থবক মতুংইন্না থাশিং থিবগী মমিংহু খোল্লি।

মীওইবগী ধর্ম্ম কর্ম্মগী থবক

অঙাং পোকপা:—নাহুৎ মারেং:—অঙাং অমা পোক্রবদি হুমিং মঙানিদা কজুমপাইমৈ হায়রহুনা পূজা তৌই। খুলগী অহল-লমম্না অঙাং অহুগী য়াইকনবা শোল্লি। মতুদা অচংবা প্রসাদি অহল-লমনদা লোয়না য়েন্থোকই নহানা মহু চাবা তৌইদে। অঙাং মনা হুৎপা অসি চহি অমদা অমুক্তা থোকই, অমমমদগী ওইনা নাইতোম হুৎনদে, শক্তিবু থাদগী লমদা থা কাওবা চহি মতুংদা পোকপা অঙাংবু লমদা থাগী নাহুৎপা কুমৈদা অঙাং পুন্নমক মানা হুৎকনি মহুগীদমক নাহুৎপা কুম্মৈ (নানুমৈ) হায়রহুনা চহি খুদিংগী হরাওই। অঙাং মনা হুৎপদা মনা হুৎলিবা অঙাংগী মমুমদা অহল-লমম্না হংবা হমুবীশিংনা জগোই ইশৈ তৌই।

নাহুৎপগী জগোয় ইশৈ:—

হৈচা পোনলুমদৈকি কুম্মৈ পুইচা কলেন দৈশোলো
নমগুথং পোনলুমদৈকি কুম্মৈ পুই চাকলেন দৈশোলো

অর্থ ঃ—হৈচা (চান-থরুবা) অসি পুথোকপশিংগী মসুংদা মীঙো-ন্দগী মীথোই মীহেল্লি। খুন শেম্নবা লৈশেম্নবা পোকলুরিবশিংগী মসুংদা অঙাং মমা মপাগী হৈচানবা খ্বাইদগী থোইদোক হেন্দোকই।

অসুম হাইনা অঙাং অদুগী য়াইকনবা ইশৈ অসি শকতুনা জগোয় অমা অনি শারম্নগা য়ুম মসুংদা ইমুং মসুংদা চংলগা লেপ্পগা ইশৈ তৌই। মতুংদগী ইশৈবু কোনশুমৈ হায়না খঙনৈ। অসুম হায়না অঙাং 'দুগী মানা হুৎপিণ্ডবদি মোংম নোংমগী অসুম চাওখৎখ্রে, লৈশা-পাখং কায়-বদি মরুপ মপাং তিনবা হায়তুনা পাখংনা পাখংগী ফালদা লৈশাবীনা লৈশাবী কালদা হায়বদি ক্লবতা তিনবা হোরে, লৈশাবী ওইয়বদি নোংমদি লুহোংবা হায়বম্ব ওইরকলে, লুহোংলমদাইদা লৈশাবী পাখং লুকুমৈ হায়তুনা য়াম্না তোইনা খাইনরমদাইগী পাখংকালদা লৈশাবী পাখংনা ইশৈ নোংমাই য়াম্না তৌই। মতুগী ইশৈ লমলোন লু, লুচু কাইলু হায়না খঙনৈ।

লমলোন লু ঃ—

লুচু কাইখো অনৈ লুং লংলা লাথুইমং
লমলোন পুইচাং অনৈলুং লং লাখৈজো মুন কুমৈনৈ
লেং, লমলোন পুইচাং অলুং লংকো লালৌতিকি
আইমুন পুইকো অচুংনা দিংঙে—
অনচুং লিজো মুন আইঙুইনা তিংশাম খাম
শুখো তয়ে, হে তিংশাম খাম খং দমলো মংকুহৈ
দৈথে ভুনা অচুং ভুংঙে—
হে তিংশাম খাম খংদমলো মংশননিনা অনৈ
দমপা চাংখো গংলুমৈরে, খৈজো কুমৈ নৈলে

অর্থ ঃ—লুচু কাইদা ঐখোয় অনিগী থম্মোইগী রাবু ফোংদোকপা ওয়দতুনা থবক ইঙখাং চংমিন্নবদা ঐখোয় অনিগী থম্মোইগী রাবু কোং-দোক্লকসি লৈরাং ম্লানবী মুজাও থবক ইঙখাং চংমিন্নবদা ঐগী থম্মোইগী রাবু হাইদোকচক্লম্বগা মুজা মহাক্তি ভুমিন্না লৈথোকখ্রে। ভুমিন্না

লৈখোরবদু ঐখাক্তা মুংশিবী লৈব্রাং ওইনা মতম কুইনা লোইনবী ওইসি। মতম কুইনগীদমক্তা লাইবক্তা তম্বীরোইত্রা হাব্রবগীদমক রা-ওাংদনা লৈজবনি মতম কুইনগীদমক তম্বীরমত্রবস্ম ঐখোয় অনিগী তাই-বংপান্দা ইহান হান্নবা য়েংনফংব্রিবনি লাকউ চংলসি ইবেন্দ্রা।

অমুম হাইনা অমনা অমগী পুক্লিংগী রাবু ইশৈনা কোংদোক্তুনা মুংশিবা মশক থওহল্লি, লুহোংবদা কৈন্দ্রা অত্ত্ব বরগী মমুম য়ৌবা কাও ইশৈ শকুনা থিল্লি মম্বুগী ইশৈ অহুনু লুচেন লু হায়না খওনৈ।

লুচেন লু:—পুই পুকাই তভোনজিনা কুমৈনৈ
তে'কৈনা দিং হে, হে পুই পুকাই
তভোনজিন, কুমৈনৈ তেংকৈনা দিং
হৈকুমৈনৈ হেং হোয়॥

অর্থ:—ইমা ইপাগী য়ুম থাগোকনিংদহুনা মুক্তা মহাক্তি মুমবি কোন্দুনা থাওই। অমুম হায়না ইমা ইপাগী য়ুম থাদোক্লগা চৎনিং-দম্বনা য়ুম্বী কোন্দুনা লেপ্পী।

অসিগুম্বা ইশৈ মখল মথেল কয়া মকুম লৈখ্রে। কব্রিগুম্বা নিঙোল অহুনা অঙোম্পা লমগী ওইরবদি নিঙোল থিল্লকপদা নিঙোলগী মযুমগা মপাগী মযুমগা খুল অনি অসি লংনবা ওইনা ইশৈ তায়ে, মতম অহুদা শকপা ঈশৈবু চপালু হায়না খওনৈ।

চপালু:—

গিনপুথুলে অলু মুলো অলুমু পাইমংগে
গিনপু খুলে নংমু খেমখো নথাং অমুথৈ লাইতেং-
লগে অখেম থংলিখো গিনপুলে আই জিপনিমং
লোয়ে গান আ'মু তুনা কনৈ ককথৌতৈ
জিপলনা তাবেন পতৈ শিন্দায়ে আইমু তায়েন
শিন্না মুই গিনপুতা থালেন পুতোং অলুমৈ
থাংপিংনা যমতুংঙে অগাংজাং দিনথুই তংতিউ

অর্থ :—লমলানব ও। ঐগী ইশৈ তাও ঐগী ইশৈদি মতমদে নংনদি তান্নসি মহায় ঐগী ইশৈবুদি তাব্রবদা ওমলোই নোংঙানবা তান্নহুসি লমলানবা। ঐদি ভুমনিংলোই পাথং ঐদি নৈশাবী অনিগী কাব্রক্তা হুমলপা হুঙাইনা নোক্লুনা লমলানববু লেন্নব্রকপবু ইথক থোংবনসু লাংনবা ব্রিত্তুনা লৈকবনি মকম খুদিংদা শন্দোকপীরু ॥

শা লানগী মতমদা খুন ঙাকপগী ইশৈ :—

কবুই জাতি অসি খুল অমা পাল্লবদি লৈবাক অমগী রাজের শাসনদা চংবা থবক থৌরম পুন্নমক চপচানা লোয়না তৌই। মরম অহুনা লম অমগী মীনা খুন্দা লান্দারকপা ওমদনবগীদমক রেক্ষবা চঙলকপা ওমদনবগীদমক খুলগী অকোয়বদা মপাঙ্গল কব্রবা নহারোলশিংনা অহিং লুংথিল থাক্তুনা খুল ঙাকই মখুল ঙাকপা নহারোনশিংনা শকপা ইশৈবু কাইরোং-লোন-লু হায়না খঙনৈ।

কাইরোং লোনলু :—

রিগান পৌহায় শিহৈ সংলম পুসনথে
রিগান পৌনি পংনা কণান জাওজো অনকৈ তৈকাওলা
অগী তৈফুংলনা অনবুই তৈপোন হোজাগে
হৈরম পুই অনদি খা লমজিংচো
হৈরম শি অনশা সংকুং কনামমে ॥

অর্থ :—হে লানমীগীদি মপু ওইরিবা। ইনজিং মতৌই খোংজিল্লক্লে। লানমীগী মপু নহাকসু খোক্লুনা লানগী শেমশারো লাবগী ফিজেং শেংহুনা খুংতা চুং পায়বহুনা ইশাগী তাবু পাররহুনা হোরজম শাররো ঐখোয়গী ইমা ইবেলশিংবু কয়ামুক ফিব্রবগেনে ঐখোয় হুইদি করি নত্তবদসু খোংবা মহৌশানি।

পেনা ইশৈ :—কবুংগী চংনবী মত্তুংইন্না পেনা পায়হুনা খোবো ইশৈ শকপা হায়বসি ফো মুন্নরকপা মতমদা হুঙাইবগী লোইন্না খোংই, লো অমুক তাবা হৌঞ্জবদি পেনা খোংবা শকপা য়াদে। খাইনদগী

চৎনরকপী মতুংইন্না কৌ মুন্দ্রিঙৈদা পেনা খোংহুনা ইশৈ শরুবদি কৌ অহু শাংপদা মরু চংদে কৌহাম ঙাক্তা শাংলি হায়রুনা পেনা পারহন্দে হায়না চৎনরম্মী। পেনাগী ইশৈ অসি মরুওইনা মুংশি নুংওনগী মখিদা শকপনা অয়াম্বনি পেনাগী ইশৈবু লা-লু হায়না খঙৈ।

কৌশু ইশৈ ঃ—কৌশু ইশৈ অসি কনাগুম্বনা ইশৈ হৈহুনা —য়ুমগী কৌশুবা মতমদা শকনবসু য়াওই হাইববু মরুওইনা ইনাক কৈরাক খুনবা মীনা তৌবা উংসব তরা'কাই শুমৈ; বালুমৈগী খোদোক্তা জোদাই জাইপংমৈ হায়বা—মমিংতা লৈশাবী পাখং খুল হুপ্পা য়ু শুংই য়ু শুংবা হারবসি য়ুগীদমক্তা য়াম শুবনি মতুদা ময়াম শুবগী তানখা মতুংইন্না পুং শেল য়াওনা ইশৈ শকপা য়াউ পুং মৈবা য়াও তৌহুনা মুমিং মঙানি হরাওবদা থকপা ওকন্নবা য়ু শুংই মতুগী ইশৈবু পান্শৌ-লু হায়না খঙৈ॥

চহিগী হরাওকুম্মৈ

কবুই নাগাগী চহিগী হরাওকুম্মৈ কয়ামরুম লৈ—

১।	পোইমু থাদা (ঘানবু)	ঘানঙাই তিংকুমঙাই
২।	রাকচিং থাদা (চগাবু)	চগা ঙাগ রিঙাই
৩।	কাইরেল থাদা (কতোইঙাইবু)	কতোইঙাই নামু
৪।	লমদা থাদা (চকাকবু)	চকাকঙাই থৈমৈঙাই

ঘানঙাইমৈ ঃ—ঘানঙাই হরাওবা অসি চহি অমগী মমুংদা খাই-দগী চাওবা হরাও কুম্মৈনি। মসি পোইমু থাদা তৌই মুমিং মঙানী হরাওই মসি জগোয় ইশৈ কয়ামরুম লৈ, অহানব মুমিত্তা ময়াম মুঙাইনা চাকচা-হৈজানবদা শকপা ইশৈ।

নপ্তু করোন পুইলু ঃ—

কুমৈ পুইকাই খৌ অলাংহ থাই নাইরে
লাংদাই শমলো কন্নে চম পন অথৈ অন্দোং

জাওপুকি লাংতদাই শাং কুমৈপু কশিম—
শুপোং বমখোল্লে॥

অর্থ:—মুজা নহাক্কী সঙ্গাইদা মগুন লৈবা উচৈ লৈ উচেক লাংমৈশিংনা পাহশিন্নখি। ইরুপ হপিজা ঐখোয় অনিস্থ তান্নরকপবু উচেক লাংমৈনি হায়রগা ইবুংঙো মহাক্না মতিক মগুনগা লোইননা চাংলেম্না লৈরমই।

মসিগুম্বা ইশৈশিং অসিনা য়ুমথোং খুদিংগী চত্তুনা চামিন থক-মিন্নরগা হৌজিক্তি চৎকদবা লোইরে হায়বা মতমদা লৈশাবীনা লৈশা-বীগী ফালদা পাখংনা শাখং ফালদা হজিনগনি। হজিনবা মতমদা ইশৈ'সি শকনি।

পাখং ফাল হজিনবদা শক্কদবা ইশৈ:—

খোইদাইকাই অনকিম লকগে
কুমৈ পুইকাই গাইনা কিমকৈ লকগে
কুমৈ পুইকই কিমকৈ নিথাই
অঙ্গুজে ফাংঙো অঙ্গু জৈ থিপখোকই
কুমৈ পুইকাই গাইনা কিমকৈ লকগে॥

অর্থ:—খোই মহুম অসি কাইগদোবা নত্তে অহুগী মতুংইন্না পাখং ফালগী য়ুমবুস্থ কাইরোই পাখংফালগী য়ুম্মুনা কাইগদোবা লৈরবদি বরাক্কী ইরেল অসি য়েংউ বরাক্কী ইরেল অসিনা কাংলবস্থ ঐখোয়গী য়ুমুদি কাইরোইদোরি।

হয়াওবা অসিগী মমিৎ নিনি চনবদা খুলগী লৈশাবী পাখংনা মাগী মাগী শেলথাং অমদি চান্নবা চিঞ্জাক পুরকই 'তবু তমচা কোই, মত্তুদা অথোই অহেন তাস্লে মতু লোইরগা ফুংথিলদা তমচনলাম জগোয় শাই। তমচন লামগী ভাবতি অযুক্তা লৈশাবী পাখংনা হয়াওবদা চান্নবা পুরকপা চান থরুবা পাংচৈশিং অতু খ্বাইদগী অহেনবা থল্লগা খুলগী অহলদা হান্না

পিজখোকই মহুগী অথেনপোৎ পুন্থনা অহল্লমনগী তিনফম (পৈকাই) দা থিল্লি। খিনবা মতমদা শাবা জগোয় অত্থুবু তমচন লাম হাইনা খঙনৈ।

হুমনিশুবা মুমিত্তা তুনাগানঙাই হায়হুনা গানপিকদিমৈ, খংবোন কদিমৈ হায়হুনা লৈশাবী পাখং জগোয় শাই।

জগোয় অসি লোয়রগা চাক ঈশিং লোইরকলবা মতুংদা লৈশাবী পাখং নোংঙাল কাওব ইশৈ তাম্নে। মহুগী ইশৈ অহু লমলোনলু হায়না খংনৈ মহুগী ইশৈ অহু মথক্তসু লৈশাবী লুহোংলমদাইদা মরুপ মপাং ইশৈ নোংমাই তৌই হারবগী মতাংদসু য়াওথ্রে মরম অহুনা হরাওবদা শক্লবসু মওং অমতনিনা মান্নরে অমুক হন্না হারজহরোই।

মরিনিশুবা মুমিত্তদি জগোয় ইশৈ য়াওদে।

মঙানিশুবা অরোইবা মুমিংনি হায়হুনা য়াম্না চাওনা চাক চানৈ কাগী জুগাই তৌরগা লোইশিল্লি। মসিগী মুমিং অসিদা লাইত্তিন পুন্নমকা পূজা তৌই অসুম হায়না চাকন ঘানঙাইমৈ হরাওবা লোইশিল্লি।

চকাকঙাই:—অশিবশিংগীদমক্তা তৌবা হরাওকুম্মৈনি লমতা থাদা তৌই। কবুই নাগাশিংনা শক্তিবু থাদগী লমদা থা কাওবগী মনুংদা শিবা মীবু লমদা থাগী চকাক-ঙাই কুমৈ অসিদা কুম ওনবগী শমশোর তৌগনি। মরক্তা মাগী মাগী তোঙান্না মুম্রিং থা মশিং থিরগা তৌবা য়াদে, করিগুম্বা চহিগী শমশোর কুমৈ অসিনা লোই-থ্রগা মতুংদা শিবা অমসুং পোকপা তাররদি মহুবু নোংমৈগী হরাওবা চকাকঙাই অসি ঙাইরগা তৌগদবনি মরম অহুনা অহুগুম্বা শমশোর অহুদা শাবা শকপা জগোয় অহুবু থৈ কদিমৈলাম হায়না খঙনৈ।

তরাংকাই শুমৈ বানরুমৈ—

মসি চহিগী ওইবা হরাওকুমৈ নত্তে জাতিগী ওইবা ধর্ম্মগী লায়ফম ওইবা উৎসবনি। মরল লৈবা ইনাক কৈরাক খুনবা কাংবুনা তৌবা কুম্মৈনি। মসি উৎসব অসিগী মরমদা তোঙান্না ইতোপ তোপ্পা চাওনা

জগোয় ইশৈ থবক করামরম লৈখ্রে (মৈতৈ ইচিন ইনাওশিংমা কীর্তন কৎপগুম্বনি) মসিগী মমম মরমদা কুপ্না ইবদা য়াম্না চাওথোকখিদোরা মরমনা শম্নপ্না রারি ওইনা ইজরে।

রাস :—

মীওইবগী পুন্সিগী অরান খুবম কংগে হায়রবদি ইহান হানবা লারেনলোমৈ হায়ছ্না পূজা হান্না তোগনী। অনিশুবা মুরেংমৈ হারবা উৎসব অমা কৎথোকনি। হুমনিশুবদা জৈশংমৈ উৎসব কৎকনি। মরিশুবদা লগাইদাইকিমৈ কৎকনি, মঙাশুবা হুমিত্তা বানরুমৈ কৎকনি। তরুকশুবদা তরাংকাইশুমৈ কংকনি মসিনা খ্ইদগী ইরোই লোইবা উৎসবনি। হায়রিবা মথকী উৎসবশিং অসি মথং মনাও কাইদনা শুনা কৎপা ঙমবদি অরান খুবম কংই স্বর্গ কাই।

মসিগী মঙাশুবা উৎসবতা লাইগী শোইবা য়াদবা জগোয় ইশৈ মাপল লৈ ; জৈশুং, তুনা কাইরোন শামৈ, তুনা কাইবোন হুইমৈ, বানজাই, লিলু শাংমৈ, লিলু হুইমৈ, মুইলু, খোংফুং, বানলম অসিনচিংবা। মসিগী মতুংহম্না জগোয় ইশৈ মশা কয়ামকম লৈরি। লাওহুকোন, কোন্দাই, জোদাই, কাইলোং, লোনলু, তুনাগানকতু, তকিন কাইলোং লোনলু জোরু কাইরোংলোন লু, জোমোম পৎপুইলু, গোইপি থেংপুইলু, চানকন পুই লু জোলেন খিপুং লু তুনাগান কাইলোং লোন লু, তুনাগান মরেংপুইলু, মাইলুপো মরেংপুইলু, জোনৈ, লাকপুই বানজাই অসিনচিংসা জগোয়মা ইশৈ কোন্নবা ২৪ লৈ ; মসিগী ইশৈশিং অসি য়াম্না শাংবা ইশৈ ঙাক্তা ও:বনা ইশৈ অসিগী মকোক মকোক্কী পদ অমমমদং ইজরে॥

অহানবা জৈশুং ইশৈ :—

হাও জৈশুং থাওজৈক্সাইলো লোইঙাও কুম শাওলি-
জৈলি লিপিউলো কপনিদো দোলেনলো।
পিউলো কপনিদো দো শিন গোংলানোই ইলাম কনাওলো।

অসিদগী হৌরগা মমৈগী খোংথাং হোংলকপগী অথুবা শকপা ইশৈ লুহুরেও :—

হনং খোমপুই হনং শোমলাগে হকৈ লেমলো
হুইহৈ লেমলো ঙালৌ জে। হো নংলেম লো ঙালৌজে
চনি চথিং থিংদো থিংদাঃ ঙাংচেংথিং। (অসি শকনি)

২শুবা ভুনা কাইবোন শাংমৈ ইশৈ মকোক :—

থিংবং তাতুম নংকি খোলা লম নেংশি শোং থৈজুনালো;
চীংখোং ভৌখা জুই লুসৌ চয়েং-গোং কুমৈ নংপুই
জাওজে খংচাক খংবমজে॥

মসিদগী হৌরগা মমৈগী অথুবা তাবকপদা : –
লুহুরেও :—

অরা পুইচাং লমগোং খে য়ে, শৌশেপ নৈলো, কুমৈ লুনৈ
লাকপুই লেগো লেম্মাগো।

৩শুবা ভুনা কাইবোল হুঃমৈ ইশৈ :—

অন্নি পন্নে পশিং শৌপৎ শিংশৌ পুইজৈ, শোম্নি পশিং
লম পৌ লৌবী শৌলে। তিংনৈ মিৎ পৎগো ও
চতিংগেম-খাই নুচা কাওনৈ শিথুই লে শুচ।

অমুম্না হৌরগা মমৈগী অথুবা তারকপদা ভুয়ে-ও :—হায়ভুনা তাগনি।

কুমৈ নংপু অংগান খাগি পংশি জোল্লো গংচুই,
নংকি তুংতি তুংশো শিমচুই শিমকি দৌহৈ-নৈ
লেম্বং শৌলে।

৪শুবা বামজাই ইশৈগী মকোক :—

শিংলে নমক্বা থুই, শিংবং তা তুমতা তুমতি দিখা
দিমংখা-লোং শি থুই লেমাগোং হায় শিংখুক লেংপৌ
থুউ নৈলে নৈলুগান জে।

মাসিদা হৌরগা মমৈদা খোস্তোক হোবেগী মতাং :

চফু বোম্মা কুম পু, লিলু মজিল হৈথেম খংলো হৈ—

খোল্লা পুইকুম দৌ শিম, লুমলো মাঙুই চনা কুমপু
ছুইশিন, লমথোন জে লেংনিগান লেংঙদুলো।

৫শুবা লিহলু শাংমৈ ইশৈ মকোক :—

শিংবং শিংগেন লমশো তিংখিন কুমগেন, চাতিং
কিদি থুহৈ চথু কুম। নম লেক শি শো বুইলেং চম্লা
লুতি লুমংজে। বুইলেং চেংথা গুইরূং খোইরূং পুথোন
ঙালুম। মসিগী অথুবা তারকপগী ইশৈ ছুইরে ও,
লাকপুই তি চমদিন লংবম জে, লাকপুই তিথু গোঙো
চম্লা থুহৈ নংকি গুই, লাকপুই তিথু মৈশোম কলু,
লুনৈ খেম্লা গুদিনজে, নমথন কিশিম লাগুই কয়ে হেলোন
জৌরু থাই।

৬শুবা লিহলু ছুইমৈ ইশৈ মকোক :—

লিথং দিম গাইথেমমৈ কগুইজে, অলম নমথল
মৈলুই তুদিন জে, গাইথেম লুনৈ গুইপু লেংদি
থিংখোল গেনকুম কজিজে।

মমৈগী অথুবা তারকপদা ইশৈ লুহুরে-ও
কেংজাথং মথুউ থোন অলুইতি মৈনুমং অলুই গুতি মঙমজে
অলুই গুতি মহোরিশো বমলেন নিজে হৈতু; লুম্নিজে,
কুমৈ পুই মকুকি গুইনুংছুং নমথমলোং তশেনলোং ঙাথেন,
লেংদি নকুমজে।

৮শুবা খোংকুং ইশৈ মকোক :—

হৈগেম গেমথাই লুহৈ পুই পোন মরিং কৈনা শিংগুজে
নংজু নপোন কগৈ কৈমং লেমশি মং। কৈমং লেমশি
আলম নমথল লোংথুঞ্চা সে, আলম নমথল লোংথু
হৈজা শোকশৈ লিম লুহৈ হৈজালে। অথুবা তারকপা
হে হৈজা শোকশৈ হৈতমলা তিহো লেনলো।
হৈতম তমলুই মংলে হৈম্লাংচুং॥

৯শুবা বানলহম ইশৈ মকোক :—

হৈচুন শুগোং লাকপুই হৈচুন হৈ-শি, হৈচুন হৈশি হৈনা শিনি লেংলো ঙাশনজে। চগুম দনখে লালুই ঙাশনজে চগুম দনখে লালুই ঙাশন-জে।

অথুবা তায়কনি। অমুই লুদিন পোং গোংঙো লি গোং-ঙো অমুই লুদিন পোং গোং ঙল্লি গোং নমথল—শিমশো লিলু লৈজে।

১০শুবা লাওলুকোন ইশৈ অহানবা মকোক :—

(ক) বুইলেং সিন শোকুমৈ নংপুই জো নংবম লেনলো নং বুইপোন জে, নংকি শো লুং ঙাহুবম শিংগেন কাথুই জে, নং চেম দিন শংমৈ ঙাহুবম।

(খ) তশং খং খুউ দেৎ-দি-জে, হো কুমৈ নংপুই জো নং-শিথু ব্রাচম নংবুং পোন গুংহুংবম। হৈ হে গিন খংলো জোপোন হৈলোন জৈচুং কুম্বম।

(গ) গোং শো বালু মং জে, হো কুমৈ নংপুই জো নংবম লেন লো হো খুইলেন খংলা মৈ হো গোং লারে জা হো চরেং-গোং নংলেম মা গু -হুং-পি। মমৈদা হোয় হায়য়গা লোই

১১শুবা কোন্দাং ইশৈ মকোক : –

(ক হো হংলে হো হো হৈ ং কাইমাই জাহো জে হো জে চপোং পু-শি থুউ মলেং তা-আ চতুক থাও জিগন জে জা হো-জো হো খুইলেন খংনা মতোম পি পিনো হৈগোং কনা পো মুন কোম গুই জে।

(খ) হো াতংকুম তা জে, নংকি চাংখো মৈলু মৈলু চাংদেওহো গুংচিমা কোন কোন চিম ডিম্বম।

(গ) হো কা খু পো কি, তুলা জোথাও হৈচু হৈলা থাও থাও অনৈ লিকেন খংনা-লননি জে।

(ঘ) তশংলু অনিং পুই শি মাগন গাইহুউলে খোংলম

নংপিং, জা হোও টাংখোং ঙুম কখুগোং নংকিনুইথুই মগু দেও
চুন লেং থেং।
(ঙ) হৈগোং লা-হৈগোংলা পলমল্ল অনুথে হৈগোংলা লে।
হৈগোং কাইমৈ জৌথাও থাও চত্নক থাও হো জৌলিন লো।
হোয়।
১২শুবা জৌদাই কাংলোং লোনলু ইশৈ :—
হে বুইজং দিন ভং-ঙো লিয়েং লম দিনগোং ঙো।
মফি কৈমং লমশো শুদিন অন্নু গেম দিন ঙংঙো কুমৈ
পুই জৌ অলংজৈ, হে কুমৈ নংপু জৌ অংগু জৈয়ে। হোয়।
১৩শুবা ভুনাগানকতু ইশৈ মকোক :
গান :—হুন লো মকু জৌশো কুমৈ পুইজৌ শো
ভূনা :—হুনলে হুই হুনলো হুই .. .. হোয়।
১৪শুবা তকিনকাইলোং লোনলু ইশৈ মকোক :—
হৈ কি দি দেৎ শৈকং অখুই মৈচম লা শি মংজে।
অলম নমথল লোংশো লো কুমৈ নংপু ভুলা মৈতং লুলাগে
১৫শুবা জৌক কাইলোং লোনলু ইশৈ মকোক :—
মাকুলোন লাক দিন বম জে কুমৈ নংপুই জো-ও অংগাং
মৈনা নংজৌক জৌক লুখম লকগে—এ।
১৬শুবা জৌমোন পংপুইলু ইশৈ মকোক :—
জৌখেং, জৌখেং, জৌখেং, খোংলম পুকি লাজৌ
পোনপা জৌলিন লো।
১৭শুবা গোইপী থেংপুই লু ইশৈ মকোক :—
চথু চলি হায় থেংচং পিনো, হৈগোং-খে-ভাহিল' জে
অহো জে। নংনা খে চিং ভহিলং খুই থেংলো।
১৮শুবা চনিফনপুই লু ইশৈ মকোক :—
হৈলু তশং খে হৈলু তুশংখে
হৈদিম দিয়া লুংদিম দিয়া ভুশং জংখে।

১৯শুবা জোৎটৈন থিপুইলু ইশৈ মকোক :—

তি নখা লেম শোলে চহুল নংখা লেম শোলৈ জোলে
পোনপা নংতম তুগুই নংজো শা গুই।

২০শুবা তুনাগান কাইলোংলোনলু ইশৈ মকোক :—

হৈ গেং গেং পানা থোনবনজে হায়রম নমথল
জৈলিন রাগুই জে।

২১শুবা তুনাগান মরেংপুইলু ইশৈ মকোক :—

কুই জা-লে সুকুই জা-লে, অমুই ও ফুমলোন লুকিজা লে-এ।
মমৈগী ছন্দ হোংলকপা মতাং—অপুই
ফুমলোন লুশিম অপুই জো, লিকুন লিলু মরৈ। কুমৈ পুই কতাই
নো-ও কুমৈ পুইলি দো শিম।

২২শুবা মাইরুপোতা মরেংপুইলু ইশৈ মকোক :—

হৈতু পুইনা হৈ শি, হৈ তু পুইনা হৈজু গুইলেন জে,
জোপোন মথু মরোং শা জে। ছন্দ হোংবা :—
লুকা জিপুই শিথু হৈরা মরিংলো, নংপুম চগোংলা-জেএ হৈজা
লে। (মাই মাংলোমদা লেপ্তোকতুনা শকপা) কুমৈ নংপুই
কিজেং জে, খংলু চগল ডাচোং কুজি জে॥

২৩শুবা জোনৈংশৈ মকোক :—

নংকি জোপোন মতে লে। কুমৈ নংপুই কি জো,
শাগুই হৈরাং থাং শাহাং, গুই জে।

২৪শুবা লাকপুইবানজাই ইশৈ মকোক :—

কুমৈ নংপু কাইথো—পানজাই গুংজাই পুযোই,
জাওলো আলম পুই থু।

মতাং অসিদা বানরুমৈগী
ইশৈ জগোয় লোয়রে॥

জগোয়গী ফিজেৎ লৈতেং মরম

নুপাগী ফিজেৎ :—

কোক্তা যন মচিনা শাবা চৈ (চিয়োং) উপকনি মরৈ-পন্না থাওন ওইহনা ওইদগী য়াম্ব্রগা যেক্তা মচিন তাহনগনি শোংনাই শেৎকনি খ্বাংদা খ্বাংয়েৎ অনি লাকনি অমনা শেন্নম অমনা ফৈলাক, শেন্নমনা হান্না লাক্লগা ফৈলাক্লা কোন্ন মথক্তা লাকনি খুবোমদা ফাইদোম য়োমগনী, য়োমলিবা অচুগী মথক্তা খুকম্ভগা তাইনবা খুবোম মথক্তা ফাইকম খুবোম লাকশিন্নবা ফি অচুনা লাকনি নাদা জৈশু য়ানগনি জৈশু অসি জৈপুং হাইবা উচেক মচা অচুগী মশানা শেম্বা য়াম্না ফজবা লৈ মথল অমনি। পামবোমদা গুইপোংবৈ তা, শামু ময়ানা শাবা খুজি হাপকনি, লৈত্রগা পিথ্রাইনা শাবা নাথং খুজি অচু শিগনি ওক্তা গংকম মোইবুংদগী থাংয়গা শাবা লিক শিগনি। তদন তু জুবা অমা শিগনি অমসুং খুত্তা বাংচুক জগোয় থাং পাইগনি।

নুপীগী ফিজেৎ :—

কোক্তা পিথিম উপকনি. পিথিম অসি কজেংলৈ ওম্বা কোইরপ কেংইবা উচেক ফজবা মতুনা লৈ শারগা শেম্বা য়াম্না ফজবা লুহুপনি, লংমু কৈশোইনা বনেক শেৎকনি খ্বাংদা বুংকম খ্বাংলাক ফিনা লাকশিনপনি। থবাক্তা ফাংজে থবাকয়েৎ ফিনা য়েৎকনি ফাংজে হায়বসি ফিনাদা শাংমতুনা ফিনা ওইহনা মখোংদা খোংগমমেইল্লেগী মকুনা য়েৎলুনা শেম্বা জমজম লাওবা য়াম্না ফজবা ফি মথল অমনি। মবুং মৌপা লৈতবা লৈশাবীনা শেৎপা ফংদে, নাদা বৈথিংনেম য়ানগনি, বৈথিংনেম অসি অমুবা অমসুং অঙৌবা মচুনা লাং', রিংগী মওনি লৈ অচুগী মতোন্দা উচেক মতু ফজবা থল্লগা লৈ মচা মচা শারগা য়াম্নে, লেংবা জরাই জরাই লাওনা য়েংবদা য়ামনা ফজে। ওক্তা তদন তু পরেং অচুম্না মথং মনাও নাইনা শিগনি তদন-তু আস য়াম্না তাংবা মুং মথল অমনা শাবা লিক মথল অমনি কপ্নি লমদা ফংবা লিকনো হায়বা ওমদে

করিগুম্বা মত্তমদা য়োল্লকুনা কংদি কংই য়াম্না তাংনা কংই মক অচৌবনা মমল তাংই মচানা মমল তাই মক অচৌবদি তেনগ্রবা পরেং অমদা লুপা ৩০০ নত্রগা চহুমগী মথক্তনি। হৌজিক্তি মসিগী লিক অসি য়োনবা শুকউবু উখিদ্রে। থুজি বানতেংতা, তহু নাথং অহুম অসিনা পুল্লগা শি পিথ্রাইনা শাবা ডাক্তনি, পামবোমদা অমা খুজেংদা অমা মথক্তা মখোল থোক্লবা শিবা অমা, মখোল থোক্লবা শিবা খুজি অহুবু তহু হায়না কৌ।

কবুই নাগাগী ফিজোল অসি মথল অনি থোকই, তমদা লৈবগী ফিজোল চৌংদা লৈবগী ফিজোল অসুম হায়না চৌংগী ফিজোল চুপীগীদি থোইদোকপা খেয়দে, নুপাগীদা খরা খেয়ে।

নুপাগী ফিজেৎ :—

শেংনবা ফি, থি-নাইনা শেংকনি অমুবা ফিদা লিকোলনা পরেং অনি লেংই ময়ায়দা অমা মত্তাংদা অমা লেংং। খাওনসু লংশেম কৌই লংহিং অঙোবা লংখাই অমমমনা ওই, য়েং কারল য়ানগনী খুবোমদা য়াম ঈশিং তোংলগা তৈগনি অহুগা ময়েক থোকহনগনি খুবোম মথক্তা খুকউগা তানবা মফমদা ফাইশং লিনা রিং মগুং মাল্লা শাবা চবুন অমা শিগনি, ঙক্তা গংকম মোইবুং মগুং অনিনা শাবা লিক শিগনি, তুংলোমদা মোইবুং ৩থাগী লিক অমা য়াওগনি, মাংদা কংপোন তু লিক অমুবা লকোইগী মক অমুবা অহুনা শাবা লিক পরেং শিগনি অরৈবনা তদন-তুসু শি, নাদা লশিং নৈ চিনগনি কোক্তা গু-পিকম পৈয়া পাক্লা শিরগা ফন্দোকুনা শাবা চিরোং উপকনি। পাম্বোমদা গুইপোং নৈ তা, শামু ময়ানা শানা খুজি শিগনি, মখোয়গী জগোয়দি থাং পাইদে।

হায়রিবা জগোয়গী ফিজেন অসি নত্তনা সাধারণ ওইনা চংনবিগী ফিজেন কয়ামকমসু নৈ, অহুলনা ইন্নবা ফিবু খরমকৈ মীয়ায়-না ইন্নবা ফিবু মশিনকৈ, পাগংনা ইন্নবা ফিবু কৈডাও, পাখং মচানা

ইমবা কিবু ময়েপন্দ, থেনকৈ অত্তাংনা ইমবা কিবু শিনৈনেক হাক্কনা মশক মচু ময়েক তোঙান তোঙান্না লৈরি। নুপীশিংনা শংজিল কৈ-শোই, নাই লেংশিনকেসোই অসিনচিংবা।

কবুই নাগাগী কিজেং কিয়োলদা শিজিন্নবা ইন্দ্রোইদরি মমিং ময়েকশিং :—

হুয়ান কাইপাই কৌনত লোন শোকটৈ, হু ভরিনা চোয়তোন, লাবান, মন্নিমৈপুই, হু বুংভিং, পেও, হু নথোই, চেশি, কৈতোন হু, অসিনচিংবা ময়েকশিং অসিনা লোন্দুনা থোকহনবা ইন্দ্রোইদরিনি।

জগোয় ইশৈশিংদা শিজিন্নবা যন্ত্র :—

জগোয় ইশৈগী যন্ত্র অসি পুংজাও (থোং) শেনবুং (শেনমু) করতাল (শেনখোং) পেনা (লা) খোংনবা যন মচিনা শাবা যন্ত্র (গোঃচৈ) মন্তা অসি চংই ।

জগোয় শাবগী মওং (টেকনিক)

চপলাসকী জগোয় নুপীগী :—

কনাগুম্বীনা জগোয় অসি শাবদা মথুং থাজংপা হৌরে হায়বগী-দমক্তা লেক্তা থাঙ্গ-লগা শাই, মসিনা টেকনিকতদি য়াদবনিদ্রা ঐহাকী মতম থাজংলিবা খুং অসি য়ামদ্রবদা ইশাগী না কাওবা থাংনা থাজংকদবনি হায়না শেমদোক্টৈ। খোংগী শাথেক্তা কনাগুম্বীনা য়েংনা থাংলগা ওইগী খোংনা য়েংকী খুমিং ময়াদা পুরক্নুনা চপ চপ লেপ্পরগা শায় মাচু ঐহাকী মততা য়েংকী খোংনা থাংদোক্নবা মতমদা ঐহাকী হকচাংশু তঙ্খাই অমা য়েংতা লৈখোক্লগা পুর-কদবনি। অদুগা ওইগী খোংশু থাংজিল্লকপা মতম খুদোল অচু মাংদা পুশিল্লগা হল্লকপা মতমদা য়েংকী খুমিং মরাদা ওইগী খুদোল অচু য়োরকপা মতমদা ওই অমতুং য়েংকী খুদোল অনিমক চপ মান্না খুনিং ইনথংলগা য়েংতগী ইওরোমদা হকচাং অচু লৈয়ন্মীবা মকম

অহুদগী ভঙথাই অমা লৈথোরকদবনি, মতৌ অসুম্না ওইনা অমুক খাংবা মতমদদ্ম য়েংনা তৌগদবনি।

চপালাম জগোয় মুপাগী ঃ—

কনাগুম্বনা চোংবা হৌনৈ হায়রবগীনম্মক্তা পংচোং চোংহুনা শাই খোংনা কদাই মপাদা থাঙ্গৎকদগে খুৎনা কদাইফাও য়াংনা থাঙ্গৎকদগে হক-চানা কদাইফাংবা ফমংচগে হায়বা করি অমত্তা থংদনা পংচোং চোংই। মতু ঐহাক্কী মততা অহানবদা চোংখোকখিবা খোং অহু কৈ নমতুনা চোংখোকনি থাংজিল্লকইবা খোং অহুনা য়ামত্রবদা খুবোম মমা ফাওবা য়াংনা থাঙ্গৎলগা খুৎনা মাই মপা ফাওবা য়াংনা থাঙ্গৎলগা চোংগনি, মতৌ অসুম্না ওই-য়েং অনিমক অহুগা চপ মান্নমা পুগদবনি।

মখোম লাম

মখোম লাম মওং ঃ—

কনাগুম্বীনা মখোম লাম শাবদা মখোং ফাক্তোক্লগা শাই টেক-নিকতা মতু অকায়বা অমা লৈংনা ঐহাক্না মওং থরা হোংদোকচে।

মখোম লামগী ফজবা শাথেক অসি শাগ্রকপা মতমদা নিং থম্না ইনব ওই করি ওই তৌবহুদা ফজবনি মতাং অসিদা খোং ফাক তোক্লগা ইনবুদি হকচাং অহুনা হুন্দুনা চোংলকপদা খোংগী খুদোল ওইদগী য়েং য়েক্তুগী ওই লৈহুনা ফাক্তোতনা খুমিৎ মমাদা পুশিল্লগা খিংতা ইন্নমলবদি টেকনিকেলগী নিয়ম মতুংইন্না ফজবা পোজ অমা থোরকই। মতৌ অসুম্না মুপাগীসু অতুম হায়না মওং চপ মান্নমা শাগ-দবনি। মুপাগী খু না য়ামদ্রবদা ইশাগী কোক ফাওবা য়াংনা থাঙ্গৎ-ভুনা শাগদবনি।

শ্রীঅবুংবম কবুই
২৪।৯।৭১

সংকীর্ত্তনগী ঈশৈ

(ওক্টোবর ২৬ অমুক)

সঙ্গীত শেমখিবা অমসুং হৌরকপগী মরম—

ত্রৈলোকৈশ্বর্য্যযুক্তেন বিনোদায় বিড়ৌজসা।

সঙ্গীত প্রার্থিতো বেদাদ্বিধিঃ প্রাদুরভাবয়ৎ ॥ বায়ুঃ পুরাণ

মহোল অহুম্মক্তা (স্বর্গ, মর্ত্ত্য, পাতাল) ইকাইখুম্নমকম ওইবা গুণ (ঐশ্বর্য্য) না তিল্লবা ইন্দ্রগী পেন্নবগীদমক মানা হায়জবা মতুংইন্না ব্রহ্মানা বেদদগী লৌতুনা সঙ্গীত হায়বা অসি শেমখি।

পুরা চতুর্ণাং বেদানাং সারমাকৃষ্য পদ্মভূঃ।

ইদন্তু পঞ্চমং বেদং সঙ্গীতাখ্যমকল্পয়ৎ ॥ সঙ্গীত সার

মমাঙৈগুদা ব্রহ্মানা বেদ ৪ (ঋগ্, সাম, যজু, অথর্ব্ব) মকী মচি ওইবমখৈ লৌখত্তুনা 'সঙ্গীত' হায়না খঙনবা মঙাশুবা বেদ অমা শেমখি।

করম্বদগী করি লৌখিবগে হায়রবু—

ঋগ্‌ভ্যোঃ পাঠামভূদ্‌গীতং সামভ্যঃ সমপদ্যতে।

যজুর্ভ্যোঽভিনয়া জাতা রসাশ্চাথর্ব্বণা স্মৃতাঃ ॥ সঙ্গীতসার

ঋগ্‌বেদগী মাঙাঙগী শরুক, সামবেদদগী ঈশৈগী শরুক, যজুর্বেদদগী খুৎ-শা হাইহুম্বনচিংবা পূম্বনা পুক্নীংদা লৈবা ভাবপু ফোংদোক্নবগী (অভিনয়গী) শরুক অমসুং অথর্ব্ববেদদগীমা রসগী শরুক লৌখি।

অমুক্তসু সঙ্গীতপু অস্থুম্না খঙনরি—

গীত বাদিত্র নৃত্যানাং ত্রয়ং সঙ্গীত মুচ্যতে।

গীতস্যাত্র প্রধানত্বাত্তৎ সঙ্গীতমিতীরিতম্ ॥ সঙ্গীত পারিঃ

পুং ঈশৈ-জগোই অহুম অসি পুল্লগা সঙ্গীত কৌই। ঈশৈনা মপুং—অথোইবা ওইবনা সঙ্গীত হায়না অস্থুম কৌনরে।

সঙ্গীত মথল অনিথোক্লা থায়দোকলি—

মার্গ দেশীয় ভেদেন দ্বিধা সঙ্গীতমুচ্যতে।
বেধা মার্গাখ্য সঙ্গীতং ভরতায়া ব্রবীৎস্বয়ং॥
ব্রহ্মনোঽধীত্য ভরতঃ সঙ্গীতং মার্গ সংজ্ঞিতম্।
অপ্সরোভিশ্চ গন্ধর্বৈঃ শম্ভোরগ্রে প্রযুক্তবান্॥

মার্গ-দেশী হায়না সঙ্গীত মথল অনি থোকই। ব্রহ্মা মশামক্লা ভরততা তম্বীখিবা 'মার্গ' সঙ্গীতপু মার্গী হায়না খঙনৈ। ভরতনা মদুবু অপ্সরা অমসুং গন্ধর্বশিংগা লোযননা মহাদেবগী মাঙদা উৎখি। দেশী হায়বা সঙ্গীত অসিদি দেশ দেশকী ভোঙাইয়ে।

করম্না সংকীর্ত্তনগী মূর্ত্তি শাগৎখি—

শ্রীগৌরাঙ্গ মহাপ্রভুগী মন, বুদ্ধি, চিৎ, ইন্দ্রি অমসুং প্রাণ মখোয় মগা অসিদগী সংকীর্ত্তন মূর্ত্তি পোকখি।

'মন'দগী শ্রীনিবাসকী মশক ওইহনা ঈশৈ হল্লি, 'বুদ্ধি' দগী অদ্বৈত ওইহনা পুংযৈ অমসুং গোবিন্দনা তুংইল্লি, 'ইন্দ্রি'দগী মুরারীনা পালা ওইয়ে, 'প্রাণ' দগী মুকুন্দনা মুহার ওইবে। 'চিৎ'তগী নিত্যানন্দ ওইহনা ভাবক মকোক ওইরে। অসুম্না সংকীর্ত্তনগী মূর্ত্তি শাহনা শন্দোকখি।

সংকীর্ত্তনগী গুণ অমসুং কান্নবা—শ্রীমদ্ভাগবতে—

কৃষ্ণবর্ণং ত্বিষাকৃষ্ণং সাঙ্গোপাঙ্গাস্ত্র পার্ষদং।
যজ্ঞৈঃ সংকীর্ত্তন প্রায়ৈর্যজন্তি হি সুমেধসঃ॥

শ্যামসুন্দর ওইরম্বা কৃষ্ণনা সনাদগী হেম্না ফজবা কুচু লৌহনা অঙ্গ-নিত্যানন্দ, উপাঙ্গ—অদ্বৈত, অস্ত্র—হরিনাম, পার্ষদ—গোবিন্দ গদাধরনচিংবগা লোয়নননা যজ্ঞগী পোৎচঙ পুন্নমক সংকীর্ত্তননা ওইহনা ঈশ্বরবু অৱেপ্পনি হায়না মহা পণ্ডিতশিংনা পূজা তৌরি।

শ্রীমদ্ভাগবতে—

সত্যে যদ্ধ্যায়তে বিষ্ণুং ত্রেতায়াং যজতোমখৈঃ
দ্বাপরে পরিচর্য্যায়াং কলৌতদ্ধরি কীর্ত্তনাৎ ॥ চৈঃভাঃ

সত্যযুগতা ধ্যাননা জীবশিংনা মুক্তি ফংই, ত্রেতদা যজ্ঞনা ওই, দ্বাপরদা পূজানা ওই, কলিযুগতদি হরি সংকীর্ত্তননা ওইরি। মরম অসিনা মথক্কী যুগশিংদা ওইখ্রিবা ধ্যান, যজ্ঞ, পূজানা ফংলিবা কামবা ফলশিং অসি পুম্না কলিযুগকী সংকীর্ত্তন অসিদা তিন্দুনা লৈব্রে।

হরের্নাম হরের্নাম হরের্নামৈব কেবলং।
কলৌ নাস্ত্যেব নাস্ত্যেব নাস্ত্যেব গতিরন্যথা ॥

হরিনামতনা অরেপ্পনি ও। কলি যুগতা হরিনাম শোনবা মত্তনা অতোপ্পা উপায় অমা লৈত্রবনি।

হরিনাম সংকীর্ত্তন হায়বা অসি ২ থোকই—সংখ্যাকীর্ত্তন অমসুং উচ্চঃ কীর্ত্তন। উচ্চঃ কীর্ত্তনগী মরমদা শ্রীশ্রীচৈতন্য ভাগবতকী আদি খণ্ড, অধ্যায় ১৪শুবা য়েংকম থোকই।

খোঞ্জেল রাংনা হৌনা কীর্ত্তন তৌবনা খোঞ্জেল থোক্তনা কীর্ত্তন তৌবদগী গুণ চামা হেল্লি। মী তাহন্দনা শোনবা নাম কীর্ত্তনদি মশা মথন্তু শেংলগা হায়বদি লাল্লগা তোকই, উচ্চকীর্ত্তনদি তারিবা জীব শা-উচেক নাকোঙ পাত্রবা, তাবগী উপায় লৈত্রবা উ-রা নাপী-শীংবী-নচিংবসু সংকীর্ত্তনগী ধ্বনিনা য়েবদা পুন্নমক শেংই অমসুং লান্নরি। মরম অসিদগী জগৎকী গুরু শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য মহাপ্রভুনা উচ্চসংকীর্ত্তন তৌবী-খিবনি। লাই পুন্নমক্না ফংঙমদ্রবা শ্রীকৃষ্ণনাম সংকীর্ত্তনদগী শ্রীকৃষ্ণগী শুদ্ধপ্রেম থোরকই, শ্রীশ্রীরাধাগোবিন্দ-যুগল কিশোরগী চরণদা প্রেম সেবা ফংনৈ। অসিগুম্বা সংকীর্ত্তন অসি পুং-করতাল, রাগ-রাগিণী, তাল, চোলোমনচিংবা অসিনা পুল্লগা মূর্ত্তি ওইবনি।

সঙ্গীতরাগ—

যোহয়ং ধ্বনি বিশেষস্তু স্বরবর্ণবিভূষিতঃ।
রঞ্জকো জনচিত্তানাং স রাগঃ কথিতো বুধৈঃ ॥

স্বরবর্ণনা লৈতেংবা, মীগী পুক্নীং হুমবগী মশক ওইবা থোইদোকপা খোন্থোক অদুবু পণ্ডিতশিংনা 'রাগঃ' হায়না কৌনৈ।

স্বর্গে মর্ত্ত্যেচ পাতালে তত্রৈষাং প্রচারণা॥

ভারতে যেচ ভূভাগাঃ পারম্পর্য্যোপদেশতঃ॥

রাগাঃ ষড়থ রাগিণ্যঃ ষট্‌ত্রিংশৎ খ্যাতিমাগতাঃ

হুঙ্কার প্রসবাঃ সর্ব্বে যথা বেদেতু ওমিতি॥

স্বর্গ, মর্ত্ত্য, পাতালদসু মসি শন্দোকখি। [সঙ্গীত সার] মুনিশিংনা তাকপিরম্বা মতুংইন্না ভারতবর্ষ হায়রবা লমদমদা রাগপুরুষ ৬, রাগিণী ৩৬নি হায়না শীংথানৈ। রাগ হায়রবা অসি হুঙ্কারদগী থোকখি, বেদনা মসিবু 'ওম' হায়না খণ্ডনৈ।

অসুম্না মথক্কী রাগ ৬ অমসুং রাগিণী ৩৬কী মওং অসি 'পঞ্চমসার সংহিতা'গী মতকসু চুননা মণিপুরদসু নটপালাগী রাগ-রাগিণী অসি, রাগ হৈবা লৈখিদ্রবা ওজা অখাম রসানন্দনা শেম্বিরম্মী।

হা রী তেনাদি বর্ণাস্তু প্রোথাপ্যন্তে শনৈঃ শনৈঃ।

প্রথমে রঙ্গলায়াং গীয়তে গান কোবিদৈঃ॥

মসিগী শকপশিংনা মাওবনচিংবা কুম্থৈ মক্কমদা হা, রী, তে, না হায়রবা বর্ণশিং অসি অহানবদা হন্না হন্না শন্দবনি।

'হা' বর্ণনা গণেশ, 'রী'না কৃষ্ণ, 'তে'না ব্রহ্মা অমসুং 'না' বর্ণনা শিবগী মশক্নি। মণিপুরগী ওজাশিংনা মসুম হায়নদি খণ্ডনদ্রবসু 'তা-রী-ত-না'গী আলাপতি চৎনরি।

সঙ্গীত-দামোদরনা হায়রি—রাগ পুরুষনা ৬, রাগিণীনা ৩০ নি।

রাগ-পুরুষ ৬ অদুগী মমিংদি—ভৈরব, বসন্ত, মালব, কৌশিক, শ্রীরাগ মেঘরাগ অমসুং নট-নারায়ণ।

রাগিণীশিংদি—ভৈরবী, কৌশিকী, ভাষা, বেলাবলী অমসুং বঙ্গালী ৫ অসি ভৈরবকী রাগিণীনি।

আন্দোলিতা, দেশাখ্যা, লোলা, প্রথম মঞ্জরী, মল্লারী—৫ অসিনা বসন্তগী রাগিণীনি।

গৌরী, গুণকরী বরাড়ী, ক্ষমাবতী, কর্ণাটী ৫ অসিনা মালব কৌশিকগী রাগিণীনি।

গান্ধারী, দেবগান্ধারী, মালবতী, শাবরী, রামকেরী—৫ অসিনা শ্রীরাগগী রাগিণীনি।

ললিতা, মানসী, গৌরী, নাটী, দেবকিরী—৫ অসিনা মেঘরাগগী রাগিণীনি।

তারামণি, আভেরী, কামোদী, গুজ্জরী, অমসুং ককুভা—৫ অসিনা নট-নারায়ণগী রাগিণীনি।

অদুবু শ্রীনারদনা লেংবা 'পঞ্চম-সার' সংহিতাদদি রাগপুরুষ ৬ অমসুং রাগিনী ৩৬ নি হায়। রাগ পুরুষ ৬ কী মমিংদি—মালব, মল্লার, শ্রীরাগ, বসন্ত, হিল্লোল অমসুং কর্ণাট।

রাগিণী—

মালব—ধানসী, মালসী, রামকেরী, সিন্ধুড়া, আশাবরী অমসুং ভৈরবী।

মল্লার—বেলাবলী, পুরবী, কানড়া, মাধবী, কোড়া, অমসুং কেদারিকা।

শ্রীরাগ—বেলোয়ারী (বল্লারী), গৌড়ী গান্ধারী, সুভগা, কৌমারী, বৈরাগী।

বসন্ত—তোড়ী, পঞ্চমী, ললিতা, পঠমঞ্জরী, গুর্জ্জরী, অমসুং বিভাষা।

হিল্লোল—মায়ুরী, (মালবী), দীপিকা, দেশকারী, পাহিড়া, বরাড়ী, মারহট্টী।

কর্ণাট—নাটিকা, ভূপালী, রামকেরী গড়া কামোদী, কল্যানী।

শিবশক্তিময়ো রাগঃ পরপ্রেম রসার্ণবঃ।
যস্য শ্রবণমাত্রেন বিষ্ণুরাদ্রবিতোঽভবৎ॥

রাগ হায়বা অসি শিবদুর্গাগী মশক্তি। অথোইবা প্রেমরসগী সমুদ্রনি। মসি তাব খুদক্তা বিষ্ণুনা মরী ওইনা চেংথোকখি।

নারদ সংহিতায়া—

হুঙ্কারাৎ প্রসবশ্চৈব যথা বেদস্য ওমিতি।
তাশব্দেনোচ্যতে গৌরী না শব্দেনোচ্যতে হরঃ॥
তানেতি শব্দ হুঙ্কারাৎ প্রোত্থাপ্যতে শনৈঃ শনৈঃ॥

হুঙ্কার শব্দদগী ওঙ্কারগী মশক শুইবা বেদ অসি কোংদোকই, অদুগুম্বা হুঙ্কারদগী তা-না-নচিংবা শব্দশিংসি তপ্পা তপ্পা থোরকই। তা শব্দনা গৌরী (দুর্গা), না শব্দনা হর (মহাদেব) নি।

অত্রচ—

আকারেণ হরিঃ প্রোক্তো রিকারেণ পিতামহঃ।
আ-তা-না-রীতি শব্দেন সর্ব্বেষামেব সম্ভবঃ॥

'আ' শব্দনা হরি, রি-শব্দনা ব্রহ্মা ওই। মতৌ অসুম্না আ-তা-না-রী শব্দশিং অসিনা 'হর' নচিংবা লাইশিংসি কোংদোকই।

অসিগুম্বা রাগ, রাগিণীশিংগী বেশ, বাহন, পূকচেন, রাখল পুরমক অসি সঙ্গীত মঞ্জরী, দামোদরনচিংবা লাইরিকতা, নাদ স্বরনচিংবগী মরম অসি সমুদ্রদগী হন্না চাউখ্রবা স্বরস্বতীমক্না তুম্বাগা লোয়নবা যন্ত্র (বীণা) কোন্দুনা লৈ হায়রি। মরমদি নাদ-নচিংবা সঙ্গীতকী সমুদ্রদা রূপখি-গনি হায়রবগী কিন্নুনা।

শ্রীশ্রীগৌরাঙ্গ মহাপ্রভুগী হরিসংকীর্ত্তননা প্রধান ওইবদগী শ্রীগৌ-রাঙ্গপ্রভুগী মত-দদি রাগ-রাগিণী হায়বা অসি সঙ্গীত-বেদগী মতকা থন্না থেন্নরে। রাগ হায়বা অসি নবাক্ষরনি অমসুং শ্রীঅঙ্গনি হায়রি। মত্তুদি—তা (১), রি (২), তা (৩), না ৪), রি (৫), তা (৬), না (৭), তা (৮), না ৯) অসিনি। মরম অসি থক্তনা রাগসঞ্চার তৌগনি। মখেক ৯ অসিনা মহাপ্রভুগী শ্রীঅঙ্গ নিরূপণ তৌগনি।

(১) তা-না থবাকনি, (২) রি-না খোয়দৌনি, (৩) তা-না খ্বাঙনি, (৪) না-খোঙনি, (৫) রি-না পাম্বোমনি, (৬) তা-না কোকনি,

(৭) না-না মিংনি অমসুং নাকোওনি, (৮) তা-মা নাজোননি, (৯) না-না মায়নি।

সঞ্চার—হায়বা অসি প্রভুগী থরায় ৫ নি। রাগ, রাগিণী মশক খঙনা শকলবদি গৌরাঙ্গ প্রভুগী পঞ্চপ্রাণ অমসুং পঞ্চরস অসি থোরকই। পঞ্চ ৫ হায়বদি ১। মন, ২। বুদ্ধি, ৩। চিৎ, ৪। ইন্দ্রি, ৫। প্রাণ —অসিবু পঞ্চাঙ্গ কৌই।

প্রভুগী মন ওইবা শ্রীবাসনা ঈশৈহল্লে, বুদ্ধিগী মশক ওইবা শ্রীঅদ্বৈতনা পুং-য়ৈ, গোবিন্দনা তুং ইল্লি, ইন্দ্রিগী মশক ওইবা মুরারিনা খোম্বাংলে, প্রাণগী মশক ওইবা মুকুন্দনা হুগার ওইরে। প্রভুগী চিত্তগী মশক ওইবা শ্রীনিত্যানন্দনা ভাবক কী মশক ওই। হায়রিবা নিয়ম অসি শ্রীগৌরাঙ্গ মহাপ্রভুগী মতনি।

পুংগী লক্ষণদি ইজারে। করতালগী লক্ষণদি মহাপ্রভুগী মত-তদি করম তৌনা ওইখিবগে হায়বদা—শ্রীকৃষ্ণনা তিনব হুংগী মতমদা হায়খি—হে রাধে, ইবেম্মা নহাক অসে কৃষ্ণ ঐগী হৃদিদা থমগেকো। শ্রীরাধিকানা নিজপ্রাণনাথ শ্রীকৃষ্ণ-া হংগংখি—হে ইবুংঙো, নঙগী হৃদিদা থম্বীমুনা লৈজবা মতমদা রাধা ঐনা ইবুংঙোগী নাম বু শোঙগে—করতাল ওইনা। মরম অসিনা করতাল হায়বা অসি শ্রীরাধিকাগী মদনমন্দিরনি—হায়বদি বক্ষনি।

করতালগী মচুদি সনাগী মচুনি, মখোলনা ইবেম্মগী খোঙেললনি। করতাল পায়বা মতমদা গোপীগী মশক ওংহনা হরিনাম অহুমক শোঙগা পায়গদবনি। করতালগী মরীদি শ্রীমতী রাধিকাগী বেণী-নি। অসি খঙনা করতাল খীংগদবনি ।

নিতি লীলারস (অষ্টকাল)

কুঞ্জাৎ গোষ্ঠং প্রবিশতি নিশান্তে কুরুতে দোহনাশনাদ্যাঃ
প্রাতঃ সায়ঞ্চলীলাং বিহরতি সখীভিঃ সঙ্গবে চারয়ণ্‌গাঃ।

মধ্যাহ্নে চাথ নকুং বিলসতি বিপিনে রাধারাদ্ধাপরাহ্নে
গোষ্ঠে যাতি রময়তি সুহৃদ্ বঃ স কৃষ্ণ অবতারঃ ॥

লীলারস অসিগী মনুংদা রাধাকৃষ্ণগী সম্ভোগরস অসি পশুবৃত্তি শৃঙ্গার-রস নত্তে। মরমদি—শ্রীকৃষ্ণগী আহ্লাদিনী শক্তি অসি ইবেম্মতদা লৈবনি, মসিদা দর্শন, আলিঙ্গন, চুম্বন-নচিংবা কামক্রীড়াগী মশক ওইনা উইদি হ'য়বনু পশুবৎ সম্মিলন লৈতে। উজ্জল নীলমণিদা 'দর্শনালিঙ্গনাদীনামানুকুল্যান্নিষেবয়া। যুনোরুল্লাসমারোহন্‌ভাব সম্ভোগ ঈর্য্যতে ॥

গোপিশিংদি শ্রীমতী রাধিকাগী কায়বূহনি। কান্তা রাসা নত্তনদি কান্তারস, বৈচিত্রী-রস অসি থোকপ' য়াদে কায়বগীদমক হ্লাদিনী শক্তিগী মশী' য়ামহনবনি। শ্রীকৃষ্ণগী কান্তা গোপীশিং অসি শ্রীমতীরাধিকাগী কায়ব্যূহমক্তনি। শ্রীমতীরাধিকানা প্রেম-কল্পলতানি অদুগা ব্রজদেবী-শিংনা মশামকেং অমসুং মনানি। রাধাগী স্বরূপ তি কৃষ্ণপ্রেমলতানি। রাধাকৃষ্ণ অনিমক্তু অভেদ জ্ঞান তৌগনি।

হরিনাম দীপিকা—'হে রাম মাং রময়সি যস্মিন্ পুরুষান্নিতাম করোসি।' হে ইবুংঙো, নহাকনা ঐগা লোযননা শান্নবিবা মতমদা ঐবুসু পুরুষ ওইহনবীথ্রবনি (হরিনামগী ৪ শুবা 'রাম' গী অর্থনি।)

শ্রীগৌরাঙ্গনা বৈরাগ্য ওইরবা মতুংদা ব্রজ-রস রাসলীলাবু আশা তৌবা অমসুং নির্গুণ ওইবা শুকদেবনা রাসবু আস্বাদন তৌবা অসি পশুবৃত্তি শৃঙ্গার রসসি রাধা-কৃষ্ণগী মরক্তা লৈরবদি করমনা রাসগী আশা তৌগদগে ? মরম অসিনা হে মীওইবা, সম্ভোগকী অর্থদা রাধা-কৃষ্ণগী মরীদা পাপ বুদ্ধি হাপকনুসি।

জটিল মঙ্গল—'রাধ'য়া' মহিম্নাং বক্তুম্ কো অর্হতি। প্রথমে পরমেশ্বরেন তদীয় হ্লাদিনী শক্তি সা বিভাগা মূর্ত্তিমান ভবতি। তং মধুর লাবনী সৌন্দর্য্যাদিভি ভগবন্মনসাহং হৃৎবা চমৎকারী তত্র কান্তের সহ বিহরতি। যৎ কস্তেন নব নব রসেনাধিক্যাধিক উল্লাসং। দৃষ্টানা উল্লাসমধিকাৎ তস্মিন্ নিজাংশাচ্চন্দ্রাবল্যাদাঃ প্রকটিতঃ ॥

ইবেম্মা শ্রীমতী রাধিকাগী মহিমাবু কনানা শীংথাহ্নবা লোইগনি। অহানবদা পরমেশ্বরনা মহাক্কী হ্লাদিনী শক্তিদগী থাইদোক্লনা ইবেম্মা মাগী শ্রীমূর্ত্তি থোকখি। অতুদগী নীংথিনা ফজবা সুংশিরনচিংবা ভগবানগী নীংবদগী থোকপা গুণ পূম্নমক হাপখিহ্নবা ওইখ্রিবী, অওকপা শকলোন পূরী ওইনা মবুংঙোগা শাম্নমিন্নখি। মবুংঙোগী অনৌ অনৌবা রসনা মথং মথং অসুম হেনগৎলকপনা ইবেম্মা মাগী খোঁরাংনা পাম্বা অদু হেনগৎননবগীদমক মশাগী অংশদগী চন্দাবলীনচিংবী গোপী পূম্নমক মথং মথং থোকখ্রিবনি।

অসুম্না মশানা মশাদা তিনখিববু সম্ভোগ কৌই। অসুম্বা সম্ভোগ-রসগী ঈশৈ শকলকপা মতমদা কনাগুম্বনা হায়নৈ খুরুম্বা হৌনদে হায়না। হায়নরিবা রাখল অসি পাপকী রাখল ওইগদমাল্লে; খুরুম্বা চঙবা য়াগনি। ভজনমার্গ পম্বেংনি হায়নীংই।

মুরলী হরণ

সম্ভোগ রসলীলাগী অরোইবদা রাকববগী তুংদা শ্রীকৃষ্ণনা তম্রা ঙাইহাক্তুং, নয়ন য়াওনা চেপনীংবা মওঙ অমা লাকখি। ইবেম্মনা মবুংঙোগী মাইথোং থম্বালবু পুংখান ওইনা অমুক্তসু যংজবা ওয়ক্তিব্রবদা খুদোংচাবা ফংলতুনা য়েংবগী পেনবা নাইবরোইদবা মবুংঙোগী চঙখোনবা শকফম "পূম্ববু চেপ্লিভৈদা মুম্না য়েংজহৌই। অসুম অসুম য়েংলকপদা, খুত্থম চেৎনা পাররম্বা, চৎপা, চাবা তুম্বা—মতম পূম্নমক্তা থাদোকপা লৈত্রবা মুরলী কোমগোমনা লৈরম্বদু উরুরে। মুরলীগী মরাইবক ফববু খল্লতুনা ইবেম্মনা হায়রকই—হে মুবলী! করি পুণ্য তৌরগুনা রা-মক ওইনা পোক্লবসু ঐগী ইবুংঙোগী চুম্বন ফংলববনোকো। নহাক্কী খোম্মোক অমনা সমুদ্র ইথক হৌহল্লি, খোম্মোক অমনা যণবী বল্লাউ খে'মজিল্লি, খোম্মোক অমনা ব্রজগোপী 'পূম্ববু গুম্ফৎলি। মপুগী রুপা লৈরবা নহাক্তি তৌপে হায়রবদা ঙমলিদো। ঙসিদি খুদোং চাবা ফংলি-ভৈদা ঐগী ইবুংঙোনা নহাকপু কন্না য়াম্না প্রেম লৈবগে হায়রম্ব

চাং অমুকুং য়েংলগেকো শাউগন্নুকো মুরলী, নমুংঙোগা ঙাইহাক্কং কায়নরোকো।'

অসি হায়রম্বগা তপ্পা তপ্পা শন্তুনা ইবেম্মনা মুরলী লোংশিনখ্রে। মবু ঙৌনা চেপ্‌তবা মতমন্দি ঈকাইথীবী নুপীগী মপোক ওইবনা অরাক্ ওম্না য়েংজবা ফংজদ্রিবী চায়রবী সখীশিংবু কৌশিল্লগা মবুংঙোগী ফজ-রবা মায়থোংবু চেপ্পলিঙৈদা য়েংজহৌসন্ন হায়রবগী মতাগুম লোয়্না লোয়্না রায়রী শানরি। ঙাইহাক্কুংগী মঙুংদা শ্রীকৃষ্ণ লেঙথংলকলে, তথক তথকপা মিংযেংনা কোয়য়েং য়েংই, অমুক হন্দুনা রাখল তৌই—'ঐবু ঙসি কদাই কদাইদা চৎপুররবগে, কদাইদা 'থনম্নবনো'' খুবাংনা তাপতাপ ফুহুনা, চেপ্পস্থা শয্যাদা য়েংই লৈরমদে, রাখল তৌই, কোয়য়েং য়েংই। খঙশিন্নদ্রিবী ইবেম্মনা—করিনো চেপ্পা লেঙথংলকপদা অঙাওবগী পান্দম-গুম তৌখোক্কবা মতৌ অমা তৌবীরিবা অসিবো করিমঙ মঙম্মুহুনা তৌরিবনো?''

রস অসিবু চুপ্‌চরিবা গোবিন্দদাস কবিনা সিদ্ধদেহ ওইনা চঙজর-ক্কুনা মবুংঙোদা জলসেবা কচ্চরি।

শ্রীকৃষ্ণ। (মিৎ-না শিংলবদা) মুরলী কনানা .লৌই।

(সখী মন্নায়া ইঙক ঙক্কা অমগা অমগা য়েংনরকই)

শ্রীমতীরাধিকা—ইবুংঙো ঐখোয়দি লোজদে। ইবুংঙোগী অকংবা রা মতেক অদুবু করি কান্নগনি হায়না লৌকগদগে। সনাবুদ্ধি তৌবিয়ু—ইবুংঙোদি বন বন খূদীং কোয়না লেঙবনি, উখোঙ-রাখোঙ খূদীংদা ইবুংঙোগী পোথাকমনি মরাইবক ফবী কনাগুম্বীদস্থ লেঙবিদো। অরাবা তারবা কনাগুম্বা ননাই ঙক্কুনা থংকৌ কৌরকপদা ননাই কম্নবা থংলোঙ লেঙইদো। খনবিয়ু কদাইদা চীথবীরম্লবগে। ঐখোয়দদি ঙাশিন-বীরকয়ু।

রা অসি তাবদা শ্রীকৃষ্ণনা অমুক রাখল তৌখি। ঐগী বংশীদি ঐগী নৈজবা 'পুরা' মঙোন্দা হাপলিবনি। বশীগা রাধিকাগা ঐঙোন্দদি

চপমাইরে মুরলী-খাওদনা নঙগী রাধা হায়রবী মরেক অনিতা অদুবু করম্না শকলিগে। অহুম্না মুকম মুকম শোল্লকপদা, সখী মরক্তগী তাজবদা রাররবী ললিতানা ইঙ্গিত অমনা মুরলীদি রাধিকাদা লৈরবনি হায়না উৎলকই। ইঙ্গিত অদুগী মতুংইন্না, শ্রীকৃষ্ণনা নীংতম্না ইবেম্মগী সনা হকচাংদা মুরলী থিখি থিবদা ফংখিরে।

মবুংঙোগী, জীবনা ফংমত্রবা খুৎনা শোকপদা পেঙ্গরবী রাধানা থম্মোইমুংদা ছুংঙাইবা লোংলগা, মপাম্হোঙদা হকাইবা উত্তনা মায় লূকথনা হায়রকই, – মমাম্নবী সখী 'পুম্নাবুম্ন ইবেম্মনা ফংলিবা—শ্রীহস্তনা শোকপীবগী মুংঙাইবা অদু ফংজসনু খন্দুনা, 'মুরলীদি ললিতাদা লৈরগা নীংবিরবা মতুংইন্না মীনাঙ-পোমাঙ খায়দনা ইশা 'পুম্না থিবীদুনা ইকাইবা পীবিরিবোইরে।'

রা অসি তাবদা শ্রীকৃষ্ণনা ললিতারোমদা ওনশিন্দুনা খুৎনা হেক শোকপদা 'ঐঙোন্দা লৈতে, বিশাখাদনি।' বিশাখারোমদা ওনশিল্লকপদা চিত্রাদনি, চিত্রাদগী চম্পক-লতা, অদুদগী তুঙ্গ বদ্যা, ইন্দুরেখা, রঙ্গদেবী, সুদেবীদা মথং মথং ওনশিল্লকপদা সখী 'পুম্না মপান্দা চেহোকখ্রে, মাধবী কুঞ্জদা নোক্না নোক্না রারী শাক্তনা লৈথোকখ্রে।

মুরলী ফংত্রদুনা ইবুংঙোতা ঙাইহৌরবদা, ঐগী হৌজীক কনা লৈরি, কৃষ্ণ ঐদি ইত্তোমতনি। শ্রীমতী রাধিকাদা চঙজদনা কনানা নীংবা থুংপদগে খল্লকলে। জীব পুম্বদা শিক্ষা পীবিগে হায়না জগৎকী মবুংঙো শ্রীকৃষ্ণমক্না শ্রীমতীগী নাক্তা লেঙথোরক্তুনা রাধে, ঐগী মুরলী পীরোগবা হায়ররে। মবুংঙোগী অরাবা উবদা মুরলী কৎখ্রে।

অসিগী মথংদা জলকেলী, পাশাখেলানচিংবা লোইরগা গৃহাগমন ওইখ্রে। অহিংগী লুক হায়গা অহিংগী লীলা লাকলে।

প্রেম অমসুং রাগ থম্মোই মপু ফানা লুনা য়োৌশিন্না লুংশিবা ভাবপু 'প্রেম' কৌই। য়াম্না অরাবা তাররবদা, ফাওবা পুক্নীং খজাক হোংদবা অদু 'প্রেম-লক্ষণ'নি। প্রেমনা পরিপাক ওইরগা 'স্নেহ', স্নেহনা পরিপাক ওইরগা মান (সুখময় রস), মাননা পরিপাক ও'রগা

'প্রণয়', প্রণয়না পরিপাক ওইরগা 'রাগ' ওই। রায়া রারবা কাও-বদসু সুংঙাইবনি হায়না লৌবা পুক্নীং খক্তীক কাওবা হোংদবা অদুবু 'রাগ লক্ষণ'নি। রাগ মখল অনি শুই,—সাক্ষাৎ দর্শন অমসুং চিত্রপটে দর্শন। সুংশি মায়থোং উরগা অনৌ অনৌবা রাখল পোকপা, উরবা কাওবদা উত্রিবগুম খনবা পেনবা নাইদবা অদুবু অনুরাগ কৌই।

নায়িকা মখল ৮—১। অভিসারিকা, ২। বাসক সজ্জা, ৩। উৎকন্ঠিতা, ৪। বিপ্রলব্ধা ৫। খণ্ডিতা, ৬। কলহান্তরিতা, ৭। স্বাধীন ভর্তৃকা অমসুং ৮। প্রোষিত ভর্তৃকা।

১। **অভিসারিকা**—মসিগী মখল ৮ নি :—১। তামসী ৩। বর্ষা, ৪। দিবা ৫। কুব্ঝটিকা, ৬। তীর্থ যাত্রা, ৭। উন্মত্তা অমসুং ৮। সঞ্চারা (থাবল ফবদা ১, অমম্বদা ২, নোংচুবিবৈদা ৩, মুংথিলদা ৪, লৈচিল্লক্তা ৫, তীর্থচৎপা ওংনা ৬, উন্মত্তা—মথাইকাহনা মুরলী খোঞ্জেল তাবদা চৎপবু ৭, অমসুং সঞ্চারা—অনঙ্গ-রসদা খাঙবা রাহনা রুমদা তুমিন্না লৈবা ডমদনা পুক্নীংদা লাঙবা, মশাগী ফিজেৎ-লৈতেংজবা ডমদবা—পাম্বোমদা নূপুর, খোঙদা খুজী লাইপক্তা অঞ্জন, চীনবানদা সিন্দুর তৈহনা অঙাওবগুম তৌবা মতৌবু।

২। **বাসক সজ্জা**—মসিগী মখল ৮—১। মোহিনী, ২। জাগর্ত্তিকা, ৩। রোদিতা, ৪। মধ্যোক্তিকা, ৫। সুপ্তিকা, ৬। প্রগল্ভা, ৭। সুরসা, ৮। উদ্দেশা।

১। **মোহিনী**—শয্যা শেমহনা সখীগা লোয়ননা শ্রীকৃষ্ণবু শুম্মাৎকনি হায়না লৈবা।

২। **জাগর্ত্তিকা**—ফিজেৎ লৈতেংহনা অমুক ফম অমুক হোৌগৎ, খোঙজিন্দা অমুক য়েং, তুমদনা ঙাইহনা লৈবা।

৩। **রোদিতা**—খম্মোইদদি নায়ক উন্নগনি হায়না ঙংঙাইরবসু মপান্দদি তে থাহনা কপ্পা।

৪। **মধ্যোক্তিকা**—নিকুঞ্জ-কানন শেংদোকপা, নায়ক লাক্লগা অশুম্না শান্নগনি খন্দুনা, মশান্ন অদুবু শাগৎপা।

৫। **সুপ্তিকা**—লৈগী শয্যাদা হীপনীংলকপগী রাখল, সখী-শিংগা রারী রাতাই শাহুনা সুংঙাইনবা।

৬। **প্রগল্‌ভা**—মতোমদা কুঞ্জদা কমহুনা নায়ক লাকপা ঙাইবা, কিশলয়, বকুলগী শয্যাদা অমসুং দূতিশিংদা চৈবা, পাউ থাবা।

৭। **সুরসা**—ফিজেৎ-লৈতেং, ফম শেমহুনা মন্দিরদা লৈরগা, নায়ক লাকপা থীল্লে খন্দুনা অরায় অথুম তৌনবা।

৮। **উদ্দেশা**—হায়নবা মফমদা চৎলুনা, ফিজেৎ লৈতেংহুনা নায়ক লাক্লবগীদমক সখীবু থাবা মখল মখাগী চান থরবা মবুংঙোগী সেবাগী দমক থমহুনা খোৈরাংনা ঙাইজবা।

৩। **উৎকণ্ঠিতা**

নায়কনা থুনা লাক্ত্রবদা খোৈরা না লম্বীদা য়েংবা, কায়ন-মৈচাক কংহুনা তে'থাবা। চান্নবীশিংনা হৌজিকমক লাক্লগনি চান্নবদো হায়না খেমজিনবা (ভক্তমালা)

লাংতক্লবরবীনা নায়কপু ফংজগদবা কয়া র'ৎলি খন্দুনা মবুংঙোগী লম্বী পাংনা য়েংহুনা লৈবা (রসমঞ্জরী)

উৎকণ্ঠিতা নায়িকা মখল ৮ শুই—১। উনমত্তা, ২। বিকলা, ৩। স্তব্ধা, ৪। চকিতা, ৫। অচেতনা, ৬। সুখোৎকণ্ঠা, ৭। প্রগল্‌ভা, ৮। নির্ব্বন্ধা।

১। **উন্মত্তা**—অঙাওবী পান্দম ওইবা

২। **বিকলা**—নায়ক ঊত্রহুনা সুংঙোনবা, লম্বী পাংনা লাঙ-তক্লনা য়েংবা

৩। **স্তব্ধা**—চুংবঙসররবী ইবেম্মনা নায়ক লাক্ত্রবদা লৈপাক্তা খুজীন্না খোৎপা, ঙাইহাক শয্যাদা হীপথবা, অমুক তমাল য়েংহুনা হৌগত্তুনা চেনবা।

৪। **চকিতা**—ঙকচানবা, ঙাইহাক কায়নগে খনবা, ঙাইহাক তেংথা নাউরোয়বা।

৫। অচেতনা—রাম্বা।

৬। সুখোৎকণ্ঠিতা—মমাংঙৈ শান্নবৈদা ওক্লাৎখিবা খল্লুনা ফুংঙাইবা।

৭। প্রগল্ভা—শয্যা থাদে ক্নুনা ঙাইহাক মপান থোকপা ঙাইহাক রাম্ববা, কপ্পা, ঙা'হাক থোঙথাং মতেক মতেক চৎপ, দূতিগা তত্তনা খৎনয়কপা।

৮। নির্ব্বন্ধা—শয্যাথক্তা নীংবা কায়রহনা অহিংচূপ্পা কপ্তুনা লেনবা। লক্কেত মতুংইন্না ওঙাইকদনা ফমহনা অহিং চূপ্পা কপ্তুনা লেনবা।

৪। বিপ্রলব্ধা—

চান্নবী সখীশিংগী খেমজিনবা রাহৈনা পুক্নীং তপথবা। নায়কনা লাক্কদবা লম্বীদা য়েংহনা লৈবা। ঊনা কেল্লকপা, ঊনা তক্কবা খো-স্থোকপু নায়ক লাকপনি খনবা, দূতি থারুবদা কান্নদনা হল্লকপা, কায়-নবগী রানা অহিং লেল্লবদা লাক্কবগী শাউবা অদুবু 'বিপ্রলব্ধা' কৌই।

বিপ্রলব্ধা মথল ৮—১। নির্ব্বন্ধা, ২। প্রেমমত্তা, ৩। ক্লেশা, ৪। বিনীতা, ৫। নিন্দয়া, ৬। দূতাদরী ৭। প্রখরা, অমসুং ৮। চর্চ্চিতা।

১। নির্ব্বন্ধা—মথক্কী উৎকণ্ঠিতা রসকা অম্মানি।

২। প্রেমমত্তা—ইঙ্গিত মতুংইন্না ফিজেৎ-লৈতেংহনা কপ্পা কপ্পা লেন্দুনা অহিং হৌথ্রবফাও, নোংঙাল্লমদাই ফাও মহৈ রান্দ্রবদা মশাগী মথোক কায়কপবু য়েংজবগা কপচবা।

৩। ক্লেশা—নায়ক লাকপগী অরেপ্পা খঙলবদা সখীদা অরাবগী রাগী শাবা।

৪। বিনীতা—কায়নরবদা অমেঙবা নোল্লুকপা রাহৈনা ওসিদি যমুনাদা চোংথরগে হাযবা।

৫। নিন্দয়া সখীগী মচীন্দগী ওসিদি নায়ক লাক্তে, মীনম্বা ইঙ্গিত লৌকন্দগী অরবম্বনা অহিং লেনগ্রে। লীক কোন খদত্তুনা হুন্দোকলে, লৈবাং পরেং ঈশিংদা হুপ্লেকগ্রে।

৬। প্রথরা—মিংকপ থোক্লগা পি তানা কপ্পুনা লাউনা তেংথাবা।

৭। দূতাধরী—নায়ক লক্লনি হায়বা স্বরদা কাওরক্লনা লুং-ঙাইবা অমুং গুরুজন মিংকপ থাক্লুনা পুনা য়াহৌরক্লগনি খনবা।

৮। চর্চ্চিতা—রাগগী মপুং ফাবা।

৫। খণ্ডিতা

নায়কনা অতোপ্পা নায়িকাগা লৈমিন্নরবা খুদম উবদা অশাউবা রাঙাও অমসুং থৌওইদবা উৎপবু 'খণ্ডিতা' কৌই। মসিগী মখল ৮ গুই মতুদি—১। নিন্দা, ২। ক্রোধা, ৩। ভায়ানকা, ৪। প্রগল্ভা, ৫। মধ্যা, ৬। মুগ্ধা, ৭। রোদিতা, ৮। প্রেমমত্তা।

১। নিন্দা—(ললিতানা ইনশিন্দুনা) নোংঙাল্লকপদা লেঙবি-রকপা ইকাইবীদবরা। শ্রীমুখনা মোমোন নোকপিবা অহুনা ঐগীদি মলস ওইজরে। অহিং লেনবিকরগা মগুণ খঙহনগে হায়না হুজীক্তা লেঙবিরকপা অসিনা মিংকী মৈচাক পীবিবরে, পাম্বোমদা খুজিগী খুদম, লংগু য়াওদনা লেংবা লৈবাংপরেংনা খোই ওইনা ননাইবু থুজনবীরগনু—অসিনচিংবা।

২। ক্রোধা—লেঙবিরো, ঐঙোন্দা রাই চিলহনবীরগনু, থরায় অসি চাকলে, করারকনু চাকহল্লরবনি, মীনম্বা রাঙাও লৈবা।

৩। ভয়ানকা—ইবেম্মগী তাম্বোকপা রাঙাও তাবদা কৃষ্ণনা রাখিবা, চূড়া সমর্পন তৌদুনা দণ্ডবৎ কৎপা। ইবুংঙোগী শ্রীঅঙ্গদা লৈরিবা ওন্ন-তৈনবা খুদম 'পূম্বা পল্লকপদ কৃষ্ণনা নমথাও কীজিনা শ্রীমুখ নাম্বোক্তুনা খাঙবা।

৪। প্রগল্ভা—লেঙবিখরো। উনদ্রগতা অরাবা কোক্লনি হায়না তানবা।

৫। মধ্যা—লাইপক্তা সিন্দুর পকলে, থা মানবা চন্দনগী মরাক্তা মৃগমদ পকলে। মিং অক্তম শুবগুম উরে, ঙসিদি মহাদেব ওইবীরে। অহিংচুপ্পা জাগরণ তৌবগী কল অগুক্তা উজরে। বামনা লাপ্পদা সেবাদু

লৈরসহু। চন্দনগী উফুলনা হকচাংদা তৈবদো, মহাদেবগী মশাদা উংনা লৈত্তেংবা ওইরে। নহাকপু উবদা ঐগী মন্মথ কামদেবসি তুমখরে। করিগী কীগে থোল্লিবা, দিগম্বর ওইগদবনি; নত্রবদি মহাদেবগী নিয়ম কাররে—অসিনচিংবা।

৬। মুগ্ধা—য়ুমদগীনি হায়না ভাওথোকপিরক্লিবা মীনবা মাহু উজরিবা শ্রীঅঙ্গগী খুদম, মাযদা লৈরিবা মাগী খুদমনা প্রমাণ চারে। লেঙবিরো, মহু উবদা ইকাইজরে—অসিনচিংবা।

৭। রোদিতা—অহিংচুপ্পা প্রেমগী দুংভাইবা শেমলুরে, নোংভাল্লবদা হুন্দোকপিরমলে, ময়াল করি লৈহুনা। হে মাধব, ওসিদি নত্তবা থবক তোরে, নীংথিজবী খিবীকী মাভদা ইকাইবা কংলে। লেঙবিরো, লোয়নবী কনানসু মা ভাওলরোই, মায়থোং খুমজিন্দুনা করিগী অমুক লৌনম তৌবিরিবগে।

৮। প্রেমমত্তা—শ্রীকৃষ্ণগী অঙ্গ-কান্তিনা অমম্বদা ভাল্লে; খুজীন থম্বালশিং অতুনা অনৌবা থা ওৎরে। য়াম্না চেকশিন্না মান তৌরিবী অদুবু কৃষ্ণনা মোমোন নোক্কুনা আলিঙ্গন তৌবীরে। মানগী নাপল মাভপ্রে। শ্রীকৃষ্ণগী পুক্নীং থুংলে, অহিং হুংথিন্দা প্রেমনা খুত্থুম চম্বরশিংগী করি বিচার ৈগ়ে।

৬। কলহান্তরিতা—

মানগী মতুংদা অমুক অরাবা ফংলকপদুবু 'কলহান্তরিতা' কৌই। মখল ৮ শুই—১। আগ্রহা, ২। ধীরা, ৩। অধীরা, ৪। কোপনাবতী, ৫। সখুক্তিকা, ৭। সমর্থা অমসুং ৮। মুগ্ধা।

১। আগ্রহা—ইবুংঙোগী মায়থোং থা উত্রে, অমৃতদগী হেন্না থুম্নবা মাভাঙদো তাখিত্রে, খোইসু খোঞ্জেলনা থম্মোই ইরাঙ হোৎরে। হে চান্নবী, করিগী মান চাউহনবগে, প্রেম কায়গনি খল্লুবদা কিহুনা থরার অসি নীক্কুনা লৈরবী ঐনি। সখি! শ্রীকৃষ্ণবু অমুক্তা থেমজিন্নু, মাগী খুৎথম্বালনা শোকপিবদো তোকপ্রগনি; অনৌবা অমৃতগী

রস ওইরকপা অদু ঐত্তোন্দদি হু ওইরগনি। প্রাণনাথকী খুং থম্বালনা লেংবা লীক, লৈরাং পরেং শিবা কংলরোই; লীক-পরেং অদুমক্তা ঐত্তোন্দা লিল ওইনা থোক্লরগনি।

২। **বিকলা**—সখি। কৃষ্ণ হায়বা অসি পুন্নমক্কী চান্নবা ওই-বনি মহৌশানা। প্রেমগী ঊথক খাওবা গুমদরে। কন্বিগী ঐগী কৃষ্ণবু ইত্থোকলুরবনো। কন্নবা মাননা ইতোমতবু চাকহত্তরে। চান্নবী, হৈ-শিংবী! পুন্নমক নঙনা খওবনি। কননবা মরম 'পুম্বা নঙনা শীল্লো, নখোঙদা ঐগী থম্মায় কংলবনি।

৩। **ধীরা কলহান্তরিতা**—হে সখি! ঐগী অথোংবা মান তৌরুহুনা প্রাণনাথবু থোৎওইখিদ্রে, ইখোঙ পায়হুনা হায়জবদা মাদা চিনবা থরোনহুম রৈত্রে, নত্তবা ফত্তবা রাহৈনা তাম্থোকত্রে। পুন্নমক-সিগী ফল ঐনা কংলে। নীংথিবা ফিজেৎ, অহাউবা চানীংবা লৈতে, তুমনীং হীপনীংবা খওদ্রে।

৪। **অধীরা**—নোল্লুকপা রাহৈ কয়ানা হায়জবা, অশাউবনা মম-খিহুনা য়েরুবনি খল্লুরে। চিন্তামণি থাদোক্লগা লীকলি পায়হৌরে। নুপী ওইনা পোকপগী ইতিক চাদরে। ঐগী শিননবগী মরম অদু কন্নবা মাননা শেমত্রে। থম্মোয় কল্লুবনা হুজীক ঐগী উপায় লৈত্রে।

৫। **কোপবতী**—সখীনা হায়—রাখল য়াওদনা মান তৌরুবগী ফল কংলেদো। য়ত্ন থাদোকখ্রগা হু ওইবা মানবু থম্মোইদা থমহৌরে। দুংশিবা রাহৈ কয়ানা হায়জববু শাউগনবা নুপীগী মাননা লিনগী মশক ওইরবে।

৬। **সখ্যুক্তিকা**—হে রাধে! রাত্রিবদো থাদোকলো, নবুংঙো কায়নবগী চাকলিবা মৈ অদো মুত্থৎলো। চঞ্চল ওইবা কৃষ্ণদো অয় হোনবা খুদিংমা নওগী নাম শোল্লিবনি। নওগী থাজ মানবা মায়থোং উবগা থম্মায় হিংহুনা লৈরিবনি।

৭। সমর্থা সখিনা কৃষ্ণদা তাবিয়, পুম্নমক্কী চায়থোইরবা। নহাক্কি য়াম্না হৈশিংবা, পুম্নমক থওবি উবীরিবনি। পাপচেনবীগী প্রেমবু করিগী ইস্থোকপিবগে, রসিক শিরোমণিনি হায়না খল্লে। ইবুংঙো নহাক্কী মরীদা শ্রীমতি রাধিকানা প্রেম কচ্চরবা অসি ওস্থোরা তোন-থ্রে। মা অসি তাবদা শ্রীকৃষ্ণগী থম্মোই ঈরাও লাওলকলে।

৮। মুগ্ধা—অপঙবী নুপী মপোক্কা পে'ক্লবী মানগী মরমসু খঙজদে, প্রেমগী বিলাসসু খঙজদে, থাঙ্গেশেংবা নহাক্কী প্রেম রসতত্ত্ব পামজবীনি। হে মাধব। নঙগী লমচংপু কনানা খঙগনি, মরান লৈজদবীবু করিগী ইস্থোকপিবগে। ইবেম্মা অপঙবীগীদি মায় লুকথ-রগা কপুনা লেপ্পবা, তাংবসু হৈজদবা- করি অমুক হায়গনি, মালতী কৌবী লৈরাংদা থোইমুনা তেংলবা ফাওবদা উত্ৰবী অপঙবীনি।

৭। স্বধীন ভর্তৃকা—

কুঞ্জদা শান্নবা লোইন্নবদা ফিক্কেং লৈতেংবীনবগীদমক শ্রীমতী রাধিকানা শ্রীকৃষ্ণদা খঙহল্লিবা অদবু 'স্বাধীনভর্তৃকা' কৌই।

১। কোপনা, ২। মানিনী, ৩। মুগ্ধা, ৪। মধ্যা, ৫। উক্তকা, ৬। উল্লাসা, ৭। অদ্কুস', ৮। অভিষেকা হায়না মথল ৮ তুই।

১। কোপনা—সখীশংবু যে'লকপদা ইবেম্মবু উরে, হকচাং 'শুম্বা হুমাংনা চেংলে, কবরী নাস্থোকলে। শ্রীকৃষ্ণনা কবরী মুন-শিনবীরে। লাইবক্কা সিন্দুর নয়নদা কাঁজল, খ্বাঙচেং নমথাও, খুজি, তাল, খোঙতোপ্পাচ'বা পুম্নমক হাপ্পিরে।

২। মানিনী—নায়িকাদা মথা পোল্লে হায়বা উরদুনা য়াম্না হৈ-শিংবা রাহৈনা হ'লকপদা মান তৌরিবী নায়িকা অদুনা কিদুনা খজীক ফাওবা থুমলক্কে। মসিদা কৃষ্ণনা হায়রক—মিৎসু থম্বাল মানবী, করিমত্তা চিংনগন, নঙগী নশাদি মহৌশানা কজদুনা লৈরিবনি, ঐনা নীংখিরবা ফিক্কেং অসি শেমলগে।

৩। মুগ্ধা—হে ইবুংঙো, নঙগী অকনবনা পাজল শোনবী ঐবু লকচবিরে। ঐগী চাঁচর-কেশ কাইহল্লে মণিহারগ তংলে, নখযাটনা ঐগী থবাক খোগায়খিরে হে বনয়ারী, শিরীষ কুসুম পরেংসু তংলে।

৪। মধ্যা—মর্য্যাদানা মাঙওইনহুনা রাধাবু হ্নাদিদা থমহুনা শিং-নাম্নি। হে অচানবী। প্রেমগী মপু ওইবী! নহাকপু উবদা অয়াবা পূম্বা কোকলে। ইঙলবা থম্বাল মনানা তপ্পা তপ্পা হুমাই কমহুনা লম্বেলদা লাকপগী অয়াবাবু হংখি। খুজোলনা থদাঙবু পায়হুনা চীন-বান্দা পানাবু থম্না ইন্দুনা মুংশিবা রাঙাওনা পেলহল্লি।

৫। উক্তকা—হে ইবুংঙো! ঐগী অলঙ্কার 'পূম্বা শেম্বিয়, কুণ্ডল নাইন খুজি-নুপুর, খোঙজি, কিঙ্কিনী, সারী-ইরুকি, চন্দন-সিন্দূর লৈতেংবীয়ু অসিনচিংবা।

৬। উল্লাসা যমুনা মপান্দা মিকুঞ্জবনগী, অনৌবা মনানা পূং-লবা পামেলশিংগী মরক্তা ঐগী পূক্লীং অসিনা হরাউনা চেল্লে। ইবুং-ঙোসু বন অহুদা লেঙবিরো। কুঞ্জগী নীংথিবা য়েংমিন্নহুনা মুংঙাইবগী ইপাক্তা তাউমিন্নরে।

৭। অনুকুল—মপৈ মপৈদগী নীংথিজবী ব্রজগোপী, ব্রজগোপী-দগী ফজবী কামিনী—বনগী মন্নারদা লৈরে। পূম্নমকপু হল্লেক্কুনা শ্রীহরি রাধিকাগী খুজেং পায়রবে। ফজবা লৈ হেক্কুনা বেশ শেম্বিরে, শয্যাদা লৈ পরেং কয়া তংপা উরে। বনগী মন্নারদা যুগলকিশোরগী অঙ্গ-গন্ধনা থল্লে, খোইমু ময়াম ইল্লে।

৮। অভিষেকা স্বাধীন ভর্তৃকা—য়েংউ য়েংউ ইঙাখোয়। লুচিংবীগী অথোইবা রাধাবু বন্ন সিংহাসনদা ফমহল্লে। শ্রীকৃষ্ণনা ইবেম্মবু অভিষেক তৌরে। সখী ময়াম তিন্দুনা, ইবেম্মগী আভরণ লাওনা লৈরাং পরেং, স্বর্ন—মণিহার "শমশনা কৃষ্ণ" শ্রীহস্তমক্তা বেম্মগী অল-ঙ্কার শেমলে। মুংশিরবা রাইহেনা, হে বৃন্দাবনগী মবেম্মা! ওইরে ঙসিদি কৃষ্ণ ঐহাকনা নখা পোনবা প্রজা। ললিতানচিংবী অচানবী

সখীশিংমা নওগী পরিবার ওইরে। ইবুংঙোগী অনুস্বা ঙংশিবা রাহে তাজবদা ইবেম্মনা নোকই, সখীশিংনা ঙংঙাইজে।

৮। প্রোষিত-ভর্তৃকা—

নায়ক নায়িকাগী প্রেম মখোইকাবা। কীগাউদা মণিমুক্তা য়োম-শিল্লগা মণিমুক্তাবু নিবা, ভম্পাক্তা লৈন-লৈনা পুক্নুংদা কায়নবগী রাখলনা ওওবা। মসিগী মখল ৮ দি—১। ভাবী, ২। ভবন, ৩। দিব্যোন্মাদ, ৪। দশম দশা, ৫। দ্যুতি-সংবাদ, ৬। বিলাপ, ৭। সখ্যু-ক্তিকা, ৮। ভাবোল্লাসা।

১। ভাবী—হে কৃষ্ণ, মায়থোং লাংশিল্লিববু কনাগীদমকনো। করি ওইগদৌরিবনো। কোকথক্তা খুৎ থাংগৎলিবহুনা করিগীনো, মিৎস্না খঙাল অনিদা লাইজ-তরঙ হৌবনা করিগীনো। তাকপিয়ুগবা লাইবক থীবী রাধাদা। খঙলে, নোংমদি শোয়দনা বৃন্দাবন থমমহুনা মফম কদাইদনো লেংগদৌরিমাল্লে। রাধা ঐনা ঐগী ইবুংঙোগী কায়না মৈচাক খাঙহুনা লৈগদবগী শরুক হুক্তীক কাওবা হিংহুনা লৈরিবা অসিবু করি পাপ তৌরকপননো।

২। ভবন—য়েংউ ইতা! পূকচেল কক্রবা অক্রুর লাক্রেনেশে, ঐখোয়গী ইবুংঙোসে মধুপুরদা পুথিগদৌরিমাল্লে। উচেক ময়াম ঙৈরাং হৌই, গোপ ময়ামসু চৎনদৌরিমাল্লে। নিংথৌ মহারানী অনিগী পূক্নীং ওয়-তৈনবা রাখল তৌরে, কনা অমগা খন্নবসু লৈত্রে। কক্তবা বিধা-তানা শীনগ্রমাল্লে, শ্রীকৃষ্ণবু মধুপুরদা পুখিবা তারে, অরাবনি।

৩। দিব্যোন্মাদ—হে মাধব! নখোঙ থঙান্দা প্রাণ কচ্চরি, ঐবু হুন্দোক্নুনা, কল্লবা থম্মোই পুহুনা লেঙঙ্গরবদা ঐনা ওইহৌগদবা কিক্তম উবীরিবনি। অইওবা থাগী মওানবু মৈশা ওইনা থক্লে, কায়না মৈচাক খাঙববুদি শিবনা করগনি থক্লে।

৪। দশমদশা— ১। চিন্তা, ২। জাগরণ, ৩। উদ্বেগ, ৪। তানব, ৫। মলিনাঙ্গ, ৬। প্রলাপ ৭। ব্যাধি, ৮। উন্মাদ, ৯। মোহ অমসুং ১০। মৃত্যু।

হকচাংদা প্রেমগী লায়থুং ওইবা, থম্মোইদা তমথীরবা তেন্না থাবা, থৱায়না কণ্ঠদা লৈবা, খুবাক্তা চুবাদা শোত্থনা রাখলদা লুপ্পা, মিংতগী পি কংদবা, বক্ষদা থোনবা মণিহার- স্বর্ণহার মচু মকশিনবা—অসিগুম্বা মওঙদা ইবেম্মনা হংগৎচৈ—'ইবুংঙো, লাপ্লবা মধুপুরদা লেঙখ্রবদা, পাঙ্গল-লৈত্রবী লাইবক থীবী ঐদি কায়না মৈচাক পুত্থনা অরাবা দশা তন্না অসি লোয়রনত্থনা লৈহৌরগদবনি।

৫। দ্যূতি সংবাদ—মবেম্মগী অরাবা ফংবা ওমজত্রবী ললিতানা ভাগ্য অমবু মধুপুরদা শ্রীকৃষ্ণগী নাক্তা থাত্থনা পাউ চৎহল্লুই। ভাগ্যনা হল্লকপদা মবুংঙো কায়নবগী রাম্থত্থনা, অচানবী সখীশিংনা কপ্পা কপ্পা কোয়শিন্দুনা লৈরম্বদু উই। ললিতানা ভাগ্য-পাউ অসি ঐনা মধুপুরদা থাকবা হল্লকলে কপখিগন্নু সখীশিং হায়রকপদা, ইবেম্মসু হিংগৎলকলে, হিংখিগে নীংলে পাউ তাবদা।

৬। বিলাপ—আকাশতা নোং খোংলে, রাঙোংসু হন্নাউরে। কৃষ্ণনা মধুপুরদা লৈখ্রে, রাধা ঐনা ইথন্তা লৈহৌবে। চান্নবী ইতাশা, ঐবু রাহল্লিবা অসি কৃষ্ণগী প্রেমতননি। ইথুঙ্তা পারজরম্বা মণিদো মাঙখ্রে। কৃষ্ণ উত্রবনিনা ঐগী অরাবা অহিংসে নোংসু ভানবীদ্রে।

৭। সখ্যুক্তিকা—কৃষ্ণ কায়নবগী মৈদা থারিবা প্রাণ অসি শোয়দনা চাকলগনি। ইতাসা, নখোয়গী রাহৈশিংত্থনা হিংবা য়ায়রোই। ঐনা শিত্রবদা কৃষ্ণনা লেঙলকুনা ঐবু হংলবা মতমদা ঐ শিখ্রে তম্বদা প্রাণনাথনা ওইগদবা অরাবা মওঙদো উরগা ইতাখোয় নখোয়না কয়ম্না খাঙগনি। ঐগী ইবুংঙোসু নুপী হাৎপা হায়বা নিংথোল অমা লগৎতা লৈহৌরগনি।

৮। ভাবোল্লাসা—ওসি ঐগী মওদা অথোইবা ব্রাহ্মণ অমবু থুকল্লম্মী। ঐনা নীংবা থুংলগনি তাকপিরম্মী। নোংঙাল্লমদাই—অরুণকিরণ লাক্লবা মতমনি। লেমনা মাঙবা মঙ্ নত্রে। মতাং অম্ভদা আ—দো—নবুংঙো কৃষ্ণদো লেঙলকলে হায়না ইঙ্গিত পীরম্মী। ওয়থংবা

মিং, ওয়থ.বা পাস্থোর চোংলম্বী—ওম্থোক্লা মুংঙাইজরম্বী। অসিগুম্বা ইবেম্মগী অকবা মঙ্গল অসিবু শোয়ররোই হায়না ঘনশ্যামদাস কবিনা হায়জরি।

মতাং অসিগা নায়িকাগী রস ৬০ লোইরে। মণিপুরগীমু লৈখিদ্রবা মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তিগী সনা হাকুক্তা রস ৬৪ গী ঈশৈশিং অসি রাগ-রাগিণী অমসুং পুংগী মেল ৬৪ গা কোয়না কাংনহুনা পুং-ঈশৈ অমসুং চোলোমগী ওজাশিংনা পুথোকখি। ঈশৈগী শক্তি মহারাজগী আদেশতগী মণিপুরদগী ডাকমু নত্তনা 'শ্রীধামদগী, কাশীদগী, শ্রীগৌড়দেশতগী—দেশ দেশ খুদাদগী রোস-কাব্যগী মনুং হুনাজনবা লাইরিক লাইরিক খিবিকপু লিস্থা থিস্থা পুররগা চহি অহুম পুরা ফাবদা কাংনহুনা শকখি হায়রুনা খেংনকবা কোর্ব্বেক অমদা ইরি। (মৈতৈ জগোই অনিগুবা শরুক—লাঃ ৯৭)

মণ্ডপ—কীর্ত্তন মন্দিরবু শ্রীবৃন্দাবন ভাব তৌগনি। সখী ৮ না য়ুম্বী ৮ ওইখিবনি খনগনি। কোনা চিংথেক মবিদা কৃষ্ণ লৈ মখোঙ ৮ মক কৃষ্ণ অমমমনি খনগান। যন্ত্রা ওইরিবা ময়ায়গী মখোঙবু কল্প বৃক্ষ, চৈতন্য কীর্ত্তন-মূর্ত্তি-রসরাজনি হায়না খনগনি। যোগপীঠনি হায়না খনবসু য়াই। অমত্তা ওইব মণ্ডপ অসি মক্কম ৫ থোক্না খায়গনি—১। খোঙহাম্ফম, ২। কুবের মণ্ডপ, ৩। রন্ধন মণ্ডপ, ৪। দ্রব্য মণ্ডপ, অমসুং ৫। নিত্যকুঞ্জ মণ্ডপ। খোঙহামফমদা কলিদাস নক্তগা গোপেশ্বর লৈ খনগনি। কুবের অমসুং দ্রব্য-মণ্ডপতা ভগবতী পূজা, রন্ধন মণ্ডপ্তা লক্ষ্মী পূজা অমসুং নিত্যকুঞ্জ মণ্ডপতা চৈতন্য পূজা কৎকনি। থবনি মডা হাম্বরবদি পুং-ঈশৈ কর তাল-মোইবুংকাংশীনা পূজা তৌগনি।

মণ্ডলী—মণ্ডপকী য়েংলোমদা বলাইগী অবতার ওইবা নিত্যাই হায়রবদি মথাথংবদা, নোংচুপ্তা পূর্ণমাসী ভগবতী অবতার মাধবেন্দ্রপুরী, অরাদা নারদ অবতার শ্রীনিবাস নোংপোক্তা—হনুমানগী অবতার মুকুন্দনা লুচিং বা ওইনা ফমলি হায়না খনগদবনি। মুনিন্দ্র, ফণীন্দ্র,

দেবেন্দ্র, তীন-কাণ্ড পুন্নমকপু নাম শ্রবণ তৌরি খনগদবনি। মিং মান্নরবসু মৈতৈগীসু মণ্ডলীগী মায়কৈ ৪ দা ফম্বা লাই রাংত্রেন থাংজীং, মার্জীং-নচিংবগী পুরাণ,পুয়াদা চপ মান্ননা লৈ। সকীর্ত্তনগী নিমন্ত্রণ ফংলগা থৌওইত্রবদি নরক তাই। মণ্ডপ অমসুং মণ্ডলীগী মরমদা য়াম্না কুপ্পী, পূজা অমসুং পূজাগী মন্ত্রনচিংবা য়াম্না লৈরি। সংকীর্ত্তন কৎগরিবা থৌবু অসু শ্রীমতী রাধিকাগী মশকনি খনগদবনি। সংকীর্ত্তনগী মরমদা অহানবা লাকপা মী অহু ভক্তমকোকনি হায়না খণ্ডগদবনি।

নিমন্ত্রণ—বার্ত্তন তৌরিবা যুমু অমু যাবটতা লৈবনি অমসুং শ্রীমতী রাধিকাগী ভাব খনগনি। আমন্ত্রণ নিমন্ত্রণ অমসুং বার্ত্তন—মথল ৫ শুট। ওসিমক থোক্নদবা থবক্তীনা নিমন্ত্রণ নিনি অমসুং অমুদগী হেনবা নুমিৎ কয়ানিমকমগী মাতুদা তৌরিবা অদুবুনা আমন্ত্রণ কৌই। বার্ত্তন চৎলিবা মী অমু বৃন্দা, তুলসীদেবীগী রাখল তৌগনি। বার্ত্তন লৌরিবা মীনা শ্রীকৃষ্ণগী ভাব তৌগনি। সংকীর্ত্তনদা লাকপদা ব্রহ্মগী মশক ওইবা সম্বাসা উন্নহুনা ফমফমদা চঙগনি। ছাতিন, চৈশুনচিংবা লোযনরক্লবদি ফম্ফাদা পল্লমগা মন্দির মযাযদা লৈরিবা ঈশ্বরবু খুরুম্নগা ফম্ফমদা ফম্নগনি। অমুদগী গন্ধ-চন্দন ফংলবা তুংদা সংকীর্ত্তন-মণ্ডলীদা লৈরিবা বাদক, গায়কনচিংবা ভক্তশিংবু খুরুম্নগা নাম শ্রবন তৌগনি। (শ্রীরূপগোস্বামীগী তত্ত্বপ্রকাশ)।

মণিপুরগী ঈশৈ

ঈশ্বর হায়বা অসিদি জাতি অমত্তগী নত্তে জগৎ অপুম্বগী মবুংঙোনি। জগৎ-মবুংঙোবু অঙিংকোক গুরু শিদবা' হায়না খঙনৈ। গুরুনা আতিয়া পোকলে, ঈশৈ অমা পুথোরকলে—'হোইরৌ হৈ হোইরৌ হোইরৌ না কেসে''(পুদিন পুরাণ)। নীশিংবা থোক্লবা মতমদগীনি জগৎ সৃষ্টিগী মতমদগীনি। ঈশৈ অসি ওজাশিংগী ঈশৈদা 'হাই অরাংবা'—নিত্যাইপাৎ সনাখুগী অসিগা সুর মান্নৈ।

থায়রনগী ওজাশিংনা শাস্ত্রী রাগ রাগিণী শীজিন্নবরসু মৈতৈগী ওইবা শৈহেক শৈদাদা বাংলা-কীর্ত্তনদগী থেম্নবা অনৌবা শৈশক অমা

পুথোকপিরম্মী। মসিদা থায়নগী শৈঙেক শৈদা, খোলহেক, খোঙ্লীক কপ্পা করামুক চৎখি। মখুগী প্রমাণ খরা উৎচরি—

থায়নগী— চেক্লা শাইপ্রবনা পোম্বী হৎজিল্লকপদা
চেক্লাগী কায়দোংফম খণ্ডদবনা, পোম্বী ককণ্ডাওনয়েদো।

ওজাশিংগী— ইন্দিবর ফুলজিনি কামুড় কুসুমাবলী
শ্যাম নবজলধর নটবর-বেশ (অনিমকী সুর মাগৈ)

থায়নগী - মৈতৈ পোংচৈ লৈময়োন
কংলৈ সনা পুংময়োন
চীংনা কোয়না পনশাবা
লাইনা কোরনা পন ওাকপা

ওজাশিংগী—আজু গোরা আনন্দে বিহরে সকীর্ত্তন
শ্রীবাস অঙ্গনে আরম্ভিলা মহাসঙ্কীর্ত্তন ॥

থায়নগী— হো হোং হুঃ হা হাং হোই হা হাহা
হেরিলো লৌশা হেরিলা হেলিলা।
ওদম্বু থাংনা হুরা.উবা শৈরনোদা
হে হে হো হয়ানকেরা —— অশিনচিংবা

বাকোম্লাই রাকোম্লই বাকে ল্লা কাপ্পা লীকাপ্পা
রাকোন হনাই নোই।

ওজাশিংগী জয় নিত্যানন্দ আমার প্রাণ নিত্যানন্দ (অরিবা)

অকোন অহানগী রনি খগে মৈতৈ ঈশৈ হাররসি লৈশেম কুংশেমতৈদগী লৈরক্লবনি। শেম্বা তৌবা মণিপুর শেম্বা কোনগদবা মণিপুর। পৃথিবীশা ঈরাং নঙ্গাপা রাওন থূদীদা মণিপুর যৌরকপদা কোকপগদবনি হায়না অশংবাংবা হাইনৈ। মশি তৌখিবা থৌদাক কথা-মসু প্রমাণ ওই। ঈরাং থমহনবা লৈবা মণিপুর, চীংনা কোয়না পন্‌শাবনা ঈরাংপুর কৌরম্বদগী মহাদেবনা ত্রিশূলনা হুজল্লা চীং-সুংহুল্লা ঈশিং চিথাকুন লৈবাক শেম্বা তৌখি। মরম অমুদগী লাই-রৈবাকনি (শিবকগার) হায়নসু খণ্ডনৈ মণিপুর অসি।

মৈতৈ জাতি ঐখোয়দি ঐখোয়না হৌদোকপা থবকপু তমজখিবা মীশিংনা জগৎতা পুথোকপুবদা তনজখিবা মীশিংনা মখোয়না হৌদোকপনি হায়বদফাও নোক্কুনা মুংঙাইথোকপা ঙমলিবনি। শগোল কাঙজৈ শামবা, অরাম্বাই জনবা, কাত্রং পুথোকপা জগোয়রাস শাম্বা অসিনা মসিগী খুদমনি। শ্রীবৃন্দাবনদা শাম্মখিবা রাস-লীলাদো, অক্রুর বৈক্কবনা শ্রীকৃষ্ণবু মথুরাদা পুথিবদগীনা মৈতিঙু ভাগ্যচন্দ্র সিংহ মহারাজনা মণিপুর শ্রীগোবিন্দ নিরূপণ তৌবা কাওবগী মমু দা কদ হৈদা কনানা রাস শাম্ম-খিবগে? শ্রী৺গোবিন্দ-বিগ্রহ সেবা চৎসবা মতমতদা রাসলীলা মণি-পুরদা কত্তুনা পৃথিবী শীম্মা খঙনবিবা নত্ত্রা? ঐখোয়না কাউগদ্রসি—শ্রীভাগ্যচন্দ্রসিংহ মহারাজনা 'চট্টগ্রাম, ত্রিপুরা', কাছার, সিলেট, তেথাও' নচিংবা লমদা লেঙতনা 'গৌরধর্ম্ম' শন্দোক্লুই। শ্রীধাম নবদ্বীপতা গুপ্ত-বিগ্রহ 'শ্রীনবদ্বীপচন্দ্র'বু উদ্ধার তৌকই, মসিগী খুদম হৌজীক কাওবা ৺মহাপ্রভু-নবদ্বীপচন্দ্র অনিগী মরী লৈনরি মৈতিঙু গরীবনবাজগী সনাহাক্কক্তা শান্তিদাসনা রামান্দী ধর্ম্ম হৌদোক্কুনা মতেক থরদং চৎলম্মী হায়রহনা ঐখোয়বু ধর্ম্ম তাংবা ওইনা থনবা লাল্লি। শান্তিদাসনা মৈ থাদোকখ্রবা মৈতৈগী পুরাণ-পুয়া কয়াদা সুব-লুরবা ঈশৈগী মরমনচিংবা য়াওখ্রে। মরম অসিনা মৈতৈনা মাবু কউদবনি, ধর্ম্মদাতানি হায়রহনা মাবু কাউদবা নত্তে। বৈষ্ণব-ধর্ম্ম মাধবা চায়াগী সম্প্রদায় অসি ভারত'পুম্বা চৎলম্মবদি হৌজিক্কী মতভেদ অসি লৈরম্লে'হ। মৈতৈনা চৎলিবা ধর্ম্ম অসি মৈতৈ লৈবা মফম কয়াদা অমসুং ভারতকী তীর্থ মফম কয়াদা সন্মান ফংনরি। ধর্ম্ম মান্নদবা কাঙবুনা পওচাউ জাওলবসু বৈষ্ণব ধর্ম্মা-বলম্বী ওইবা ঐখোয়নদি নিন্দা তৌজদে অমসুং তৌজরোই।

মণিপুরী সংকীর্ত্তনগী রাগ অমসুং তাল অসি সঙ্গীত-শাস্ত্রগী মুক্কমদা লেপ্পনি। অদুবু শৈহেক শৈদা অমসুং পুথোক-পদি তোপ-তোপ্পা মৈতৈগী মওঙদা পুথোরকই। সিদ্ধ কংথ্রবা ওজা-শিংনা রাগ রাগিণীশিংগী থরায় অহু হাপ্লগা মৈতৈগী শৈহেক-তা শেম-লম্বনি। মখোয়না হৌবা রাগগা ঐখোয়না হৌবগা মান্নদবগী প্রমাণদি,

ঐখোয়গী রাগনা 'আ'না হৌবগা 'তা-রি-না'বু হ্রস্ব দীর্ঘদা ওন্না ওন্না শকই। মখোয়গী রাগনা 'হা-রী-তে-না'না হুন্না হুন্না শক্তুনা হৌবনি। মসি সঙ্গীত-সাধনা হায়রি। অতুগা মখোয়গীদি বাগনা, সঙ্গীতনা হান্নি। মণিপুরনা পুংনা বাগ হৌরগা কোন্না ঈশৈ হৌই। মসিস্থ লৈবাক লৈবাকী চৎনবনা খোকপনি।

তালগী মতাংদস্থ মমিং মান্নবা কয়া ল্লাওরি। অদুবু তালগী মশক মান্নদবা কয়াস্থ থেংনৈ। রাজমেলগী দুইতাল অচৌবগী তালগী মশক মৈতৈগী ওস্তাশিংগী তোপ-তোপ্পা খুংশেমনি। 'রাগ-অচৌবা' হৌবা তোপ তোপ্পা মৈতৈতগী ওইবা সংকীর্ত্তনগী মশক্নি। মেল ৬৪ শেমখিবা, মেল ১২—চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজগী মতমগী যুন্নামগী ওস্তা যদুনাথ-চিংবনা থম্বীরম্বা অওকপা খু শেমনি অসি নত্তবা বাগ অহৌবগী তাল মশীং কয়', সঞ্চার মখল কয়া, ঈশৈগা কোন্নবা পুলোন কয়া, তাল কয়া অমস্তুং ভা'নচপ মেনকুপকী পরেং—মশীং থীওমদনা থম্বীরম্মী। মসি মৈতৈতগী ওইবা মশক্নি। মসিদা সংকীর্ত্তনগী ওইবা রস তত্ত্ব, বিচার কয়া চওথবস্থ মৈ'তগী লা-ওন্নবা সিদ্ধ ফংথবা ওস্তাশিংনা অওকপা মওওদা পুথোকাপরমহুনা হৌজীক ফাওবদা মপা লৈতমা কজরি।

তাং ১।৯।৭১ ইদা শ্রীগোবিন্দজীউগী মণ্ডবতা পুং-ঈশৈ-জগোই তৌবা মণিপুরগী ওস্তাশিংগী সভা অমা ফমখি। শ্রীযুৎ ওকেন্দ্রজিৎ সিংহ মহারাজনা সভাপতিগী আসন লৌখিখি। সভা অসিদা পাথোকপদা য়ানরহুদা শ্রী৺গোবিন্দজীউগী চবণদা কৎথবা চে নি ইতি—

পুথোকপিবা—শ্রীলাইশ্রম তোলপিশক সিংহ

শ্রীঅমাকচম লক্ষ্মণ সিংহনচিংবা

পালা লোয়শঙগী ওস্তাশিং

শ্রীঅয়াম কমল সিংহ

নট চোলোম

(ওক্টোবর ২৭ অমুক)

মৈতৈ লৈবাক্তা জগোই হৌরকপা—লৈশেমচৈদা নোংথাও লৈমনা গুরুগী য়াথংনা হায়রিবা (লৈথীঙাম্) বনু শুক্লাংনবা ইহান হানবা জগোই শাখিবদগী হৌখিবনা নোংপোক পান্থোইবী অনিগী মতমদা অরিবা জগোইগী মপূং ফাবা ওইরকখি। মতু ঐখোয়গী 'লাই হরাউবা' জগোইদা হুজীকস্থু শেংনা মমি তারি।

শিব-পার্ব্বতীনা তাণ্ডব লাস্য হৌদোকখি হায়রবগুম ঐখোয়গী লৈবাক্তসু লাই অনি অসিনা নিপা নুপীগী জগোই হৌদোকখি। অসুম তৌনা নোংথাও লৈমগী মতমদগী হৌরক্লবসু নোংপোক পান্থোইবী অনিগী মমাঙ ফাওবদি মশাগী হুংগাইজনবা, মীবু পেলহন্নবা ওইনা মসিবু শীজিন্নখি।

শাস্ত্রনসু হায়—গীত বাদিত্র নৃত্যানাং রক্তিঃ সাধারনো গুণঃ
অতোরক্তি বিহীনং যন্ন-তৎ সঙ্গীতমুচ্যতে ॥১৮
কৃষ্ণরস সংগীত সংগ্রহঃ—৫

পুং-ঈশৈ-জগোইগী মগুণ হায়রবনু মীবু পাম্নহনবনি। মীনবু পাম্নরবদি মদুবু সঙ্গীত কৌরুবা য়াদে।

মথংদা অসিগুম্বা জগোই ঈশৈনা লাংলিবা লাই অদুগী পেলহন্নবা ওইনা লাকখি। মতম অসিদা অরিবা অনৌবা সমাজগী চৎনবী থবক নটিংবসু জগোইদা মমি তাহন্দুনা মদুনা লাইগী থৌগন পোৎচঙ ওইনখি। অসুম তৌনা লাইবু পেলহন্নবা, হরাউহন্নবা—মতুনা তাইবঙ মীদা চাককু লনগুবীনবা শাবা জগোইনি হায়রদুনা মসিবু লাই-হরাউবা' জগোই কৌনখি। মওঙ অসি ঙসি ফাওবদসু অদুম্বক চৎনরি।

অসিগুম্বা মীগা মান্নদবা ঐখোয় মৈতৈ সমাজগী লোনচৎ শাজৎ, য়ুম্বান কৈবাননটিংবগা মরী লৈননা মীওইবা ঐখোয়গী ইশা ইশাগী

মুংঙাইজনবতা নত্তনা মচুনা তাইবঙ মপু কাওবনা পেনখিনবা তৌবা ঈড়াং থৌনিগী মচুংদা মরু ওইবা মচাক অমা ওইনা লীজিন্নরকপা—পুং-ঈশৈ-জগোইগী অপুনবা মশক খাওবা অদুবু 'মৈতৈ-জগোই' হায়না কৌই।

অসুম্না লাকপনা মৈতৈ জগোইদা মতমগী মাওং মতুংইন্না হোং-লকপা সমাজগী লোনচৎ-শাজৎনচিংবা মথং মথং মমি তাশিল্লক্লুমা অসুম অসুম মপুম মরৈ ফাবা হেল্লকপনা হুজীক ঐখোয়না মাঙদা উনরিবা 'লাই হরাউবা' জগোই অসি ওইরকখি। মতমগী মতুংইন্না মতুংদসু অনৌবা শকলোনগী মমি তারকলোই হায়নিংঙাই লৈতে, অদুমদি ওইরগা মওঙ অদু তানবা হোংনরকপদা মীরোন কয়া করালি চঙখিবা তাই।

অনৌবা ঈথায়—অসিগুম্না তোপ তোপ্পা জগোই অসিদগী লৈবাক অসিদা বৈষ্ণবধর্ম্ম চংলকপা হৌবগা লোয় না মৈদিঙু ক্যাম্বা, চরাইরোংবা, গরীবনবাজ—নিংথৌশিং অসিগী হাক্তক্তগী ঈথায় অমা অমুক লোঙথোকপা হৌনকখি। মংনা অমুক শ্রীশ্রীযুৎ ভাগ্যচন্দ্র মহারাজ সনা হাক্তক্তগীদি হায়রগী বৃন্দাবনগী শ্রাস্ত্রগী ঈচেলগা তোংশিন রাস-শিন্নচুনা 'রাসনৃত্য' অমসুং মঙ্গুগা মরী লৈনবা শ্রীহরি মহা সংকীর্ত্তন হায়বনচিংবা অচৌবা ঈরোঙ অমা অমুক খাঙনা চল্লকখি।

মওঙ অসুম্না পুং ঈশৈ-জগোইগী থবক্তা অসুম অসুম পাকথোক চাউথোরক্লুনা মমৈদদি মসিনা লবাক অসিগী থরাযমক ওইনরকলে। মথক্তা হায়খিবগুম ঐখোয়গী লাইগুরুশিংনা শ্রীহরিগী মাঙদা জগোই ঈশৈনচিংবা তৌদুনা ঈবুংঙো মাবু আরাধনা তৌনবকলে। মাথকৈ অম-রোমদা হায়রগী লাই হরাউবসু মহৌশা চৎনরকপা মতুংইন্না লাইগী পেন্নবা তৌবা ওইনা অরিবা মশক কায়দনা মরীক চুম্না, মঙান চাউনা অদুম্মক লৈ। লাই হরাউবগা রাসকা মশক অমত্তনি, অনিমক মওঙ চপ মান্নে। হায়রবদি থোংনা থৌওঙ থরা খেন্নরবসু মচুংগী ভাব-রস—তাইবঙ মপুনা পেন্নবা তৌবা মওঙদি অমত্তনি। মওঙ অসুম্না লাই-হরাউবগা রাসকী জগোইগা অনিমক্তা সনাগী মথক্তা তম্বা খিনবগুম নাম্নক্লুনা ঙসি কাওবদা মৈতৈলৈগী লাইপক্তা লৈতেং ওইনরি।

নট-পালা—মণিপুরদা সংকীর্ত্তন মহাযজ্ঞগী মকুওংবা শরুক য়াৰিবদি 'নট-পালা'নি। জগোই শাববু 'নট' হায়রবনি।

প্রাচ্যাং প্রায়েণ গুণিনো নানাগীত বিশারদাঃ।

রাগাণাং সংস্থিতা যে তু তে নটাঃ পরিকীর্ত্তিতাঃ ॥ ৬৪৩

[কৃষ্ণদাস সংগীত সংগ্রহঃ]

নোংপোক মায়কৈগী নটশিংদি অয়াম্বনা ঈশৈ বাম্না হৈনৈ। রাগ রাগিণীগী মরম নৈংথিনা থগুই। অসিগুম্বা মীওইবু 'নট' কৌই।

যে গায়ন্তি সুগীতানি নৃত্যন্তি চ বিচক্ষণাঃ।

জিতেন্দ্রিয়ঃ সদাচারাস্তে নটাঃ পুনরুত্তমাঃ ॥ ৬৪৪ কৃষ্ণদাস সংগীত

ঈশৈ নৈংথিনা শকপা জগোই শাবদা হৈশিংবা ইন্দ্রি খুদুম চনবা, লমচৎ কজগা, নথোয় অতু অশোইবা নটনি।

অসিগুম্বা 'নট' শাক্তুগী পান্দাবু 'নট-পালা' কৌই। মসি নিপাতনা শিংবা পালাবু খংনৈ। অসিগুম্বা পালা অসি অরিবা অমস্তং অনৌবা হায়না মথল অসি থোকই। অরিববু 'বংদেশ' অনৌবনা নট' হায়না খঙনখি। অনিনক নট মশেল ওইরবসু অনৌবা পালানা জগোইগী শরুক্তা মপু ওইথিবদী নট পালা হায়রগদি মাবুতা তোপ্পা খঙনবা ওইনা তৌগে। অরিবা অমস্তং অনৌবা অনিমক অমমমগী অমি অমি অমুক থোক্লনা পালা মরিনা মুমিৎ ১০।১০ নিগী লালুপ ওইনা অষ্টকাল সেবাদা শ্রীগোবিন্দগী খোংনল তৌনৈ। অরিবনা অনৌবগী মমাংদা লৈবাক অসিগী সংকীর্ত্তন লোয়নবা ধর্ম্ম-কর্ম্মগী থবক পূম্মক তৌরম্মী।

চোলোমগী হৌরকপা। সংস্কৃত শব্দ 'চলন'দগী চেংলোম তাখি। (মৈতৈ কীর্ত্তন, অংগোম্বপুষ্পর্ম্ম)। অহুম ওইনমক চোলোম হায়বগদি চলন শব্দবু অর্থ তৌরগা খংনরবা পদুতবু খঙনদে তোপ তোপ্পা নিপা জগোই মংগল অমত্তবু খঙনবা ওইনা তৌই। মরম অতুনা চোলোম হায়বা রহৈ অসিনা, থোইদোক্না তাণ্ডবকী ভাবনা খরা হেন্না লৈ।

চোলোমগী সংজ্ঞা হায়রবা তারবদি, খুত্তা করতাল পায়না নত্রগা পায়-দনা নীংথিবা শাথেক্লা চারি, করণ-নচিংবা লোয়ননা, নীংথিবা গঠনলা অমুক মশক শেমগত্তুনা, হকচাং অপুম্বগী ওইবা নিপানা শাবা তাণ্ডব জগোই মখল অমবু 'চোলোম' কৌবা তাই।

রাখল অমনা 'চোলোম' হায়রবা মিং অসিতং সংস্কৃত চলনদগী খোক-খিবা ওইরবস্থ মসিগী থবক্তি কনাদগীস্থ তাংলুবা লৈতে। মসিগী মরম থরদং মথাদা নৈনখি মহুদি—

চোলোমদা মক ওইনা শীজিররিবা খোঙথাং অমদি ফিবম অসিদি মৈতৈ লৈবাক্তা চান্নদগী অহুম্মক লৈরকই। অহুমদি ওইরগা মদুবু জগোই ওইনা পুথোকুনা য়েংবা থুংঙাংনবা ওইনদি থোইনা শীজিররমদে। চোলোমগী ফিবম অসি তানবা হোৎনবদা চাউরাক্লা মখাগী মরমশিং অসি ওক্সাশিংনা নৈনখিখি মহুদি—

(ক) গুরুনা তাইবঙ শেম্বা লোইররবদা লাইবঙথৌ ৯ গা লাই-নুরা ৭ কনা লৈথোনবা, লৈশেম্বা মতমদা অত্তোঙ অকুৎ মান্নবা খোঙনা নেৎশিনখি। মহুগী খোঙথাং লৌহুনা চোলোম খোঙথাং ওইনখি। মাইবী জগোইনা মসিবু 'লৈনেৎ' জগোই কৌই।

খ) লৈবাক অসিদা হান্নদগী লৈররুবা মুক্লা শান্নবগী খোংখোঙ শানা লেপ্পা ফিরেপ্পা ফিবম ওইনরগা অকুপ্পা ফজবা অমদি খুৎকী থবক্তি থাঙ-তা হাইবা, তা খৌশাবনচিংবা অরিবা মখল থরদগী লৌহুনা শেমখি।

(গ) মওঙ অমনা, খনবা হৈবা ভাবুক-কবি ওক্সাশিংনা জাতি অসিগী চংনবী লোনচংশিংগী অমদি শা-উচেক্কচিংবগী শাজৎ শাথেক নচিংবা লৌহুনা অমদি শিংনা উবিবা লেঙলি-পাল্লিবা অবাম্বগী মতৌ লৌহুনা চোলোমগী অনৌবা মশক কয়াকয়া অস্থম শেমগৎখি। অসি-গুম্বা পুম্নমক্কী মতৌ লৌহুনা জগোই পানবা মতৌ অসি শাস্ত্রনস্থ অহুম্মক সমর্থন তৌই মহুদি—

ত্রৈলোক্যস্যানুকরণং নৃত্তে সম্যক্ প্রতিষ্ঠিতম্। বিষ্ণু ধর্মোত্তর।
(মরোন অহুমগী মতৌ পুন্নমক জগোইদা লৈ)।

চোলোম হায়বসি চপচাবা জগোই মখল অমনি অদুবু হুজীক য়াসকী জগোইদা উরিবা অথোংপা নূপীনা শারিবা মওঙ অসিদি নত্তে। মরম অহুনা মসি নিপানা শাবা জগোই—তাণ্ডবনি।

চোলোম মখল য়াম্মী—নিপাপালা চোলোম, নিপা খূবাক ঈশৈ চোলোম, জয়দেব চোলোম অসিনচিংবা। পুংগীস্থ চোলোম লৈ—অকনবা নিপা থোকপা মতৌনা তিল্লি।

গঠন—চোলোম পুন্নমক্তা 'গঠন' য়াওদবা য়াদে। মরম অহুনা লাই গুকশিংনা 'চোলোম-গঠন' হায়না অপুনবা মিং ওইনা শীজিন্নৈ। গঠননা মশক শেমত্রবদি চোলোম অহু অশেংবা ওইদে। চুম্নগী খোঙথাং অমদি অচম্বা খুৎথাই ওইনতা থোকদ্রে ফজবা ওইদে। নীংথিবা ঈথক ইপোম হৌহন্দুনা লৈবা ওৎপা তৌরিবা হকচাং অমদি খোঙ খূৎনচিংবগী ফজবা নীংথিবা মতৌ ওইহল্লিবহু গঠননি। মসি অভিনয় চোলোমদনা হেন্না য়াম্না চঙই। অসিগুম্বা গঠনগী মওঙ মতৌ অসিদি মতিক চাবা গুরুশিংগী তম্বমক নত্রবদি খঙগনবদা য়ানা থোকই। 'গঠন' হায়বা য়াইহে অসি নিপা পালা চোলোমতদা শীজিন্নৈ। মরম অহুনা মসিনা তাকল্লিবা মওঙ অসি কোংদোক্লবা হোৎনবদা হায়বদি চোলোম শাথোক্লচিংবদা ফজনবা ঈথক ইপোমনচিংবা হংপ্পদা মহু, নিপা জগোইতগা মরী লৈনবা হায়বদি নূপীনা, নূপী জগোইনচিংবদা কেবা অহুমক্তি নত্তবা অহুগুম্বা মওঙ অহু তাহনগদবনি।

চোলোমদা অভিনয়—মৈতৈ চোলোমদস্থ শাস্ত্রগা মান্নবা অঙ্গ, প্রত্যঙ্গ, অমসুং উপাঙ্গ অহুম্মক্তী অভিনয লৈ। মখাদা মখোয়গী মশক মমিংনচিংবগী মবমদা চাউবাকপা থবদং নৈনরি—

১। কোক—কোক্কী থবকপু নৈতৈনা কোকলৈ নত্রগা কোকহাই হায়না কৌই। মসিগী মখল মরি ফংই মহুদি—নীকপা, লৈবা, হাইবা, থংপা।

নীকপা—অকুপ্পা পুংলোন নৈরকপদা ছন্দ চানবা কোক কুপ্পা নীকপা। মরু ওইনা মসি পুং চোলোমদনা নম্মা শীজিনৈ।

হাইবা—ঈশৈগী ছন্দগা চাননবা লক্কৎ মতুংইন্না নাকল অনিদা হাইবা।

লৈবা—মায়কৈ মরিমক্তা কোক লৈববু খঙনৈ।

খৎপা—খপগী মচীনা খৎপগুম খৎপা। মসিবু চীখৎমু কৌই। পুংদনা নম্মা লৈ।

২। **ওক**—ওককা কোক্তা মম্মী লৈনৈ, থাদোক্লবা য়াদে। অহুম ওইনমক অনিমক্কী তোঙানবা মওঙ লৈতবদি নত্তে। ওককী মখলদি—অথাকপা, অছনবা, চৎপা, অফৈবা, তামিন্নবা, হনবা, থাবা, চেপখা, অথেকপা, শেকচৎনবা।

অথাকপা—নাকল অমদগী নৈরক্লগা অতোপ্পা নাকল য়োকাত্তনা মাওদা হাইথবা। মসিবু মতেকমু হায়নৈ।

অছনবা—মথক্তা ছনগৎপগুম খংনা থাংগৎলগা থুনা অমুক হনবা। মসি পুংদনা নম্মা লৈ।

চৎপা—নাক অনিদা ওপ্পা কেনা হাইবা।

অফৈবা- হকচাংনা করিগুম্বা নাকল অমদা ফৈনা চৎপদা ওকমু থাদোক্লমগদবা নাকন্দা খজীক্তং ঈল্লম্লগা হকচাংনা চৎপা মায়কৈদা খন্না শাংনা অমুক ইল্লকপা।

তামিন্নবা—হকচাংনা নোংম্বদা ওকমু মতম মাম্ননা নোক্কনা থাবা। মসিবু 'হকচাংগী তামিন্নবা' হায়নমু খঙনৈ।

হনবা—তুংদা হনববু 'ওকহনবা' কৌই।

থাবা—মাওদা পুথোকপা। মসিবু ঈনবমু হায়নৈ।

চেপখা—নাকন্দা ওক চেপনা চৎপবু খঙনৈ।

অথেকপা—ওক চৎলুবগা কেনা নৌনা খদাঙ ঈনখৎলপ তৌ-গনি অমমুং থুনা অমুক থেকখনা লোইগনি।

শেক্কচৎনবা—হক্চাংগা ইরোয়ননা হক্চাংনা ঈনবা মায়কৈদা ওকন্থ শেপনা অহুম্মক পুন্থনা চৎপা।

৩। **লেং**—লেং মখল অহুমনি মহুদি—হিকথবা, ইনখৎপা, থপ্পা। অহুম অসি অমুক অমমমগী মখল অনি অনি থোকলি মহুদি লেংনামা, লেং মপুম।

হিকথবা—চোলোমগী মতমদা লেং নমথববু খঙনৈ।

ঈনখৎপা—মথক্তা পুখৎপবু ঈনখৎপা কৌই। মসিবু শূপকৎপা হায়নসু খঙনৈ।

থপ্পা—য়াংকোক্তা বাট থপ্পগুম অমুক অমুক ঈনখৎপবু খঙনৈ। মসি লেং মপুমগীনা মম্না লৈ। পুং চোলোমদদি মসি তোয়না শীজিনৈ।

৪। **থা**—মৈতৈলোন্দা থবাকপু 'থা' হায়নৈ। মসিগী মখলদি—অরোংবা, অউপ্পা, তাবা চেপ্পা, হুনবা অমসুং লৈবা।

অরোংবা—মাঙদা থবাক ঈনথোক্লা, য়াঙ তিংনা লৈববু থা লোংবা কৌই। চোলোমদা মসি য়াম্না ফজে।

অউপ্পা—থবাক্লা লৈমায়দা ওন্থরবদি থা উপ্পা কৌই।

তাবা—থবাক কোয়না লৈরুরগা হাইকেং নোম্বনা থাববু 'থা তাবা' কৌই।

চেপ্পা—চোলোম তৌকয়গা নাকল অমদা হক্চাং পৈথনা থাববু খঙনৈ।

হুনবা—থবাক্লা মপুম ওইনা উপথনা লৈরগা চোলোমদা লমচৎ মতুংইন্না হুনবগুম ঈল্লবদি 'থা-হুনবা' কৌই।

লৈবা—হক্চাং লুকথরপ তৌরগা চোলোম মরক্তা য়েং-ওয়দা থবাক লৈহনা পুম্বদি 'থা লৈবা' কৌই।

৫। **পুক**—চোলোমদা পুক্তী থবক্তি থোইনা লৈজে অদুবু চনীংগী মতম পুম্নমক্তা পোওথোকহনগদবনি হায়। মদুম তৌববু 'চনীং ঈম্বা' হায়না কৌই। চনীংগী কিবম চুম্নবদি নীংথু অহুম্মক মশাকী

ফিবম তাজরকই। অসিগুম্বা ফিবমদা ওইবা পূঙ্গী মওঙ অহুমা চো-লোমগী অশেংবা মওঙনি।

৬। খুাঙ—খুাঙ মখল অহুমনি মহুদি, থেকপা, নম্বা, তিংবা।

থেকপা—নাকল অমদগী নাকল অমা ফাওবা হকচাং লৈরকপদা ওইরিবা খুাঙগী মওঙবু 'থেকপা' কৌই।

নম্বা—খুাঙনা মথারোমদা নেমথববু 'নম্বা' কৌই। মসি মখল অহুম শুই—খিত্তা নম্বা, ময়ায় ওইনা নম্বা, হেন্না নম্বা।

তিংবা—খোঙদগী তোন ফাওবা হকচাং চপতিংনা লেপ্লদা ওই-রিবা খুাঙগী মওঙবু তিংবা কৌই।

৭। ফৈ—ফৈ মখল ৬ নি মহুদি—নম্বা, থাংগৎপা, হুন্না থাং-গৎপা, থাংগৎনা লৈবা, নমলৈ অমসুং ফৈমায় মান্নবা।

নম্বা—খুাঙ নম্বগা অমত্তনি

থাংগৎপা—খুকউদগী খোঙ ফাওবা চুন্না লৈরগা খোঙ নামগী থাংগৎসকপা ফৈনা ওইবা মতৌ অদুবু হায়বনি। মসিসু মখল অহুমনি হায়বদি অনেম অন্না' নাইবা থাংগৎপগী চাং অহুমবু হায়বনি।

হুন্না থাংগৎপা—থাংগৎপগা অমত্তনি অহুমদি ওইরগা মসিদা থংনা থুনা চোংহনা মথক্তা খংথাং থাংগৎকনি।

থাংগৎনা লৈবা—থাংগৎপগী মওঙ তৌরগা লেপলিবা খোঙনা লৈহনা হকচাংবু কোয়না পুবদা ওইবা কৈ অদুবু খঙগনি।

নমলৈ—কৈ নমথরগা হকচাং লৈববু খঙনৈ।

ফৈমায় মান্নবা—খুকউগা ফৈরুগা য়াংবা মান্নহনববু 'ফৈমায় মান্নবা' কৌই। ফৈবু মথক্তা পুখৎপদা মসিদগী হেন্না য়াংলবদি হায়-বদি খুকউনা হেন্না য়াংখৎহন্নবদি চোংলোমদা ফজদবদগী মসিনা অরেপ্পা ওইনা লৌনৈ। পূং চোংলোমদদি করিগুম্বদা খুকউনা য়াংবসু তৌনবা য়াওই।

৮। **নীং**—নীং কাবা, নীংনম্বা অমসুং নীং ঈনথবা।

কাবা—য়াওলেনগা মপা মায়হল্লা থমহুনা নীংবু নাক য়েংত্তা মনীং তৌহন্দনা থম্নবদি মদুবু নীংকাবা কৌই। মসি চনীংগা য়াম্না মৱী লৈনৈ। নিপা পালা চোলোমদা য়াম্না মরুনি।

নম্বা—মখারোমদা নীং পুথবা। মসিসু মখল কয়ামুক থোকলি।

ঈনথবা—মসিবু 'তুমথোকপ'সু হায়নৈ। স্বয় হোন্দোক্লুনা চনীং পোওহনবদা ওইবা নীংগী মতৌ অদুবু হায়বনি। মসি তাহন্নবা হোৎ-নবদা কৈ চেংক্রুক মরী থুপ্পা নমহুনা কম্বগী অভ্যাস তৌরবদি মওও অসি তাই।

৯। **থুকউ**—মখল অনিনি বাগ লৈবা, খুদক কুনবা।

বাগ লৈবা—লৈবাক্তা খুকউ অনিমক লৈতারগা চক্রেগুম্না উরুক্ত লৈবা। মসি পুংদনা নম্না শীজিন্নে।

খুদক কুনবা—লৈবাক্তা খুকউ অনিমক্না লৈতারগা তুংদা খোও হাইদোক্লুনা বগশানা কুনবা। মসি পঞ্চাঙ্গনা খুরুম্বদা, দণ্ডবৎ তৌর-মন্নাইদা শীজিন্নে।

১০। **থুবোম**—খুবোমগী মখল থোইনা লৈতে অদুবু চোলোমগী খোও থাংগৎপদা খুবোম চাউনা, মপুম কানা উনবা থাংগৎলিবা খোও অহু মাওদা খুমিং উহন্দুনা হায়বদি খোওদোলনা মপাল্লোমদা হাংদোক-তুনা মতোন থেকৎলপ তৌনা লৈগনি। মসুম তৌরবদি খুবোম মখী-বোও অহু চাউনা অমদি নোয় পেম্না উহনা য়েংবদা ফজে।

১১। **খোও**—খোওগী মখল মরিনি মহুদি—খোওপাক, খোওচেপ, খোওদোন (খুদোন) অমসুং খুনীং।

খোওপাক—খুনীং খোওদোন মাম্লনা লৈতামিন্নববু খোওপাক্লা নেৎপা কৌই।

খোওচেপ—খোওগী খোওনাউবী লৈবা নাকল্লা চেপ্পা লৈতাববু 'খোওচেপনা নেৎপা' কৌই। মসি পুংদনা নম্না লৈ।

খোঙদোন কাওবা খুনীংনা লৈতারগা খুদোম হাইগংপবু 'খোঙদোন কাওবা' কৌই।

মথক্কী খরা অসিদং পৌনা উৎপনি, অকুপ্পা অতৈন্ন য়াম্না লৈরি। চাউমনখিগদবদগী মথাদি নৈনজক্রে। অতুমদি ওইরগা লাইওকশিঙ্গা লৌনবা, চৎনবা মিংনচিংবা খরদংগী চাউরাকপা খরা অমুক য়েংসি। সংগীত দর্পণনা হায়—

যতো হস্তস্ততো দৃষ্টির্যতো দৃষ্টিস্ততো মনঃ।
যতোমনস্ততো ভাবঃ যতোভাবস্ততো রসঃ॥১১০
অঙ্গেনালম্বয়েৎগীতং হস্তেনার্থং প্রদর্শয়েৎ।
চক্ষুর্ভ্যাং ভাবমিত্যাহুঃ পাদাভ্যাং তালনির্ণয়ঃ॥ ১১১

অয়োইবা পরেং অনি অসি অভিনয় দর্পণ-নদি মথাগী অসুম্না হায় মঙ্গদি—

আস্যেনালম্বয়েৎগীতং হস্তেনার্থং প্রদর্শয়েৎ।
চক্ষুর্ভ্যাং দর্শয়েং ভাবং পাদাভ্যাং তালমাদিশেৎ॥৩৬

চীন্দা ঈশৈ শক্কনি, খুৎনা অর্থ তাক্কনি, মিৎ অনিমক্না ভাব ফোংদোক্কনি, খোঙ অনিনা তাল থমগনি। খুৎনা লৈবা মায়কৈদা মিৎয়েং থমগনি। মিৎনা লৈবা মফমদা ভাব লৈগনি অতুগা ভাব লৈবা মফমদা রস লৈগনি।

নিয়ম অসি ঐখোয়গী ওজাশিংনা হায়দগী অতুম্মক তৌরকই। ওজাশিংনদি মসিবু নিপা মরিনা লোই শায়গা অনিনা য়েংগদবনি অসুম্না হায়নৈ। নিপা মরি—খুৎ অনি, খোঙ অনি অয়েংবা অনিনা মিৎ অনি। শাস্ত্রগা খেন্নরকপদি মিৎনা খুৎতদা য়েংগদবা ওইনা লৈবদা ঐখোয়গী লৈবক্কী চোলোমদদি মিৎনা লৈখা তমনা খোঙগী মায়কৈদা য়েংথবা মতাংদু যাওরকই। পুং চোলোমদনা মসি খরা তোয়না লৈ। মরম অতুনা ওজাশিংনা খোঙ অমসুং খুৎ মরিরকপু লোই শাবা মরি হায়না লৌরম্মী।

অহুনা মিৎনা খুত্তা য়েংগদবনি হায়বসি পুন্নমক্না য়ানবা য়াকম ওইরবসু থোইদোক্না রাজমেলগী মতাংদদি খুৎ হাইথরকপাদা মথা তাঞ্জবা

খুৎ অদুবু কোক মোয়ুমনা য়েংশুগদবা নত্তে। অহানবা কিয়েপতা ওই-খিবা নাতোন নাকচিদা য়েংবা ধ্যানগী মিৎয়েং অয়ুতনা অত্থুমক লৈ-গনি। মসিগী মতুং তানবা হোৎনবদা চোলোম ভগ্গা হৌগৎলকপগী তুংদা য়াওলেন শব্দ মপাদা তোংনৈক্রে থেত্তুনা থম্নগা (অশাংবা চৈ ওই-রবসু) খ্বাওদগীনা লেংপাক কাওবা য়াওলেন মরীগা তোংজেগা কাখোরুবা য়াদে, নপুংনবগদবনি হায়না কয়া হোৎনহল্লি। মসি হায়গী য়াওতিংরা সমভঙ্গগী মতৌ অয়ুনি। অশুম্না য়াও তিংনা লৈরগা খুংনা লৈবা মায়-কৈগী ওয়তৈনবদা ওক হাইফেং ঈল্লগা মথক্তা হায়রিবা মিৎয়েং অসিদা মিৎচিনা য়েংগনি। মসিবু 'ভঙ্গীগী মিৎয়েং' হায়না ওজাশিংনা তাকপি।

য়াও—য়াজমেল চোলোমদা অয়াম্বা মতমদা য়াও তিংনা লৈবগী নিয়ম লৈয়বসু কোয়প তাবা য়াও অমসু লৈ। করতাল হাইথনা খীংবদা হকচাং নমথরকপগা লোয়ননা য়াওসু কোয়প তাহনগনি অত্থুগা হাইগৎলকপদনা অহানবা ফিরেপকী মওংদা ওইবা মতৌ অয় তৌগনি। খ্বাও নোত্তক তাহনগনি অত্থুগা করতালনা লাইপক মপা যৌবদদি য়াও তিংনা থমগনি।

হকচাং ইপোম—চোলোমদা হকচাংগী ইপোমদি-- শামুনা মখোঙ হায়া থাংলগা অচৌবা মশানা মাওদা কোয়া ঈল্লকপগুম হকচাংগী ইপোম কল্লহনগনি। থাওজবগী নৈফু উতোংনা মৈত্থুম অনিনা হুম্বদা শরুক শিহন্দনা, লেপ্পা লৈতনা মৈখোন অত্থুমক থোকহনবা অত্থুগুম্বা মৈত্থুনগী ইপোম অয় চোলোমদসু ওইহনগনি।

চোলোমদা খোঙথম—চোলোমদা খোঙ অসি থক-বাদা থাং-কৎ থাংথ তৌবা নত্তনা ভাবুকতা নত্ত্রগা মশুগী ময়ায়দা খুয়া উৎপা য়াদে। অসিগুম্বা খোঙথম অসিগী মরমদা স্যার চূড়চাঁদ মহারাজগী সনা হাকত্তা রাথোক ওইনখিবা লৈ। অসুম তৌনা চোলোমদসু অচেৎপা খৌগয়োন, ব্যবহারনা চুপলী ওইনা কাহুনা থমদবা য়াদে।

ফম্ফম—নট পালাগী ফম্ফম অহুম শুই। মসিবু তিনতাল ফম্ফম, তাল ফম্ফম অমসুং অক বা তালফম্ফম হায়না মমিং থোনবা য়াই।

তিনতাল ফম্ফম—মসিবু অচম্ননা তর্পণ ফম্ফম হায়নসু খঙনৈ। ফম্ফম অসিদি ওয়গী থুকউ থেকচিন্দুনা খোঙ লোংথোক্লা খোঙনামনা লৈতারগা লোংথোকলিবা খোঙগী খুনীং মথক্তা নীংজোম্না ফমথগনি। লৈতারিবা ওয়গী খোঙপাক মতোনগা হায়রবদি খোঙ ওয়গী খোংবী অদুগা য়েংকী খুনীংগা শম্না য়েংকী থুকউনা ম্রাংখত্লুনা থমগনি। য়েংকী থুকউগা, লৈতারিবা ওয়গী থুকউ অমদি কৈগা অহানবা ফিরেপকী খোঙথম অদুগুম্না মতোন হাইদোক্লগনি। নট-পালাদা মসিবু, তিনতাল য়ৈবা মতমদা শীজিন্নৈ হায়দুনা মমিংসু অদুম্মক 'তিনতাল-ফম্ফম' হায়না থঙনিখি।

তাল ফম্ফম—তিনতাল ফম্ফমগী ওয়গী খোঙনা তৌরিবা অদুগুম য়েংকী খোঙনসু তৌরবা হায়বদি লোংথোক্লা লৈতারিবা খুনীং অনিগী কারক্তা নীংজোম্না ফমথরবদি ফম্ফম অদুবু 'তাল ফম্ফম' হায়না কৌই। তাল য়ৈবা মতমদা শীজিন্নৈ হায়দুনা মসিবুসু অদুম্মক 'তাল-ফম্ফম' হায়নখি।

অকনবা তাল ফম্ফম—মথকী তাল ফম্ফম অসিদা অদুম্মক লৈরগা নীং কাঙখংলক্লনি অমসুং মদুগা লোয়ননা খোঙবীনা লৈপাক্লা শৌরগা খুনীং থানমকসু মথক্তা ম্রাংখৎলকনি অদুগা ম্রাংখংলিবা খুনীং অনিমক্তা নীংজোম্না অন্দম্বা পীদুনা ফমথগনি। ফিবম অসিদা থুকউ অনিগী অরাওবদি হান্নগী অহানবা ফিরেপ্তা ওইথিবা খোঙ অনিগী অরাওবা অদুগী চান্দা অদুম্মক লৈগনি। হায়রিবা অরাওবগী নিয়ম অসিদি ফম্ফম অদুম্মকনি। অদুগা য়াঙ অমসুং মিংকী ফিবমসু অহানবা ফিরেপ্তা তৌবগুম তৌগনি। অদুমদি ওইগা ঈশৈগী সুর ছন্দ অমদি য়ৈরিবা তালগী মতুংইন্না করতাল মরোল খীংলকপা মতমদদি মিংনা মতম পূম্নমক্তা থূংকী মতুং ইনগনি।

ফম্ফম অদুমগী করতাল থূৎপায়—অহানবা তিনতাল ফম্ফমগী করতালদি লোংথোকপা য়েংকী খূংনা ম্রাংখংলিবা থুকউ মথক্তা য়েংকী

খুংনমনা নন্দুনা থম্লগা করতাল অনিমক উপশিল্লা পায়হনা তাল থাগনি। হায়রিবসিনা করতাল মরোল য়াওদবা চুম্নগী তালত্তমক থম্নগী মওঙনি। অদুগা করতাল মরোল য়ৈরকপা তাবদি খুৎ অনিমক্তা করতাল পায়-হুনা খোয়দৌ মপাদা খীংগনি। য়েংগদবা অমদি. অসিগুম্বা ফফমদা খীংবা করতালদি কৈদৌঙৈদম্ থুকউ অনিগী য়াংমা লাম্হোকপা য়াদে। অসিগুম্বা করতাল মরোল অসি য়ৈবা তাবদি লেপ্তুনা তৌবা চোলোম-দম্ মওঙ অসি মঙার, খুংনা খুকউ অনিগী য়াংমা থক লানবা য়াদে। পুঙ্গাগী মতমদম্ খুকউ অনিগী মপান্দা খুংকী থবক তৌবা য়াদে হায়বা নিয়ম লৈ। অদুমদি ওইরগা অভিনয় তৌরকপদদি নিয়ম অসি কায়-রকপা ওইনা উবম্ যাওরকই, মদুম্ থানা লৈরকপদা খুৎনা মদুগী মতুংইন্না ল'কপা তাবদগী কবিগুম্বদা য়াওবনি, ওঙ্গাশিংনা মদুগুম্বা অদুদি দোষকী মমুং চলহল্লগদে।

করতাল খীংবা—মক ওইনা কারতাল মথীং অনিতনি মদুদি—করতাল মপুম অমসুং করতাল মশেক।

করতাল মপুম—য়ৈরকপা খুদৌংগী করতাল অনিমকী মমায় উপশিন্নবা অমগা অমগা পুন্না থেংনহন্না খীংলবদি মদুবু 'করতাল মপুম' কৌই।

করতাল মশেক—করতাল অনিমক মতাইগী শরক্তা থেংননা খীংলবদি মদুবু 'করতাল মশেক' হায়না কৌই। মসিগী মখল অনি অমুক খোকলি মদুদি অখেৎপী অমসুং অখৎপী।

(ক) **অখেৎপী**—লেঙদনা লৈবা ওয়গী করতাল নাকচেত্তা য়েংকী করতাল মশেক্তা (মতাইনা) শরক হেদনা খেত্তুনতা অসুম মখোল থোকহনববু করতাল অখেৎপী কৌই।

(খ) **অখৎপী**—য়েংকী করতালনা ওয়গী মথক্তা খেত্তুনা লাক্লগা মতোন যৌরক্লবদা অনিনক খত্তুনা খীংমিন্নববু খঙনৈ। অসি-গুম্বা অখৎপী অসিগী মমুংদম্ 'অনীকপী' হায়বা অমা অমুক লৈরি।

অনীকপী—অথংগী করতালগী মণ্ডল অসিনা মচুগী মণ্ডলগা মান্না করতাল অনিমক খ'নীক নীকমিন্নবনু 'অনীকপী' হান্না কৌই। পালা পূম্নমক্কা মতম মান্না, চাং মান্না তৌরবদি মসিগী খোঙ্হোক খান্না চুংশিবা হেল্লি। 'চালি অনীকপী' হায়বা করতাল মরোল অমত্তু লৈ, মত্তুদি মমিংতদা মায়বগুম উবনি, মখোং মান্নদে, রাজমেল মচুং চনবত্তু নত্তে, যমত্তুনা তৌবা করতাল মরোলতগী রানি।

<u>রাজমেল করতাল খাং বা</u>—মথাদগী মথক্তা পুখংলকপদা করতালনা থক মিংকী মথক লানখংপা য়াদে। চীনবান মপাদা খুং খাজংত্তুনা করতালনা মিং মপা য়োনা লৈখংলকপদা ওকত্তু করতাল মচুংইন্না কে-না লৈগনি। অসিগুম্বা মতমদা খুংকী খুদাং অনিমক রাংবা মান্নহনগনি, অনেম অমাং নাক্ষহনবা য়াদে। অত্তুম্না খুংনা মথক্তা পুখংলকপদা নীংনা চিংথত্তুনা হকচাংদি খাদা নমথগনি অমত্তুং খুংনা খদাঙ মপা য়োবদা হকচাংত্তু নমথবা লোইহত্তুনা অমুক তিংখংপা হৌরকনি। হকচাংনা তিংখংপা লোইবগা করতাল খত্তুনা 'কৃষ্ণ' হায়বা হেক লোইবগা মান্নহনগনি অমত্তুং খুদক্তা মখাদা খুং হায়রথিগনি। মসি তৌনদা অওম্বা অরেম্বা মতৌ কায়হনবা য়াদে। অশেংবা চোলোম শাথেক্কা, করতাল মখোলনা চান্নহনগনি হায়বদি চোলোমদত্তু সুর ছন্দ চঙহনগনি। ঈশৈগী অর্থ অমাদি ছন্দ মত্তু ইন্না হস্তক তৌগনি, হস্তকপু চুম্নবদি মিংনা খুন্তা য়েংন্দবা লৈবনা ওকত্তু, কোকত্তু অংলমক চুম্নকউ।

<u>**তম্বগী মণ্ডল**</u>—অহানবা চোলোম তাক্রিউদা জমখংলকপা অঙাং শিংবু চোলোমগী অহানবা ফিংলেপ্তা লেপহল্লগা চুম্নতগী করতাল পায়বা অমদি খীংবা খোংবম্বা ত্রম্বীবনা মপুং ওই। অহানবা করতাল মরোন্দা 'চৌকায়-কুপ, চৌকায় কুপ' হায়বা খোঙ্হোক আস তা-ন-বা খীংবা হোংনহল্লি। মসিনা রাগমচাগী করতাল মখোনি, মসিবু 'নিতাই-গৌর' হায়বনি হায়না শরণি তৌনৈ। মখাদা 'রাধে-কৃষ্ণ' নত্রগা 'হরে কৃষ্ণ'

বাক্সবা তম্বী। খুৎ হাইথক্না খীংবনা 'হরে' নক্লগা 'রাধে', খুৎ থাং-গত্তুনা খীংবনা 'কৃষ্ণ' হায়বনি অমুম থাজনৈ। রাধে-কৃষ্ণ হায়বন-চিংবা মরোল অসি মেলগী করতাল মরোলনি।

চোলোম ফিরেপ—খোঙগী খুনীং অনি মপা মাল্পনা মরক্তা খুদোল অনি লাপ্পনা, খোঙদোন অনিনা মরক্তা লুক অমা লাপ্লহন্না কাক্তোক্লহনা লৈগনি। হকচাংনা তেনজৈগুম চুম্না সমভঙ্গদা লেপকনি। মিংনা ইশাগী মাঙদা লম অমা মখায়রোম লাপ্না হায়রবদি নাতোন নাকচি অনিদা য়েংগনি অমসুং মিংয়েং অসিদা মাধুর্য্যগী ভাব ফোংদোকনি। মণ্ডপ অসি তাহনবদা থম্মোই হাইফেৎ পেশ্বহনগনি। মতাং অসিদা মৃদঙ্গ-ব্যবস্থা-সঙ্গীত'না হায়বদি —"বাগ-মচৌবা হৌবনচিংবা অহৌবা পুন্নমক মিং পাঙবসু যাদে, উইবসু যাদে। মরমদি—ভজন তৌগদবা লাই অতুগী মূর্ত্তিবু শুকঘাৎ ফাওবা অতুগী মসুংদা নিরুপণ তৌগদবা ওই। ... ... থৱো অশংবনা হুমিং হেক তাবদা চন্দ্রদেববু ভাইচনা হেক শাংপসু শাংতনা চকু শানা লৈবা অতুগী পান্দম ওইনা প্রথমা-বস্থাদ তৌগদবা ওই। মসিনা অতুম লোইবা ফাওবা তৌগদবা নত্তে। থা অতুনা খরা খরা য়াংখৎলক্লগা শাংলিবা থৱো অতুসু মাগী মপা য়ৌরকপদা পুমশাং শাংতোকপগী প্রমাণগুম্না খরা খরা পাঙথোক্লকপা মিং অতুনা বড়সঞ্জায় হেক লোইবদা ঐগী হায়গী ফিবম তাগনি।" অসিনচিংবা—

খুৎথম—মথক্তা হায়রিবা ফিরেপ অসিনা ওইগদবা খুৎকী মওঙদি—ইশাগী খোয়দোগী হেক মথক্তা লোংথোক্লিবা ওয়গী খুৎ মথক্তা য়েংকী খুৎনা উপশিন্না থমগনি। করতাল পায়রবদি, ওয়না পায়রিবা করতালনা খুৎকী মমাঙদা মমায় উপথনা হাইথহনা লৈখিগনি অতুগা য়েংকী করতালনা ওয়গী খুৎ মথক্তা উপশিন্না তাহনগনি, ওয়গী খুৎচানা উপশিল্লিবা করতাল অতুগী মচেৎ খরা পায়রগশিনগনি।

অসিগুম্বা ফিরেপ অসিনা শ্রীগৌরাঙ্গবু থম্মোইদা ধ্যান তৌবগী মণ্ডপ তাহনগনি। ফিরেপ অসিনা পালাগী অমত্তা ওয়বা ফিরেপনি। নট-পালাদা মরক্তা, মমৈদা এমদি অহৌবদা চুম্না লেপ্পা তারবদি হায়রিবা ফিরেপ অসিতবু শীজিন্নগনি।

থোংখোঙ—মথক্কী অসিনা পালাগী অহানবা ফিরেপনি। রাজমেল চোলোমগী মতমদদি খোঙ্ থোংখোঙ শাগনি। মসিগী মওঙদি—চোলোম হৌরবদা ওয়গী খোঙ ফুকপগা, মেংকী খুং থাংগৎপগা মান্নগনি অমসুং থাংগাৎলুবা খোঙনা লৈতাবদা খুৎসু হাইথল্লনা মতম মান্ননা করতাল খীংগনি। অসুম্না ওযগী খোঙ ফুকপদসু খুৎকী মওঙ অসিদি হান্নগী ফিবম অসিদগী হোংবা তৌরোই। খোঙ থাংগৎপনা অতোপ্পা খোঙগী খুবোম মপা ফাওবা রাংনা থাংগৎকনি। চোলোম তৌরকপা তারবদি খোঙ-থেংখোঙ শাগনি হায়বদি খোঙসি হান্নগী ফিবমদা লৈরগা খুকউ অনি ফাক্কোক্নগনি, চপতিংনা হাইথরকপা খুৎকী খুজেংনা খুকউ মথক্তা ইরুং মুংঙাহনা থম্বা য়াবা মওঙ অদুবু হায়বনি, খুকউগী অয়াওবদি মশগী খুবাম অমা কস্তক লাপ্পগনি। অদুম ওইনমক নীংজেন্না খাদা নমথদনা চুত্তাউ তাউংল্লবদি হায়রিবা ফিবম অসিগী অচুম্বা হারবহু থক ওইগদবা নত্তে। মসি তাহন্নবা হোংনবদা ফৈমায় মান্নহন্দ্রবদি (খুকউগা ফৈকগা রাংবা মান্নহন্দ্রবদি) মসি তাবা য়াদে। মরম অতুনা নীগী থবক্তি যান্নমক মক ওই।

রাজমেল চোলোমগী মওঙ—মথক্তা হাযরিবা চোলোমগী মওঙশিং অসি অয়াম্বনা মেলগী মতমতদা তৌগদবা ওাকনি। থোংখোঙ শাহ্নুনা হকচাং নমথবা অমদি অমুক তিংখৎপা অসিগুম্বা মওঙ অসি হন্না হন্না তৌগনি। মথাদা থাদকবা খুং অনিনা মথক্তা হেক পুখংপা হৌরকপদা লৈতাবম্বা ওয়গী খোঙ থাংগৎপা তৌগনি অমসুং মম্লগা লোয়ননা হকচাং মথাদা নমথবা তৌবক্কনি হাযবদি খুংকা খোঙগনা থাংগৎলকপদা কেক্কুগী খুঙ ফাওবা হকচাংদি মথাদা নমথরক্কনি। মসিবু ওজাশিংনা 'নীং-নম্বা' কৌই। খুৎনা মথক্তা হাইগৎলকপদা

নীংবা মথক্কী হকচাংবু মখাদা চিংথরকনি। মওঙ অসুম্না খুৎ-খোঙগা অমদি হকচাংগা অনিমক থক-খাদা কান্নন চৎনহনগনি। হান্না হান্নখিবা মৈষু উতোংদা মৈ হুম্বদা মৈহুম অনিগী কান্নন চৎনবা মতৌ অঙুগুম্বনি।

অসুম্না, থাংগৎলিবা খুৎনা চীনবান মপা য়োম্নকপদা করতালনা মিৎ মপা য়েৌনবা লেথৎলককনি। মতম অসিমক্তদা থাংগৎলুবা খোঙ অহ মখাদা অমুক হাইথবা হৌরককনি, মতুগা মতম চপ মান্ননা অতোপ্পা খোঙসু কোনশিনলম্বদগী তি থোকপা হৌরককনি অমসুং ওয়গী খোঙনা লৈপাক হেক তাবদ য়েৎকী খোঙ তি থোকপা লোইতুনা ফুকপা হৌবককনি। মথক্তা হাযখিবা ওয়গী খোঙনা মখাদা হেক পুখবা হৌরকপদা হান্নগুম মাঙতি'না হকচাংসু অতুম্মক তপ্পা তপ্পা মথক্তা ইন-খৎলক্কুনা হান্নগী ফিবম তাহল্লককনি।

য়েংগদবা অমদি, অসিগুম্বা চোলোম অসি তৌবদা মতম পুম্নমক্তা থা (থবাক)না মপুং ওইগনি হায়বদি থা-না চৎপা চৎপা মায়কৈদা হান্নগী ফিবমদি কায়দনা অতুম্মক চংকনি অতুগা ডকথেক ডকহাইদি খুৎকী মতুং ইনগনি। মেল থাবনদাইদদি তাল থুজিল্লকপা মতুংন্না অচাকপা মৈতান নেৎপগুম খোঙ কুপ্পা-কিংনা থাংগনি। মতম অসিদদি হকচাংগা খুৎকা থক-খাদা কাবন চৎনবা মওঙ অদু ওম্নদ্রবং। থাদে ক্লগনি, চুম্নগী থোংখোঙ শাবা ফিরেপতা ওইবা মওঙ অহতদা নীং ফাহনা থম্লগা হম্না হম্না থাংগৎ থাংথ তৌবা যেৎ-ওয় অনিগী খোঙনা তাল থাতুনতা লৈগনি। মতম অসিদা খুংকী খুনীং অনিনা উচেক মশাগুম খপ্পনা করতাল খীংগনি। করতাল অসিমকসু থুজিল্লকপা মতাং অসিদদি হান্নগী মওঙ অএদা অতুম্মক কুংশিল্লকফম থোক্লবসু ওমদবদগী চুম্নগী তাল থাবতমক ওংনা মখোল থোকহন্দুনা লৈগনি। অসুম্না শকলিবা ঈশৈগী মতা'দসু অসি মঙ'য়—শকলিবা ঈশৈগী ময়েক মশোল অদু মতম অসিদদি হান্নগুম রাহৈ খুদীংগী সুর ছন্দ থমতুনা শকপা মতৌ অদু কান্নদনা অসুম চখরকপা ওমদে, অসুক্কী মতীক খুথে মন্থদি—

স্বর-ছন্দ করিস্থ হাওদনা করিগুম্বা হাইৈ মপুম অমত্তস্থ হায়দোকপা ওম্নগী পাক্কল লৈম্নকতে। মরম অদুদগী মতাং অসিদদি চুম্নগী অনেম-অরাং খোঙ্হোক অহুমতদা 'এ—আ' হায়না স্বর আলাপ তৌবগুম্বা চুম্নগী অরাংপা মেম্নবতা ওইনা অত্তুম্মক লৈগনি। অসিগুম্বা মওঙ্ অসিম্ন শান্নবা 'স্তোভ' লাউবা হায়ন। কৌই (গৌড়ীয় বৈষ্ণবঅভিধান —৮৮৯)।

রাজমেল-চোলোমগী মরু ওইবা মশক্তি মসিনি। উংলিবা অসিনা 'চোলোম অচুম্বী'গী মওওনি। অসি নত্তবা 'চোলোম অরৈবী' হায়বা অমস্থ লৈরি। মসিগা চোলোম অরৈবীগা খেম্নবা হায়বদু—মথাদা থাদথিবা খুৎ অসিনা ওয় নত্রগা রেংতা থা (থবাক) না কে না লৈম্নকপদা খুংস্থ মতুগী মকুংইম্না মথক্তা কারন পুথংলকপা অদুগা খুৎ পুথংলুবা হকচাং নাকনগী কৈ মপাদা অমুক থাদরক্কপা, কাবন লাকুনা ওন্ন-তৈনবা মায়কৈদা অমুক পুথংলকপা—মসিনা হুম্না হম্না তৌগনি।

মসি ষ্টাইল খেম্নবতনি. মপুমদা করিস্থ খেম্নবা নত্তে।

<u>লয়চং</u>—রাজমেল চোলোমদা লয়চং অহুম শুই মহুদি, মেলহৌ (বিলম্বিত), অওনবা (মধ্য) অনম্ভুং মেন-থা (দ্রুত)। অওনবী অসিবু মথাংশিংনা মেলওন নত্রগা মেলরায়স্থ হায়নৈ। মখোয় খুদীংমক্কী লয়চং ওাও অমুক লৈ। চোলোমগী মতমদা মসি কায়দনা শীক্লিন্নরবস্থ অকুপ্পা মশিং মথানচিংবদি ওজাশিংনা থোইনা উংপিরমন্ত্রে। মরম অদুনা মতিক চাবা গুরুদগী তমহুনা খওদ্রবদি মহু খওবদা রানা থোকপা মওঙ্ লৈ। অসিগুম্বা লয়চংশিং অসিগী মতেংনা রাজমেল চোলোমদা অতপ্পা, অঙৈংবা অমদি অরুম্বা অরেম্বা ফজঞ্ৰবা মতৌ অমা লৈ অদুগা মথং মথং অসুম হাইগৎলকুনা নোং ওংবগুম্বা অরুম্বা খোঙ্গেলনা তিন্দুনা মমৈদা মথুবা অফিংবা ইনিন্না অওকপা মতৌ ওইহল্লকই।

অসিগুম্বা রাজমেল চোলোম অসিবু ওজাশিংনা অওকপা, ফজবা, ঈশ্বরপা মরী লৈনবা ভাব ওইনা তেকশিন্না লুনা শরণি তৌনৈ।

<u>প্রতি</u>—অচুম্বী অমম্বং অরৈবী চোলোম অসি নত্তনা শা, উচেক-নচিংবগী মতৌ পৌত্তনা 'শাজং' হায়না খঙনবা, অভিনয়গী শরুক য়াম্না য়াওবা রাজমেল চোলোমগুম্না কনবদি নত্তবা অদুমদি ওইরগা লাস্যগুম্বগী মতৌমকস্থ তাদবা অতুগুম্বা মখলগী চোলোম অমস্থ ওজাশিংনা শেম্দ-হুনা হুন্নীকস্থ য়াম্না পাম্না চৎনরি। য়েংবদা মুংঙাইগদবা, ফজগদবা, মখল কয়াগী শাজং শাথেরুচিবা তমহুনা মসিদা উৎপা য়াহ। হুহায়গী মশাগী হৈবা শিংবা, ফজবা মতৌ উংননবা তপ্পাদি শাজংচোলোম অসিদন। খ্বায়দগী হেল্লি। শামু শাজং, কাংও শাজং অসিনচিংবা মখল কয়া লৈ।

চোলোম মখল—<u>নট চোলোম মখল অহুমনি মহুদি</u>—মেল <u>চোলোম, তানচপ</u> চোলোম অমস্থ মেনকুপ চোলোম। মেল চোলোমগী মখলদা অমুক 'রাজমেল, মেনগোই মেলভঙ্গণা অমদি মেল ভাঙ্গা'—মখোয় অসিনা চোলোম কোন্নবান অহুগা মেল তানচপ, ত্রিনতাল মেল মেল মতেক অংস্থ বৈগী মেল—মখোয় অসিদি চোলোম লৈতে, ফম্নগা তৌবা করতাল মবোলতনি। থায়নদি চারিতাল মেল' হায়বা অমস্থ ওজাশিংনা শীজিন্নবিরম্মী হুন্নীকস্থ থন্না থন্না উনরি। তানচপ অমম্বং মেনকুপ চোলোমদা হুন্নীক্তি অনৌ অনৌবা অলঙ্কার কয়াস্থ হাপকৎনশকলে।

মথং মথং চোলোম চাওখৎলকপগী মওঙ

করিগুম্বা ঈশৈ অমা তাল থাম্বুনা শক্লবদি, ঈশৈগী স্থর ছন্দ অতুগী ঈথক-ইপোম মতুংইন্না শকচাংস্থ মশনা অতুম্মক লেঙলকই। মতৌ অসি ফমহুনা শকপা ঈশৈশক ফাওবদা ওইরকই। অতাবা মী ফাওবনা নাকন্নেংতা মশা হাইনা হুন্না, মথুংনা তাল থাম্বুনা মশাগী অপেনবা মতৌ ফোংদাকই। মওঙ অসিদা, শৌগন্নুনা শকপা পালানা ঈশৈগী তাল অমদি স্থর ছন্দগী মতুংইন্না মশা লেঙবা ওৎপগা ঈরোন্ননা। খোঙনা তাল থম্না পায়রিবা করতালনস্থ তাল চানা মখোল

থোকহন্দুনা অচম্বা মণ্ডপদা ঈশৈ শক্তুনা লাইগী থৌগলনচিংবা অমম তৌরম্মী। অসুম্না অহানবমক্তদি হুন্জীক উরিবা পালা চোলোম অসি-মক ওইনা অহুম্মক নৈরকখিবা নত্তে। লাংলিবা লাইগী সেবা-পূজা মতমদা চুম্না শোনবা নাম সংকীর্ত্তনগী মণ্ডপদা লৈরম্বদগী গরীবনবাজ মহারাজগী মতমদা পালা লিংবা অমদি কোয়েৎ শলাই যেৎপা হৌরকখি (মণিপুর ইতিবৃত্ত by কাওমচা)। বংদেশ-পালানা গরীবনরাজ মহা-রাজগী মতমদা অহানবদা মথক্তা হায়খিবগুম অচম্বা মণ্ডপগী চোলোম তৌরম্মী। মসিমকসু হান্নদগীদি য়াম্না চাওখৎলকপা, মতম অহুগী মীনা য়োনা পান্নবা কুম্মে মখল অনদি ওইরমলিবনি।

অসুম্না মথং মথং হোংলকপা মতংগী য়াওন মতুংইন্না ঈশৈগী শুর-ছন্দ, তাল-মন অমদি মহুগা লোযনবা হৌনবা হকচাংগী শাথেক খোঙ-খুংকী থবক অমদি শীজিন্নবা যন্ত্রনচিংবগী মণ্ড মতৌ পুন্নমক্তা অহোংবা খরা শবা পুরক্তুনা শ্রীযুৎ ভগ্যচন্দ্র মহারাজ সনা হাক্তক্তা শ্রীগোবিন্দ নিরূপণ তৌবগা লোযননা অনৌবা সংকীর্ত্তনগী শক্তম অমা নৌনা মশক উরকখি। অহুনকপু মসিনকসু, অরিবসু নত্তবা, হুন্জীক ঐখোয়না উনবিবা অনৌবা হায়না খঙনরিবা অসিগী শকলোনমকসু ভাস্রিবা অরি অনৌ মু্ংবা মশক অমদা সনা হাক্তক অহুদগীনা মজা-ইবুংঙো গম্ভীর সিংহ মহারাজগী মতম ফাওবদা লৈবম্মী। মথংদা শ্রীযুৎ নরসিংহ মহারাজগী সনা হাক্তক্তদি হান্নগী অনৌবা মণ্ড অসিদা ফিজেৎ লৈতেং অমদি চোলোম চালোমগী মায়কৈদা পুমনৌ নৌবা ঈনোৎ অমগা অমুক হাপচিন্দুনা হুন্জীক 'নট পালা' হায়না খঙনরিবা কজরবা মশক অসি থোকহনবীখি। (বিজয় পঞ্চালী, ঝুলন—১২৬)। মতম অসি-দগীদি মসি হান্নগী অরিবা মশক অহুদগী পুমতোপ তোপপ্রে অমসুং মথংদা পাল্লকপা স্যর চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ মহারাজ সনা হাক্তক্তা মরু ওইনা রসকী শৈশক্তা মপুং ফানা মরীক-চুম্না, অরাংপা মশক খঙদমখৈ অমুক থোমজিনবঁহুনা মতং পুন্নমক্তা, মণিপুরগী মফম খুদীংদা শ্রীহরি-সংকীর্ত্তনগী অচৌবা ঈহৌ লমনা অহিং মুংথিল অনিমক্তা ইনিলতা

মিলহন্দুনা অমসুং মতুগী মপান্না মতুংদা পান্নরকপা নিংথৌশিংনসু অঙল অঙম্বা হাপচিন্দুনা অঙকপা নীংথিবনা তিল্লবা মসিগী মশক অসি ওই-হল্লকখি। হৌজীক ঐখোয়না মমিং তাবদগী হেন্দুনা উবদি ফংনখিত্রবা 'চৌষট্টি-রস' হায়বত্তু স্যার চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ মহারাজনা পীনবীরম্বা চাউ-রবা অবদান অমনি। রস ৬৪ গী ঈশৈ শেমদুনা মদুবু সুমিৎ খুদীংগী রস ২ | ২ শকুনা সুমিৎ ৩২ নি চুপ্পা চুপ্পা ফাংনদুনা, অহেনবদা মনা পীদুনা অসুম্না অরৌবী থাক্তা পুখৎপিরম্বা মপান্না ঐখোয়না ঙসি ফাওবা কায়দুনা চাবা ঙমদবা লনগৈগুম পুং-ঈশৈগী অরাংপা মশক খণ্ডদ্রিবসি ইনিংথৌ অসিগী বৈষ্ণব-ধর্ম্মদা পুক্নীং চেংপা, অতুগী মথক্তা নিংথৌ মশামকসু অচৌবা কলাকার অমা ওইবা মরমদগী থোকখিবনি।

চোলোম মথল অনি—অশেংবা ঈশৈ অশেংবা জগোই অমদি অশেংবা চোলোম অসিনচিংবগী অশেংবা হায়বত্তু লেপ্পা তারবদি মতু খ্বায়দগী হেন্না ফজবা, খ্বায়দগী হেন্না শুংঙাইনবা ওইবা—ভাব-রস-নচিংবদা খ্বায়দগী হেন্না মপুং ফাবা অতুগুম্বা খ্বায়দগী হেনবা মশক অতুতনা ওই। অদুবু মথক্তা হায়খিবগুম্না অসিগুম্বা অশেংবা হায়বসি ফংনবা থিবা হোৎনবদা চহি কয়াগী সাধনাদি চংই। হন্না হন্না হোৎনৈ, অনৌবা শকলোন উৎনৈ, মতম মতমগী সমাজনা মদুবু অনৌবা মথেল ওইনা অহুম্মক পাম্নখি। অদুবু লেঙফদ্রবা হায়বা মশক অতুমদি থক ওইরকখিদে। মথংদি করি অহেনবা থক লৈত্রবরা, মতুদি কমদৌরগা থোকনি, অকনবা চাংয়েংনি, সাধনাগী ঙমখৈ কদাইদনো! মতুসু চন্দ্র-কীর্ত্তি সনা হাক্তকী রানি। থৌমু-নাউমু ওইনা কলাপ্রেমী অনীথক্না মাগী মাগী সাধনাগী অরৌবী অমদি অরোইবী মশক উৎনরকখি। লৈবাক-নিংথৌনা কলাকার অনিমক্কী সাধনাগী পোৎথোকশিং অদুবু লৌখৎপিদুনা শ্রীগোবিন্দগী চরণদা কৎপিখি। মতু ঙসি ফাওবদা মৈত্তৈ লৈবাক্তা অমর ওইনা লৈহৌবে। মতুং যুগ কয়াসু অহুম্মক লৈহৌরগনি।

শরোং খাইবম ওজা শোঙ্গুবনা 'চোলোম অচুম্বী' অমসুং হাউরোকখম ওজা শামুনা চোলোম অরৈবী হৌদোকখি। (ওজা শেঙ্গুবনা হান্না চোলোম অচুম্বী পুথোক্লগা কোন্না ওজা শামুনা অরৈবী চোলোম পুথোকখিবনি হায়না অহল্লম্মন্না তাকপি)। অতুম্না ওজা অনিমক্না পুথোক্লবীরম্বা রাজমেল-মেনবুংগী চোলোম মখল অনিমক অসি কাওবদা অচুম্বা অশোংবা ওইনা, মওান মশা চাউনা লৈবাক অসিদা অহুম্মক পামনা চৎনরি। রাজমেল চোলোম অনিমক অসি কুপ্না য়েংলবদি মদুবু তোঙ্গান্নবা মশক্কি হায়রকবা য়াদে, অমত্তনি।

য়েংগদবা অমদি—অসিগুম্বা নট পালা চোলোম অসি তাণ্ডব জগোই ওইনা লৈরবস্থ মসিবু জগোইদি হায়নদে, চোলোম কৌনৈ। মরম অহুনা চোলোমদা জগোইমক্কি হাযবদি য়াদবা থেরবা থয়দি লৈ।

গৌরচন্দ্রকা

মণিপুরী বৈষ্ণবশিংদি শ্রীনরোত্তম ঠাকুর মহাশয়গী পরিবারনি। মরম অসিনা লৈবাক অসিদা চৎনরিবা কীর্ত্তনগী মণ্ড অসিস্থ নরোত্তমনা হৌদোকপিরম্বা সংকীর্ত্তনগী মণ্ড অহুনি।

শ্রীমন্মহাপ্রভুনা থুপখিবা চহি ৫০ রোমগী মতুংদা শ্রীনরোত্তমদাস ঠাকুরগী পোকফম খেতুরীদা (রাজসাহী জিলাগী গড়েরহাট কৌবা পরগণাগী মফুং চনবা থুঙ্গং অমা) অচৌবা সংকীর্ত্তন মহোৎসব অমা কৎখি। নরোত্তমদাস, গোবিন্দদাস, জ্ঞানদাস নয়নানন্দ, শ্রীনিবাস-আচার্য্য, রামচন্দ্র কবিরাজনচিংবা অকাওবা পদকর্ত্তাশিং য়াওখি। শ্রীরূপ গোস্বামী অমদি রামানন্দরায়গী নাটক-নচিংবদা গৌরচন্দ্রিকানা মাও থান্নুনা শ্রীগৌরাঙ্গদা হান্না চণ্ডজবা মতৌ তৌনরকপা লৈবাগী খেতুরীগী কীর্ত্তন মহোৎসব অসিদস্থ গৌরচন্দ্রিকানা মঙ্গলাচরণ ওইনখি। শ্রীগৌরচন্দ্র মহাপ্রভুনা কীর্ত্তন তৌদুনা অণ্ডকপা মণ্ডদা শ্রীকৃষ্ণ-লীলাগী রস আস্বাদন তৌখিবা মণ্ড অহু মাগী মমাঙদা অতৈ কনানস্থ হান্না তৌরখিবা

নৈতে। মরম অদুনা ইবুংঙো মাগী অনুগত ওইনা মতুংগী গায়কশিংনা রস আস্বাদন তৌনখি (গৌড়ীয়বৈষ্ণব-দর্শন)।

শ্রীকৃষ্ণগী লীলা মাধুরীবু ঈশৈ ওইনা লেংশিন্দুনা শরুগা মতুংগী মপান্না ভক্তি-মুক্তি ফংগে তানবশিংগীদি ইহান হানবদা মশাগী থম্মোইবু শেংগোকদখনি। মরম অদুনা নামগী মূর্ত্তি ওইবা, সংকীর্ত্তন হৌদোকপা অমদি রাধা-কৃষ্ণগী উজ্জল রস পূরমকী প্রমাণ তৌনকম ওইবা অমদি, প্রেম ভক্তিগী ঈহৌকম ওইবা অতুগুম্বা শ্রীচৈতন্য প্রভুগী শ্রীমূর্ত্তিবু মশাগী থম্মোইদা স্থাপন তৌদুনা, মশানা লিংখৎলম্বা কীর্ত্তনবু মশামক্তা শকপী শোনবীরনবা কৌজরগা সংকীর্ত্তন ময়ামদা ভাগহন্দুনা ইবুংঙো মাগী থোগল ওইনা লৈজরগা ভক্ত-গায়কশিংনা রসকী শৈশক মথং মথং শকমৈ। মরম অদুনা কীর্ত্তনগী অধিদেবতা ওইবা শ্রীগৌ-রাঙ্গগী নাম য়াওদনা কীর্ত্তন তৌরবদি মদূবু কীর্ত্তন কৌদবগুম অচেৎপা থাজনবা লৈনখি। সনানা শাবা মূর্ত্তিদমু প্রাণপ্রতিষ্ঠা তৌদনদি পূজা কৎপা য়াদবগুম, গৌরচন্দ্রিকানা মথন্তায় হাপত্রবদি সংকীর্ত্তন ওইবা য়াদে। মরম অদুনা সংকীর্ত্তনগী থন্নাযদি গৌরচন্দ্রিকানা ওইবনা ঐখোয়গী ওজাশিংনা করিগুম্বদা গৌরচন্দ্র শরুদবা য়াওদে।

শৈশক-ক্রম

চোলোমগা মরী লৈনবনা শৈশক ক্রমগী মরমদমু থরদং নৈনরি— মাওব ময়ায়দা পালা লেংদুনা ফম্নগা পঞ্চাঙ্গনা মণ্ডলী পূজাদা ওন-শিন্দুনা চপ মান্নবা থুরুম্নগা হৌগত্নুনা অহানবা ফিয়েগ্তা ধ্যান তৌবগী মওঙ লৌদুনা লৈগনি। মাওব মপুনা জয়ধ্বনি লাউবা লোইফাত্রি-ঙৈদা পুংনা রাগ অচৌবা য়ৈরকপগা লোয়ননা পালানা করতাল খীং-গনি। জয়ধ্বনি হেক লাউবগা মোইবুংসু খোংগনি। মরক্তা ঈশৈ-হনখবা ‘শ্রীকৃষ্ণ প্রীতি আনন্দে হরিবোল হরিবল’ হায়না লাউরকপদা মযাদা ‘হরে হরে’ হায়না খুমগনি। অমুম্বা রাগ হৌবা লোইরগা

ঈশৈ হনবনা 'সভা বন্দনা, গুরুবন্দনা' তৌরগা হৌগ্রিবা রাগ অহুগা চামনা 'গৌরচন্দ্র' অমা শক্কনি। মসিদা তিনতাল অচৌবা, মচা তাহনা শক্কনি। চারিতাল নত্রগা ছাড়াদসু শক্কবা য়াওই. অদুবু মৃদঙ্গশস্ত্রবু ওজাশিংনেদি অচুম্বা ওইনা লৌখৎনদে।

মথংদা হুমিং অহুগী শৈশক তাহবা শক্কগনি। পালা অনি অহুমনা মথং মথং শকপা তারবদি অকোমবগীশিংদি রাগ অচৌবা হৌররোই, অহৌবীশিংনা নত্রগা রাগ মচানা হৌগনি। অসুম্না রাগ লোইরবদা তিনতাল, মেল, তানচপ অমসুং মেনকুপ তাহনা শক্কনি। মচা হায়বা অচৌবা হায়বা লৈতে, হাররিবা মওঙ অসিদি সংকীর্ত্তন পুন্নমক্কা চপ মান্নগনি।

গৌরচন্দ্র শকপা লোইরগা ফমহনা উপয়স অতৈ শক্কগা হৌগ-ত্নুনা পালা পুন্নমক য়েৎ ওইননা মণ্ডলীবু কোযগনি, মসিবু বেড়িঘাট হায়না কৌই। নবদ্বীপ পরিক্রমানি হায়না শরণি তৌনৈ। মতাং অমগা অমগা তাইনফম তাকপবু 'ঘাট' হায়বনি। অসুম্না য়েৎ ওইননা কোয়রকপদা মখোয় মখোয়গী খুংকোয় লোইশিন্নরবা পুংয়ৈবা ঈশৈ-হনবা অমসুং তুহারনা মই মতৈ খুরুম্নহনা যন্ত্রগা যন্ত্রগসু শোক্রহল্লন-গনি। মসিবু 'যন্ত্র মিলন' কৌই। পালা পুন্নমকসু মাগী মাগী খুৎ-কোয় লোইহনা হান্নগী মফম য়ৌরকলবদা ফমহনা ভাবনা শ্রীগৌরচন্দ্রবু পঞ্চাঙ্গনা খুরুমগনি। হৌগংলগা 'লক্ষ্মীঘাট' হেক্তমক তারগনি। মসি রাজমেল হৌররুবী পোৎচঙ অমনি। অমরোমদা বাজমেলগী রাগ গুম্বনি। মথংদা রাজমেল তারগনি। রাজমেল হৌগংলকপদা হারবদি করতাল মপুম অকুম্নক খীংলমলগা হায়বদি যেৎ-ওয়দা খীংলুরগা য়েংতা অমুক হন্না খীংলম্নগা পালা পুন্নমক য়েৎ ওয়ইননা অমুক কোয়গনি। ওজাশিংনা খুৎকোয় অসিবু 'বৃন্দাবন' পরিক্রমানি অসুম্না শরণি তৌনৈ। মথংদা রাজমেল ওল্লগে হায়রবদা 'সেতুঘাট' অমুক তাখিগনি। মথংদা কাটা হায়বা ঘাট অমসু অমুক য়ৈরগা থুজিল্লকুনা মেল থাগনি।

মরম অতুনা রাজমেলদা ঘাট অহুম শুই। কনাগুমনা কাটাঘাট রাও-দবসু মেল থানবা য়াওই।

মথংদা 'তানচপ' তাগনি, মতুংদনা 'মেনকুপ' য়ৈগনি। মেন-কুপ য়ৈবা মতমদা পালা পুন্নমক ওয় ওইননা অমুক কোয়গনি। মতম অসিদা তুহাইনা চিংতুনা পালা পুন্নমক কজনা কে-না চোলোম তৌগনি। তুহারগী তৌবা ওম্বা মতিক পুথোক্কদবা মতাং চাবা মতমদি মতাং অসিদনি। মসিদদি অত্তিনয়গী শরুক চঙবনা নীংথিবা জগোই ওইমা উৎনবা তাঙ্গা ফংই। শকলিবা ঈশৈ অতুগী সুর-ছন্দ অমদি রসকা চান্নবা য়েংতুনা মতম অসিদা চোলোম তৌগনি। অসিগুম্বা চোলোম অসিদদি শাজং চোলোমনা মপুং ওইগনি।

মেনকুপ চোলোম লোইরগা থাহুনা পালা পুন্নমক কমথরগা পোথাবা ওইনা 'বৈঠা' শকনি। মসিদা যৈনীংবা তাল য়ৈতুনা করতাল মরোলগী কজবা উৎপা মওঙ অমসু লৈ। খ্বাঙদগী কোক কাওবনা তৌবা য়াবা মওঙগী ভঙ্গীদা খুৎনা অওকপা করতাল মরৈ য়ৈগনি। বৈঠাগী মতাং অসিদা পালা পুন্নমক লেপথত্তুনা চোলোম তৌবা তার-বদি মতুগীদনক্তা অকরুনা লৌখত্তুনা থন্নবা রূপ-লাবণি' অমদি 'মেল ভূষণা' হায়না খঙনবা তাল অনি অসিতনা তৌগনি। অনি অসি নত্তবা তাল অতৈদা হৌগৎকে হায়রবাদ ঈশৈহনবা, তুহার, খোম্বাংবা অমসুং পুংয়ৈবা অনি—মতা অসিত্তনা হৌগত্তুনা তৌগনি। মসিমা থায়নগী নিয়মনি। তজীক্তদি যুম্মুনা পায়রকপদগী নিয়ম অসি কায়না চংমবসু য়াওবকলে। অতুম ওইনমক অসিগুম্বা অসিদি অকরুবা চোলোমগী মশক লৈতে, মথক্কী অনি অসিগীদি লেঙকদবা চো-লোম লৈ।

অসুম্না বৈঠাগী শরুক লোইরবদা হায়রবদি বৈঠাগী মতম অসিদা শকলিবা রস অহু পুমলোই লোইশিল্লগা পালা পুন্নমক হৌগত্তুনা 'ছয়গোসাঞি' তায়গা মাগুব মপুনসু বিজয়ধ্বনি লাউরগা সংকীর্তন লোইশিনগনি।

ঙ্কিজেং-লৈতেং

পালা পূন্নমক দ্বাদশ-তিলক তৌগনি, উরীক মগুণ শিগনি। মসি তৌদবা মীনা হরি সংকীর্ত্তন রাওবগী অধিকার লৈতে। শূদ্র অমমা রাওবা তারবা কাওবদা হায়রিবশিং অসিদি তৌদবা য়াদে।

ঙ্কিজেং—নাক-য়েত্তা ফীরৈ অনি লাকশিন্দুনা কৈজোম শেং-কনি, নাইমে লৈরগা ওয়দা ফীজিন তাহনগনি। মসিনা অকনবা চো-লোম মতমদা হুকচাংগী অচেং অকোম নংহন্নে। মাস্তদা শুঙ্গা থাদগনি—মসি পিরামিড মওঙদা ময়ায়না রাংখংলকপা মওঙনা থুপ্পা ঙ্কিহ্নপনি। খোয়রো মখাদা মচীন য়েপশিল্লগা থাদখিবদা মাঙদা মসিবু শামু মনা-তোন ওইনা উবদগী 'শামু নাতান' মানবা হায়না চংনথি। কৈজোম মথক্তা ইয়কিনা খ্বাঙয়েং চেংনা লাকশিনগনি, য়েংতা ফীজিন তাহন-গনি, থায়নদি নাক-য়েং অমিমক্তা ফীজিন তাহল্লম্মী। মসিগী মপায়া পালা অদূবু মশা য়াংহল্লি, অময়োমদা শেংলিবা কৈজোম অদুবুসু নাম্ব-গদবদগী কাহনা থম্নবা খ্বাঙলাক্তী থবক তৌই। কোক্তা কদম-মপান মানবা মওঙগী অচৌবা কোয়েং অমা য়েংকনি—মতোন্দা অমুবা মচুগী পেত্রক হায়বা খঙনবা ফি মচা অমা থেংকনি। কয়িগুম্বা পূজা অমা তৌবদা কোক্তী শম উইনকদে, ময়ম অত্তুনা কোয়েং থাকদে। দেশ দেশকী মাগী মাগী চংনজবা কোয়েং মখল কয়া কয়া লৈনৈ, মসিবু শাস্ত্রনা কোক্তী লৈতেং হায়না মমিং থোল্লি। কদম মপান মওঙ অসি অত্তুম ওইনমক অকক্নবা খোৗরম খরত্তগী ওইনা ঐখোয়না শীজিন্নৈ। মৈতৈ জাতিগী কোয়েংতি শলাইমি। মসিসু মপুম, মতেক, ওয়না নম্বী, য়েংনা নম্বী হায়বনচিংবা মীগী মগুণ খেন্নবা মতুংইন্না খেন্নকম থোকপা মওঙনচিংবা লৈ। শলাই অসিসু ওজাশিংনা সংকীর্ত্তনদা অত্তু-মক য়েংবৈ, মচুগী অথম্নবা নিয়মসু লৈ। পালাগী কোয়েংতি য়েং-লিবা মীগী মগুণ য়েঙ্গুনা খেন্নবা য়াদে, নাম শোনবদা অচৌবা মচা থায়দে, পূন্নমকী মাময়বা অধিকার লৈ। ময়ম অত্তুনা নিংথৌমকীসু মাম্মনা য়েংতবা য়াদে।

অসিগুম্বা পালা কিজেং অসি শ্রীযুৎ নরসিংহ মহারাজনা হায়রগী মণ্ডপগী অমুক নৌনা শেমদোকপিরকখি। তুজীক উরিবা কোজেং অসিমক্তি স্যার চূড়াচাঁদ সনা হাক্তক্তা ওজা সাপম চাউবা সিংহ তুহায়না শেমদোকপিরম্বনি। অহানবগীদি মণ্ডপ অসিদগী তোপলম্মী। হায়রগী মণ্ডপ অহুমুস্যার চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ সমা হাক্তক্তা অমুক শেমদোকখিবনি, মতুংগী মমাংদনা অমা অমুক ওইরম্মী।

ওজাশিংনা তাকপিরম্মী—নটকী কিজেং লৈতেংশিং অসি পুম্না মথম ৮ শুপদবনি, অদুবু 'অষ্টবেশ' কৌই হায়না। মসিদা কৈজোমগী মথাদা হুরুচাং নপ্পনা শেংপা ফি মচা অমগী রাস্থ য়াওরি, তুজীক্তি মতু অন্দয় উরারনা শিনখরে। থায়নদি খুদৈ মচা অমা শেংলম্মী।

হায়রিবা কীজোন পুম্নমক অসি অতোবা মচুগী লশিংকি ওাক্তা ওইগদবনি, মচু শীজিন্নবা য়াদে। ভগবানগী সেবা পূজাদা মৈতৈ লৈবাক্তা থক মচু শীজিন্নদে, অথোইবা সাত্ত্বিক ওইবা মতৌনা তিনবদি অতোবা মচুভনি।

শীজিন্নবা যন্ত্র নট চোংলোমদা মৈতৈ পুং অমদি করতাল মরী অশাংবা শীশিন্নবনা লোইরে। মথংদা করতালগী মরমদা খরদং নৈনরি মতুদি—

করতাল—

ত্রয়োদশ যব ব্যাসং বক্ত্র পিণ্ডং যবোন্মিতং
যবপঞ্চক গম্ভীরং মধ্যেচ যব সপ্তকং ॥ ৭৩৩
বিস্তৃতং বর্ত্তুলং নিম্নং যবত্রয়মিতং ততঃ।
পৃষ্ঠতো মধ্যদেশে চ শিবলিঙ্গ সমাকৃতিঃ ॥ ৭৩৪
মধ্যে গুঞ্জা সমচ্ছিদ্রং পট্টসূত্রাদি গুম্ফিতং।
অতাম্র-পৈষ্টিনির্দগ্ধ শুদ্ধ কাংস্য বিনির্ম্মিতং ॥ ৭৩৫
কাশ্মীরাদি সমুদ্ভূতং তালমার্গমনীষিণঃ।
সুনাদং দক্ষিণং তালং ততো হীনং চ বামকং ॥৭৩৬ কুঃমঃসং

ময়ায়দা যব ১৩ পাকপা, অথাবনা যব অমগী পান্দম ওইবা, ময়ায়দা যব ৫ লুথখিবা, মচুগী পাকপনা যব ৭ ওইবা, কোইরপ কোয়বা, মনুং লুথবা, মনমগী ময়ায়দা শিবলিঙ্গ মওঙ মানবা, মথাদনা যব ৩ পাকপা ময়ায়দা মরী লেংকম হোবা, মুগা লংনা মরী পানবা, হেন্না শীনবা মহীদা ল'ক্তুনা মথৌ শঙবা, অশেংবা শেঙ্গেংনা শাবা কাশ্মীরনচিংবা লৈবাক্তগী থোকপা—মসিবু পণ্ডিতশিংনা 'তাল' হায়না কৌনৈ। য়েং থংবনা মখোল গুংশিবা হেল্লি, ওয়দা পায়বনা হস্ত-গনি ॥ ১৩৩—১৩৬

ঐখোয়গী লৈবাক্তা পায়নরিবা নটকী করতাল অসি অহানবদদি পীক্লম্মী। করতাল নামনা পৌরবা অমরোমতমক লুম্লম্মী। শেঙ্গেংনা হৈত্নুনা শাই, মনুংস্তু লুখবা হেলম্মী। মচুগী খোম্থোক মুংশিবা রাংপদগী অপেনবা অপাম্বা খোম্থোক থিবদা মথং মথং অস্তুম মওঙ থৈথরকখি। অস্তুম্না পাক-চাউবা অস্তুম অস্তুম হেল্লকপদগী স্যার চূড়াচাঁদ মহারাজ সনা হাক্তুদি মসিগী লূপ্না চাউবা মওঙ অসি অমুক হেল্লকখি, স্বর্গীয় বোধচন্দ্র সিংহ মহারাজগী মতমদদি করতাল অনিমক্তা সেব ২॥০, ১' অস্তুম্না লুম্লরকখি। সংকীর্ত্তন মখল খরদদি নট পলানা ঝালস্তু পায়-তুনা শীজিন্নৈ।

করতাল শাবা—মরু ওইনা হুজৌকি মীরোন্না খঙনহৌবা করতাল হৈবা মীদি লৈখিদ্রবা কাংঙবম কোড়াতোম্বী সিংহনি। মাগী মথংদনা শাইখোম চাউবা, শেঙ্গম বিধুসিংহ অসিনচিংবনি। হুজৌক্তি বিধুগী ধারানালা নত্তনা অতৈদি কনাস্তু করতাল হৈনখিদ্রে। মথক্তা উৎলিবা শাস্ত্রগী লক্ষণ অসিগা ঐখোয়গী অসিগা খেন্নবা খজৌক লৈরবস্তু মচু ঐখোয়গী চৎনবীনা ওইখিবানি।

চোলোমদা ৩ | ৩ চৎপী শাজং

তাল লয়চং ৩ | ৩ শুবগুম চোলোমদস্ত্র অহুম অহুম চৎপী মশক অমা ওজাশিংনা তাকপিরম্মী মচুদি—মিংয়েং অহুম, ক্লিদুপ অহুম, তাব অহুম অমস্তুং হস্তক অহুম অসিনচিংবা—

মিৎয়েং অহুম—মহৌশাগী ওইবা অচম্বা মিৎয়েং, হুম্রাইবা ইকাইখন্না তিনবা শৃঙ্গারগী মুংশিবা মিৎয়েং, অমসুং বিরহ-বিচ্ছেদ-নচিংবা রসকী মতাংদা শীজিন্নবা অথোংপা, তুথবা—করুণ ওইবা মিৎয়েং। অসি মতুংবা রসদৃষ্টিগী অকুপ্পা মখল অতৈদি নট-পালা চোলোমদা য়াৎনা শীজিন্নৈ।

খিত্নুপ অহুম—চোলোমদা মতম পুম্নমক্তা হকচাং খিত্নুপ ৩।৩ শুহনগনি। খমদুনা তৌবা করতাল মরোল ফাওবদা হায়খিবা নিয়ম অসি ওাকনি। মরম অহুনা মসিসু চোলোমদা য়াম্নমক মরু ওই।

ভাব অহুম—মথক্তী মিৎয়েং অহুমগী ভাব অহুনি।

হস্তক অহুম—ছন্দনা হস্তক পোকই, হস্তকনা রস পোকই। মরম অহুনা মথক্তী ভাব অহুমগী মাগী মাগী অচাবা য়েংহুনা ঊশেগী অর্থ ইন্না হস্তক তৌগনি।

নট-চোলোমদা তালগী মচাং—একতাল—মচা অচৌবা হায়না অনি লৈ। অচৌববু 'একতাল অবাওবা' হায়নৈ। মচানা মাত্রা ৪, অচৌবনা ৮ নি।

দুইতাল—মসিসু মচা অচৌবা অনিনি। রাজমেল চোলোমদা শীজিন্নখিবা দুইতালগী মিহুল নক্সগা মাত্রাদি ৮নি। অসিগুম্বা রাজমেল মাত্রা ৮ গী মশক অসিগী লেওদবা মশক খণ্ডনবা হায়দুনা ওজাশিংনা মসিবু অষ্টনাম, ষোলনাম হায়দুনা হরিনাম হায়না খণ্ডনবা ষোলনাম ইরগা শব্দ অমমমবু মাত্রা অমমম ওইনা য়েক্নুনা উৎপিরম্মী। তিন-তাল—মসিসু মচা অচৌবা অনিনি। মচানা মাত্রা ৭, অচৌবনা ৮নি।

তত্ত্বগী মায়কৈ হঁ—ময়েক অসি মৈতৈগী 'অঙ্গি' হায়বা, পুম্নমক্কী হৌকম ওইবা অমত্তা ভায়বা ব্রহ্মাণ্ড পুম্নমক মণ্ডোলগী থোকখিবা—'অতিংকোক গুরু' মক্কী মশক্কি শাজনবা, অহুগুম্বা ময়েক অহুগী মশক্কি। মসিবু বেদনা ব্রহ্ম, বৈষ্ণবশিংনা 'কৃষ্ণ' হায়না মমিং থোনৈ। অসি-গুম্বা অমত্তা ভায়বা মশক অসি অমরোমদা ব্রহ্মমক্কি নীংনবা প্রণবকী

অশুম্বা ময়েকনি। শ্রুতিনা হায়—ন তৎসমশ্চাভ্যধিকশ্চ দৃশ্যতে—ব্রহ্মগা মায়বম্বু লৈতে, মতোন্দগী থোইগৎখিবম্বু লৈতে। মরম অহুনা ব্রহ্মগা, মহাকপু খণ্ডনরিবা প্রণব হায়রবা মমিংগা অমত্তনি, তোঙানবা নত্তে হায়রবসি শ্রুতিগী বাহৈ অসিনা উৎপি। (গৌড়িয় বৈষ্ণব দর্শনদা লৌখৎপা শ্বেতাশ্বতর শ্রুতিগী বচন)।

নট-সংকীর্ত্তনগী অহানবা রাগ হোৱা মতমদম্বু পালা পুন্নমক্না ওঁকার প্রণব উচ্চারণ তৌহুনা মশাবু শেংদোকই।

অসিগুম্বা অমত্তা ভায়বা 'অঙ্কি' ময়েক অসিদগী ঐথোয়গী সং-কীর্ত্তনগী পোৎচঙ পুন্নমক লোইনা থোকখি অমস্যুং লোইশিন্নকপদম্বু শূপচিন্নতুনা অমুক মসিদা তিনশিন্নি। ওজাশিংনা ময়েক অসিবু সং-কীর্ত্তনগী মূর্ত্তি নত্রগা খুদম ওইনা ধ্যান তৌনৈ। ময়েক অসিগী কিতুপ অহুমনি—মসিবু গুরু অহুম, মরোল অহুম—শ্রীকৃষ্ণগী ত্রিভঙ্গমূর্ত্তি, অমদি শ্রীধাম নবদ্বীপকী তিনপ্রভুনচিংবা মরী লৈনবশিংগী ৩।৩ গুবা মশক অহুগী প্রতীক (Symbol) নি হায়না শরণি তৌনৈ।

তালগী মায়কৈদা মসিনা 'একতাল'গী মশক্তি হায়বদি একতালম্বু অনি শুত্রবা ব্রহ্মমক্তি মশকনি। দুইতাল, তিনতালনচিংবা তাল পুন্ন-মক্কী হৌকম অমস্যুং লোইকমস্যু 'একতাল' অসিনি।

পবব্রহ্ম ভগবাননা লীলা শান্নগে খন্দুনা মশা মথত্তবু অনি থোকহনখি, ওয় থংবনা নুপীগী শকুম লৌখি। রস অসি লৌহুনা একতাল-গা একতালদগী থোকখিবা দুইতালগা অনি অসিবু শ্রীকৃষ্ণ অমস্যুং ইবুংঙো মাগী ওয়থংবা হৃকচাংদগী থোকখিবী, শক্তি অথোইবী শ্রীমতীরাধা অনিমক্কী যুগল রূপনি হায়না লৌনৈ। 'তিনতাল'না শ্রীরাধা-কৃষ্ণগী উজ্জ্বলরসকী হৌফম ওইবা শ্রীগৌরচন্দ্র প্রভুগী 'তিনবাঞ্ছা'গী মশকনি হায়না ওজাশিংনা চেৎনা থাজনৈ। অসিগুম্বা ওজাশিংগী ভক্তি-মার্গদা অচেৎপা পুক্নীং থম্বগী মশক অমা 'মৃদঙ্গ-ব্যবস্থা-সংগীত' কৌবা লাইরিক্তগী শূপচিন্না লৌখৎলি। লাইরিক অসি থোকচোম ওজা মনাউ-

গীনি হায়না থারি (লাং ৫-৭)—সংকীর্ত্তন হৌগৎলকপদা পূংনা অহানবা অনরাবু ভ্রমর ছন্দনা য়ৈরকপদা পালা পূন্নমকী হকচাংদগী সিদ্ধদেহ নিরূপণ তৌগনি, মরমদি পঞ্চভূতকী হকচাংনা সংকীর্ত্তন সেবা চঙবা য়াদে। অহুনা পূন্নীংতনা মশা মশাগী সিদ্ধদেহ পুথোক্লগনি। মথংদা য়ৈরকপদা অনরা ২, ৩, ৪ দগীনা গুরুঘাট কাওবনা লৈন্নুংদা খোংবা নোং মখোনগুম য়ৈহুনা (মেঘছন্দ) সিদ্ধদেহবু রাধা-কৃষ্ণগী সেবা চঙননবা আত্মনিবেদন তৌগনি। অসুম্না গুরুঘাট হেক য়ৌরকপদদি নূপীগী মশক ওইনা বৃন্দাবনগী রাধাকৃষ্ণগী সেবা চঙলমবদগী অমুক নিপা ওইনা নীংহুনা শ্রীগৌরচন্দ্রগী সেবা চঙগনি। মথংদা খুরুম্নগা হৌগৎ-পদা ঝরবৃষ্টি (নোংমুশিং) ছন্দদা য়ৈগনি, মসিনা মন্দির মার্জ্জনগী ভাবনি। মথংদি পূং-ঈশৈ কোম্নন চংমিন্নরগনি। মসিদা ভ্রমর ছন্দনা য়ৈগনি—শ্রীগৌরাঙ্গশ্রী মূর্ত্তি শাগংপনি। মথং তারকপা সঞ্চার মরি-দগীনা বড়-সঞ্চার কাওবনা মূর্ত্তিগী কায়াং অনদি বর্ণন-চিংবা শাগৎ-লকপনি। মসিদনা ইন্দ্রবজ্রছন্দনা য়ৈগনি। মসিদি শ্রীগৌরচন্দ্রগী প্রার্থনানি। মথংদা শ্রীগৌরাঙ্গদা বেশভূষণ কংপা ওইনা 'কার্ত্তিক-সঞ্চার' য়ৈগনি। অসুম্না মূর্ত্তি শাগৎপা লোইরবদা শ্রীগৌরচন্দ্রবু য়েং ওইননা কোয়হুনা পালা পূন্নমক খুরুমগনি, মসিবু বেড়িঘাট কৌই।

শক্লিবা শৈকমনা চুম্নগী রস শকপা নত্রবদি হায়বদি শ্রাদ্ধ সম্বৎসর-নচিংবা শক্লবদি লোইশিন্নকপা মতাংদা শিগ্রবা জীবগী সিদ্ধমঞ্জরীবু বৈষ্ণবশিংগী চঙজকম ওইবা অথোইবা সখিশিংদা শিন্নবা ওইনা ছয়-গোসাঞি শকনি অহুগা মথংদনা পূমলোই লোইবদা 'জয়-ভাই চৈতন্য-নিত্যাই' শকুনা জীব অদুবু গুরুরূপা সখিগী মশক ওইবা নিত্যাই-গৌর অনিগী কংগুমত্রবা প্রেমালিঙ্গন ফংজহুনা মুক্তি ফংগ্রবা ওইনা নীংহুনা লোইশিনগনি অমসুং সংকীর্ত্তনস্থলীগী পবিত্র ওইরবা উফুল অহু লৌহুনা কোক্তা হাপ্লগা খুরুমগনি। অসুম্না 'জয় ভাই' শকপা মতম অসিদা য়ৈরিবা 'একতাল' অসিবু ওজাশিংনা অহানবা হৌখিবা ব্রহ্মাগী মশক অহুমক্তি, ব্রহ্মাদা অমুক ভিন্নবনি অসুম্না শন্নণি তৌনৈ।

মথক্তা চাউখ্রাকপা মওও খরনং উচ্চায়বা অসুম্বা সংকীর্তনগী মপাল্লা য়াওরিবা যন্ত্রশিং, মখোয় মখোয়গী খোদোক অমসুং মরোল পুম্নমক—পালাগী কিজেং শৈতেং, চোলোম, হস্তক, মিংসেং, সংকীর্তনগা শম্নরিবা পুংচোলবা—ঈশৈহনবা, হুহারনচিংবা পালা অমদি ভাবক সুচিক্কা মাগুব মপূনচিংবা পুম্নমক্কীসু আধ্যাত্মিক-কী ওইবা রূপক্রবা তত্ত্বগী মায়-কৈবা শরণি তৌনৈ। অসুম্না সংকীর্তনগী মসুংচম্লিবা খোঙ্গ পুম্নমক অমত্তসু অর্থ য়াওদনা লেপ্পা পাঙথোকপা নৈতে। খুদীংমক্কী অক-অকবা ভাব-রস অমা নত্রগা অনি অহুম কাওবা গুনা নৈনবা ঙাম্নগী মশক্তি। মতু পুম্নমক ঐখোয়গী থেঙ্গবা বুদ্ধিনদি লামলুক্কা কংলোই-দৌবা মওও নৈবদগী কিজহনা খুং থাকচে।

অসিগুম্বা সংকীর্তন অসিবু 'নাম-মহাযজ্ঞনি' হায়রুনা মণিপুরী বৈষ্ণবশিনা পোকপদগী হৌনা দশবিধ-সংস্কারদা, শিবা নাবদা অমদি উৎসব মেলানচিংবা পুম্নমক্তা সংকীর্তন অসিবু থক থাদোকনবা নৈতে। অসিগুম্বা সংকীর্তন অসিগী মপাল্লা অথোইবা ভক্তি মুক্তি ফংনবা সাধন পুম্নমক্কী খ্বায়দগী হেন্না লায়বা অমুগুম্বা অথোইবা পাম্বৈমি হায়না লাংগুর্কশিংনা চেংনা থাজনৈ। ইতি—

[পুথোকপা ঃ—শ্রীথাংজম চাউবা সিংহ অমসুং
শ্রীমাইবম ইবোহল সিংহনচিংবা
শ্রী৺গোবিন্দজীউ পালালোয়শংগী ওজা
হুহারশিং]

—শ্রীসুরচান্দ শর্ম্মা

সংকীর্ত্তনগী-পুং

(ওক্টোবর ২৭ অয়ুক)

পুংগী হৌরককুম—লৈশেমচৎলগী হৌনা পুং শরবসি লৈরক-লে। চহি কয়া শুরবগে হায়বদি কনানসু হায়বা ঙমলোই। ত্রিপুর হোৌবা হিংজাবরু মহাদেবনা হাংলবদা লাইশ্রমনা হন্নাউহনা জগোই পঙ্খ্রাব শানখি। শান্নিবা জগোইদা তাল শাওদবা উহনা ব্রহ্মানা লৈ-পাকনা পুং অমা শাহনা গণেশতা পীহনা য়ৈহল্লি। অহুদগী তাল চানা জগোই শানখি। অহুনদি ব্রহ্মাগী হাক্তকুগী পুং লৈরকলে। সত্য, ত্রেতা, দ্বাপর, কলি—যুগ মরোল কয়াদগী লৈরকপনা মনু ২৮ শুবগী কলিযুগতা পাপী-পাষণ্ডী দমন তৌনবগীদমক ভগবাননা য়াথং পীহনা সঙ্কর্ষণনা অদ্বৈত ওইনা শায়োন্দুনা শান্তিপুরদা লৈখি। অহল ওইরকলবা মাওবদা ভগবাননা অবতার তৌরক্‌নবদা তুলসী মঞ্জরী অমদি গঙ্গাজলতনা পোৎচঙ ওইনহনা হুঙ্কারনা আবাহন তৌখি। মতম অহুদা মাথুরগী রস চিংশিন্দুনা মবুংঙো কায়নবগী য়াহনা লৈহৌ-রবী শ্রীমতী রাধিকাগী দশমী-দশাগী ভাবপু নীংশিংলুবদা প্রেম ঈহৌ-রকই। মহুদগী তারকপা পিনা গঙ্গা মপানগী লৈবাক পুমচোৎ চোৎ-লকলে। অচোৎপা লৈপাক অহুনা পুং (মৃদঙ্গ) শাহনা পুং-যৈরগা ভগবানগী শ্রীমূর্ত্তি শাগংখি। মহুদগী রাধা কৃষ্ণ অনিনা অমত্তা ওইনা পুন্দুনা তিনবাঙ্গা থুংননবগীদমক শ্রীগৌরাঙ্গ ওইনা অবতার তৌবীখি। লৈপাকনা শাবরগী মতমগী খোঙলৈ মতুংইন্না মৃদঙ্গ হায়বা অসি উনা শানরকলিবনি। অমসুং মৈতৈ লৈবাক্তা ঙসিদি পুং হায়না খঙনরিবা অসিনি। য়াফম অসিনা মণিপুরগী সংকীর্ত্তনগী পুং তৌবা ওজাশিংগী লোয়া কুপা থমজবা পুংগী তত্ত্বনি।

মৈতৈ লৈবাকসু পুং অসি নীংশিংবা থোক্‌লবা মতমদগী লৈরক্লে। লৈমরল-লৈখারোল অমসুং পুন্দিন-পুরাণদা পুংগী বা ইদ্রি। লৈথারোল

কুম্বাবদা খোইরোই তোম্পোক নিংথৌনা ওসি ওইরিবা পুংগী মণ্ডপ অসি পুথোক্লম্মী। চকপা-তিংশাংলোনগী মতুংইন্না ইহান হানবা জগোই ঈশৈনচিংবদা শীজিন্নবা পুং অসি চকপা তিংশাংনা তিংখি। মসি ১৫৯ অহুম্রাইদনি। মতৌ অসুম্না মমায় অনি শুনা তিংবা পুং অসি হৌখি। লৈয়োল পুরাণগী মত মতুংইন্না রাংলেন নহা-পুং-তিংবনা পুং তিংবা হৌদোকখি।

পুংগী মখল মণ্ডপ—রাইবুং, তানরৈপুং, খোং, লাংদেবুং, খুনবুং হরাউ জগোই ঈশৈদা রৈনবা পুং, পাউজেন-পুং হায়না মখল রাম্মী, মণ্ডপ্প মায়দে। হৌজীক কাওবদা মতম কুইনদগী লৈরকলবা অপ্রোগী খুনবুং অসিনচিংনা প্রমাণনি। ক্যাম্বা নিংথৌগী মতমদা বিষ্ণু লাংপা হৌহুনা কীর্তন আবৃতি কৎপা হৌখি। মতম অসিদগী অওনবা মণ্ডপ অমা হৌখি। হৌজীক্কী ওইরিবা মণ্ডপ অসিদি নত্তে। গরীবনবাজ মহারাজগী সনা হাক্তক্তা রামজী প্রভু লাংপা হৌখি। সেবাগীদমক পুং ঈশৈ চোলোমগী খরা হেন্না কজবা মপুং ফাবা মণ্ডপদা হৌদোকখি।

খৃঃ ১৭৫৯—১৭৯৮ গী মংদা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র মহারাজগী সনা হাক্তক্তা শ্রীগোবিন্দজীগী কৃপানা মূর্ত্তিদর্শন পীবিহুনা শ্রীমূর্ত্তি নিরূপণ তৌখি, মহুদগী ৫ নি চুপ্পা রাস কৎখি।

সংকীর্তন মহাযজ্ঞগী মপুংফাবা, ইবুংঙো ইবেম্মগী ভাব-ভক্তি-রসনা থল্লবা শ্রীমূর্ত্তি লিংখৎপিরমহুনা মণিপুরগী ভক্ত-বৈষ্ণবশিংনা থরায়দগী হেন্না লুনা লৌহুনা অম্লানবা খুবম তাম্নরি; রাস অসিদা শ্রীগোবিন্দজীগী কৃপানা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী থম্মোইদা ঙানবীহুনা সংকীর্ত্তনগী অয়োবী থাক্-কী 'রাগ অচৌবন'চিংবা মথন করা, পুংলোন কয়া জগোই কয়া কয়াগা লোয়ননা, রস কয়া কয়াগী হৌফম ওইবা কল্পবৃক্ষ অসি থাবিরম্মী। অসুম্না মথং মথং গম্ভীরসিংহ মহারাজ, নরসিংহ মহারাজ, চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজ, চূড়াচাঁদ সিংহ মহারাজ, বোধচন্দ্র মহারাজ সনা হাক্তক কাওবদ সংকীর্ত্তনগী মণ্ডপ রাংতনা, শ্রীগো-

ঋন্দগী কাল ৮গী পূজা, নিত্তি সেবা কৎলকপি। হন্নকন্নু শ্রীযুৎ ওকেন্দ্রজিৎ মহারাজনা সভাপতিগী আসনদা লেপ্তশিন্দুনা তাং ১১।৮।৭১ ইং অমসুং ১৫।৯।৭১ ইংদা শ্রীগোবিন্দজীগী অগ্রদা শ্রীগোবিন্দজী পালা লোয়শঙগী অমসুং মণিপুরগী পুং-ঈশৈ-চোলোমগী ওজা-গুরুশিংগী অপূনবা অচৌবা সভা অমা শ্রীযুৎকী সনা য়াথং মতুংইন্না কমহুনা সং-কীর্ত্তনগী মরমদা পরম্পরাদগী লৈরকবা রস-তত্ব করাবু স্মরণ তৌজহুনা তাল মাত্রা করাবু নৈনহুনা, গুরুজনশিংগী অনুগা ওইজহুনা, শ্রীগো-বিন্দজীগী চরণদা প্রেমগা লোয়ননা ভক্তি কৎখি।

শ্রীমৎ কীর্ত্তন মঙ্গলালয় মহামাধুর্য্যাবারাংনিধে
শশ্বদ্ভক্তিরসপ্রদ প্রবিলসৎ শ্রীপ্রেম হেমাচল।
সর্ব্বানর্থ নিবর্ত্তক প্রিয়তমো লীলাবিলাসাস্পদ
শ্রীমৎ গৌরহরে প্রসীদ জগতাং ভক্তৈকনাথ প্রভো ॥১।১।
বন্দে শ্রীমদ্ গুরুন্ কৃষ্ণং শ্রীযুক্তাধ্যাপক প্রভূন্।
ভূয়ঃ শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যং সাঙ্গোপাঙ্গং সপার্ষদং।
নত্বা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যং সর্ব্ব মঙ্গল মঙ্গলং—।
গায়কানাং প্রমোদায় ব্রুবে সংগীতামৃতকং ১।২।

শ্রীমৎ সংকীর্ত্তনগী মঙ্গল ওইবা অমসুং সংকীর্ত্তনগী মশক ওইবা, মঙ্গলগী তৃংনকম ওইবা, পুক্নীং হূবগী সমুদ্র ওইবা, অতৎপা লৈতনা ভক্তিরস পীবিরিবা মভান্না তিল্লবা প্রেমনা সনাগী চীংগী মশক ওইবা, অয়াম্বা কায়দববু ককথংপিবা, জীব পুম্নমকপু চানবীবা, লীলা-বিলাসকী বিষয় ওইবা, ভক্তগী অয়েঙ্গা মকম ওইবা, জগৎ খিবীকী মপু ওইবা হে গৌরহরে—কৃপা পীনবীয়ু।

শ্রী-ন তিল্লবা শ্রীকৃষ্ণবু, গুরুবর্গবু, শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যবু, শ্রীনিত্যানন্দবু শ্রীঅদ্বৈতবু, শ্রীগদাধরবু শ্রীবাসনচিংবা পুম্নমকপু খুরুমজে। অসিনা মরম ওইহনা গায়কখিবীকী মুংঙাইনবগীদমক সঙ্গীত হায়বা রস অমৃত অসিবু হায়জরক্নে।

কলিদা সংকীর্ত্তনা অথোইবনি হায়বসি অরেপ্পা ওইনা বেদ শাস্ত্রনা হায়রি। শ্রীভগবানদি নাম অমনি। সংকীর্ত্তনগী পুস্ক শ্রীকৃষ্ণরূপনি, শরুক ভগবাননি।

রাগ হৌবগী মরম—মণিপুরী সংকীর্ত্তনগী মনুংদা 'রাগ অচৌবা' হায়বা অসি খাম্নদগী হেন্না লুবা অমনি। রাগ অসি হৌবদা অকায় অতোই হায়বদি 'ভঙ্গ' হেক ওইবদা তাব্রিবা ভাবক, য়েন্নিবা বাদক, কলাকার অমদি কর্ম্মকর্ত্তা অহুমদা অমাঙবা ফত্তবা দোষ নত্তনা অকবা ওইদে। রাগ অসিগী মমিং 'নটরাগ' কৌই। রাগ অসি শ্রীগৌরাঙ্গগী মূর্ত্তি সম্পূর্ণ ওইবা অমদি মিত্তি লীলাগী শক্তম অসিবু মপুং-ফাবা ওইবদগী অমসুং রাগ পুম্নমক্কী মরুনি হায়রূনা 'মূলরাগ' হায়নসু কৌই। মনুংগী রসদা কলিদা সংকীর্ত্তনগী মনুংদা তালগী রস, অভি-নয়গী রস, পুংলোনগী রস, অমসুং ঈশৈগী রস অসুম্না মাগী মাগী রস তোঙান তোঙান্না অমুক থাম্নদোকলি।

তালতত্ত্ব—বোলনাম—নাম ১৬ না স্বর ১৬, স্বর ১৬ না মিহুন ১৬ হায়বদি মিহুন (মাত্রা) ১৬ কী একতালনা অথোইবা তাল ওই। একতালনা 'একমেব অদ্বিতীয়ম্ ব্রহ্ম' অমত্তা ওইবা অনিশুদবা ঈশ্বর (ব্রহ্ম) নি। ঈশ্বরনা জগৎ-লীলা সৃষ্টি তৌরকপদা অমত্তা ওইবা ব্রহ্মদগী, পুরুষ অমসুং প্রকৃতি অনি থোকপগুম সংকীর্ত্তন বর্ণন তৌ-রকপদা লীলা শায়নবগীদমক্তা অনিশুবা তাল—'দুইতাল' থোরকই। প্রকৃতিদগী মপা ওইবা সত্ত্ব রজ তম—গুণ অহুম চোংথোরকুনা সং-সার শেম্বগুম তাল পুম্নমক পোকপা য়াননবগীদমক্তা 'তিনতাল' পো-রকলে। রাগ অচৌবা হায়বা অসি শ্রীগোবিন্দনা মনাই ভাগ্যচন্দ্র মহারাজদা স্বপ্নাবস্থাদা তাকপীরম্মী। মতম অদুগী পুংগী ওজাশিংনা—১। প্রেমানন্দ, ২। স্বরূপানন্দ, ৩। লাংলেনহনবা, ৪। কীরূপা ৫। কীর্ত্তিরাধা, হায়রিবা ওজাশিং অসিগা তাম্নরুনা ফোঙদোকখি হায়রনা ওজা গুরুশিংনা তাকপিরম্মী।

পূংগী মরম (তত্ত্বগী স্বরূপ)—পূং মনাউ মচা ৬ না ছয়-গোসাঞী ৬ নি। মরুগী মচা ৮ না অষ্টসখীগী মশক ওইনা থোগল্লি। মনাউগী বেঙ্গী মখুংদা খুমলিবা অথাবা শউন অসিনা নরোত্তম অথোইবনি। পূংগী পূংলী অসিনা সখি ৬৪ গা মশক্লি। গাব হায়বা অসিনা ইবুংঙোগী মিংনহাগী মশক্লি। কাটাবেড়ী হায়বসি ইবুংঙোগী মিংপাল্লি। থাংনরিবা পূংলী অসিনা অনন্তদেবগী মশকনি। মরুগী খুদোপনা মহাদেবনি। মনাউগী খুদোপনা ব্রহ্মানি। পূং লোমলিবা অসিনা ফিজেৎ লৈতে ওইরিবনি। মখুংগী অমুবা মচুদি, অমুবা কুচুবু লোৎলিবনি। মপান্দা অঙাঙবা ওইবনা রাধাগী কুচু ওইবনি। মখুংদা হোরিবা অসিনা জগৎ শেম্বগী মওঙনি। থোক্লিবা থোঙ্খোক অসিনা থরায় মঙাগী মশক্লি। মরুনা বৃন্দাবন, মনাউনা নবদ্বীপা - মরুনা (ক্লীঁ), মনাউনা (শ্রীঁ) মখুংদা লৈবা হুঙ্কার –(গঁই, অঁ, রঁ, গৌঁ, সঁ, লঁ, নীঁ) অসিনি।

পূং পূজা তৌবদা শোনগদবা মন্ত্র —গৌঁ নঁ হুঁ অসিনি। পূম্মক অসিনা তিল্লগা শ্রীগৌরাঙ্গগী মূর্ত্তিনি। সংকীর্ত্তনগী মশক্লি। কান্দা সংকীর্ত্তনগী জীবন্যাস হায়বদি পূংগী জীবন্যাস মন্ত্র তৌরবদি হরিনাম প্রেমনা সংকীর্ত্তন তৌবা য়ারে। পৃথিবীগী লৈমায় কয়াদা তারিবা নোংগী ঈশিংনা তুরেল ওইনা চেল্থিত্নুনা পাক চাউরবা সমুদ্রদা অমুক তিনাখিবগুম, পৃথিবী পূম্মক্কগী স্বর্গগী মশক ওইবা মণিনা থল্লবা, ভক্তিগী হৌকম ওইবা প্রেমগী তুংনকম ওইবা, রসতনা থল্লবা মণিপুর সনা লৈবাক্তা শ্রীশ্রীগোবিন্দনা ঙান্তোরি। মহারাজ ভাগ্যচন্দ্র নিংথৌরেন —হরিভক্তিতনা থল্লবা, হরিনাম প্রেমতনা সংকীর্ত্তনবু মপূং ফাহনবীখিবা নিংথৌরেন মাইকরেন-মাইফববু হন্না হন্না থুরুমজরি।

রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র মহারাজগী মতমদা ইফুনা থম্বীরম্বা থূংই —লাইরিক 'মৃদঙ্গ-নির্ণয়'দা য়াওরিবা রাগগী মতাংদগী থরদং লৌখৎচে—লাইরিক অসিদা 'নরোত্তম লিখিতং' হায়না থারি। শ্রীনরোত্তম ঠাকুরগী শায়োল্লি হায়না থাজনরবা বৈষ্ণব গুরাশিংনা 'নরোত্তম' হায়না রাজর্ষিগী

য়িংদা কংশিনবরা থাজনৈ। লাইরিক অসিগী শিন্দোকপা কপি কয়া কয়া পুংগী ওজাশিংনা চেৎনা কোয়রি।

মৃদঙ্গধ্বনি নির্ণয়ঃ—

তাং শব্দোইপি ভবেৎ কৃষ্ণ গিন শব্দে রাধিকাবরা॥
তেক্ শব্দেন জয়াদ্বৈতং ধ্যায়তি বৈষ্ণবা সদা॥

'তাং' হায়বা খোন্থোক অসিনা লেপ্পমক কৃষ্ণ ওই। গিন হায়বা খোন্থোক অসিনা অথোইবী রাধিকানি।

'বিরল-বৈষ্ণবা' মতে—

তকতা তাং–ত্রিশব্দেচৈব ত্রিবাঙ্গামপি বোধয়েৎ॥

তক তা তাং—খোন্থোক অহুম অসি ত্রিবাঙ্গানি হায়না খঙগনি। মসিনা 'বিরল-বৈষ্ণব'কী মতনি।

বেদজ্ঞমতে—

তক শব্দো ভবেৎ বিষ্ণুঃ। তা শব্দো ব্রহ্মাবাপিমং॥
তাং শব্দো শঙ্করশ্চৈব ত্রিবিধা কথ্যতে ময়া॥

'তক' হায়বা খোন্থোক অসিনা বিষ্ণুনি হায়রি, 'তা' হায়বা খোন্থোক অসিনা ব্রহ্মানি হায়রি, 'তাং' হায়বা খোন্থোক অসিনা মহেশ্বরনি হায়রি। শম্মা হায়রবদা 'তক তা তাং' হায়বা শব্দ অহুম অসিগী তত্ত্ব—ব্রহ্মা বিষ্ণু, মহেশ্বরনি হায়বতনি। মসিনা বেদ খঙবশিংগী মতনি।

কাব্য প্রকাশিকা মতে—'তক' মথুরা, তা' দ্বারিকা চৈব 'তাং' বৃন্দাবন ত্রিধামত। তং শব্দ সত্ত্ব গুণং বা প্রোক্তং। তা চৈব রজগুণ স্মৃতা। তাং তমগুণ জাতা। শ্রুতা ত্রিভুবন ধ্বনি।

তক, তা, তাং—অহুম অসিমক মথুরা, দ্বারিকা, বৃন্দাবন হায়বা মত অমদি সত্ত্ব, রজ, তমগুণ অহুমবু খঙনগনি। ধ্বনি অসি মরোল অহুমদা তাগ্রবনি হায়বদি চৎনগ্রবনি। মসিনা 'কাব্যপ্রকাশিকা' হায়বা ল াঃাংকী মতনি।

মৈ-ঈশিং মুংশিং, লৈপাক অমসুং অতিংঙা পঞ্চভূত মঙামক্লা তিল্লবা, অঙাঙববু অঙৌবনা য়োম্লবা কজবা পুম্নমক্কা তিন্দুনা লৈতেং

ওইরবা শ্রীগৌরাঙ্গগী মূর্ত্তিবু ভাবতনা শাগৎলিবনি খঙনগনি। অসিগুম্বা রাগ অসিগী মমিংবু 'নটরাগ' কৌই।

রাগ অচৌবা (পূংলোন অমসুং ভাব)

(অথ নটরাগ নির্ণয়)—'তেন তৈন তা তঃ তাং'

ইতি শ্রীচৈতন্য নিত্যানন্দ দুই ভাই, ইতি ত্রিবারঃ।

অহানবদা অসুম্না অহমলক য়েগনি। মথংদা রাধাকৃষ্ণগী মবোল (প্রথম বাজনং গ্রে গ্রে দে খেদ)। মতুংদা—

গিন্ন গ্র ধে ধে তা তৈন তা তঃ তাং—ইতি গোবিন্দং। ইতি নাম ষোলনাম। শ্রীচৈতন্য নিত্যানন্দ রাধাকৃষ্ণ, শ্রীগোবিন্দ ইহ সংকীর্ত্তন স্থানে ত্বং আগচ্ছ ত্বং আগচ্ছ॥ আবাহনমিতি। অসুম্না আবাহন তৌগনি।

ষোল নাম—হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে।

গিন্ন গ্র গিন তঃ গিন—

তৈন তৈন তৈন তৈন তৈন তৈন—ইতি অসিনচিংবা

মথক্কী অসি নাম প্রচারনি। মতাং অসিদা ঈশৈ শকপনা 'শ্রীকৃষ্ণ প্রীতি আনন্দে বল হরিবোল হরিবোল' হায়না লাউগনি। দোহার পালানা চিংবনা 'হরে' হায়না খুমগনি।

মথংদা অষ্টনাম—হরে রাম হরে রাম।

তৈন তৈন তৈন তৈন তৈন তৈন

তঃ তেন তাং তঃ খিং খর খর—

মতাং অসি য়োরবদা ডাকিনী, যোগিনী ভূত, প্রেতনচিংবা পাপী পাষণ্ড পুন্নমকপু নোইহংলি হায়বা ভাব ফোংদোকপনি। বর্ণন তৌরকপদা (আশা) ভক্তি প্রেমতবু কচ্ছহনা ঈশ্বরগী মূর্ত্তিবু বর্ণন তৌজবনি। শ্রীচরণ শ্রীমূর্ত্তিবু লিংখৎচবদা শ্রীচরণদগী কটি (খ্বাঙ) য়োরে।

যথা- ছয়নাম'—রাম রাম হরে হরে।
খিং তা তং খিং তা তং ॥

হরিনামতনা মূর্ত্তি লিংখৎচবদা কটিদগী শ্রীকণ্ঠ য়োরকলে।

একনাম—'হরে'—

থ্র থ্র তেন তং তেন তং তেন তং তেন তং

পুং করতালগী ধ্বনিনা শ্রীমূর্ত্তিবু লিংখৎচরি। অতৎপা লৈতনা নিল্লক্লি, হরিনামগী মালানা প্রেমগী ঈরীক খীকচবা, ভক্তিগী মথা পোনবীবা শ্রীমূর্ত্তি মপুং ফারকলে। মতাং অসিদা শ্রীকণ্ঠদগী শির য়োরকলে। পুংয়েবা, ঈশৈ শকপা অমসুং পালা পূরমক্লা কোক নোনশনি।

শিব অমসুং নারদ মুনিনা বীণা যন্ত্র পায়দুনা শ্রীবিষ্ণুগী মূর্ত্তি শাগৎপগুম, সংকার্ত্তন বর্ণন তৌরকপদা হরিনামতনা মূর্ত্তি শাগৎচরি। নামতনা অথোইবনি হায়বা শাস্ত্রনা প্রমাণনি।

গুরুঘাট—গিরপ্র ধে তা থেন গিন তা তেন তাতেন তা তাং। [ক্লীঁ শ্রীঁ দ্রীঁ সাক্ষাৎ মধুর রসরাজ আবির্ভূতং ॥ মধুর মৃদঙ্গ ধারণ কালে।

গৌ নিঁ ওঁ গাঁ শ্রী—ইতি মন্ত্র যথা শক্তি জপেৎ।

অঙ্গে স্থাপয়েৎ—ভ্রূমধ্যে ক্লীঁ, ব্রহ্মরন্ধ্রে ওঁ, দক্ষিণ নয়নে শ্রীঁ, বাম নয়নে দ্রাঁ, দক্ষিণ কর্ণে হ, বাম কর্ণে রে, দক্ষিণ নাসায়াং কৃ, বাম নাসায়াং ষ্ণ, মুখে রা, নাসাগ্রে ম, চিবুকে কৃ, উদরে ষ্ণ, কণ্ঠকূপে হ, বক্ষস্থলে রে, শিরসি রা, উদরে, ম, হৃদয়ে হরে, নাভৌ হরে ॥ ইতি]

হরিনামতনা আবাহন তৌদুনা পুক্লীংগী অপাম্ববু কৌজখিবা গুরু-ঘাটকী মতাং অসিদদি রসর'ঙ্গ মূর্ত্তি আবির্ভূতং) ওইবীররে, মন্ত্র তন্ত্র পূরমকনা ইবুংঙোগী থরায় হকচাংনচিংবা ওইরিবনি।

মতাং অসি য়োরক্লবদা শ্রীগৌরাঙ্গগী অঙ্গদগী পঞ্চতত্ত্ব চিংথোক্লপনি। লীলা শাররদি রাদরি, জীবন্যাস মথল অহুম রাৎলি। গুরুঘাট হেক য়োরকপদা ফুংলোমদা খোঙফম অমতং হন্দোক্লিবা অসি, মূর্ত্তিদি মপুং

ফারবা আভরণ লৈতেংদি য়াওদ্রিবা মঙালতনা তিল্লবা উদয়াগিরিগী মতোন্দা মুমিংকী মঙাল্লা ফাওদোক্লকপগুম সংকীর্ত্তন বর্ণন তৌরকপদা রসরাজমূর্ত্তিনা ঙাল্লক্লবদা প্রেম, ভক্তিনা লমজিংহনা মাঙওইনমা শ্রীগৌ-রাঙ্গ দর্শন তৌজবনি হায়বা ভাবনি।

গুরুঘাটকী অরোইবগদি মপুং ফারবা পূর্ণিমাগুম ঙাল্লবনি মতম অসিদা পুংয়েবা, ঈশৈশকপা, দোহায়নচিংবা পুম্নমকনা পঞ্চাঙ্গ—খুকউ লৈতাহনা মকম মঙা শোল্লা খুরুমগনি।

রাগগী শরুক্তি মতাং অসিদা লোইরে।

পঞ্চতত্ত্ব—হায়গী মতৌগুমনা অমুক হৌগত্তূনা পঞ্চতত্ত্বগী অধ্যায় লৌথরগনি। মথাদা শকদৌরিবা অধ্যায় অসিদি শ্রীঅদ্দগী পঞ্চতত্ত্ব হায়বা অসি পুংনা চিংথোক্লনা সংকীর্ত্তন মপুং ফাননবগীদমক মথাদা ইজরি—

"গিম গ্র গিত্তঃ গিত্তঃ গিত্তঃ গিত্তঃ গিন তেন তেন"

অসুম্না পঞ্চতত্ত্ব পুথোকলে জীব সঞ্চারিনী তৌদ্রি, মতাং অসিদ পুংয়েবনা ঈশৈ শকপদা ইঙ্গিত পীহনা ঈশৈগী রাগ হৌরগনি—তা রি তা না রি তা না তা না

[তা—ইতি বক্ষ, রি—ইতি নাভি, তা—ইতি কটি, না-ইতি পদ, রি—ইতি বাহু, তা—ইতি মুণ্ড, না—ইতি চক্ষু, কর্ন, তা-ইতি নাসা, না—ইতি মুখ]।

ঈশৈগী রাগ হৌরিউদা পুংসু লেপ্তনা য়েগনি। পুংগী হৌনবী অমত্তা কায়দনা য়েগনি। ঈশৈ রাগনা পঞ্চম অমসুং দীর্ঘ অনিমক্তা পুংনা মকম, মতম অমত্তা কায়দনা য়েগনি।

পুংনা মাগী হৌনবী মথং মথং য়েররুগা অরোইবগী তুকা (৫) মক অসি শ্রীগৌরাঙ্গগী পঞ্চপ্রাণ ওইবা ইবুংঙো মঙামক্কী মশক্তি, মথক্তা ওইথ্রিবা মূর্ত্তিশিং অসি জীব সঞ্চারিনী তৌখিগনি।

জীব সঞ্চারিনী—তাগ্র গ্রতাং তঃ গিত্তা থেন গিত্তা॥

মতাং অসিদা ইবুংঙো ৫ মকী জীব মপূং ফাহে হায়বা ভাব অমা ফোংদোকলে। আভরণ কৈভেং শুরবনি। পুংগী জীব সঞ্চারিনীগী অরোই অরোইবদা ঈশৈগী রাগশু হৌগনি। ঈশৈগী রাগ লোইরক লোইরকপদা পুংনা সঞ্চারিনী হৈগনি। পুং করতালগী মতুংইন্না ভাবক বৈঙ্কথাশিংনা ভাবতনা ঈশ্বরগী মূর্ত্তিবু হৃদিদা অরেপ্পা ওইনা শাগচ্চরিবা অদুগী জীব সঞ্চারিনী তৌথিগনি। মসিগী জীব সঞ্চারিনীদি—

ধিন ধেত্তা তেত্তা খিত্তা তঃ ধেত্তা তেত্তা খিত্তা তঃ ॥

মতাং অসিদা অনিশুবা ভাব ফোংদোকলে। পুংলোন অসিনা লোইরকপদা ঈশৈগী রাগ হৌগনি, রাগ অসি লোইরকপদা কর্ম্ম কর্ত্তা (য়ুমু) না ঈশ্বরগী মূর্ত্তিবু পুং করতালগী মতুংইন্না হৃদিদা ভাবতনা ঈশ্বরগী মূর্ত্তিবু শাগচ্চরিবা অদুগী জীবন সঞ্চারিনী তৌথিগনি। মদুদি—

গিম তেত্তা তেন তঃ—তেত্তা তেন তঃ ॥

মতাং অসিদা অহুমশুবা ভাব ফোংদোকলে। জীব সঞ্চারিনী মতাং অসিদা লোইরে। জীব সঞ্চারিনী অহুম অসিদা শ্রীগৌরাঙ্গ প্রভুগী ভাব অহুম্মক (তিনবাঙ্গা) মপুং ফারে হায়নন্ন লৌনৈ।

মখাদা লাকদৌরিবা অসিনা মথক্তা ওইথ্রিবা পঞ্চতত্ত্ব অমসুং জীব মপূংফারবা ইবুংঙো মঙা অমদি ভক্তগা লোয়দনা নিত্তি-লীলা অমসুং হরিনাম প্রেম সংকীর্ত্তনবু মশীং কায়দনা তৌবীগদৌরিবা অমদি তৌরিয়কলি হায়বগী রস অসিবু শন্দোকই হায়হনা খায়দগী অথোইবা 'বড়-সঞ্চার' হায়না মমিং থোল্লি। 'বড়-সঞ্চার' দা ভাব অহুম পুনবদু মপুং ফারে হায়না লৌনৈ।

বড়-সঞ্চার—তাং—তা খিং তেন তা খিং তাং……

অসিনচিংবা বড় সঞ্চার লোইরগা মখাদা 'বেড়ি ঘাট' তারগনি। বেড়িঘাট হায়বা অসিদা মথক্তা ওইথ্রিবা ইবুংঙো মঙামক্কা খোঞ্জেল থোক্লা ঈশৈ শকুনা কৌজরকই। মখাদা লাকদৌরিবা মতাং অসিদা

বেড়ি-ঘাটতগী হৌরগা 'লম্বি-ঘাট', 'সেতুঘাট', 'গৌরবত' (গৌরপদ) মেল থাগনি, তানচপ তাগনি, মেনকূপ মথং মথং রাগ ঘর হল্লিনবা অসি মতোন লোমখিগনি।

গৌরপদ মেল-বেড়িঘাট—

তা তেন তা খিং তা তং তা তেন—তা খিং তা তং॥

লম্বিঘাট—ধিন ধেন ধিন গিন্নগ্র ধেন তা তেন তা খিত্তা তং

সেতুঘাট—ধিন ততা খিত্তা ধিন ততা খিত্তা খিন।

গৌরপদ মেল অথাবা—ধেন তা তং তেন তা তং।

গোরবত্ (গৌরপদ) মেল অথাবা—ধেন তা তং তেন তা তং॥

গৌরবত্ তানচপ—তা গিন ধেন ধিন ধেন তা গিন ধেন ধিন থেন।

মেনকূপ—ধিন — গিন তা তাং — | — গ্র গ্র তা থেন —।

নিত্যাইবত্ (নিত্যাইপদ) —গিন তা তাং — তেন তা | খিং তা ধেন — ধন তা

কার্ত্তিক সঞ্চার—ধিন গ্রগ্র তেন তা | তেন্তা তখিং তাং —

কার্ত্তিক সঞ্চার অসিগী মঙুংদা লৈরিবা রসদি - মথক্তা ওইগ্রিবা সংকীর্ত্তন অসিগুম্বা অমুক হন্না পাক চাউনা শন্দোকখিগনি হায়বা সঞ্চার অসিনা খঙহল্লি। মতুংগী মরমদগী সঞ্চার কৌনবনি। মসি অহানবা লেংবদদি গৌর-সঞ্চার কৌরম্মী। করি মরমদগী কার্ত্তিক সঞ্চার থোন-খিবেগে হায়বগী অকুপ্পা মরোল মথাদা শুগায়না উচ্চরি। মরমদি—হায়রিবা সঞ্চার অসি শ্রীশ্রীগোবিন্দ নিরূপণ তৌরবা তুংদা, গোবিন্দগী অগ্রদা রাজর্ষি মহারাজ ভাগ্যচন্দ্রসিংহনা মশানা পুংলোন লেংজরগা মেরা থাগী হায়বদি কার্ত্তিক-পূর্ণিমা ঈরাই হুমিংতা রাস কংপগী উপ-লক্ষদা অহানবা সংকীর্ত্তন হৌবদা ইবুংঙো মশামক্কা পুং থোন্দুনা য়ৈরিখি।

মতম অতুদা অহানবা ওইনা কার্ত্তিক সঞ্চার অসি হৈখি। কর্ত্তা মহারাজনা লেংজবা অমদি কাৰ্ত্তিক মাসতা সঞ্চার অসি কোংদোকখিবা পুংলোন ওইখিবা মরম্না মসিগী মমিংবু ওজা গুরুশিংনা কার্ত্তিক সঞ্চার হায়না মিংথোনবীখি, মসি হৌজিকসু 'কাৰ্ত্তিক-সঞ্চার' হায়না কাওরি।

রাগ-স্বর হঞ্জিনবা—ধেন — তা তাং .. .. পুংলোন অসিনা মথক্তা তৌরিবা রাগনচিংবা পুন্নমক অসিগী অকায় অতোইবু তাকপিয়ু হায়না খুরুমজবা। মতাং অসিদা রাগ অচৌবা লোইরে।

ঈশৈগী ছন্দ মতুংইন্না রৈরকপা 'রাগ-অচৌবা' হৌবগী ছন্দ অমসুং লক্ষণসু লৈখিদ্রবা যুম্নাম ওজা যদুনাথ (শ্রীচন্দ্রকীৰ্ত্তি মহারাজগী হাক্তকী) স্বাথংনি হায়না লৈখিদ্রবা ওজা থোকচোম মনাউ সিংহনা থম্মীবম্বা পুথী কোর্বেক—'মৃদঙ্গ-ব্যবস্থা সংগীত' হায়বা লাইরিক্তা অসুম্না ইরি—

রাগ অচৌবগী চৈতন্য নিতাইগী মখা অহানবা অনরা অসিদি—**খোইমুনা শংবগী ছন্দ** (ভ্রমর ছন্দ) না হৌ^নি। মরমদি পালা সম্প্রদায় পুন্নমক্কী হকচাংদগী সিদ্ধদেহবু নিরূপণ তৌবনে। মাবু নিরূপণ তৌকরিবদি ঐখোয়গী পঞ্চভূতকী হকচাং অসিনা সংকীৰ্ত্তনগী সেবা চঙবা য়াদবা মরম্না সিদ্ধদেহ পুথোক্নুনা ভাবনা নিরূপণ তৌগদবনি। অতুগী মথাদা অনরা ২, ৩, ৪ শুবদগী শুরু ঘাট কাওবা অতুনা লৈহুংদা থোংবা নোংগী ছন্দ (মেঘছন্দ) না হৌগদবা ওই। মরমদি শ্রীরাধা গোবিন্দগী সেবা চঙউ হায়না আত্মনিবেদন তৌবনি। মবম অতুনা গুরুঘাট হেক য়োবদা মপান্দদি নুপীগী মশক ওইরম্লগা সংকীৰ্ত্তন মনুং চঙখ্রগা নিপা ওইনা শ্রীগৌরচন্দ্রগী সেবাগী থৌরাঙ তৌখি। মরম অতুনা মেঘছন্দনা হৌগৎবা ওই। অতুগী মথাদা খুরুম্লগা হৌগৎপদা হায়রিবা পুংলোন অতুদি **অকনবা ফুইনা তাবা নোংগী ছন্দ** (ঝড় বৃষ্টি) না হৌগনি। মরমদি মন্দির মাৰ্জ্জননি। মথাগী ঈশৈ রাগগা কোন্নবা পুংলোন অতুগা সঞ্চার তারমদাই কাওবা অতু

'ভ্রমর-ছন্দ'না হোগনি, মরমদি—উচি খোইনা মি অশিববু মচেৎ মচেৎ চীকথাররগা মহুম মনুংদা হাপচিল্লগা, মথুল অদু মেনশিল্লগা মহুম মথক্ত তোংহনা ই·····হায়না ঙংলগা মনুংদগী মি অশিবা অদু লেংঙকনা মচা ওল্লি। অদুগী পান্দমগুম্না সিদ্ধদেহনা সখীগুম রূপ লৌয়না হৌরিবা রাগনি। মরম অদুনা ভ্রমর ছন্দনা য়ৈত্রবদি শ্রীগৌরচন্দ্রগী শ্রীঅঙ্গ নিরূপণ তৌবদা অঙ্গ-ভঙ্গ ওই। মথাগী সঞ্চার মরিদু অমসুং বড়সঞ্চার কাওবা অদু 'নোংথোংবগী ছন্দ' (ইন্দ্রবজ্র) না য়ৈগনি। মরমদি—শ্রীগৌরচন্দ্রগী শ্রীঅঙ্গগী কান্নাংনচিংবা অমসুং বর্ণ হায়বা অসি নিরূপণ তৌবা মতমদা অশোনবা অনৌবা হাপ্না হৌনদে। মচা মগুদা চুকংই। মরম অদুনা ইন্দ্রবজ্র ছন্দনা য়ৈগদবা ওই। মথাগী মপুং অদুনা রি রি শিংপা মুংশিং (মৃদুবায়ু ছন্দ) না য়ৈগনি। মরমদি শ্রীগৌরচন্দ্রগী চরণারবিন্দদা প্রার্থনা তৌবনি। অমসুং উ অচৌবা মনা পুংবা অদুদা রি-রি শিংপা মুংশিংনা হুদগী পন্দমগুম্না শ্রীগৌরচন্দ্রদা সিদ্ধদেহনা প্রার্থনা তৌবনি। কার্ত্তিক-সঞ্চারনা মথোং কারকপা নুপীগী ছন্দ (কন্যা ছন্দ) না য়ৈগনি। মরমদি শ্রীগৌরচন্দ্রগী বেশ ভূষণনি। মরম অদুনা অনৌবা ফজবা ফি-জেৎনা লৈতেংগদবা ওই।

মথক্কী অসি নত্তবা 'শজিনা থোংবগী ছন্দ' (মৃগী ছন্দ), 'কৈনা থোংবগী ছন্দ' (ব্যাঘ্র ছন্দ), 'অকনবা নোংনুংশিংকী ছন্দ' (ঝরবায়ু ছন্দ), 'থিংলি থিংলি তাবা নোংগী ছন্দ' (বৃষ্টি ছন্দ), হায়দুনা ছন্দ অমসু য়ুম্নামগী ওজানা থগ্বীরম্মী। তালগী ইনিংলগা, পুংগী ইনিংলগা, ঈশৈগী ইনিংলগা অদুসিনা পুল্লগা শব্দ অমা থোকপদুবু ওজাসিনা মৈতৈরোনগী মমিংদা ছন্দ মথল্লা অসি থগ্বীরম্মী।

তিনতাল মচা (শ্রীগৌরচন্দ্রগা কোয়বা)—শ্রীকৃষ্ণনা কদম মখোঙদা খোংলকপা বাঁশী মথোল তাবদগী শ্রীমতি রাধিকানা মন-

ইচ্ছা বরিখিবা। নান্দীমুখীগী দূতিগী মকমদগী শ্রীকৃষ্ণগী রূপ তাবদগী শ্রীমতীনা মন-ইচ্ছা বরিখিবা। বিশাখানা য়েকপা শ্রীকৃষ্ণগী মূর্ত্তি উবদগী শ্রীমতি রাধিকানা মন ইচ্ছা বরিখিবা।

মথক্তা হায়খ্রিবা মখল অহুম অসি শ্রীগৌরাঙ্গ প্রভুনা কাওখিবা তিন-বাঙ্গাগা অমত্তনি। পুংলোন—

+ ২ ৩

তঃ— | তঃ গিন্নগ্র | ধেত্তা ধিন গিন্নগ্র | ধেত্তা গিত্তা | তেন তা | তঃ — —

রাজমেল—ছুইতাল অচৌবা মাত্রা ৮ দ্রুত অমা (ঋতুজাতি ছুইতাল)

শ্রীমতী রাধিকানা পুরুষ অহুমগী মকমদা রাখল খল্লুবে হায়রুনা অরাবগী রাখলদা তাউরুনা লৈরিবৈদা, পুন্নমকপু শগবিরিবা অচৎ-চম্ব জীব পুন্নমকী মপু ওইরবা শ্রীকৃষ্ণনা ইবেম্মগী অরাবত্থ উবীরুনা লেঙলকলে অমস্তুং তাকপিরকই—'রাধে, বাশী খোংরুনা রাধে রাধে কৌরিবা, নান্দীমুখী দূতিনা হায়রিবা কৃষ্ণ, বিশাখা সখিনা য়েকুনা পুররিবা মূর্ত্তি অহু ঐহাক্তনিনে।" শ্রীকৃষ্ণগী য়াথং তারবদা চিংনজবা পুন্নমক কোকুনা মুংওাইজবগী ঈপাক্তা তাউজখি। শ্রীমতীগী রাখল অমস্তুং পুরীং শ্রীচরণদা কচ্চখি। অসিগুম্বা যুগল মিলন অসি লৈবনা ছুইতাল রাজমেল তাগদবনি।

তিনতালদগী ছুইতাল তারগা খোঙ-য়েৎনা হান্না থাংরুনা কোরগনি, কোয়কুরগা হান্নগী মফম য়োৎকপদা ঈশৈহনবনা পঞ্চাঙ্গনা খুকল্লগা পুংয়েবদা, ছুহারদা চণ্ডরুনা পুং কংতাল শোক্লকরগা হান্নগী মফম য়োৎকপদা পুয়েবনচিংবা পালা পুন্নমক চপ মান্ননা খুকল্লগা কৌগৎরুনা মেলহৌ য়েরগনি। খোঙ-য়েৎনা থাংরুনা য়েৎ ওইনমা কোয়বনা নবদ্বীপ পরিক্রমাবু খঙনৈ। যন্ত্র-মিলন ওইরিবা 'বেড়িঘাট' কৌই।

মেলহৌ—শ্রীগৌরাঙ্গ প্রভুনা রাধাভাব চঙলকুনা মখাদা ওইরকলৌরিবা রাজমেলগী অহানবা হৌফম হৌবা অসিবু মেলহৌ কৌই:—

পুংলোন—(আঘাত অনি শূন্য অমা)

থায়নগী খুদম— । । । । । । । । ৭
। । O

১ ২ ০

ধিন ধে | ধিন খ্রখ্র তাং ঘিন তঃ তা ধে

তা ———— তাঃ — — — — (অতপ্পা লয়)

য়েংগদবা—রাজমেল হায়বসি তালগী মখল অমা নত্তে; মথক্কী অসি রাজমেলগী অহোবা ওইবা দুইতাল অচৌবা হায়বনি। রাজমেল শব্দগী হৌরকফমদি শ্রীরঘুনাথভট্টনা লেংবা 'কীর্ত্তন চিন্তামণি'গী শ্লোক ৪০ শুবগী প্রমাণ—

তালমৃদঙ্গমালিঙ্গং কৃত্বং তালাদি ভেদক (?)
সঞ্চারিং বিরামং ঘাটিং চাপরং রাজমিলনং ॥

তালগা পুংলোনগা কোয়—কোয়না খাইদোক্না য়ৈগনি। রাগসঞ্চার য়ৈগনি। বিরাম নাইগনি। ঘাট থায়গনি। অমুয়া তৌববু 'রাজমিলনং কৌই। মৈতৈ ওজাশিংনা রাজমিলনং অসিবু রাজমেল হায়না শমজিনখিবনি। শাস্ত্রগী চপ চাবা প্রমাণনি।

ওজাশিংনা পায়নরম্বা কোর্ব্বেক অমদস্মু 'সঞ্চারেত্তি প্রেম ধর্ম্মাদি যত্র যত্র প্রসঞ্চরেৎ। রাজমিলনে শব্দার্থে রসরাজ ভাবমিলয়ে।' সঞ্চারনা প্রেম ধর্ম্ম শব্দোক্তগা রাজমিলনগী অর্থনা রসরাজ ভাবমিলনবু খঙনগনি হায়না ইরি।

লক্ষ্মীঘাট—য়াম্না পুক্নীং হুবগী মশক ওইবা, খাজং শাওঙদয় কজবা মিহুনস্ম তপ্পা তপ্পা হুনবা, তাস্তাস্ম তপ্পা তপ্পা থাবা, কিছুপ ৩, মিৎয়েং ৩, অসিনচিংবা ভক্তি প্রেম অমত্তা কায়দনা, হুহারনা শমজিং ওইহনা ঈশৈ শকপা পালা পুন্নমক অমত্তা ওইবা মওঙদা তালনা য়ুক্ষম ওইরগা হকচাংগী ইপোমগা লোয়নমা খোঙ—য়েং-ওয় থাংহনা মিহুনগী অকরবা মণীংবু করতালনা মণীং লেপ্তুনা, পুংগী পুংখোলনা নোংখোংবগী

মতৌগুম্না রৈগনি ; পুম্নমক্কী নমজিংবু রাধাভাবনি হায়না খঙনরিবা মফম অসিবু 'লম্বি' কৌই।

ঘাট—মেলহৌগীনা অরোইবা, মেলবুংগীদি অহৌবা অনিগী মরক অমগা অমগা তাইনরিবা মফম অসিবু 'ঘাট' কৌই। অনিমক্কা পুল-লগা 'লম্বিঘাট' কৌই।

১ য়েং২ ০

পুংলোনঃ— — গিরগ্র | ধেন তঃ তাং তাং তাং — —

পুংলোন অসিগী অরোইবদা খুৎ নামা থাংগৎলিবা অসি ইঙ্গিত তৌবনি, ঘাট অসিনা লোইহনা মেলবুং তাবা অসিদা সংক্ষিপ্তরস বিলাস-নি। মতাং অসিদা পুং য়ৈনা য়ৈনা করতাল খীংনা খীংনা পুম্নমক্কা ওয়রোমদা কোয়হনা বৃন্দাবন পরিক্রমা তৌগনি। পুংলোন—

১ য়েং২ •

— গিরগ্র | খিন খিন ধেন খিত্তা খিন তাং

— তা | তঃ তা থেন তা তঃ তাং॥

সেতুঘাট—তাল অমস্তুং মিহুনগী মশীংদি হোংদবা অতপ্পা খোঙ-চত্তগী অসুম মথং মথং পুখৎলক্তুনা ময়ায় ওইবা খোঙচত্তা হোংলক্কনি, মেলবুংগীনা অরোইবা—মেনবুং অওনবগীনা অহৌবা, অনিগী মরক অমগা অমগা তাইনরিবা অদুবু 'সেতুঘাট' কৌই। মতাং অসি সং-কীর্ত্তন রস বিলাসনি। পুংলোন—

১ য়েং২

— নগ্র | তেত্তা খিত্তা তাং—তা তা তাং —

মেলবুং অওনবদগী মথং মথং পুখৎলক্তুনা খুংনা ওম্বা চাংদা পুং-লোন শুনা মেল থারগনি। মতাং অসি কাওবা সম্পন্ন-রস বিলাসনি। অওনবা পুংলোন—

১ য়েং ২

গির গ্র | ধে ধে ধেন—তঃ—

\+ •

থাননবা—পুংলোন— ধেন তা ধেন — গিরগ্র ধেন —

তেন তা খিং তা তা খিন নগ্র

\+ ০

অথাবা—ধিন ধেন —তেনতা খিত্তা ধেন —গ্রগ্র

তেন্তা তাং —তেন্তা ঘিন ধেন —ঘিন ধেন

তানচপ তারগনি, বিশ্রাম রস বিলাসনি। তানচপতগী সেতু খায়রগা মেলকুপ তারগা থাবা ফাওবা অসিদা 'সমৃদ্ধিমান-রস বিলাসনি।

গিরগ্র ঘিন তত খিত্তা তঃ তত খিৎতা
তঃখিৎ তাংখিৎ তত খিত্তা ধিন তত খিত্তা
ধিন ধিন — তেন তেন তেন তেন
তেন তেন — তঃ — তাং —
মথক্কী পুংলোন পুংগী স্বাধীন সখি সেবানি।

সংকীর্ত্তনগীদি মেনকুপ তারগা থাবা ফাওবা অসিদা নিত্যাইপদ লৌহনা লোইশিনবা য়ারে।

পুংগী স্বাধীন সখি সেবা উৎলুরিবা অসিগী ভাবতি—মথল মথা অরাম্বা শকথিগে শোনথিগে হায়রবদি মওঙ অসুম্না চথখিগনি। করামুক শকলু-শোল্লুরগা লোইশিল্লগে হায়রবদি নিত্যাইপদ তাহনা লোইশিনগনি।

বল প্রেমসে কহ শ্রীরাধে কৃষ্ণ, বলহ প্রভুনিত্যাই চৈতন্য
কহত সাধু মধুর রস বাণী হরে হরে॥ বল শ্রীরাধে কৃষ্ণ॥

মমাওঙৈগী ওঝাশিংনা শ্রীগোবিন্দজীউদা কৎলম্লবা রাজমেল ৬৪গী পুংলোনসু শ্রীসোগাইজম থানিন সিংহনা ছাপা তৌহনা তাং ১৫।৯।৭১ ইংদা শ্রীগোবিন্দজীউগী মাণ্ডবতা তৌবা পুং-ঈশৈগী মিটিংদা লাইরিক অহু পুথোকুনা শ্রীগোবিন্দদা কৎখ্রে।

[পুংগী ওজাশিং—ওজা লৈচোনবম শ্রীকোয়রেং সিংহ হঞ্জবা, ওজা নাউরেম শ্রীধ্বজ সিংহ হঞ্জবা, ওজা রাযখোম শ্রীপার্থ সিংহ হঞ্জবা অসিনচিংবা শ্রীশ্রী৺গোবিন্দজী পালা লোয়শঙগী ওজাশিংমা পুখে কপিবা]

শ্রীক্ষেত্রিমযুম অমুযাইমা সিংহ

মৈতৈ-নট-পালাগী তালদা শাস্ত্রগা শন্নপ্পা চাংদম্নবা

(ওক্টোবর ২৭ নুংথিল)

ঈশ্বরগী সৃজন সৃষ্টিগী মনুংদা লৈরিবা (মরোল অতুন্মক্তা লৈরিবা) লেঙলি-পাল্লিবা পোংশক খুদীংমকী ওইনা মাগী মাগী মখল মখলগী ছন্দ-নিয়ম লৈ, হায়রবদি গ্রহ-উপগ্রহনচিংবশিংসু মাগী মাগী ছন্দ নত্রগা তালগী মখাপোন্না চংনবা ঙাক্তনি। অসিগুম্বা খোঙচংকী তাল হেক কায়রকপদা প্রলয় হায়বসু ওইরকই।

অসিগুম্বা তালগী মরুওইবা অসি পুং-ঈশৈ-জগোই (সঙ্গীত) দসু অসু মঙার। সঙ্গীত হায়বা অসি ময়াই কায়বা শামুগুম্বনি। তালনা মদূবু লায়বা কাতিনি। মসম অসিনা তাল কায়রবা জগোই-ঈশৈ-পুংদি —কাতি থাদবা শামু, হিনাউ শাদবা হিগুম্বনি হায়বসি সঙ্গীত শাস্ত্রশিংদা প্রমাণ কয়ামুক্তা লোয়ননা বর্ণন তৌরি।

মণিপুর ইমা লৈবাক্তা অরিবা মতমদগী হৌনা, শক্তি লৈরবা, লাইগুম্নবা ওঝাশিং কয়া হৌরকই অমসুং ওজাশিং অসিনসু মথং মথং রামানন্দী ধর্ম্ম অমসুং গৌড়ীয় বৈষ্ণব ধর্ম্ম চঙলকপদগী অরিবা অনৌবা—বংদেশ অমসুং নট হায়রদুনা তোঙান তোঙানবা কজরবা পরম্পরা অনি পুথরকই। হায়রিবা পরম্পরা অসিদা শাস্ত্রগী মচাকমখেল কয়ামুক থেংচিন্দুনা মপুং ফাহল্লকপদগী ঙসি মৈতৈ লৈবাকী ওইবা তোপ তোপ্পা জগোই-ঈশৈ পুংগী ইচেল অমা পুথরক্তুনা সংসারগী মফম খুদীংমক্তা মশক খঙনত্রে।

মৈতৈ হায়বা জাতি অসি ঈংবা পাম্বা, কলাদা থরায় লুপ্পা ওইবদগী পুং-ঈশৈ-জগোইগী হিয়ম অসিদা অমুক্তা হেক্তা কয়ামুক পাক

থোক চাউথোকহন্দুনা ওসি মপান নাইত্রবা সমত্রুগুম্না তস্না, থিজিনবগী লোইবা নাইদনা লৈখ্রি।

মণিপুরদা গৌড়ীয় বৈষ্ণব সম্প্রাদায়গী সঙ্গীত-শাস্ত্র অমদি সাহিত্যগী লাইরিক কয়ামকম কংই। হায়রিবা লাইরিকশিং অসিদা তালগী মরমদা শাস্ত্রীয় ওইনা কুপ্ন' নৈনরি। বৈষ্ণব-শাস্ত্রশিংদা লৌখৎলম্না তালগী নিয়মশিং অমদি মশক মমিং অয়াম্বা ভারতীয় প্রাচীন শাস্ত্রশিংগী মচুংচনবা উাকনি।

অসিগুম্বা তাল শাস্ত্রগী নিয়মশিং অসি মৈতৈ ওস্তাশিংনা ঐখোয়গী চৎনবীগী মতু'ইন্না খরা হেন্দোক হেক্তিন, শেমদোক শেমজিন তৌববস্তু শাস্ত্রগী চাউবাকপা নিযম অমদি অতুম্মক কারদনা চৎলম্মী। অসিগুম্বা নিয়ম অসিগা মৈতৈ তালগা মরী লৈনবা খবদং মখাদা উৎলি—

কালপ্রাণ—কাল হায়বদি মতমবু হায়বনি। মতমবু অশাংবা অতেনবা চা' ওন্ননবগী মক প্রাচীন সঙ্গীত-শাস্ত্রশিংদা ক্ষণ, নিমেষ, লব, হায়বনচিংবা কুপ্লবা অবযব (কাযাৎ) কয়া খায়দোকই।

ক্ষণ—থম্বাল মনা চাম্বর মথং মথং লোনখৎনয়গা য়েৎতুম্না ফাওনবদা থিনবদা চংবা মতম অদুবু 'ক্ষণ' কৌই। মসিনা খ্বায়দগী কুপ্না মতমগী মচাংনি। ক্ষণ, লব, নিমেষনচিবা অসি অমুক অভিধান খরগী মত মতুংইন্নদি নিমেষ অমগী অর্থ—পল অমা হায়বদি সেকেণ্ড ২S নি। নিমেষ নত্রগা পল ৩২ না লঘ অমনি। অতুনদি লঘু অমদা মিনিট ১২ গা সেকেণ্ড ৪৮ ওইবা তাই। হায়রিবা মতম অসিদি যাম্নমক বিলম্বিত লযদা শরুবস্তু লঘু অমগী মতম অতুক শাংবদি ওইথোক্কে। মসি নত্তবা অতোপ অতোপ্পা মত কযাস্তু পীনৈ। মসিনা তাকপদি, সঙ্গীত শাস্ত্রদা, ককুলমলিবা মতমগী মচাং—ক্ষণ, লবশিং অসি মমিংতা পল্লম্বনি। শন্দোকনা উৎলম্বদি নত্রবনিনা কৌজীকী যুগতা তৌনরিবা মতুগী অর্থশিং অতুগদি খেন্নয়ম্বা তাই। থম্বাল মনাগী প্রমাণ অসিমকস্তু মতু ফাওনবা তপ্পা থিনস্তু যাই, থুনা থিনবস্তু যাই।

শ্রীখোয়গী মৈতৈ ওঝাশিংগীদি মশা ফবা নিপা অমগী মিতম অতুনা কাল (মতম) গী মচাং ওয়নবা অয়েপ্পা পাইখৈনি হায়না খঙল্লম্মী। অমরোমদা মসিবু মাত্রা হায়নসু খঙনৈ। মার্গী তালদা, লঘুদা মাত্রা অমগী মচাং—ক, চ, ত, ট, প —ময়েক মঙা অসি হায়বদা চঙবা মতমচুনি হায়না উৎলম্মী। দেশী-তালদদি ময়েকসু ৪, মাত্রাসু ৪ ওইরম্মী। মণিপুরদদি অরেপ্পা নৈতে। দেশী তালগী লঘুগী মাত্রা অমদা ময়েক অমদগীনা ৫ কাওবা অতুম্মক শীজিন্নরম্মী।

অঙ্গপ্রাণ—তাল অমগী মখুংদা লৈবিবা শরুক অমমমগী কা-য়াৎপু 'অঙ্গ' কৌই। মার্গী তালদা 'অণুদ্রুত' নচিংবা লৌখৎলমদে। লঘুগী মাত্রা ১, গুরুগী মাত্রা ২, প্লুতগী মাত্রা ৩ দমক উৎলম্মী। দেশী তালদদি অণুদ্রুত, দ্রুত, দ্রুত বিরাম, কাক-পদ, লঘুবিরাম হায়বা অঙ্গ ৫ অসিগীসু খুদমগা লোয়ননা উৎলম্মী মচুদি—অণুদ্রুত U = মাত্রা ১, দ্রুত—O = মাত্রা ২, দ্রুতবিরাম O̍ = মাত্রা ৩ লঘু I = মাত্রা ৪, লঘুবিরাম — I̍ = মাত্রা ৫, গুরু—S = মাত্রা ৮, প্লুত—S̍ = মাত্রা ১২, কাকপদ—X = মাত্রা ১৬।

কল্লি কবিগুন্না লাইরিক্তা 'বিরাম' হায়বা রাহৈ অসিগী মরমদা মত অনিথোক্লা কংই। মত অমদনা 'বিরাম' হায়বা রাহৈ পল্লিবা অঙ্গ অতুগী মচাংগী তংখায় লৌগনি হায়বদি লঘুগী মাত্রা ৪ নিনা ৪ গী তংখায়দি ২ নি। হায়রিবা তংখায় ২ অসি লৌরবদি লঘুবিরামগী মাত্রা ৬ ওইগনি হায়বম্মী। মখক্তা পনখ্রিব লঘুবিরামগী মাত্রা ৫ লৌবা অসিনা বিরাম' গী মাত্রা ১ তা লৌবগী অতোপ্পা মত অমনি। মসি মণিপুরদসু লৌখৎলম্মী, হায়বদি লঘুবিরামগী মাত্রা ৬ কী মত অসি লৌরবদি ওঝাশিংনা শেমলমলিবা তালগী অঙ্গশিং অসি কায়গদ্রা হায়না খল্লি। অতুগা মথক্তা পীরিবা অঙ্গগী খুদমশিং অসিদি ওঝা-শিংগী কোর্বেবক্তা থেংনদে। অতুমকপু মমাঙতৈদা, খঙবদদি শোয়দনা খঙলমগদ্রা নীই। ওঝাশিংনা অঙ্গপ্রাণ মশক খঙলমদ্রবদি কমদৌমা

অমুক মাম্বা তালগী ভাণ্ডার অসি শেমলমগনি। মণিপুরদদি অঙ্গ-প্রাণগী মওঙ অসি মথাগী অমুম্না য়েক্লম্বা থেংনৈ—

চৌতাল - মাত্রা ১২, তাম্বা ৪, ফাঁক ২

| | | | | | | | | | | | ।

| • | • | |

লৈই অতেনবা মচাশিং অসিনা মাত্রানি (মথক্তা), শাংবা চিংলিবা মথাগী লৈইশিং অসিনা তাম্বানি, শূন্য অসিনা হাইদোকউ অমুগা অরোইবা লৈই মথক্তা ওয়রোমদা চিংখৎখ্রিবা অসিনা অমুক হন্দ্রিল্লু চারবনি হায়-দুনা অরিবা কে.র্বেক্তা শন্দোক্লা তাক্লম্মী। হুজৌক্তি কমাগুম্বনা হাই-দোকপদসু তালগী কায়াৎ পীনৈ। মহুদি তাল শাস্ত্রগী মতুং ইন্নদি কায়ত্রা হায়না খল্লি।

ক্রিয়া প্রাণ - খুৎ অনিনা পূম্না মখোল থোকহন্দুনা হায়বদি তাম্বা ফাঁক (হাইদোকপা) নচিংবা ভৌতুনা তাল অঙ্গগী মচাং উৎপা অদুবু 'ক্রিয়াপ্রাণ' কৌই। শাস্ত্রদা তাম্বা উৎপবুনা 'সশব্দক্রিয়া' অমসুং ফাঁক উৎপবুনা 'নিঃশব্দক্রিয়া কৌই। মখোয় অসিগীসু অমুক ধ্রুব, শম্পা-নচিংবা মমিংগা লোয়ননা মথল ৪ | ৪ থোক্লা থায়দোকলি।

মার্গী-তালদদি যথাক্ষর (মশাগী অশেংবা অঙ্গ) পম্রিংদা অঙ্গ খুদীংগী অহানবা মাত্রাদা তাম্বা থাবগী নিয়ম লৈরম্মী। অদুবু 'দ্বিকল' (২ক), চতুষ্কল (৮রক) হন্না শাংদোক্লা লাক্লবদি মশাগী অঙ্গ অমসুং তাম্বা হোংলকই। মসিদি মৈতৈদদি তৌনদে। যথাক্ষর' পম্রিং-দুদা 'দ্বিকল' ওইরক্লবসু অঙ্গ হোংদে অমসুং তাম্বাসু হোংদে। মার্গী তালদা তাম্বা থাবগী মথল ৪ । ৪ পীরিবা অসিসু হুজৌক্তি মশাগী অশেংবা নিয়ম মতুং ইন্নদি কয়া তেনত্রে।

মণিপুরদদি সশব্দ অমসুং নিঃশব্দ ক্রিয়াগী মওঙ অসি ওঝা ওঝাদুগী খুদোংচাবা মতুংইন্না খর খর খেন্নরবসু চাউরাক্লা মথাগী অমুম্না তাকপিরম্মী –

অনুদ্রুত— তাম্থা ১, দ্রুত—অহানবা মাত্রাদা তাম্থা।

দ্রুতবিরাম—অহানবা মাত্রাদা তাম্থা, অনিশুবা মাত্রাদা খুংচা কোনশিনবা অমসুং অহুমশুবা মাত্রাদা থাদোকপা।

লঘু— অহানবা মাত্রাদা তাম্থা, অহুমশুবা মাত্রাদা য়েংলোমদা হাইদোকপা।

লঘুবিরাম—অহানবা মাত্রাদা তাম্থা, অনিশুবা মাত্রাদা খুংচা কোনশিনবা অমসুং মরিশুবা মাত্রাদা মাঙদা থাদোকপা।

গুরু— অহানবা মাত্রাদা তাম্থা, অনিশুবা মাত্রাদা য়েংলোমদা হাইদোকপা, মঙাশুবা মাত্রাদা ইশাগী মায়কৈদা খুংচা কোনশিনবা অমসুং তরেৎশুবা মাত্রাদা হাইদোকপা।

প্লুত— অহানবা মাত্রাদা তাম্থা, মঙাশুবা মাত্রাদা য়েংলোমদা খুংহাইদোকপা, মাপন শুবা মাত্রাদা ইশাগী মায়কৈদা কোনশিনবা অমসুং তরামাথোইশুবা মাত্রাদা মাঙদা থাদোকপা।

কাকপদ— মসিদি শীজিন্নবা থেংনদে।

গ্রহপ্রাণঃ—পুং-ঈশৈ-জগোইগী তানকোকপু 'গ্রহপ্রাণ' কৌই। মসি মখল অহুমথোক্না খায়দোকই— সমগ্রহ, অতীতগ্রহ অমসুং অনাগতগ্রহ।

১। সমগ্রহ (থামিন্নবা)—মতম অমত্তদা পুং-ঈশৈ-তাল পুন্না হৌমিন্নবদি মদুবু 'সমগ্রহ' কৌই। খুদমদি—

+		০			২		৩	
ন্	ত্য	ভি	বি	পি	নে	বন	মা	লী
ত্রং	খিন	ধেই	ধিত্তা	ধেই	ধিত্তা	তাত্তেন-তা		

} ব্রহ্মতাল—

২। অতীতগ্রহ (হাইগৎপদা লৌবা)— অহানবদা ঈশৈনা হৌরগা কোন্না পুং অমসুং তাল হৌরবদি মদুবু 'অতীত-গ্রহ' কৌই, খুদমদি—

+
রাই গ ম ন নি কুঞ্জ কানন (রাধা অভিসার)

৩। অনাগত (থাম্বগা হায়বা)—অহানবদা তাম্থানা হাম্বগা কোম্না পুং-ঊৈশে লাকপদু 'অনাগত' কৌই, খুদমদি—

+ ২ ৩
S নী S র | নী S | র দ ··· (ব্রহ্মতাল)

অতুম অসি মত্তবা, 'বিষমগ্রহ' হায়বা অমত্তু শাস্ত্র থরদা পীরম্মী। মতু ঐগী মত ওইনদি য়ানীংদে। অতীত, অনাগত অসি 'বিষম-গ্রহ'গী মথল ওইগদ্রা খল্লি।

জাতিপ্রাণঃ—প্রাচীন তালদা চঞ্চংপুট, চাচপুট—মার্গী তাল-শিংবু চতুরস্র অমসুং ত্র্যস্র হায়না বর্ণন তৌরম্বা অতু হুজীক্কি মতুগী পরম্পরা মাওথিবা মরমনা থোইনা চংনদ্রে অমসুং ঐনসু থোইদোক্না নৈনজদ্রে। দেশীতালদা জাতি হায়বগী অর্থ অতোপ্পা মত অমদা পীরম্মী। তাল অমগী লঘু অমদা তোঙান তোঙানবা মাত্রাশিংনা ওহোক ওনশিন, শাংদোকপা তেনশিনবা তৌরবদি মদুবু জাতি-প্রাণ কৌই। মসি শাস্ত্র অমাম্বদা জাতি মথল ৫ তা লৌখৎলম্মী। অদুবু নোংপোকলোমগী শাস্ত্র থরদদি মথল ৮ লৌখৎলম্মী। মসিগী মনুংদা মণিপুরদসু থরা উবা ফংই। খুদম ওইনা—

একাক্ষী জাতি লঘুগী মাত্রা ১ = থেত্তা খিংখেন
(+ +)

পক্ষিণী জাতি লঘুগী মাত্রা ২ = খিত্তা তাগ্র
(+)

ত্র্যস্র জাতি লঘুগী মাত্রা ৩ = ধিন ধেন তা ধিন ধেন তা
(+ +)

ধিন ধেন তা ধেই ধিন গ্র।
(+ +)

চতুরস্র জাতি লঘুগী মাত্রা ৪ = ধিন তেন —তৎ তা ধেই ধিন ধেই
(+ +)

খণ্ডজাতি লঘুগী মাত্রা =

ঋতুজাতি লঘুগী মাত্রা ৬= +ধিন S তেন তা ধিন ধেই
মিশ্রজাতি লঘুগী মাত্রা ৭=
সংকীর্ণজাতি লঘুগী মাত্রা ৯=

মসি শাস্ত্রদা ত্র্যস্রজাতি একতাল, চতুরস্রজাতি একতাল-নচিংবা খঙনৈ। মণিপুরদসু ওঝাশিংনা জাতি মমিংদি পম্মে অদুবু তাম্বা অমত্তবু হায়রবদি একতাল হায়না অদুম্মক খঙনরম্মী।

লয়প্রাণঃ—ঈশৈ নত্রগা পুংলোনগী অহুগা তালগীসু অথুবা অতপ্পগী মচাং তাকপবু 'লয় প্রাণ' কৌই। মসি মখল ৩ নি— দ্রুত, মধ্য, বিলম্বিত।'

মখল অনিমক্কী অমুক—চির, মধ্য, ক্ষিপ্র হায়রদুনা মখল ৩ | ৩ অমুক থোক্লা খায়দোকলি। তপ্পা তপ্পা লয় হোংলকপগী রানি—পুম্না মখল ৯ নি। মণিপুরদা অয়াম্বা ওইনা বিলম্বিত (অতপ্পদগী) হৌরগা তপ্পা ২ থুজিল্লকপা হায়বদি চির, মধ্য, ক্ষিপ্র ওইনা (মধ্য-ময়ায় ওইবা—) লয়দা চঙলকপা অমসুং দ্রুতলয়দা (অথুবা) থায়। মসি থাক্নৈ শেংনা রাজমেলদা উবা ফংই।

কলাপ্রাণঃ—তালগী পরিং অঙ্গ কায়হন্দনা অনিরক, মরিরক নচিংবা শাংদোকহল্লবদি কলাপ্রাণ কৌই। মসি শাস্ত্রদা দ্বিকল, চতুষ্কল, অষ্টকল হায়না খঙনৈ।

অদুগা মথক্তসু হায়রে—প্রাচীন শাস্ত্রদা মশাগী অঙ্গদগী দ্বিকল, চতুষ্কল ওল্লকপদা অঙ্গ হোংই অমসুং তাম্বাসু হোংই। মৈতৈগী চংনবীদদি শাংলোকপগী রাতনি অঙ্গসু হোংদে, তাম্বাসু হোংদে। খুদম—

চতুরস্রজাতি একতাল (ভানচপ)=মাত্রা ৪, তাম্বা ১

+
ধিন তেন —তাৎ তধেই ধিন ধেই।

একতাল অরাওবা 'দ্বিকল'=মাত্রা ৮ তাম্বা ১

+

—গ্রগ্র ধেইগিন —গ্রগ্র ধেন গিন —তাং তাতা —তাং তাতা

নচিংবা—

মার্গপ্রাণঃ—মসিদি প্রাচীন শাস্ত্রদা বর্ণনা তৌরম্বশিং অমসুং অয়াম্বদা মার্গীতাল—চঞ্চৎপুট, চাচপুট—তগী ওইনা তৌই। মসু হুজীক্তি চংনদ্রে। মরম অদুনা মতাং অসিদা নৈনজদ্রে।

যতিপ্রাণঃ—মথক্তা হায়খ্রিবা লয়প্রাণগী দ্রুত, মধ্য, বিলম্বিত লয় অদুম অসিনা ওন্থোক ওনশিন তৌদুনা শেম্বা তোঙান তোঙানবা মওওবু 'যতিপ্রাণ' কৌই। শাস্ত্রদা মসিগী মখল ৫ তাকলি মদুদি— সম, স্রোতোগতা, মৃদঙ্গা, পিপীলিকা, গো-পুচ্ছা। মৈতৈ ওঝাশিংগী পুংলোন্দা যতিপ্রাণ অসি য়ান্নমক শীজিন্নবা উই। মখ'দা পিপীলিকা যতিগী খুদম অমা উৎলি— (অহানবদা মধ্যলয়, মথংদা দ্রুতলয় অমসুং মথংদা অমুক মধ্যলয়দা হনজিনবা)

মধ্য { গ্র গ্রতাং খিতা তা খিখি তাংখিৎ তাতা খিতা
খিজেন তাতা ঘিন্তা ধেট গ্র গ্রধেন —তা ধেন
—গ্র গ্রধেন —তা ধেন }

দ্রুত { খিখিতাংখিৎ তাতাখিৎতা খিতেনতাতা ঘিন্ত ধেন
—গ্রগ্র—ধেই তাধেই —গ্রগ্রধেট তাধেই }

মধ্য—গ্র গ্রতাং খিতা তা —গ্র গ্রতাং খিতা তা

প্রস্তার প্রাণঃ—তাল অমা হায়বা অসি অঙ্গ ১, ২ নত্রগা ৩ নচিংবা কয়ামুক তিল্লগা শেম্বনি। অঙ্গ অদু য়েংলগা তানশক অদুগী মাত্রা মচাং অমদি তাম্বা মশক থঙনরিবনি। অসিগুম্বা তালশিংদা মশাগী মাত্রা মচাং অদু কায়হন্দনা মাগী অঙ্গশিং অদুমখৈতা তোঙান তোঙানবা মওওদা মাও তুং হোংদোক হোংজিন তৌদুনা পুংলোনগী কায়াৎ থেন্নহনবা মওওবু 'প্রাস্তার প্রাণ' কৌই। মসি শাস্ত্রদদি য়াম্না কুপ্পা নিয়মগী মখা পোন্না গণিত তৌদুনা নৈনরি। মাগী গণিত (অঙ্ক) অদু হেক শোয়-

বদা তাল অমগী অৱেপ্পা প্রস্তার মখল ৬ থোকফম অমুদগী হেৱা থোকপা য়াই নত্রগা য়াংনা থোকপা য়াই।

তাল শাস্ত্রদা প্রস্তার মখল ২ থোয়া খায়দোকই—'চতুরঙ্গ প্রস্তার' অমসুং 'ষড়ঙ্গ-প্রস্তার'।

চতুরঙ্গ প্রস্তারদনা O I S Ṡ অঙ্গ মরি অসিতা য়াওবা তালগী প্রস্তার। ষড়ঙ্গ প্রস্তার হায়বনা O Ȯ I İ S Ṡ অঙ্গ তরুক অসি য়াওবা তালগী প্রস্তার। অণুদ্রুতদদি প্রস্তার-প্রাণদা লৌখৎলমদে।

চাউরাকপা প্রস্তার শেম্বগী মওঙ অমা মখাদা তাকলি—

একতাল অরাওবা—গুরু ১ (তাম্বা ১) মাত্রা ৮

S

1 1

O O 1

O 1 O

1 O O

O O O O O

স্বরফাক মাত্রা ১০ তাম্বা ● (মশাগী তাল অঙ্গনা ●।। নি। অদুবু হায়া অচৌবদা শাগৎকনি)—

OS, O।।, ।O।, OOO।, SO, ।।O, OO।O, O।OO, ।OOO, OOOO

মথক্কী অসিদা গুরু ১ মাত্রা নিপালজনা কোয়চা মখল ৬, মাত্রা ১০ স্বরফাকনা কোয়চা মখল ১০ থোকলি। কোয়চা খুদৌংগী অঙ্গ মওঙসু মায়দে। মাগী অঙ্গ-কায়াৎ অমমমসিদা পুংলোন অমুক খেন্ন-হন্দুনা প্রস্তার কয়ামুক শেম্বা য়াই।

মসি শেম্বগী চাউরাকপা নিয়ম অমদি—

তাল অমগী মমুংদা অঙ্গ অমা নত্রগা অমদগী হেল্লবদি মথু ইহান হায়া অচৌবা মশীংগী অঙ্গ লৌরগনি। অমসুং ওয়রোমদা চৈরিবা অঙ্গ

অহুনা ক্রুত (O) ওইরমহুনা মঙোন্দগী অপীকপা অঙ্গ লৈত্রবদি মাগা থংনরিবা অঙ্গ অচৌবহুগী হেক মখাদা, মহুগা হেক থংনবা অঙ্গ মচা থন্নগা, মথক্কী শেমগ্রিবা প্রস্তার অহুদা ইহান হান্না থমগদবা অঙ্গ অহু মখাদা লৈই চিংলিবা অহুনি।

য়েংলোমগীদি মথক্কী লৈরিবশিং অহু অহুম হজিন্না থমগনি। হুক্কীক থমগ্রিব্রা অঙ্গশিং অহুগী মাত্রা মচাংহু পুনশিন্দুনা য়েংলগা তাল অহুগী মাত্রা মচাংহু পুনশিন্দুনা য়েংলগা, তাল অহুগী মাত্রা মচাংহু কাত্র-বদি ওসার হান্না থম্না হৌখিবা অঙ্গ অহুগী ওয়রোমদা য়ারিবমথৈ অচৌবা অঙ্গ (মাত্রা মচাং অহুগী মমুং চন্না) লৌথত্তুনা মেনশিন্দুনা মপুং ফাহনগদবনি। অস্নুম্না মখা চথবদসু অহুম তৌরগা, ইলোই লোইবদা (অশুক্রতদি লৌথৎলমদবনিনা) অঙ্গ খুদোংমক কায়খিহুনা ক্রুতদা লাক্লগা লোইগনি।

মসিগী খুংশেম অসি চুমই চুমদে অমদি তাল অমগী মাত্রা অসুক ওইরবদি প্রস্তার মথল অসুক থোক্কনি হায়রবনচিংবা অঙ্গ নিয়মনচিংবা কুপ্পদগী কুপলেন কুপ্পা পাক চাউনা লৈরি। মৈতৈ পুংলোন্দা তানচপ, মেনকুপ, পরেং, অলঙ্কার, আখরনচিংবা হায়নরিবশিং অসি প্রস্তারগী মমুং চনবা য়াই।

মাণঃ—(মাণগী অর্থ তালগী মচাং ওনবা অমসুং অথাবা)

তাল অমগী মমুং চল্লিবা ঈশৈ নত্রগা পুংলোনগী লোইশিনফম অদুবু 'অথাবা' কৌই। মসি মথল ২ থোক্না থাযদোকই—ধ্রুবপদ হায়-বদি ঈশৈগী হজিনফম অহুদা ২গুবা তাল্থানা থাদোক্লবদি 'বর্দ্ধমান' অমসুং তালহুগী অয়োইবা তান্থাদা থারগনা 'হীয়মাণ' কৌই হায়রি। থুদম ওইনা—

বর্দ্ধমাণ (তানয়ায়দা থাবা'—

চারতাল মচাগী অথাবা, ঈশৈনা 'স্তথা তাথৈ ··'

+	২	০	৪
ধেন তা	ধেন তা খি তা	তা গ্র গ্র ধেই	S

+ ২
ত্রগ্র তং তং | তাং S | তাং S |

মসিবু যুগলদা থাবা হায়নৈ।

হীয়মাণ—(তানমৈদা থাবা)—

তিনতাল অচৌবা—মথাবা, ঈশৈনা—'অপরূপ রাসবিহার…'

৩ + ২
ধিন তাতা খিতা ধিন | তাতা খিতা | ধিন গ্রগ্র

৩ + ২
ধিন তাতা খিতা ধিন | তাতা খিতা | ধিন গ্রগ্র

৩ + ২
তাখিং তাংখিং তাতা খিতা | গিনত্র গিনথেই | তাতা খিতা | ধেই

মথক্তা উৎলিবা 'হীযমাণ' (অরোইবা তাহ্লানা লোইবা) অসিগী মরমদা য়েৎনবা খরা লৈ, হাযবদি ওঝাশিং কনাগুম্বনা তিনতাল অচৌবা অসি অহুমশুবা তাম্বা অসিদগী অলঙ্কার লোই অমসুং থাবসু মসিদা থায়। নট-পালাগী তিনতাল অচৌবগী মপুং লোংবগা মথাগী পুংলোন অসি য়ৈনৈ। পুংলোন অসিদগীনি ওঝাশিংনা অহুমশুবা তাম্বাবু তানকোকনি হায়রিবসে। মধুদি—

+ ২ ৩
ধিন থেই S তা | তাধে ধেনতা | ঘিনতা ঘিনগ্র… অসিনচিংবা পুংলোন অসিবু ওঝাশিংনা করতাল মরোলসু কৌনৈ। মসি মশানা চালি ছন্দদা লৈ অহুগা মথাতাবা অলঙ্কারশিংসু চালি পুংলোন্না অহুম্মক য়ৈনৈ। মরম অদুনা অহুমশুবা তাম্বা অসিনা তানকোকনি হায়নৈ। অদুবু ঐগী মত-তদি তাম্বা অহুম শুবদা অলঙ্কার লোবা অসিদি করিগুম্বা তালদা হাইদোকপদা লোবসু য়াওই অমসুং করতাল মরোল তারকপদসু তিনতাল অচৌবগী হান্না লাকলিবা ছন্দ অহুদি পুমকায় কায়রক্লবনিনা, চালি নত্রগা করতাল মরোল হায়বনা চুমগনি খল্লি। মরম অদুনা মসি শাস্ত্রনা হায়বা 'হীয়মাণ' হায়বা অসি ওইগনি হায়না নীংই।

শ্রীবিপিন সিংহ

গোষ্ঠ লীলা

(ওক্টোবর ২৮ লুংথিল)

বিজয়স্তু রামকৃষ্ণৌ
সর্ব্ব সন্তাপহরৌ।
পরম সুখদ বর্ণৌ
শ্বেত-নীল প্রকাশৌ।
অভিনব-নব কান্তি
নীল-পীত সুচেলৌ॥

শ্রীমদ্ভাগভবতকী গোষ্ঠ-লীলা মওঙ—

শ্রীকৃষ্ণনা ভাদ্রকৃষ্ণ অষ্টমীদা পৃথিবীদা অবতার তৌবীথি। পোকপা মতুং চুমিং ১৫ নি গুবদা 'পূতনা' হাংলি, থা অহুম গুবদনা 'শকট ভঞ্জন' লীলা শাগ্নে। চহি অমা কাবদা 'তৃণাবর্ত্ত' হাংলি। চহি ২ থা অহুম গুবদা মেৱা থাদা উদুখল-লীলা শাগ্নে। মসিগী হেক মথংদা ব্রজবাসী পুম্নমক্না লোয়ননা গোকুল থাদোক্লুনা বৃন্দাবনদা লৈকম হোংখি। মকম অসিদা থা ৬ অমা লৈথরগা ভাগবাননা যম্লাউমচা শেনবা হৌখি। শ্রীকৃষ্ণগী চহি ৪ গুবা কাওবদা মথং মথং 'বৎসাসুর, বকাসুর' অনিমক হাংখি।

মথং চহি ৫ চঙলকপদা শরদ থাদা 'অঘাসুর' হাংলি। 'বকাসুর, অঘাসুর অনিমক পূত্রনাগা পোকমিন্নবনি। মতাং অসিদা ব্রহ্মানা যম্লাউ মথৈগা সখা-মথৈগা কত্থনা লোংখি। অসুম তৌনা চহি অমা মপূং ফাখি। চহি ৫ মপূং ফাহ্নুনা ৬ লানশিল্লকবদা হায়বদি কৌমার লাম্থোক্লুনা পৌগণ্ডগী মতাং হৌরক্লবদা মেৱা থাগী শুক্লা অষ্টমীদা শ্রীকৃষ্ণনা ইহান চানবা গুইনা যণবী শেনবা হৌখি—

শুক্লাষ্টমী কার্ত্তিকেতু স্মৃতা গোপাষ্টমী বুধৈঃ।
তদ্দিনাদ্বাসুদেবো ভূদ্‌গোপঃ পূর্ব্বন্তু বৎসপঃ॥ ১ (পাদ্মে)

মথংদা ধেনুকাসুর হাত্তুনা তালবন উদ্ধার তৌই। মতুগী মথংদা কালেন থাদা কালীদমন অমসুং দাবাগ্নি মোক্ষণ তৌই। মথংদা নোংজুথা লাক্লবদা হোরী-থান্দোং হাইত্তুনা ভাণ্ডীর বনদা শারে। মথংদা প্রলম্বাসুর-বধ, দাবানল ভক্ষণ অমসুং বস্ত্রহরণ-লীলা শারে। যজ্ঞ-পত্নীশিংদগী 'অন্নভিক্ষা' তৌত্তুনা সখাশিংবু পীজে। মতাং অসিদা ভগবানগী চহি ৭ মপূং কাবা ওই।

লীলাগী মওঙ—মথক্তা লৌপৎলিবা থরা অসি শ্রীমদ্ভাগবতনা উৎপা ভগবানগী গোচারণ লীলাগী মসুংচনবা থোদোকশিংনি। গো-চারণ-লীলাগী মওঙদি—

অগানবা কৌমার বয়সতা গোকুলদগী লাকপগা ইকুই কুইদনা থন্নাউ শেনবা হোই। অনকপা মফমদা সখাশিংগা লোয়ননা শেল্লি, চয়োম পুত্তুনা চৎলগা ময়াম চামিরে। লমহাওদা উহৈনা থুং শাত্তুনা উংত্তুনা শারে, ষণ শানা কৃষ্ণগা ষণ খোংত্তুনা মহৈ মহৈ রাইনৈ, কেকু লোংপী, নুং থুন্দুনা পন থোনবী, থোং শাবী, য়োংগী মতৌ তমত্তুনা চোংবী অসিনচিংবা কথা শারে। মমা মমামথৈনা মণিমুক্তা, সনা-লুপা-নচিংবগী লৈজেং তৌরক্লুনসু লমলক্কী লৈ, উনা অমদি রাহোং মতুনা লৈতেংনত্তুনা শারে। অমনা অমগী শিকা হুরান্দুনা লংখোরে (শিকা-চয়োম হাপ্তুনা পুনবা নাকন্দা থাওন ওন্দুনা য়ানবা ঝুলিগুম্বা মথল অমা) মপুনা তাল্লগা অমনা অমুক অমদা লংত্তুনা পী। কৃষ্ণনা থাপ্পা লৈগ্রবদা সখা মথৈনা মাবু হান্না শাকপা তারে। মখোয়না বেণু, শিঙ্গা খোংনৈ (শিঙ্গা—কৃষ্ণসারমচি)। কনানা খোইমুগী মতৌ তমনা ঙৈশৈ ওংই, কনানা কোকিলগা খোন্থাও ফজবা তারে, কনানা উচেক্কী নত্রগা মশাগী মমিগা লমজেন তারে, কনানা কাংগুগী শাজৎ তম্মী, কনানা উরোকুম মনাক্তা তূমিন্না ফমলুই, কনানা রাহোংগা জগোই শামিরে, কনানা উশাদা য়োংগী মমৈ চিংলুই, নত্রগা মচা ফাগদবগী তৌকই। কনানা উশাদা য়োংগুন্না তোংত্তুনা লৈ, য়োংপা ওনশিনত্তুনা মন্না

থিগৎলে়, উশা অমদগী অমদা লামহনা চোংই, অমনা হওইগুম চোংথিহনা কোংকুৎ লান্নবা হোৎনৈ, কনানা ঈশিংদা তাবা মশাগী মমিবু মথিং মরা কাকুনা লংনৈ, কনানা মশাগী খোম্বাও মখোল তাবদা শাউনা শাপ তৌই। সখামথৈ পুন্না জগোই অমুক শামিন্নে, চোংই, ফন্নি, ঈশৈ শকই। লাক্লবী-ফানবী শান্নে। লাক্লবদা রাধবা কৃষ্ণবু মখোয় মন্নাম চওহনা সেবা তৌই। করিগুম্বদা কৃষ্ণনা জগোই শারগা সখা মথৈনা পুং-শেল নৈ, বেণু খোংই, ঈশৈ শকই। সখাশিংনা শারগা রামকৃষ্ণনা ঈশৈ শকই। করিগুম্বদা হোরীবান্দোং হাইবী শান্নে। করিগুম্বদনা কৃষ্ণনা নিংথৌ শাহনা লৈবাক ঙাকপগী লীলা শান্নে—নিংথৌগী কাওহাই চামর, শেকপিন্নচিংবা পুন্নমক মনা পুংবা উশানি। করিগুম্বদা অমাংগায় (অস্পৃশ্যত্ব) তান্নে, মান্নখুন্নী, খোঙ্গাওবী ফীবুনহাবী, অরা-শগোল-তোংবীনচিংবা কয়া কযা শান্নে। অসিগুম্বা মশান্নশিং অসিগী মতুংদা ঋতু ঋতুগী অমুক খায়দোক'ল। মদু পুন্নমক পুক্লীং হুনবা মশক ঙাক্কনি।

ক্রমদা থক-খা ওন্নবা— মথক্তা লৌখৎলিবা শ্রীমদ্ভাগবতকী লীলা-ক্রম অমদি শান্নবগী মওঙশিং অসিবু ঐখোয়গী গুরুজনশিংনা মুংথিল অমত্তগী কুপ্মে ওইনা শূপচিন্দুনা হুজীক ঐখোয়না উনরিবা গোষ্ঠ-লীলাগী মওঙ অসি তানবা শেম্বীরম্মী। ঐখোয়না উৎলিবা ক্রমদা ধেনুকাসুরনা হান্না হাৎলি, বকাসুরনা কোন্নি। ভাগবত-নদি বকাসুর-বধ তৌবনা হান্নি। অসুন্না থক-খা ওন্নবা অসিবু ঐখোয়না বিচার তৌরুবা ইত্তিক নত্তে। তৌবদি পুরাণ অমগা অমগা মত খেন্নবদু য়াওদবা নত্তে। ভগবান ব্যাস দেবনা পুরাণ পুন্নমক ইথিবা ওইহনসু অদুগা ভগবানগী লীলাগী মান্নবা মশক্তি উত্থনসু মতুগী মথং মনাউ লেংশিল্লকপা মতমদদি পুরাণ অমগা অমগা থৈদোক থৈজিন তৌরবা মওঙ শেংনা উবা ফংই। অদুবু মদু পুন্নমক ওসি কাওবদা কনানসু দোষ ওইনা লৌনদে। লীলা রসতা মতুনা মরোং তাহনবদি থক ওইরবনা। অতুগী মথক্তা অখও অহে পণ্ডিতশিংনদি—খেন্নরিবশিং অসি

কয় খেরবননি, ব্যাসনা তৌনীংবা তৌবা নত্তে—ভগবাননগী লীলাদি নিত্যনি, তৌঙ্গনতা লৈরিবনি। অসুম্না ভগবাননগী মিংকৃপ মিংকৃপকী লীলানা তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়দদি মশীং খঙনরবা চহিনা শাবা অচুগুম্বা কয় কয়া কয়া কান্ননা থোকই। মরম অসিদগী লীলাশী ক্রমদা থক-খা ওয়বা কয়া থেংনবনি। সনাতন গোস্বামীনা শ্রীমদ্ভা-ভগবতকী টীকা তৌবদা অসুম্না হায়রম্মী মহুদি—

“বিরোধান্তরবৎ কল্পভেদবিকল্পয়েতি কেশিৎ —

১০ম্ ১১অঃ ১৯ শ্লোকঃ

শ্রীকৃষ্ণগী লীলাদা বিরোধ—য়েংনবা লৈবা কয়াবু কল্প ভেদগী থোকপনি হায়না সমাধান তৌনবগুম মতাং অসিসু তেমশিনগনি।

ঐখোয়গী গুরুজনশিংনা বকাসুর, ধেনুকাসুর অনিগী মথক মখা ওন্নবসিসু অচুগুম্বা ঐখোয়না খঙবা ভমদবা লংজীন অমা লৈখিবনরা নত্রগা মরক্তা শেরান্নবা অমদগী অতুম্মক ওইখিবরা নত্রগা রামকৃষ্ণ অনিগী লীলাদাময়াম্বা থনয়গা মনাঙগী কৃষ্ণনা হানখিবছ রস চুপ্পগী মতাংদা মীওইবা রাখন্দ। লকক্ তৌবা করিগুম্বা অমা থম্মোইদা কাও-বদগী থৌ-ওইনমক তৌবী়ম্বয়া হায়বছ ঐখোয়গী পীক্রবা বুদ্ধিনদি লায়্বা ক ত্রে। অসুম্না অকোন অহানদা ওন্নবা অসিনা রস ময়েং তাইনখিবদি করিসু থোকপা লৈতে। অচুনা মসি ঐখোয়গী চংনজবী ওইমা লৈপ্রবনি।

কুংথিল মতেক অমগী লীলাদা শঙ্গোম শুস্বদগী হৌহ্না গোচারণ লীলাগী মশক উংনবা হোংনরকপদা কৃষ্ণে ওইনা উৎপদা লুংঙাইগদবা থরদং লৌথৎতুনা নৃত্য-নাট্য অসি শেম্নম্মী। (শারদাতনয়গী ‘ভাব প্রকাশ’নদি মসিবু উপরূপক-কী মখলদা ‘গোষ্ঠী’ হায়না মমিং থোল্লম্মী)। মমৈদা থোকপা বস্ত্রহরণ-লীলাগীসু মথংদা লাকপা ‘অন্নভিক্ষা’ অসিসু কৃষ্ণবু বণশেনবা চৎমিন্নবা হৌবা লাকপদা, মমাইবেম্না যশোদানা পীত্রবদা সখাশিংনা হায়জবদা পন্নি মহুদি—

লাইরকপা চক্কম নোংমা পীজখিলে······অসিনচিংবা

মসিনা অমুক তাকপদি—কৌমার, পৌগণ্ড অমদি কৈশোরগী মতম ফাওবদা ভগবাননা শান্নখিবা ব্রজলীলা পুম্নমক গোচারণ লীলাগী মনুংদা তাক্লা ওইখিবনি। দাবানল ভক্ষণ অমদি অন্নভিক্ষাগী লীলা অসিগী মতুংদসু মথা য়াম্না চখনা গোষ্ঠ-লীলা শান্নখিবা ওইবনা, ওজা-শিংনা রস অসিবু মশবী শেনবা হৌবা মুনিংমক্তদা পুখত্তুনা হাপ্পা ওইনা উবদগী শ্রীযুৎ গম্ভীরসিংহ মহারাজনা শক্লা তৌরবদা মতম অদুগী ওজা মৈরাবা হায়রবতুনা নিংথৌবু বাৎসল্য-প্রেমদগী থোকপা য়াহৈনা 'করি নিংথেম। নঙনবু করি খঙহনলো, ভগবানগী লীলাদি ওইহনা তাক্লা লৈবা নত্তবরা, হাপ্তবা য়াদে হাপকদবনি' হায়রবদগী সনা হাক্তক অদুদগী অদুম্মক হাপলকখিবগী য়ারী তাবা লৈ। ঈশৈ অসিমক ঐথোয়নসু পদকল্পতরুনচিংবা বৈষ্ণব-পদাবলীশিংদগী গোষ্ঠগী ক্রমদা অদুম্মক য়াওরম্বা থেংনৈ। অসিগুম্বা মওংদা ওজাশিংনা, উৎপদা খুৎ-লোয়বা খুৎলোয়দবা যেংনা খন্দোক খল্লিন কয়া তৌরগা শাংলবা মতমগী লীলাবু পুং খরতগী কুম্মৈ ওইনা শুপচিন্না শেম্বিরম্বনি।

গোষ্ঠ-লীলা-ক্রম (গোবিন্দগী)

হৌনবী মতুংগন্না প্রাতঃদা ব্রাহ্মণনা য়াসোৎসর্গগী পূজা কৎলগা লীলাগী ক্রম মথং মথং তারক্কনি। য়াস অতৈগুম্না গোষ্ঠদদি নিপা-পালানা গৌরচন্দ্রিকা শক্কে। লীলা হৌদ্রিঙৈদা সূত্রনা শক্লগা লোইরে।

মাগুর ময়োনগী কৌত্রুগী চিথেক্তা মায় নোংপোক ওয়া পুংয়ৈবা অনি কমগনি। মকোক চৎপনা অরাং খংগনি। মখোয়গী য়েংলোয়দা মোইবুং খোংবা কমগনি। অরাংথংবা নাকল্দা মায় মথা ওয়া সূত্রধারশিং কমগনি। চন্দনবা পুংয়ৈবগী ভুদা লৈগনি।

হৌনবী লৈ-চন্দন তৌহ্না অমদি মাগুব মপু বরণ তৌরগা পুংয়ৈবা অমদি সূত্র শকপশিংনা শ্রীগোবিন্দবু হায়া খুরুম্লগা মাগুব মপু অমসুং

নিংথৌদগী হৌহুনা মকোক মথং নাইনা ভাবক পুন্নমকপু দগুবং তৌনা থুকমগনি। অসুম্না থুকম্বা লোইরবদা মাগী মাগী ফিজেৎ-লৈতেং তৌনরগা মক্ষম মফমদা কম্নগনি। মখোয়বু ফিন-চিংবনা বরণ তৌবা লোইরগা পুংনা 'বৃন্দাবন-অহৌবী' য়ৈহুনা য়াগ হৌগনি। মমু লোইরগা সূত্রনা গৌরপদ শকনি, গুরু অমদি বৈষ্ণব বন্দনা তৌরোই। মসি লোইরগা সূত্রনা নারদ লাকপগী উক্তি অমা ছাডাদা থৌরগা নারদ বালবাসু অনিমক ঈশৈ শক্না শক্না চঙলকনি। নন্দালয় য়ৌরগা কৃষ্ণ-বলরাম অনিবু শঙোম শুহা তম্বীগনি। মথংদা সূত্রনা উক্তি অমা শীবদা চিথেক মরিমক্তা সখাশিংনা মচীন্দা অবাবা' লাউনরক্ননি। মথংদা বন্দনা অমা পুন্না শকনি।

কৌক্রুগী কাঙবুনা হান্না ঈশৈ শক্নুনা, একতালদা মখোঙ থীন্দুনা ঈশৈ শকনি, মখোয়না লোইরগা মৈরমগী কাঙবুনা মথং ঈশৈ অমা অমুক শকনি। মথংদা মোইরাং লায়জি, চৌংথৈগী কাঙবুসু ঈশৈ অমমম শক্নগনি। ঈশৈ শকপা লোইবা মতমদা পুন্না মচীন্দা অরাবা অমুক ল্যাউনগনি। ঈশৈ লোইরগা মরাম পুন্নমক মাগী মাগী মফমদা অমুক কম্নগনি। দল খুদীংদগী মকোক ওইবা সখা ২ | ২ খোরক্নগা ময়ায় খা-রাং পরেং শানা লেপ্লগা মমায় নোংচূপ ওনগনি।*॥ মতম অসিদা রামকৃষ্ণসু মায় নোংপোক ওন্দুনা লেপ্তুনা লৈগনি। সখা ৮ না তোঙান তোঙানবা শ্লোক অমমম থীনহুনা রামকৃষ্ণগী নাক্তা চঙহুনা মোত তৌনরুগনি। মখোয়গী মোত তৌবা লোইরবদা সূত্রনা উক্তি অমা শীরগা চিথেক মরিগী দল মরিমক কৌক্রুগী দলনা মকোক চি হুনা মায় সখা ওন্না খোঙ থীন্দুনা, ঈশৈ শক্না শক্না মী অমমম লেংহুনা চংলগা সখা ৮ অদুবুনা ময়ারদা থম্লগা ওয়ওইননা কোয়গনি। অতৈ দলসু ঈশৈ শক্নুনা, মখোঙনা তাল খাহুনা হান্নদগী অহুম লৈগনি

---

*॥ মসি খাংনদি তৌরমহে, মাগী মাগী দলগী লৈফমদা অতুম্বক লেপ্পরম্বী।

অতুগা পরেং লাক্লিবা দলনা মাগী মাগী মপা মৌরকপদা তাল কার-দনা হাংগুন মথেংও অতুম থীগা থীগা চঙশিন্দুনা পরেং ময়ক্তা রেপ-শিনগনি। অসুম্না সখা পুম্নমক শীন্দোকপা লোইতুনা পরেং অমত্তা ওইনা কোয়না লেপ্লবদা নোংচুপকী মায়কৈদি থাদোক্তুনা থম্লগা 'অরাংবা' লাউতুনা কমথনগনি। (মী যাম্মনবদগী তুজীক্তি পরেং মরি থোক্লা কোয়খ্রে, মসিদি কুইত্রি, লান মতুংদদা তৌরকপনি। থাইনদি অহৈ-হৈত রেংতুনা মী থন্দোক খঙ্গিন তৌবম্মী। হান্না মথক্তা অমুক য়াওখ্রবশিংদি অতুম্মক য়াওহল্লি, মরমদি—জগোইদা মপুং ফানা ফজনা শাবা য়ানবা থৌয়াঙনি। তুজীক্তি মসি থাদোকখ্রে)। ময়ামগী ৮ অতুস্থ ঙসায়মথৈ মরামগা চপমান্ননা অতুম্মক তৌমিন্নতুনা লৈরমগনি।

সখা ৮ অতুনা মমায় নোংচুপ ওল্লগা রামকৃষ্ণবু থোরক্কবা ঈশৈ শক্তুনা কৌথোক্কনি, মোত তৌগনি। মথংদা ঈশৈ মথাও অমা ছাড়াদা অমুক শরম্লগা সখা অনি অনি চঙতুনা রামকৃষ্ণগী মনাক্তা অমমম লেপ্প-রগা মশা শোক্না মোত তৌরগনি। অসুম্না মখোয় ৮ মক্তা মোত তৌনবা লোইরবদা রামকৃষ্ণবু স্তুতি তৌগনি, জগোই শাগনি, মালা তুনগনি। মসি পুম্নমক মখোয়না শ্রীরামকৃষ্ণবু উজবদা অগদি মখোয়গা লোযননা যগশেনবা চৎমিন্নগনি শনবদা হয়াউজবা মতৌ কোংদোকপনি। রামকৃষ্ণগী স্তুতি অসি নত্তবা অতৈ মালা তুনবনচিংবা অসি থায়নদি মধুমঙ্গল থোক্লবা মতুংদা, শোয়দনমক মখোয়না কৃষ্ণবু লোয়নজবা কংলগনি হায়বা খঙলবদা হয়াউজবা কোংদোকপা ওইনা লৈরম্মী। অদুবু মধুমঙ্গলবু থোকখ্রবদি ভাবক কায়তুনা ঈরাও লাওবদগী মতাং অসি মাওবা তারতুনা স্যার চূড়াচাঁদ সনা হাক্তক্তা মথক্তা পুখৎখি।

সখাশিংনা হায়জবদগী কৃষ্ণনা মখোয়দা উক্তি অমা পীরবদা সখাশিং অতু থোকখিতুনা পরেংদা য়াওখিগনি। মথংদা কৃষ্ণনা যশোদাদা চৎকে হায়জগনি, যশোদানা য়াদতুনা পমতুনা থমখ্রবদা কৃষ্ণনা নাম্থোক্তুনা চেনখিগনি। যশোদা রোহিণী অনিমক্না তায়তুনা ফারগা ঈশৈ শক্না শক্না মোত তৌনা তৌনা পুশিল্লকনি।

মতম অসিদা পম্বেগী মঙ্গায় থওবা অহুম্বাইদগী সখা অমা লেপখৎলকুনা শ্রীদামদা কৃষ্ণবু লৌরুনবা পৌদারককনি। শ্রীদামনা উক্তি অমা পীরম্লগা স্থত্রনা শকপা ঈশৈগী মতুংইন্না তাল চানা, কেনা মখোঙ থাংহনা কৃষ্ণগী নাক তান্না লাককনি। মৌরগা যশোদাবু খুকম-হনা খুকউ খুদক কুম্না খুৎ লোম্নহনা কৃষ্ণবু থাদোকপিনবা হায়জগনি। যশোদানা পীদ্রবদা মকোক্তা মখুং হাপ্তুনা থোরককনি। ঈশৈ শক্না শক্না, মোত তৌনা তৌনা লাকুনা মন্নাম মনাক মৌরক্লগা শ্রীদামনা সুবলবু অমুক চৎলুনবা হায়গনি। সুবলনা উক্তি অমা পীরম্লগা লাকপা হৌগনি।

মচীন্দা শকপা ঈশৈগী মতুংইন্না মোত তৌনা তৌনা সুবল সখানা যশোদাগী মনাক মৌরক্লবদা খুকম্লগা খুৎ লোম্নহনা কৃষ্ণবু থাদোক-পিনবা হায়জগনি। মমা ইবেম্মনা পীদ্রবদা মুন্দুনা কৃষ্ণবু পুথোককনি, চীন্দা ঈশৈ শককনি, কৃষ্ণগী মশা প যনা পাম্বনা মোত তৌগনি। যশোদা রোহিণীনা ঈশৈ শক্না ১ তম্নবকুনা অমুক মচাবু ফাবগনি। অহুমক্তদা নাম্বোক্তুনা অমুক চেনথ্রবদা মমা মখৈনা অমুক ত‍াংহনা ফাগনি। মতাং অসিদা 'স্তোককৃষ্ণ' সখানা ঈশৈ শক্না শক্না চওলক্লগা কৃষ্ণবু মমাদগী অমুক মুন্দুনা পুথোককনি। মমা অনিনা কৃষ্ণবু অমুক মুনগনি। স্তোক সখানা যশোদা রোহিণীদা দগুবৎ তৌহনা হয়জগনি। অসিমক্তদসু যশোদানা ময়াত্রবদা কোয়না পরেং লেংহনা শৈশ্বিবা সখা পূম্নমক হৌগত্তুনা অমগা অমগা মখুং শম্নহনা ঈশৈ শক্না শক্না, অহোবা থমদনা কোয়না থংককনি। মমৈদা খুৎ শম্নবা থাদোকরগা খুকউ লৈজনা নীংগাউননা যন্মহনা পূম্নমক চপমান্নগা ঈশৈ শক্না শক্না মখুৎতনা মোত তৌনগনি। ঈশৈ লোইশিন্নকগা মান্ননা মখোয় পূম্নমক দগুবৎ তৌ-হনা যশোদাদা খুকমগনি। মতম অসিনক্তদা বলরামনা মখুং হাইহনা সখাশিংদা কোয়না চৎলগা উক্তি তৌগনি সখাশিংসু হৌগত্তুনা ফম্নগা বলদেবদা খুং লোম্নহনা উক্তি তৌনককনি। মথদা বলরামনা খুকউ খুদক কুন্দুনা খুৎ লোম্নহনা যশোদাদা হায়জয়ককনি ছাড়াদসু ঈশৈ শককনি

অমসুং ছন্দ ওন্দুনা অতোপ্পা ঈশৈ অমা শক্লা শক্লা কৃষ্ণবু কোন্দুনা পুখোরকনি। কৃষ্ণবু খনম্লগা হক্তিল্লকুনা ঈশৈ শক্লা শক্লা যশোদাদা দগুবৎ তৌহুনা অমুক হায়রগনি ।

মতাং অসিদা সূত্রনা ছাড়াদা ঈশৈ অমা শকুনা যশোদানা য়াবীবা উৎকনি। মথংদা সূত্রনা বেশ-সাজনগী ঈশৈ অমা একতালদা শকনি। কৃষ্ণ বলরামবু খাত্রাও লেপহল্লগা যশোদা রোহিণীনা মচা অনিগী মশা পায়না পায়না বেশ-ভূষণ তৌবগী মোত্ত তৌগনি। মথংদা যশোদা রোহিণীনা হুমিংপু খুকমহুনা কৃষ্ণবু ওাকপি কনবীনবা ঈশৈ শকনি। মথংদা যশোদা রোহিণীনা ঈশৈ শক্লা শক্লা রামকৃষ্ণবু জগোই শাবা তম্বীগনি। মচীম্নাউসু মমাশিংনা শাবা মতৌ যেংহুনা জগোই শা-গনি। ঈশৈ শক্লা ২ মমা অনিনা মচা মচাদা লৈ পৱেং অমমম শিবীগনি। মথংদা রামকৃষ্ণ মচীম্নাউ অনিতনা পুন্না জগোই শামিন্ন-গনি, মালা হুন্নগনি, মমা অনিনা ঈশৈ শক্লা শক্লা মোত্ত তৌনা তৌনা মচাগী জগোই য়েংগনি ।

রামকৃষ্ণগী জগোই হেক লোইবদা সূত্রনা ঈশৈ অমা শক্লিডৈদা সখা ৪ | ৪ খক খোক্কুনা খা-রাংদা, নোংপোক নোংচুপ ইন্না মমার ওনশিন্নহুনা পৱেং লেপকনি, মথোঙনা তাল খাহুনা কে-না অসুম লৈগনি। বলরামনা অরাং অমসুং কৃষ্ণনা মখাথংবা পৱেংগী মমাঙদা জগোই শানা শানা লৈগনি। সূত্রনা ঈশৈ শকপা লোইরগা সখা-শিংনা মদু ওক্কুনা অমুক শকনি অমসুং শক্লা শক্লা জগোই শাগনি। ঈশৈগী অরোইবা পদদা সখাশিংনা লোংলৈ লৈরিডৈদা কৃষ্ণ-বলরামনা মালা ২ | ২ খক হুন্নহুনা বলরামনা কৃষ্ণগী, কৃষ্ণনা বলরামগী লৈফমদা য়োনরগা সখাশিংগা মতম মান্না উপলৈ জগোই শামিন্নগনি। অহুম্না উপলৈ লৈবা হেক লোইবদা সখাশিং অহুনা কৃষ্ণ বলরামদা লৈ চাই-শিন্নগনি অমসুং জয়কার লাউগনি। অসুম তৌনা মালা হুনবগী জগোই মপুম অসি চায়পা চপ মান্নবা মওঙদা অমুক হুন্না শাহুনা কৃষ্ণ বলরামনা

মাগী মাগী হারগী লৈকমদা অমুক ওনশিন্নগনি অমসুং অমুক হন্না লৈ চাইহুনা অলংকার লাউগনি।

মথংদা রামকৃষ্ণ অনিনা মমা মমাদগী অচাপোৎ নিগনি, মমাশিংনা উক্তি অমা পীরগা অথুম অহাউ পীগনি। মথংদা যশোদানা ছাড়াদা ঈশৈ শকুনা কৃষ্ণবু বলরামদা শিন্নগনি, সূত্রগী উক্তি অমসু পীগনি অমসুং মতুংগা লোয়মনা কৃষ্ণ-বলরামবু নন্দদা পুত্বনা শিন্নকগনি। মতম অসিদা নন্দনা উক্তি অমা তৌরগা কৃষ্ণ-বলরামবু লৌহৌগনি। নন্দনা কৃষ্ণবু পমহুনা পুরগা মচি অমদা মচীন্ননাউ অনিবু লেংগোয়হুনা লেপহন্নগা মচাশিংগী রূপবর্ণণ তৌগনি। মথংদা উপনন্দ সুনন্দসু আশীষ তৌনগনি, ব্রাহ্মণ-পুরোহিতসু আশীষ তৌগনি।

মথংদা নন্দনা কৃষ্ণ বলরামবু শ্রীদাম-সুদামনচিংবদা শিন্নগনি। সখাশিংনা উক্তি অমা পীহুনা লৌহৌগনি। মথংদা মধুমঙ্গল-খেল অহুম্মক তারগনি। যশোদাদগী অচাপোৎ নিহুনা পুথোরক্লগা সখা ময়াম মমাওদা লেন্ন-লেন্ননা চাবা, ময়ামনা লাউনবকপা, তাশিন্নদনা মফৈ নীকুনা চাবা, হায়জমমন্নবদগী ময়ামদা য়েন্দুনা পীজবা। মরক্তা 'দেদে' শাবা অনিবুদি চিথবীবম্মা, লডনবা মখোয়না শাউবা অসিন-চিংবা নোক্লবা কূশ্মৈ কন্না তৌগনি।

মতাং অসি ফাওবনা নন্দালয়দা তৌবা লীলাগী মওঙনি। মসিগী মতুংদদি লম অহুম্মক থোক্লগনি। সখা পুম্নমক পরেং অনি থোক্লা লেংলগা কৃষ্ণ-বলরামনা ময়ায়দা চংকনি। সখা পুম্নমক চৈশু বাঁশী পায়নগনি। বলদেবনা লাঙ্গল পায়গনি। মন্দির মঙ্গুংগী শ্রীরাম-কৃষ্ণগী মূর্ত্তিসু রথ মথক্তা লেওখত্তুনা লমথোকপা য়াওগনি। ব্রাহ্মণ মচানা শাবা সখা ৪ না রথকী চৈথেক ৪ দা লেপ্তুনা চামর থৌগন তৌগনি, পে-অঙোবা অমনা রামকৃষ্ণগী কোকথক্তা খানগনি। অহান-বদা সূত্র শকপনা ঈশৈ শকুনা মাও থানা চংকনি, মথংদা সখাশিংনা জগোই শানা শানা চংকনি, রামকৃষ্ণগী রথনা খায়গী তুং থংগনি,

ভাবকশিংনা কাং চিংগনি। রথকী তুংদা লাইগী থৌগন-পূজারী-হুহোন-নচিংবা অমদি ঙাকপা শেনবা মী ময়াম চৎকনি। অস্থুম্না সভাযাত্রা চৎলগা লমহাও য়ৌরবদা নোংচূপকী মতাইদা নত্রগা মখাগী মতাইদা রামকৃষ্ণগী রথ অহু থাদুনা নোংপোক নত্রগা অরাং ওন্না লৈরগা মতুংগী মমাওদা সখাশিংনা কোন্না লেপ্তূনা জগোই শাগনি, রাম-কৃষ্ণ শাবা অনিনা ময়ায়দা লৈগনি। সূত্রনা কৌক্করোমদা হান্নগুম্না অহুম্মক লৈগনি।

অস্থুম্না পরেং শিন্দোক্রবা লোইরবদা 'গোষ্ঠ-ভঙ্গী-অচৌবা' শাগনি। মথংদা 'গোষ্ঠ-বৃন্দাবন-ভঙ্গী' অমুক শাগনি। জগোই শারিডৈদা সূত্রনা ঈশৈ শকনি। জগোই লোইরমদাইদদি সূত্রনা হল্লগা সখাশিংনা খুমহুনা জগোই শানা শানা ঈশৈ শকনি।

মতম লৈতহুনা নত্রগা অঙাংশিংনা ফাবা ঙমদহুনা পূন্না ভঙ্গী অনিমক শাবা ঙমলোইদবা লৈরবদি ভঙ্গী-অচৌবা শাবা লোইরগা বৃন্দাবন-পরেংগী অরোইবা জগোই ৪ দংদি হায়রবদি নং ২২. ২৩, ২৪, ২৫ লৌথত্তূনা শারমদবা য়াদে, মসি ওজাশিংনা থম্মীরম্বা নিরমনি।

অস্থুম্না জগোই শাবা লোইরগা 'কীবূন-হাবী শাম্নগনি। মসিগী ক্রমদি—পূংনা থায়কপা মতুংইন্না সখা পুন্নমক মকোকচিংবা অমমমগী মতুংইন্দুনা মখীং মান্নন কাওবু অনি থোক্লা থাইদোক্লরগা কাওবু অমনা মাওদা অস্থুম পূমচৎ চৎখৎখিদুনা লৈহৌরিবা পরেং অহুগা খা-রাং হেক তানত্রিবা কাওবা জগোই শানা শানা চৎকনি। মতম অসিদদু সূত্রনা হল্লগা সখাশিংনা খুমহুনা ঈশৈ শকনি। মকোকচিংবী অমনা নোংপোক, অমনা নোংচূপ থংনা খা-রাং লেপ্নগনি, রামকৃষ্ণনা অমমমগী মাওদা লৈগনি। অস্থুম্না মীচঙ থায়দোকপা লোইরবদা পূং-লোন অমত্তদা কাওবু অনিনা তোপ্পা তোপ্পা জগোই শানগনি। মসিনা অনিরক হল্লবা তুংদা শক্লিবা ঈশৈগী মতাং চানা কৃষ্ণগী মায়কৈদা সখা অমনা মাগী কাওবু মমাওদা থোক্তুনা মন্নামনা তৌবগুম মখোঙ শিত্তূনা চেন্নগা, মন্নামগা মান্ননা ওন্নগী খুকউ লৈতাহুনা নীংগাওনা কমহুনা

লৈগনি, মমায় মপান্দা য়েংবগী খুপাক লোংখোক্তুনা থমগনি। মতম অসিদা শরক শিহন্দনা বলরামনা, মাঙদা কমলিবা সখা অমা কৌবুননা থাগনি অমসুং লেপ্তুনা লৈরিবা বলরামগী মীচঙগী সখা অনিনা জয়কার লাউতুনা চেম্থোরগা কৌবুননা পাল্লিবা সখা অদুবু চিংতুনা মখোয়গী মীচঙদা পুশিনখিগনি। মথংদা হান্নগা চপমান্নবা মওংদা অমুক হন্না জগোই ঈশৈ হৌরগা বলদেবগী মায়কৈগী সখা অমদা কৃষ্ণনা কৌবুন লংগনি অমসুং কৃষ্ণগী মীচঙগী সখা অনিনা জয়কার লাউতুনা সখা অদুবু পুশিনখিগনি।

অসুম্না কৌবুন-হাবী শান্নবা লোইরবদা কাঙবু অনিমক হান্নগুম পরেং পন্নং অতুমক খাব্রাঙ নকশিন্নতুনা লৈগনি। শ্রীদামনা বিশাল-অর্জ্জুন সখা অনিদা যণ হোইগৎলুনবা থৌদাগনি। বিশালার্জ্জুননা যণগী মমিং কৌনা কৌনা খুং শন্নতুনা অসুম থিন্নকপদা 'ধেনুকাসুর' থেংনবদগী লাউতুনা কিনা চেল্লকনি। বলদেবনা সখাশিংবু কিদনবা হায়রগা ধেনুকাসুরগা লান্নতুনা লাঙ্গলনা কোৎথুরগা হাৎকনি, গোপ-মখৈসু চৈনা ফুরুগনি।

মথংদা কোয়না অমুক লেপ্তুনা হান্নগা চপ মান্নবা কৌবুন-হাবী অমুক শান্নগনি, বিশালার্জ্জুননা যণ থিবা অমুক চৎকনি, হন্দক্না 'বকাসুর' থেংনগনি। কিতুনা মখোয়না লাউনা খোংনা চেল্লরুবদা কৃষ্ণনা চোংথোক্তুনা বকাসুরবু মথন্নাং শেগায়তুনা হাৎকনি, গোপ মখৈনা চৈনা ফুরুগনি।

অরোইবদা হান্নগুম্না ঈশৈ শকুনা কোয়না অমুক জগোই শাগনি। মতম অসিদা গোপ পুন্নমক্তা কি য়েনবীগনি। চালি জগোই শাক্তুনা থারগা পুজারী ব্রাহ্মণনা শ্রীরামকৃষ্ণগী মূর্ত্তিদা আরতি কৎকনি, সূত্র-শিংনা ঈশৈ শকনি। অসুম্না আরতি কৎপা লোইরগা লমথোকপদা তৌখিবগুম সভা যাত্রা চত্তুনা শ্রীমন্দির তান্না অমুক লেঙশিল্লকনি। সূত্রনা কেন্না গোষ্ঠগী ঈশৈ শকনি। মন্দির প্রাঙ্গণদা শ্রীমূর্ত্তি অমুক

লেঙখিরগা অথুম অহাত কন্থুনা অমুক হন্না আরতি কৎকনি। অস্নরা গোচারণ লীলা লোইশিনগনি।

লেংগদবা—মথক্কী ক্রম অসি থুন্নকম্ন অয়াম্বা অহুম্মক মায়ে। শ্রীগোবিন্দজীগা মান্নহনবা য়াদবনা ঈশৈনচিংবদি য়াম্না তোপনৈ, য়স মপুং অমত্তা ওইরক্নম্ন পয়েং লেংশিনবগী মওঙ থৈনবদি য়াম্না য়াওই। শ্রীগোবিন্দদা কৎপা ঈশৈ নোংমাই পুন্নমক কন্না থিংলম্মী, থুন্নক্তা তৌহন্দে। পুংগী য়াগস্ন থুন্নবীদি 'ঢপ' য়াগনা হোই।

শ্রীগোবিন্দগীনা কার্তিক শুক্লা অষ্টমীদা কৎলি, মসিগী মতুংদনা থুন্নকী কৎলি। গোবিন্দগী কৎপা নুমিৎতা কৎপা য়াবদি লিংথৌ-লাইশিংতনি। অদুবু ওন্নদবদগী শ্রীবিজয়গোবিন্দগী অমদি লিংথোখোং গোপীনাথকী নত্তনা অতৈদি গোষ্ঠ লীলা অসি চাং থমবা কৎপা ওন্নখি-দবগুম তৌখ্রে। অহুম ওইনমক নুমিৎ মান্নগা কৎপা য়াবস্ন থুন্নকুন্না ঈশৈনচিংবদি গোবিন্দগা মান্নহনবা য়াদে। অসিগুম্বা কন্না চেকশিন্না থিংলহগী নিয়ম অসি হুজ্জীক্তি খরা খরা কোমথোরকুনা মান্নবা শক্তক য়াম্না য়াওবকলে। মরু ওইনা মমা শাবীগী মশীং য়াম্না লৈরক্নবদগী অমদি হেক্তিন্না তমশিনবা ওন্নদবদগী খেন্নবহ্ন মপুং ফানা অস্নম ওাকপা ওন্নরকখিদে। অহুমকপু হুজ্জীকমকস্ন খেন্নবা মশক্তি মরাং ক.ষনা লৈবা ঊরি। থুন্নক মশেনগীদি অপাম অপান্থা তৌনবা য়াবা খবস্ন লৈবদগী মপুং ওইবা খরা নওনা অতৈ খেন্নবা কয়াস্ন উবা ফংই। মরম অসিনা শ্রীগোবিন্দগী ক্রমনা অরেপ্পা ওইগনি।

গোষ্ঠ-লীলাগী রস

পৃথিবীদগী পাপকী অবস্থা লোৌখোকুনা সাধুজনশিংবু কনবীনুনা তাইবঙ পানবগী মঙ্গল পুবীরকুবা হোৎনবদা উজ্জ্বল ভক্তি-প্রেম-রস-তনা অথোইবা পান্থেনি হায়বসি জীবদা খঙহনবীনবা হোৎনবদা পোৎ-চঙ ওইনখিখিবা শান্ত, দাস্ত, সখ্য, বাৎসল্য অমস্নং মধুর হায়বা অথোইবা ভাবশিংগী মমুংচনবা, বাল্য-পৌগণ্ড বয়সতা শামখিখিবা সখ্য অমদি

বাৎসল্য রসনা থল্লবা শ্রীমদ্ভাগবতনা লমজিংবা অদুগুম্বা শ্রীভগবানগী গোচারণ-লীলাগী অনুকরণ তৌদুনা শ্রীগোবিন্দদা চহি চহিগী কৎন-রকপা—নৃত্য-নাট্যগী মশক ওইবা গোষ্ঠ-লীলানি। লীলা অসিগী ক্রমনচিংবদি মথক্তা উৎখ্রে। লীলা অসিনা শ্রীমদ্ভাগবতনা বর্ণন তৌ-রিবা মশক অদুগা কনম্না মরী থম্লবগে, ভগবানগী ব্রজলীলা পুম্নমক মাগী মনুংচন্না পাঙথোকখিবা অদুগুম্বা শাংলবা গোচারণ লীলাবু ঐখোয়গী ওজাশিংনা শূপচিন্দুনা ভগবানগী ইহান হানবা থণবী শেনবা হৌবগী লীলা খুম্নিৎনক্তদা কমদৌনা মপুংফানা উৎনবা হোৎনরম্বগে হায়বগী মরমদা অমুক য়েংসি—

গোষ্ঠ-লীলা—ভগবানগী বাল্য-পৌগণ্ডগী লীলানি। মসিদা দাস্য-সখ্য-অমদি বাৎসল্যনচিংবা অৱাম্বা রসনা থল্লা লৈ। ভক্ত-বৈষ্ণবশিংনা অসিগুম্বা শেংলবা মাধুর্য্য ভাবনা প্রধান ওইনা লৈবা; মক্ত্রবা ব্রজ-লীলাগী মনুংদা খ্বাবদগী হেন্না থুম্লবা শ্রীভগবানগী লীলা অসিবু থল্লায় পেন্না চুপ্নে। অসিগুম্লবা ব্রজদা ওইখিবা বাল্য লীলা অসিদা ব্রজ-সখাশিং অমদি নন্দ-যশোদানচিংবা নিপা-নুপী পুম্নমক্তা শ্রীকৃষ্ণবু ঈশ্বর-ভগবাননি, মখোয়দগী হেনখিবা চাউরেন চাউবা মপুনি হায়বসি থক খল্লবা লৈখিদে।

সখাশিংনা শ্রীকৃষ্ণবু মখোয়গী মরান্নবা, অকি-হুংগোই করিসু লৈ-তবা, অচম্বা অঙাং অমগুম অঙম্বক লোয়নখি। শ্রীকৃষ্ণনসু ইবুংঙো মাগা অঙাংশিং অদুগা খেন্নবা মতৌ থক উৎখিদে। সখা অমনা করি-গুম্বা পোৎ অমা চারুবনা হাউরম্বা থোক্লবদি—'এঃ হাউই হায়, কাহ্নাই নঙসু চাও' অসুম হায়না কৃষ্ণদা মাগী লুথাক অদু হেক্তমক ইনশিন্নকই। অসুম তৌবা মওঙদা শ্রীকৃষ্ণনসু সখাশিংদা থুংনা হেক হেক ইনবীদুনা পীজৈ। মীনাই ওইবীনচিংবা শান্নবদা পোরগা অথোইবদুবু শ্রীকৃষ্ণগী লেংবান্দা তোংহল্লগা তোংলিবা অদুনা থৌরকপদা রানা চেন্নবা, কৃষ্ণনা থোইরগনা মানা কৃষ্ণবু পুন্দুনা চেনবা অমিনচিংবা লীলা কয়া শান্নে।

ভক্তপা ভগবানগা অমত্তা ওইনা শান্নবা থুম্নবা অসিগুম্বা য়সনা থনবা গোষ্ঠ লীলানি। ঐখোয়গী গোবিন্দগী ক্রমদা য়াওবা, কৃষ্ণবু যনশেনবা চৎসি হায়না হৌবা লাকপা সখাশিংনা শাকপা ঈশৈদা মতাং খুদীংদা কৃষ্ণবু মখোয়না ইচম চমনা থনবহু ফোংদোকই, মৈতৈ লোন্দা হন্দোকপা মহুগী মশক্কি—

ফমদেংহ্রনা নৈথোকলিবোই
ক্ষীর-ননি চারহ্রনা
ঐখোয়বু নঙগী নানাইরনে তাই
নঙগী নশল শেঙ্গ্রো=অসিনচিংবা—

মথক্তা উৎলিবসিনা শ্রীকৃষ্ণগা সখাশিংগা লোয়নবগী চাউরাকপা মশক্কি। অদুমদি ওইরগা সখাশিংগী মরক্তস্ন মখল মথেল নাইনা খেন্নবা লৈতবদি নত্তে। বৈষ্ণব সাহিত্যনা উৎপা মতুংইন্না মথাদা চাউরাকপা মশক অমা উংনবা হোৎনরি—

কৃষ্ণ সখা মখল মরিনি মহুদি—সুহৃৎ, সখা, প্রিয়সখা অমসুং প্রিয়নর্ম্ম সখা। অসিগী মথক্তা বিদূষক হায়বা অমসু লৈ মহুদি—

১। সুহৃৎ—কৃষ্ণগী চহি হনবা, মখোয়না কৃষ্ণবু অঙাংগুম্না লুনা ভৌবা, খুৎলাই পায়হ্রনা কৃষ্ণবু ভাকপি শেনবীবগী থবক ভৌবা অহুগুম্বা মীওইনি। সুভদ্র, মণ্ডলীভদ্র, বীরভদ্র, বলরাম অসিনচিংবসি সুহৃৎ-কাঙবুনি।

২। সখা—কৃষ্ণদগী চহি খরা নৌথখিবা, মনাইনি হায়বগী রাখল লোয়ননা মতম পুন্নমক্তা কৃষ্ণগী সেবা ফংজনীংবা, মখোয় অদূবু সখা হায়না খঙনৈ। বিশাল বৃষভ ওজস্বীনচিংবনা সখাগী কাঙবুনি।

৩। প্রিয়সখা—চহি লেংমায়বদগী মরূপ ওইনা লুনা তিন্নবা, অচেৎ অকোমদি তাখোক ত.শিন তৌনবা লৈতবা, মখোয় অদূবু 'প্রিয়-সখা' কৌই। শ্রীদাম, সুদাম বসুদাম, স্তোক কৃষ্ণনচিংবসি প্রিয় সখানি। শায়বা মখল মখলদা মখোয়না কৃষ্ণবু পেলহল্লি।

৪। প্রিয়নর্ম্ম-সখা—মথক্কী মখল অহুম অসিদগী প্রিয়নর্ম্ম সখাসা হেনগৎপদি—মখোয়না শ্রীকৃষ্ণগী মঙ্গুং হৃদিনবা, অরুবা থবক মখৈ তৌই। মখোয়না খঙদবা অরোনবা অমত্তা লৈতে। সুবল, অর্জ্জুন, গন্ধর্ব্বনচিংবা—কাঙবু অসিগী সখানি।

৫। কাগী তৌদুনা মতম পুম্নমক্কা কৃষ্ণবু নুংঙাইহনবা কাঙবু অমসু লৈ। মখোয় অদুবুনা 'বিদূষক' হায়না খঙনৈ, মধুমঙ্গল, পুষ্পাঙ্গ, হাসঙ্ক—অসিনচিংবনি।

সখ্যরতি—অসুম্না মঙোন মবোন নাইনা সখাগী মখল মথেন য়াম্না খায়দোকপা ওইদুনসু মখল খুদীংগী সখা অমত্তনসু শ্রীকৃষ্ণবু স্বয়ং ভগবাননি, হায়বসিদি খক খল্লদে' শ্রীকৃষ্ণদি হেক পোকপদগী হৌনা অহুমক ষড়ৈশ্বর্য্যনা তিম্দুনা মীনা তৌঙমদবা থবক কয়া কয়া তৌখিবা লৈদুনসু অদুগা মদুবু ব্রজসবাশিংনা মমিংমক্কা কননক উহো খঙহৌবা লৈদুনসু ইবুংঙো মাবু স্বয়ং ঈশ্বরনি হায়বা রাখল অসিদি খক খল্লখিদে। মখোয়না ওয়দবা থবক লায়না তৌখোরকপগীদমক মখোয়বা কৃষ্ণবু থাগৎলি, ময়াম চঙদুনা পাম্বোম পাম্বোম পায়নদুনা দোলাই শায়গা য়েক্লবা ওম্বা মীনি হায়না হয়াউদুনা কৃষ্ণবু কোয়না পুদুনা চৎলি, জয়-কার কয়া লাউনৈ, অদুম কনা ওইদুনসু ইবুঙো মাবু ভগবান মকনি হায়নদি খক খল্লুবা লৈতে। মখোয়না অকিবা করিগুম্বা অমত্তং থেং-নবকপদা কৃষ্ণদা ডাকপি কনবীনবা হেক্কমক চেনশিন্নে। কৃষ্ণনা মখোয়-গীদি অশূগ্রনি, মক্কপনি, মনাউনি, ময়াম্বনি, কনবীবা ওম্বা অকনবনি—মথরায়দগীসু হেন্না নুংশিজবনি, মখোযগী অপুনবা মথরাযমক্কী মশকনি। অদুনা মাগা খক কায়নজব' ওমদে। অসিগুম্বা মখোয়গী তিংলবা মপূক-চেন অসি উবীবদগী শ্রীভগবান মরুসু ভগবাননক্কি হায়বা কাউথোক-খিদুনা অচম্বা মক্কপকুম লোয়নবীখি ইবুংঙো মহাক্কা তাকপিখিবা লৈ—'ঐবু মখোয়দগী হুম্ববনি, করিসু লৈতবনি খনবা, মহুমক নত্রবসু ঐগা মাগা থোং মান্নবনি খনবা—কৈদৌঙৈদসু ঐবু থোইগৎনা খন্দবা, অদুগুম্বা মীওইশিং অদুনা মতম পুম্নমক্কা ঐবু মখা পোলহন্দুনা থম্মী।

অসিগুম্বা সখ্যরতি অসিদি থাজবনা মপুংনি। মথক্তম্থ হায়দ্রে, বলরামনচিংবা চহি হনবশিংনা কৃষ্ণবু মখোয়দগী হম্বা মচা মনাউ ওইনা নীংথুনা বনদা ষণ শেনবা চৎপদা, মথুক্তা দগু অমমম পায়রগা মখোয়না কৃষ্ণগী ভাকপি শেনবীবা ওইনা লৈ। ৺গোবিন্দগী গোষ্ঠ-লীলাক্রমদা মমাইবেম্মা যশোদানা কৃষ্ণ থাদোকউ য়াত্রবদা বলরামনা থুরুমহুনা হায়জখিবা মতাংদা মসিগী ভাব ফোংদোকলি—

পীরো ইমা বংশীধারীবু ভাকনি ঐহাক্না

থুরুমজেনে ঐনা নখোও শোক্লা" অসিনচিংবা

যশোদানা বলরামদা কৃষ্ণবু শিন্নবা মরোল অসিদম্থ মসি ফোং-দোকই মহুদি—

তাও রাম ইমানা হায়বা

খ্রায়দগী কনবা নহাক্লি—

চাংদা মান্দা ঈশিংদা

শেন্নোকো ননাউবু নহাক্না॥ অসিনচিংবা—

বাৎসল্যরতি—সখাশিংগী মরক্তা চহি হনবা বলরামনচিংবা থরানা শ্রীকৃষ্ণদা লৈবা প্রেম অসিদা 'বাৎসল্য-রতি' হাইফেৎ চঙই। বাৎসল্য-রতিগী মপুং ফাবা মশক্তি অতুম ওইনমক নন্দ-যশোদাতদা লৈ। সখ্য-রতিদা মথং মথং প্রেম, স্নেহ, মান, প্রণয়, রাগ অমসুং অনু-রাগগী অহানবা মতাং ফাওবা হেনগৎলকই।

বাৎসল্য রতিগী ভক্তশিংনা মখোয় মশাবু শ্রীকৃষ্ণদগী হেনবনি, থোইবনি হায়না খল্লি। মখে য়না ভগবানবু, শুনা চান্না তৌহুনা য়োকপি থাকপিগদবা মীশক্তি খনজে। মুংশিবনা থুক্নাৎখিহুনা মহাকপু য়েংহুনা চৈহুনা ফাওবা রারক রাতেহগী থবক তৌই। থাজবনা য়ুম্ফম ওইবা সখ্য-রতিগা মসিগা শেন্নবদি—সখ্য-রতিদা কৃষ্ণবু মখোয়গা মান্নরা উবা, লুখাক পীজবা, মন্নেংবান্দা তোংবনচিংবা তৌরিবা পুন্নমক অহুনা কৃষ্ণবু পেলহৈজে হান্না মখোযমা মৌনা থাজে। অসিগী থাজবা মতৌ অসি হেক রাওদবদা মখোয়গী সখ্য-রতি অতু ময়েং তাশিল্লকই।

অদুগা বাৎসল্য-রতিদদি মসি ইয়াও য়াওরে, কৃষ্ণনা পেনগনি পোত্লোই, শাউগনি শাউরোই অসিনচিংবা রাখল থক থন্থরবা লৈতে। অনানা শাউগে শাউলম্ব, শাউরোই তোকসম্ব—ঐখোয়না তৌরিবনি মাগী অকবা ওইনবগী মমক্তনি, মাদি অপঙবা করি থওদবা অওাংনি, অক কন্নুগী রাখল মানবু করি থওলমগনি—ঐখোয়নদি মম্বু থওই, অদুনা মাগী কননবা ঐখোয়না মাবু য়েবা চৈবগী থবক তৌদবা য়াদবনি। অসিগুম্বা ভগবানবু মচামক ওইনা নুংশিবনা থুম্মৎপা বাৎসল্য-রতি অসিদম্বু মথক্কী 'সখ্য'দা লৈখিরগুম্বা প্রেম, স্নেহ, মান, প্রণয়, রাগ অমসুং অনুরাগগী থমথেংবা অরোইবা মতাং কাওবা য়োৎথংলকপা ওন্মী। মসিনি সখ্য-রতিগা বাৎসল্য-রতিগা অনিগী মশক।

ঐখোয়গী গোষ্ঠ-লীলা ক্রমদা নন্দ যশোদাগী উক্তি নত্রগা অভি-নয়গা কোয়বা ঈশৈশিংদা মতাং মতাংদা অসিগুম্বা বাৎসল্য-রতিগী মপূং ফাবা মতৌ ফোংদোকই—

(ক) শ্রীদামনা কৃষ্ণবু থাদোকপিনবা হায়জরম্বদা যশোদানা লাক্লিবা সখাশিং অমুবু মমা নমানা, মানা মচা গোপালবু পুনা তৌরগুম তৌরীদবা, মমল য়াওদ্রবা মচা ওাক্তনি হায়বা ফোংদোক্লুনা থীনা চৈবীরকখি—

তানীংদেনে শ্রীদাম তানীংদেনে
নওবু ঐগী কক করি থোকপনো॥
নওগী নমা নপাগুমদে ঐদি
মখোয়গুম থম্মোই কনবী নত্তে॥ অসিনচিংবা

(খ) মথংদা বলরামনা হায়রুবদগী গোষ্ঠ-বিদায় তৌবা তারক্ল-রবা বনদা চৎথিনুনা নুংশিরবা মচাবু উক্লবা ফংলয়োই হায়রবা রাখল্লা মুদো চাক্লবী যশোদানা মচাগী ফীজেং লৈতেং তৌনা তৌনা মিংতো পি মতুম মতুম শিন্থরকখি—

ফিজেৎ লৈতেংলকলে যশোমতী রাণীনা ॥
মচা লায়থোং য়েংনা য়েংনা
মিৎল্লা ঈরা হৌনা হৌনা ॥
... ...
বনদা চৎকনি খল্লুবনা
খিংঙমথিদে পিরাং ঈফুৎ ॥ অসিনচিংবা—

(গ) মথংদা ফত্তবা লাইতীন্নচিংবা কয়াগী অকিবদগী মচাবু কয়নবা রক্ষা মন্ত্রনা মচাগী মশা পুন্নমক্তা কবচ ওইনা য়োমবিখি—

ঙাকপিয়ু ইচাবু হে নারায়ণ
চঙজরি ননাইনা শ্রীচরণদা ॥ অসিনচিংবা

মথক্তা খন্নদং উংলিবা চাউরাকপা মশকশিং অসি নত্তনা গোষ্ঠ-লীলাক্রম অসিদা 'হাস্য, অদ্ভুত, বীর, করুণ, রৌদ্র, বীভৎস অমসুং ভয়' হায়বা গৌণ-ভক্তি রস মখল ৭ অমসু য়াওই হায়না ভক্তিরসা-মৃতসিন্ধুনচিংবা বৈষ্ণব-গ্রন্থশিংনা প্রমাণ তৌরি। অসিগুম্বা ভক্তিরস মখল ৭ অসিসু শান্ত, দাস্য, বাৎসল্য-নচিংবা অথোইবা ভাব মখল মওাদগী পোকপা ঙাকনি। গৌণরস ৭ অসিদি কয়িগুম্বা খোঁদোক অমা থোক্লকপা মতাংতদা ঙাইহাক্কী ওইনা লৈবনি, মতম পুন্নমক্তা লেঙদনা লৈবদি নত্তে। মসি ঐখোয়গী গোষ্ঠ লীলা ক্রমদসু মতাং মতাংদা খন্না খন্না অতুম্মক য়াওরি। মসি পুন্নমক ভক্তগা ভগবান-গতদা ওইবা রসমক্তনি।

ঈশৈগী শরূক

লোল—শ্রীগোবিন্দগী গোষ্ঠ-লীলাক্রমদা শীজিন্নরিবা ঈশৈ পুন্ন-মক সংস্কৃত, বাঙ্গলা ঙাক্তনি। মসিগী মনুংদা বাঙ্গলা পদাবলীগী লোন্দামা অমুক অয়াম্বনি। শীজিন্নবা লোন্দা হিন্দী অমদি ব্রজভা-ষাসু য়াওই, মখোয় অসিদি ছন্দ পান্দুনা ঈশৈ ওইনদি শরুবে।

ঈশৈগী মনুংদা ঐখোয়গী ওজাশিংগী লম্নাই ওইবা খুৎশেমসু থম্না য়াও-দবদি নত্তে।

ঈশৈগী ছন্দ অম্নাম্বা মনোহর সাহী ছন্দনা নম্মী। হুজীক উরিবা গোষ্ঠ লীলাগী অম্নাম্বা ঈশৈনচিংবদি স্যার চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজ সনা হাক্তক্তা মপুং ফাবা ওইখি। জগোইগী শরুক্তা বৃন্দাবন-পরেংসু নিংথৌ অসিগী মতমদা শেম্লমখিনি। মচাইবুংঙো শ্রীযুৎ গম্ভীরসিংহ সনা হাক্তক্তা 'এক-দিনে দাবানলে অম্রা মৈলে প্রাণদান পাই, ক্ষুধাকালে অন্ন কুথা হৈতে আনে। যাওগো ভবনে এনি দিব বেলি অবসানে।" হায়বসি ওজা মৈরাবনা হাপখিবগী রাগী লৈ। মচাইবুংঙো চন্দ্রকীর্ত্তি সনা হাক্তক্তা মতম অমুগী ব্যবস্থাকারী কামপালনা পোকপা পৌলহা ঠাকুর (ব্রহ্ম-সভাগী রত্ন) না গোষ্ঠ বিদায়গী মতমদা বলরামদা শিন্নবা মরোল 'শৃণু মম বল বাক্যং বালকানাং বলিত্বং গিরি জল বনমধ্যে রক্ষ কৃষ্ণং মদীয়ং' হায়বসি হাপখি। মথক্তা উৎলিবা ঈশৈ অমি অসিমক পদাবলীদগীনি, পদকল্পতরুমচিংবদা তম্না থেংনৈ।

অমুম তৌনা অহানবা হৌখিবা মতাংমক্তদদি হেক্তমক মপুংমরৈ ফাবা হায়বহু ওইরক্তবদগী মথং মথং কোম্না অমুম অরাংপা হাপচিন্দুনা মপুম ফাবা মওঙ ওইহল্লকপা অসি পোং পুম্নমক্কী হৌনবনি। জগোই রাসকী মতাংদসু অসি মওং, মতুংদা পাম্নরকপা নিংথৌশিংনা অমুম অমসু অরাংপা মেনশিন্নরক্তুনা হুজীক উরিবা ফজরবা মশক অসি ওইথ্রিবনি। অমুম তৌনা স্যার চূড়াচাঁদ মহারাজ সনা হাক্তক ফাও-বগা রাস অমসুং গোষ্ঠ লীলাগী মশক শেমগৎ শাগৎপগী মওঙ অসি চথরম্মী। কুলচন্দ্র মহারাজগী মতমদা ওজা মাইবম কৈকা, স্যার চূড়াচাঁদগী মতমদনা নিত্যাইপাদ সনা, খোংলেন শেলুংবা—গুরুশিং অসিনা ঈশৈ য়াম্না হাপকংখি। মহু ঐখোয়না হুজীক উরিবা অসিদা অচৌবা শরুক য়ারি।

অমুম তৌনা নারদনা রামকৃষ্ণবু শঙ্গোম গুম্বা তম্বীবদগী হৌনা মধুমঙ্গল খেল লোইবা ফাওমদা লৈরিবা নন্দালয়গী কৃষ্ণে মখেদদি

ঈশৈনচিংবগী মরীকচুম্না ফজবা থোকখ্রে অমসুং বাৎসল্য-রসকী অওকপা লুংশিবনচিংবসু মপুং ফাহনখ্রে অতুগা লম থোক্লগা শাবা গোষ্ঠ-ভঙ্গী অমদি গোষ্ঠ বৃন্দাবনগী মতা দদি ঈশৈ অসি ইয়াও রাওদবগুম থোক্লুনা ওসি কাওবদসু অতুম্মক মরাইবক থীনা লৈরে। লমহাওগী কুশ্মে ওইখিবনা অয়েংবা ভাবকসু, ওজাসু, অভাংসু পুমনাও অতুম্মক লাওমিন্নখরে—মতু গোষ্ঠ-লীলা অসিনা হেক পোকখিবা মুমিত্তগী চৌনা-ওসি কাওবা অতুম্মক তোকপা লৈতনা লৈরকলি। মরম অতুদগী ওইরমাল্লে—ঈশৈগী মতাংদদি ওজাশিং কনানসু মশোমদা রেংশন্নবীখিদরে। পোকতৈদগী লোয়নজরক্লবা পদাবলীগী ঈশৈপদ অমখক্তং ছন্দ ওন্না ওন্না হন্না হন্না অসুম শকপনা লোইরে। মসি শাকলিবা সূত্রমখৈসু তল্লে, তারিবা মীনসু লুংঙাইত্রে—অসিমক্তদা মুংঙাইতবা মওঙ অসি কোরুবা পাম্বৈদি কম্বিনো—কনানসু খল্লনবিদে। অরাবনি। অভাংশিংনা তম্বদা রাজবিবসু মসিনি, মতুংদা চাউরক্লগা মশাগী মরল ওইনা অমদি মতুনা মাগী মিংচৎ ফংবা য়াবা পোংশক অমা ওইনা লোয়নজরগদবদি ভঙ্গী-জগোই অনি অসিতনি। গোষ্ঠ-লীলা তম্বীবা ওজাশিংনা হুমাং তানখিবসু জগোই তম্বীবা মতাং অসিতদনি। অসুম্না রানা থা ১। ২ চঙবা, ফীবুন চাবনখৈ তমতুনা হৈয়গা ঈশৈদি রাওবা কৌবনা শাথিবা জগোই অতুগী মথরায় হাপ্পিনবা রাংপদগী শাম্নবা ৭মিত্তদি মহৈ য়ান্দবা, হামচৎনবা, অর্থ লৈতবা, চুম্না চোং-ফনবা অভাংগী কুশ্মে ওইতুনা তোক্লে। রাসকী ভঙ্গীশিংদা লুমলিবা, লেমলিবা, চীক্লা ঈংলিবা মতৌশিং অতুগা রেংনরুরবদি গোষ্ঠ ভঙ্গীদি তেরা মফোনদগীসু হেন্না রাংখ্রে। রস অমম্নম ওইবনা খেন্নফম থোকপা লৈরবসু মাগী মাগী রস অতুদা অতুম্মক অরেন্বা ফজবা মশক্তি লৈফম থোকপনি। হান্নগী ঈশৈ অসিসু পদাবলীদগীনি, গোষ্ঠগী ক্রমদা রাওবনি। মরী লৈনবা ঈশৈশিং থিরগা অচাবা রসদা, পক্লবা ছন্দদা অপাম্বা ঈশৈ অতুম্মক শীজিন্নবিতুনা মতিক চারবা ওজাশিংনা শ্রীগোবিন্দদা কৎপিরবদি মতু অচৌবা পুণ্যগী থবক অমা ওইগনি। তৌবতদি মতু, চৎনবী মতুংইন্না লৈবাক নিংথৌ খঙনা তৌপদবনি।

জগোই

গোষ্ঠ-লীলা—নৃত্য-নাট্যনি। শ্যামকৃষ্ণবু শঙ্গোম শুম্বা তম্বী-বনগীনা মধুমঙ্গল খেল ফাওবনা নন্দগী শঙ্গাইদা তৌবা লীলাক্রমবু শূপচিন্না উৎপা নাট্যগী মওওনি। মসিদা অভিনয়গী শরুক য়াম্না য়াওই। অদুগা লমথোকপা মতাংদনা জগোইগী শরুক্কা অয়াম্বনি। মথক্তসু হায়রগে, মতাং অসিদদি ঈশৈগী শরুক য়াম্না য়াংলি। থরদং য়াওরিবা মতুসু জগোইনা মতুগী অর্থ ভাকপগী থবক তৌদবনা মতু অয়াম্বনা অর্থ য়াংদবা জগোই—নৃত্ত ওইনা লৈ। লমহাওদা সখাশিংনা শাম্নবা শ্রীমদ্ভা-গবতনচিংবনা বর্ণন তৌরিবা মওওশিং অদুগী শূপচিনবা মওওদা জগোই ওইনা পুথোক্নুনা উৎপা গুম্বগী অওকপা সৃজনশীল শক্তি অদু অয়েংবা মীনা কনমক খঙনবা ওইতুনসু, অরুবা তাল লয়নচিংবগী মায়কৈদা য়েংবদসু অরাংদা থোইনা উদতুনসু মতিক চাবা ঈশৈশিংনা মথোমগী মথক্তাম্নদি হাপ্লিজরবগী হৌনবা অরাংপা অমদি ইবৈত মরৈবা ওইনা অউবনা পেন্নদে।

অসুম্না অহানবদা গোষ্ঠ ভঙ্গী শারগা অকোনবদা গোষ্ঠ বৃন্দাবন পরেং শাগনি। ভঙ্গী অনি অসিমক রাসকী অচৌবা ভঙ্গীপরেংগা বৃন্দাবনপরেংগা হাইকেংমান্নবা পুংলোন য়াওরবসু জগোইগী মতাংদদি করিসু মান্নদে। মমিং মান্নবা উরবসু মশক্তি তোঙান্নবা মওওদা লৈ। রাসতা শাবা জগোইনা 'লাস্য'নি. গোষ্ঠগীনা 'তাণ্ডব' নি। অদুমদি ওইরগা তাণ্ডব ওইরবসু অঙাং ভাক্তনা শাবা ওইবনা মসিদদি অশেংবা 'শুদ্ধতাণ্ডব' শাদে, 'দেশী তাণ্ডব' হায়বা অদুনি। পার্ব্বতীনা শেম্লম্বা 'দেশীতাণ্ডব' হায়বসি অশেংবা তাণ্ডবতগীদি থোংপা নৌথবা অদুগা লাস্যদগীসু থবা কনথংপা নুপীনা শারবসু য়াবা অমুওম্বা মশক্তি। গোষ্ঠগী জগোই অসি হায়রিবা অসিমক্তি।

মক্তু্বা শরুদ থাগী অশংবা লমহাওদা, স্তুমিদাং রাইমমগী মেঙলবা মুংলা মঙাম্না য়ৈবদা ইম্বং ইম্বং লংলবা-নিঙথিবা নটবর বেশনা লৈতেংবা, মুংশিবনা চোন্নবা তনৌ তনৌব' অঙাংগী ফুগায়না শাংপা

শান্নথোং নৈরাংনা লীক লেবগুম কোয়না লেপ্লুনা সনাগী মণি পায়েংগুম শিক নিক লাউনা, মথ মথক্তা ওাল্লিবা শ্রীরামকৃষ্ণ অনিগী মাওদা, লৈ-খিবা তাল-লয়দা চোংনা ফন্না জগোইশাবা মতৌ অহুদি অউবা মীগী পুক্নীংদা অঙকপা মুংশিগ্রবা রস অমা লাওরকই। অসুম্না শারিবা অসী মথল অনিগী জগোই অসিবু কুপ্না য়েংশিল্লবদি উবা ফংই—জগোইশিং অসিদা যণখেন্নহাশিংনা লমহাওদা কোয়না শান্নবগী মওঙ নীংথিনা মমি তাই। ফাক মাঙজোংগুম ফন্নগা খুবাক খুহুনা ফৈনা ফৈনা চোংবা, ফৈগন নামদা খোঙ-নামা থাংগৎলগা খুংনা বংশীমুদ্রা শাহুনা কোয়না লৈবা অসিগুম্বসি অমাংগোম (ভাগবতকী অস্পৃশ্যহ) তান্নবীগুম্বা শান্নবদা তাল্লিবা মীবু অচেনবনা থোইওইবীদবা—'নওগুম্বদি লে, হায়না লওনবীবা অহুগুম্বা মওঙনি। মথক্তা হান্নখিবগুম্বা শান্নিবা জগোইনা ঈশৈ লোয়নদবনা অর্থ তাকপা জগোইমক ওইদহুনস্থ শ্রীমদ্ভাগবতনা উৎলিবা গোষ্ঠ-লীলাদা ব্রজসখাশিংগা ভগবানগা শান্নখিবা অমাম্বগী মতৌদি মসিদা মমি তাই। মসি মৈতৈ ওজাশিংগী অঙকপা খুংশেম্নি।

গোষ্ঠ-ভঙ্গী অচৌবা—মসিগী জগোই মপুম অসি জগোই মথল ৩৭ না শাই। ৩৭ অসিগী মনুংদা ঘাট (অথায়বী) গী মশীংনা ৯ থকনি। অথায়বী ৯ অসি পুংলোনতদা মান্নবনি, মথং মথং চথয়কপদা তোঙান তোঙানবা লয়চৎতা তোঙানবা জগোই ওইনা লৈ। ভঙ্গী অসি অহানবদা বিলম্বিতনা হৌরগা মধ্যলয়দা হৌহুনা দ্রুতদা লোইগনি। অহুমদি ওইরগা মসিগী দ্রুত মথল অসিদি মধ্যদা খরা থুজিনবা অহুগী মথৈতনি, অশেংবা দ্রুতমকী মশক্তি নত্তে।

ঈশৈগী শরুক্তা

কৃষ্ণনা হৌবা নোংগী লক্তা
ফীজোন নোংথাঙ কুপলিয়ে
মথেক অক্নমগী শাথেক্তা
চুহ্‌নানা শেপলপ ওাল্লিয়ে॥ (শাম নবজলধরগী অর্থ)

পদ অসিনা ছন্দ ওন্না ওন্না লয়চংকী মতুংইন্না ভঙ্গী লোয়রবা কাওবা শকনি। নং ৩২ শুবা জগোই—'গিন্ন গন্ন খিন খেনতা তেনতা খিন' অসিনচিংবা মৈরকপদা শাবা জগোইগা কোন্না সথাশিংনা শ্রীদাম সুদাম বলরাম, দ্বাদশ গোপাল দ্বাদশ নাম' হায়বসি হেক হেক লাউপনি। (*)

গোষ্ঠ-বৃন্দাবনপরেং—জগোই মপূম ২২ নি, অহুগা চালিনা অহুমনি। ঘাটকী মশিংনা ৮খকনি। মসিদসু লয়চং অহুমনি। অহানবগী বিলম্বিত অসি ভঙ্গীদগী অমুক্তা হেন্না তপথৈ। লোইশিন্নকপা চালিগী শরুক অহুদি মথাদা খন্না থুজিনবা অহুগুম্না ক্রুতগী চাংচত্তা লৈ।

রেংগদবা—বৃন্দাবন পরেংগী নং ১৫ শুবা পুংলোন "গিন্নগন্ন খিন খেনতা তাখেন তাখিন খেনতা তা" হায়বা অসিদা লোংলৈ জাগোই শারগা মাঙদা চোংশিন্দুনা ফম্বদগীনা হৌগত্তুনা উপলৈ নৈবা লোইবা ফাওবদা—'রামকৃষ্ণ গোবিন্দ, কৃষ্ণ কৃষ্ণ গোবিন্দ' হায়বসি হায়গনি। মসি অহুম্নকনি। খঙগদবা অমদি—গোষ্ঠ ভঙ্গীদসু, বৃন্দাবন পরেংদসু শান্নিবা জাগোই পুন্নমকী পুংলোন পুন্নমক ৬।৩ লক হন্নিন্না নৈগনি, জগোইসু অহুমকনি।

ঈশৈগী শরুক্তা— গোষ্ঠবৃন্দাবনপরেংগী তোঙানবা ঈশৈ অমা লৈতে। গোষ্ঠভঙ্গীগী ঈশৈ অহুনা চানবা ছন্দদা অহুম্মক শকনৈ। ভঙ্গী লোইরগা চালি তারকপদা মথাগী অসি শকনৈ মহুখি—

শারে জগোই নীংথিজরে
শ্রীদাম সুদাম সুবল মধুমঙ্গল॥
লুংঙাইরে লুংঙাইরে
হরাউ মথোই কানরে॥

বৃন্দাবন পরেংগী জগোই অসি লোয়নবা ঈশৈ মাওরমচ্রবন্ন থোন্নিবা মিং অসিনা তাকপদি বৃন্দাবনগী বর্ণন ভৌবগী ভাবনি হায়না

(*) দ্বাদশগোপাল—শ্রীদাম, সুদাম, সুবল, মহাবল, সুবাহু, ভদ্রসেন, স্তোককৃষ্ণ, অংশুমান, লবঙ্গ, মহাবাহু, গন্ধর্ব্ব অমসুং বীরবাহু।

লৌবা য়াইদ রাসকী বৃন্দাবন পরেংদু হায়রিবা মণ্ডপ অনিমক। মমন অদুনা বৃন্দাবন বর্ণনাগী মন্ত্রিক চাবা ঈশৈ "শেমদুনা" ফংজবাদি মসিদু থোইনা লোবগী মশক ওইগনি নীংদে।

গোষ্ঠ-লীলা কনানা হৌদোকখি—

শ্রীগোবিন্দগী গোষ্ঠ-লীলা "কনানা" হৌদোক্লকপে হায়বগী মরীদা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী "যুগল" আরতি থূদীংমগী ঈশৈদা শ্রীযুৎ গম্ভীরসিংহ মহারাজগী মিংনা ভণতা তৌরম্বা উমবদগী নিংথৌ অমিনা গোষ্ঠ-লীলা হৌদোকখিবা ওইনা অরায়বা লৌমে। শ্রীরাধাকৃষ্ণগী যুগল মূর্ত্তি অসিদি মজাইবুংতোং চন্দ্রকীর্ত্তিসিংহ মহারাজনা খৃ ১৮৬৮ দা নিরূপণ তৌখি। লাই শাথিবা চুংথা লুংলা অমসুং বাচস্পতি মাধিক শর্মা কারিকর শঙলাকপা অনিনি। চূড়াচাঁদ মহারাজনা পানবা হৌবা মণ্ডপ কাংবদা হিংলম্মী। অদুনা মূর্ত্তি স্থাপন তৌহুনা অষ্টকাল সেবা কৎলবদা আরতি অদুমগী ঈশৈ শেমদুনা কংখি, মসিদা মখাইবুংতোংগী মিংনা ভণতা তৌখি। নিংথৌ মশামক হিংলিঙৈদা মশাগী মিং লাপ্তনা রচনা কংপা অসি চংনদে। অদুনা চন্দ্রকীর্ত্তিসিংহনা কংপা শেংলে। অদুগী মথক্তা লাংকদবা লাই লৈত্রিঙৈদা হায়না আরতিগী ঈশৈ লৈরম্বা য়াবা মরমসু লৈতে। মসিনা আরতিগী ঈশৈনা প্রমাণ তৌনবা য়াবগী হায়বগী মরমনি।

অমিংতনা অমনা অরানা মৈতৈ লৈবাক চাইথারন্ননা চহি ৭ খুত্তাকখুদগী গম্ভীর-নরসিংহ মচীনমাউ অনিনা অরা লাম্মী পুরুক তকখায়রুন্না মণিপুরদু অমুক উদ্ধার তৌরবদা গম্ভীরসিংহনা ধর্ম-কর্ম অমদি লৈবাক রাজ্যেন থৌদাগী মরম পুন্নমক হাপ্পী মণ্ডপ তানবা হোংনখি। গোষ্ঠ-লীলাদু অসুমা পুমনৌ নৌনা অমুক শেমগৎপা তাখি। হায়দু মসি কংপদি কংলগা অদুক হায়না মপুম ময়েংদি কানা লৈরম্লবগী; অদুগী মথক্তা চহি ৭ চুপা লৈপাক কায়দুনা লেপ্লুবগী

হায়গী মওঙ অহুমকস্থ য়ানা হোৎনহুনা নীংশিংনরগা অনৌবা কয়ান্থ অমুক হাপকর্ন্না মওঙ তানবা শেম্নগা ইনৌ নৌনা সনা হাক্তক অসিদা কৎখিবদা মীরৈবাক মচাশিংনদি মহুনা অহানবা ওইনা উবদগী, লৈবাক অসিগী মীনস্থ লানগায়ব্রিংঙদা মখোয়না উনখিবা মশক অহুদগী অনৌবা শক্কলোন ওইনা মপূং মরৈ কানা উনবদগী মসিবু গম্ভীরসিংহমক্তা হৌ-দোকপা ওইনা অহুমক লৌনবা য়াবা ময়ম চাউনা খোকখি। মথাগী মঙ্গলাচরণ ময়োল অসিনস্থ মসিবু অমুক্তা হেন্না চেৎশিলহল্লি—মহুদি—

'শ্রীযুক্ত ভাগ্যচন্দ্র-নৃপেন্দ্র-চূড়ামণি (ঃ) তস্য নন্দন (ঃ) শ্রীমৎ গম্ভীরসিংহ-মহারাজ-মানস তৎ কর্তৃক গোচারণ-লীলা বাল্য-পৌগণ্ড-কৈশোরভুত বিশেষ বিগার বর্ণনং শ্রীযুক্ত চন্দ্রকীর্ত্তিসিংহ মহারাজ-বরং-বলং অত্র প্রসঙ্গ (ং করোমি।"

মসি মখাইবুংগো চন্দ্রকীর্ত্তিসিংহ সনা হাক্তক্তা কনাগুম্বা পণ্ডিত অমনা শেমহুনা গোষ্ঠলীলা-ক্রম তারমদাইদা সূত্রনা মঙ্গলাচরণ ওইনা ছাড়াদা থীনবা ওইনা অরিবা কোর্বেক্তা লৈরম্বা থেংনবনি।

অদুবু সাহিত্য পরিষদনা ফোঙবা চৈথারোল কুম্বাবা লামায় ১৭৪ দা মধুচন্দ্রনা পানবা মতমদা খৃঃ ১৮০৩ মেরাগী ১৩ নি পানবা ইরাইদা অঙোমগী বণশেনবদা মিরুথোং তেক্লুনা পালা অয়াম্বা তাহুনা মী ২ শিবগী রা য়াওরি। হায়রিবসি গোবিন্দ নিরূপণ তৌবা মতুং চহি ১৪ অহুগা ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা সিংহাসন থাদোকখিবগীদি চহি ৭ ভা ভায়রিবা মতমগী রানি। মসিনা শেংবা তারবদি গোষ্ঠলীলা অসি গম্ভীরসিংহগী মথক্তীদি ওইক্তম থোকলে। থোং তেকপা হায়বসি লম খোকপগী মীয়াম পূম্না লানবদা অরাম্বা পুবা ওমদহুনা তেকপনি। মায়বা খৌদোক অমস্থ স্থায় চূড়াচাঁদ সনা হাক্তক্তা চীংঙা লম্পাক্তা লম থোকপা লাকপদা পীগুম-থোং তেক্লুনা মী শোক্লখি। ভাগ্যচন্দ্র মহারাজগা মধুচন্দ্রগা অনিগী মরক্তা পানখিবদি লাবণ্য মহারাজজনি। লাবণ্য অমস্থং মধুচন্দ্র অনিগী মতমদা অসিগুম্বা অচৌবা কুন্দ্রে-কিয়োং

অমা নৌনা পুথোক্লম্বগী য়াদি লৈতে। মরম অসিদগী গোষ্ঠ লীলা অসি রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা হৌদোক্লম্বা তাই হায়বসি লায়না অক্নমক খঙনবা ঙম্মী। অদুম ওইনমক মথক্তা পনজখিবগুম্না অহানবা পুথোক-খিবা সনা হাক্তক অসিদদি হুজীক উর্বিবা অমুম্না হেক্তমক মপুম মরৈ কাখিবদি নত্তে। মদুবু শাংলবা চহি ৭ লৈবাক কায়রবগী তুংদা মজা-ইবুংঙো গম্ভীরসিংহনা পুমনৌমক নৌই হায়বা য়ানা অমুক শেমদোক্লুনা কংখি। মতুং অমুক মজাইবুঙো চন্দ্রকীর্ত্তিসিংহ মহারাজনা অনৌবা ঈশৈ নোংমাইনচিংবা কয়া কয়া অমা হাপচিন্দুনা নন্দালয়গী কুম্মৈদা মপুম কাবরবা নৃত্য-নাট্যগী শকফম পুরক্লবা হোৎনখি। অমুম তৌনা মথংদা পাল্লক পাল্লকপা নিংথৌশিংনা মাগী মাগী মতমদা অপাম্বা রসতা হাপনীংবা ঈশৈনচিংবা হাপকৎনবকখি, মতু স্যার চূড়াচাঁদ মহারাজগী সনা হাক্তক কাওবদা অমুম চথরকখি। শ্রীভগবানগী লীলাদি বৈষ্ণব ভক্তশিংগী ভাবরাজ্যদা শান্নবা ঙাক্তা ওইবনা বৈষ্ণবশিংনা য়ানা মানা পামজবা রসকী অনৌবা মশক কয়া কয়া পুথোক্লহুনা, মতুনা শ্রীভগ-বানগী সেবা পোৎলম শক্তুনা কৎনবসি মতম পুম্নমক্তা লীলা অপুম্বদা ওইবা য়াবা, ওইহুনমু লৈব্বিবা অতুগুম্বা মশক্নি।

মথক্তা নৈনব্বিবা থব্রা অসিনা গোষ্ঠ-লীলা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র সনা হাক্তকীনি হায়বসি খঙনবা ঙম্মী।

গুরু প্রণালীকা

ঐখোয়না থিবা য়াৎপদগী জগোই অসিগী অহানবা ওজা কনানো উৎপা ঙমদে। তৌবদি মফম অতু রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা অধিকার তৌ-কম থোকই। থেংনবা কোর্বেক অমক্তদমু মসিদি উৎপিয়ম্বা মরৈব্রে। মরম অতুনা অখঙবা অহল্লম্মন্দা হংতুনা লেপচবা নত্তনা উপায় লৈতে। মওঙ অমুম্না থিজবদা পদ্মশ্রী গুরু অমুবীসিংহনা তাকপিবা প্রণালী অমা উৎচরি মতুদি—


শ্রীযুৎ ভাগ্যচন্দ্র মহারাজ
সনা সমীরাং
অয়েকপম লৈবাকমচা সিংহ
সনা চন্দ্রহাস
মাইবম কৈফাসিংহ
অয়েকপম চগেমতোন
মেরী শেলুংবা
কুলনমচাসিংহ
তোলেনমচা শেলুংবা
চকপ্রম তমাল
থাংজম উদ্ধব
শলাম চাউবা
রাইমজাউ
রেবতী ঠাকুর
খোমলেন শেলুংবা
হাওবম ইবোরাইমা
লাইশ্রম কুলবিধুসিংহ
নিংথৌজম থম্বোসিংহ (শাঁরবা)
হুইরেম লালাসিংহ
লোংজম তোম্পোকসিংহ
মাইস্নাম অঞ্জাহল সিংহ

'লাইসক' থিরুনা গুরু 'অমুবি সনা সমীরাংগী মথক কাওবা থৈ-খংগদি শুমখিরে, অদুগা অমা মরুগা অনিদি মথৈকে হারুবা-থগলে মরুদি—সনা সমীরাং অমসুং অয়েকপম লৈবাকমচা অমিমক থার চন্দ্রকীর্তি মহারাজ সনা হাক্তকা পুথোকথিবা তৌবষ্টীপ্রস শকখিনা মাওবা ওজা থাকনি। মতম অমুদা মনমক অহল ওইরুরক্রা মবক্তা পক্তগাং শাংনা কৈরুংলুবা মানা থোকই। মনবা খাবা অমদি পণ্ডিত সিংহ সনা হাক্তকা ওজা মৈরাবা হারুবা অহল মধা লৈরবগী তা তাবা কই। মহাক্না ঈশৈ হাপখিবগী বা মথক্তা পুনরে। মহাক অমিনা গোষ্ঠগী ওজামক ওইরম্লবদি অঙাংবা অসি লৈররোই। মদুবু ওজা অসিগী অশেংবা পরিচয় মক্তি ফংদ্রিবনা থোনা য়াংনা লৈ।

পাত্র-পাত্রি অমসুং ফিজেৎ লৈতেং

মথংদা শ্রীগোবিন্দ, গোষ্ঠ লীলাক্রমগী পাত্র-পাত্রি অমদি ফিজেৎ লৈতেংনচিংবগী মখমদা শম্পৎপা য়ারম খরদং উৎলগা লোইশিন্নরি—

পাত্র-পাত্রি—গোষ্ঠ-লীলাক্রম অসিদা নন্দ উপানন্দ, সুনন্দ, নারদ, বালবাসু, দ্বারী, ব্রাহ্মণ কৃষ্ণ বলরাম, শ্রীদাম, সুবল, স্তোক-কৃষ্ণ, মধুমঙ্গল, বিশাল, অর্জ্জুন অমসুং সখা মখাম, বেসুকাসুর, বকা-সুর, যশোদা, রোহিণী।

রেংগখবা অমদি—অচৌবা মাগুব মরামদা মশীং 'জাকওমখবা তাবক' মীরামগী মীনিল নমহুজনবা অমদি রোবেদা থিং খরবা মওদা, মী অমত্তগী মহুত্তা অনি অমিনা শাই। ঈশৈ শকপা অমদি অভিনয়-নচিংবা তৌবদা অনিনা অমা শারুনা তৌই। শ্রীদাম, সুবল অমসুং স্তোককৃষ্ণ, অমিনা অমা শাবা ওাকনি। নুপীসী শরুক্তসু যশোদা রোহিণী অনিথোক্লুনা পুন্না যশোদা মথক্তগী শরুক্তা অনি শুক্তুনা তৌই। অতৈদি অমমমতনা অহুমক তৌই।

ফিজেৎ—

মারুপ—গেরুয়া শঙবা কৈজোম শেৎলি, মামাংলীনা খাওম ওয়া শইরুগা কীজীন অনিমক মাওদা কিশি কিরুনা ইনগনি। শম অমসুং

অখাংবা কোই অঙৌবা হাপকনি। নামাবলীগী মহুত্তা কনাগুম্বনা গেরুয়া ইমফি শীজিন্নবস্থ নামাবলী অমনা অমুক মথক্তা কুপ্পে। তুলসী মালানা খুদাংদা য়েংশিনগনি, ভক্তস্থ শিগনি, য়েংকী খুত্তস্থ তানপুরা থংনা থংনা জপ-মালা অমা খুৎ কায়ক্তা য়াম্বহনবস্থ য়াওই।

বালবাস্থ—মমায় মমিংনচিংবা মশা পুন্নমক উং তৈগনি, কোককাবী শম হাপকনি, কোই য়াওরোই। চেক মচুগী ফি মচা অমনা কৌপীন শেংকনি, ওইগী নাকন্দা কিশি কিগনি। লেংবান্দা ঝুলি অমদি কমণ্ডলু য়ানগনি। য়েংকী খুত্তা জপ-মালা অমা পায়গনি।

দ্বারপাল—চূড়িদার পায়জামা উপকনি, হুকচাং নপ্পী বগল-বন্ধিগী ফুরিৎ লীংকনি; কোযেংমচা মমা য়েংকনি, লুকুং খাদগনি, নাকন্দা খাও য়ানগনি খুত্তা লেপমুক য়াংবা দণ্ড য়াকক অমা পায়গনি।

ব্রাহ্মণ-পুরোহিত—অঙৌবা কৈজোমনা তুংদা গুজা য়েপ-খত্তুবা শেংকনি, বগলবন্ধী হুকচাং নপ্পী, অমা লিংকনি নাপু মচুগী পাগড়ী অমা য়েংকনি, নামাবলী ভক্তা য়াম্নগনি, লাইবিক পায়গনি।

নন্দ—চামায় অঙৌবা শেংকনি। অপাবা ফিগী বগলবন্ধী ফুরিৎ অচোনবী (সকলিয়া হায়না খঙনবা) লিংকনি। নাপু নত্রগা অঙাঙবা মচুগী মুগাফি-মচা অমনা খাওদা লাকশিল্লগা য়েংতা কৌজীন তাহনগনি। কুশেং হায়বা কোয়েং অহু য়েংকনি, লুকুংদা কৌজীন খাদগনি। কোয়েং মথক্তগী য়েংকী লেংজুম থরা তেম্বরপ তৌনা লাতীন মম্নী অক্তম য়াম্বয়কনি। (লাতীন—লা নত্রগা শংত্রে মনা নত্রগা য়ামতুলসী মনানা শেম্বা অপীকপা মরি জাং অমা)। অপাম্বা মচুগী মুগা ইন্নফি অমনা ফুরিৎ মথক্তা খাওন ওন্না ইনগনি। নিংথৌগী মনা মথুম ফংবা মীনা শারবদি খামেন চৎপা শেংপা, খুজেংদা সনাখুজি পোপচাউবী, পাম্বোমদা সনাগী তাল পুনবস্থ চংনৈ।

উপানন্দ, সুনন্দ—অনি অসিগী ফিজেংস্থ নন্দগুম্মী। খোয়বদি মখোয়না কোয়েং আজমেরী য়েংলি, নন্দগুম্মা ফুরিৎ য়াম্মা য়েন্না

চোন্দে, লাতীনস্থ কোয়েংতা হাপ্তে। খাঙলাকস্থ পুল্লোই। নিংথৌগী মনা মথুম কংবা মীওইমক ওইরবস্থ সনা খুজিদগী হেন্দুনা তালদি পুনবা য়াদে নন্দগা থেন্নহনগদবনি।

যশোদা—রোহিণী—রাসকী পোৎলোই কুমিন শেৎকনি, রেশম অশংবগী ফুরিৎ—থবাক খায়বী পান্নোম তংখায় ককপী লিং-কনি। ফুরিৎ অসিদা মশা পুন্নমক চমকি থিনগনি, থাদিনগা, পান্নোম অমস্থং খাঙদোনগনা মিংশেল মখুমনা ফীজিন ওইনা হাপকনি। কোক্তা কোকুগী হাপকনি, সনগী কুণ্ডল নাইন য়ানগনি, সনাখুজি গোপ-চাউপী শিগনি, পান্নোমদা সনাগী-অনন্ত হাপকনি, খবাক্তা সনাগী লীকথাঙ পরেং শিগনি। থামেন-চৎপা ফৈজোমনা কুমিন মথক্তা কোয়না শেৎলগা অরেপ্পা মচি অমনা মাল্ল উহন্দনা কোক খুমগনি। থোঙদা যাবোৎ থাগনি, অতৈ থোঙগী লৈতেংস্থ তৌগনি।

স্বায় চূড়াচাঁদ সনা হাকুকুদি ব্রজমাইগী ফিজেৎ চপচানা শেৎ-হনখি। মনাউ ইবেম্মা ধনপ্রিয়া মহারাণীনা যশোদা শাবদদি অচন্না মওঙদা লুপাতনা লৈতেং শেমহুনা থোনখি, সনা য়াওখিদে। থৌরাণী কুমারী চৌবীনা রোহিণী শাখি।

গোপ-ফিজেৎ—কৃষ্ণ-বলরামনচিংবা গোপ পুন্নমক শ্রী৺গো-বিন্দগী নটবর-বেশ অদুগা চপ মান্ননা শেৎকনি। মুকুট, চূড়া, কজেংলৈনা কোক্তী লৈতেংনি, লুভুংদা চে অঙৌব। শেন্থা শমজিরৈ য়াম্বগনি। বলদেবনা মুগা-ফৈজোম অশংবা, মধুমঙ্গলনা যুগী মৈয়ি মচু অদুগা কৃষ্ণনচিংবা সখা অতৈ পুন্নমক্তা সনা ফীগে শেৎকনি, মপাল অশংবা চনগনি। সখা পুন্নমক্তী ফৈজোম গুঞ্জা মাঙদা চোন্না থাদগনি। খাঙদা ধড়া পুনগনি, খৈগন মরু অনিমক্তা তাহনগনি। হকচাং নাকন অনিমক্তা থাওন অমি ওক্তা কারণ হক্তুনা পান্নোম মখা মখাদা য়েৎনা নমহুনা য়াম্বগনি। (*)

(*) রাস শ্রী-শ্রী ভগবতন বর্ণন তৌরবা চয়োংনাচ বা হাপ্লবা 'শিকা' হায়বা ঝুলিকুবা থাউ অদুগী মশক্কি হায়না পাওতশিংনা মত পীবি। থাওন অসিগী মহুংদা থাঙ অমদি অদুমক য়াওবনা চুবস্থ য়াই।

মসিগী মথক্তা খাঙনপ অশাংবা হায়বা অমা লাকশিন্দুনা-থক্তা মথক্তা য়াল্লহনগনি, মথক্তা খাঙগোয় অমা অমুক লাকশিনগনিদা লেংবান্দগী কারণ য়াল্লয়রকপা থবাক মরাল্লদা মিংশেল হাপ্পা পিশিল্লরোই মরী অনিনা শকাকী নাকল অনিমক্তা মরী মরী য়াল্লহনগনি। নাদা মুজলা লাইন য়াল্লহনগনি। খুজেংদা সনাগী খুজি, পাম্বোম অনিমক্তা তানা পুনগনি। খুজেং অনিমক্তা কায়গা কিলাম্বগা য়ামহনা শেবা মখাই পুনশনি, মরী চোল্লহনগনি, মসিগী মথক্তা খোঙ অমম্থুং খুংবী লৈতেংস্লরাদত্তা শিগনি, নুপুরম্থ শিগনি। বলরামনা লাকল অহুম কুমলচিংবা গোপ অতে পুন্নমক্না যনশেতৈ অমম্ভুং বাঁশী পাক্সগনি। কৃষ্ণগী বাঁশীদি মতোন শুইরপনা শিঙ্গাম্থ নপশিনগনি।

সুত্র-ফিরেৎ—কৈজোম অঙৌবা শেৎকনি, ওয়গী নাকন্দা গুপ্পা মতোন য়েপথৎকনি, অঙৌবা মচুগী ফুরিৎ খুংগাং লাওবী লিংকনি, হকচাং নাকল অনিদা কীজীন অনি তাহন্দুনা নমগন্দনা অঙৌবা লাওয়া ইমকিনা কুপথগনি। কোয়েৎ শলাই য়েংকনি। ফি পুন্নমক অঙৌবা মক্তনি।

মোইরুং খোংবা—সূত্রগা অমত্তনি।

ধেনুকাসুর - যণ-লাবগী মকোক মাম্না শাবা কোমাল অমা মায়দা উপকনি। কৈজোম অঙাঙবা নত্রগা সংগ্রামচু শেম্নুনা কৌনা তাথৎকনি। অতোপ্পা মচু অমনম্ন মথক্তা কিশি শেম্নুনা ফুৎদা কীজীন লোংকনি। পান্নোমদা থবাক্তা অমুবা মচুগী য়েখা ৩০ য়েকনি।

চূড়াচাঁদ মাহারাজগী সনা হাক্তক্তদি হিংচাবগী পোষাক তোপ্পা লৈরমী। অঙাঙবা মচুগী হোপ হোপ লাওবা খোঙগ্রাউ অমদি ফুরিংনচিংবা শীজিন্নবস্থ তৌথি।

বকাসুর—মচীন, মকোক অমম্থুং মশা পুন্নমক য়াচেংনা শাহনা [illegible] শেম্নগা মথক্তা অঙৌবা কি য়োনশিনগনি। মচীন্দা নাপু মালহনগনি মম্নুংদনা ভাঙহনগনি। মবুক্তা মী চঙনবা হায়লগী হৌনা

অহোৱা অমা থমগনি। মহুদা মী চত্তহুনা লেপখৎকনি, মথাঙদগীনা মখোঙ হাওখদং উহনগনি। উয়োক মখোঙ মচু মাৰবা হৃকচাং নয়া খোঙগ্রাউ অমা শেংকনি। উয়োক মান্না চৎকনি। মতুংদা, য়াচেংবী মতেংনা মচীন মতক্কী ওইরবীংবা মওঙদা হেক হেক শাম্নগনি।

যন্ত্র—গোষ্ঠ-লীলাদা মৈতৈ পুং অমদি ঝাল শীজিন্নবনা লোইরে

মান্নদবা অমদি চুমথোকচনীংবা থরা—

১। উপলৈ—উপলৈ অসি নিপাসু নূপীসু মরুপ্দা অমত্তা ওইনা লৈ। নিপানা চোংথংলগা লৈবদা নূপীনা চোংখত্তে—অসিতনি। মসিদা নূপীনা খোঙকম মরিনি, চোংথৎপা অমা য়াওবনা নিপানা খোঙকম অহুমত্তনি মসি থায়নদগী অহুম্মক চৎনরক্লবনি।

অকনবা নিপা থোকপা জগোইবু 'তাণ্ডব', অতপ্পা অমেওবনা 'লাস্য' অসুম্না নিপা নূপীগী জগোই মথল অনিবুদি খায়দোকপা লৈরবসু নিপাগীনা য়েংনা শাগনি, নূপীগীনা ওয়না শাগনি হায়বগী নিয়মদি থোইনা লৈত্তে। নিপাগীনা কনবা, নূপীগী থোৎপা, নিপানা চোংবা, নূপীনা চোংদবা—অসুম্না লাইগুকনা য়াংপিরমক্তনা ওসি কাওবসু মহু ভাকদি।

অদুবু, নিপা নূপী খেন্নদবা য়াদে, নিপাদি য়েংকি খোঙ লৈতাব্রগা মতুগী মতেংনা হৃকচাং পুন্নমক ওয়রোমদা লৈগদনি হায়বা মত অমসু মপুং ওইথা লৈবাকী ওজাশিং থরদগী থোক্লনা মহুনা অনৌবা চৎনবী অমা ওই-রকপসু য়াওবে। মওঙ মসি থায়নদগী মশাগী ওইনা অহুম্মক শেনো লৈরকপানি, তাণ্ডবকী অশেংবা মশক্তি, অভাংনা ওমদবদগী থাদোকখিবানি হায়বসিনা অকনবা মসিগী মতনি।

ঘাটকী জগোই—'খিং গিন্নগর খিন ধেনতা খিন ধেনতা ...., হায়রবা অসিনাচিংবা ঘাটকী পুংলোনগী জগোইদা খোঙ লৌ-কম অমদি লোইকম মান্নদবা। মত অমনা অহানবা লৌবদা য়েংবী খোঙ খুনীংনা ওয়গী মমাঙদা নেংলগা হৌবা অহুগা খোঙলোলমা ওয়গী

খোঙ নাকন্দা নেঙ্না লোইরুবা। অদুগা মত অমনা মথক্কী মত অসিগী ওয়া তৈনবা চৎপা হায়বদি ওয়গী খোঙনাকন্দগী তৌরগা ওয়গী খোঙ মমাঙদা লোইশিন্দুনা লোংলৈ তায়কপা।

অহানবা মত অসিনা গোবিন্দক্রমগী চৎনরকপনি। অকোনবগী অসি কদাইদা কমদোনা চোইথোক্লখিবনো কনাসু খঙনহৌদবা মওঙ ওইনা তৌই। খোইনসু খন্নরুদে মরমদি, তাল-লয়দা, জগোইদা করি অমত্তা কায়দবগুম উনখিবদগী।

মথক্তা উৎচরিবসিনা জগোইগী মতাংগী রানি। অসি নত্তবা পেন্দবা খরসু খন্নবীনবা মখাদা উৎচরি—

৩। গোষ্ঠ-লীলাক্রমদা হান্নদি য়াওরমদবা মওঙ খরা খরা থেং চিন্নবা উনরে। খুদম ওইনা—রামকৃষ্ণবু তুম্বদগী হৌদোকপা, চাক ইনবীবনচিংবা। মহৌশাদি মসি উদূখল লীলাতদা লৈবনি। গোষ্ঠদা লাইগুরুশিংনা মতাং অসি থেংনবমদে। অমরোমদা মসি রস মপুং ফাহন্নবা ওইনা চাপ্পনি, দোয লৈতে। অদুবু রাখল অমদি, শ্রীকৃষ্ণগী চহি ২ খা ৩ শুবদা উদূখল-লীলা শান্নখিবনি। কৌমারগী অনিশুবা মতাং হৌগৎপদনি। মতাং অসিদদি মসি রাম্নমক চুনবা হেল্লি অদুনা উদূখলদা ওজাশিংনা অহানবমক্তদা মতাং অসিনা হৌরম্মী। এখোয়না কৎলিবা গোষ্ঠ অসিদি যন্নাউ শেল্লম্বা তোক্লুনা বনবী শেনবা হৌর-ক্লবগী কুম্মৈনি হায়বদি শ্রীকৃষ্ণগী চহি ৬ শুরবা মতমগী লীলানি। মরম অদুনা চহি মতাংনসু যাদ্রম্নুনা—অমরোমদা মমানা তুম্বা হৌ-দোকপা কাওববুদি চহি মতাং পূর্নমক্তা য়াবা ওইনা লৈরবসু ওজা-শিংনা খৌওইনমক গোষ্ঠদা মসি হাপলমদে।

মরম অমনা অমুক গোচারণ-লীলাগী অশেংবা মশক্তি লমথোকপা মতাংতদা লৈ। মাওব মতুংগী অসিনা নন্দ-যশোদাদগী বিদায় লৌনবা হোৎনবগী শরুক্তনি। অমরোমদা গোয়াল-আরতি নংনবা লীলা লোইশিন্দবসু য়াদবনি। মসি থায়নগী অকনবা নিয়মনি। ভগবাননা

যণশেনবা কারক্লবদা মমা ইবেম্মা যশোদানা আরতি শৎপবু গোয়াল আরতি হায়বনি। মরম অছুনা গোষ্ঠ-লীলা মতম চানা লোইদবা য়াদে। হুজীক্তদি মসিগী অথিংবা থোইনা থমথিদহুনসু ভক্ত-বৈষ্ণব-শিংগী শরণিদা অমদি নিত্য-অষ্টকাল সেবাদা কায়বা মওঙ লৈ। হায়দগীসু মাওবগী কৃষ্ণেদি মপূক চোম্না লৈরিবনি। মসিনা মতম লৌমনখিবনা লমথোকপা থেঙহনা অমুক্তসু মতম চানা লোইবা ওয়-ত্রিবনি। মসিদা তৃষ্ণা হৌদোকপনচিংবা মতাংগা অমুক থোমজিন্নবদি গোষ্ঠদি তোকলে। থেঙদা থেঙজিন্নক্লগা মাগুবতা অহুম্মক লমথোক-লগা তোকলে। য়ানা তমজনকপা জগোইসু শাদ্রে, মসিনা গোপশাব-শিংগী অমদি মথোয়গী অহল-লমনগীসু নীংবা কায়হন্নবা ওইরে।

৪। **গোয়াল-আরতি**—মথক্তসু হায়জগ্রে, শ্রীকৃষ্ণনা যণশেনবা কারক্লবদা নন্দালয়দা মমা ইবেম্মা যশোদানা আরতি তৌহুনা লমলক চংলুবদগী লোয়নবকপা তী-ল্লাই কন্তবনচিংবদগী মচাবু ওাকথোক্লবা তৌই। শ্রীগোবিন্দগীনা য়ামকৃষ্ণগী মূর্ত্তিদা পূজারীনা আরতি কৎলি, খুল্লকীনা মমাশাবীনা কৎলি, মসি চংনবীনি। নিয়ম অসি থুগায়হুনা মকোক-চিংবীবু (শ্রীদাম) আরতি কৎহনবসু য়াওনয়কলে। মসিসু অকায়বা অমনি, তৌবীদবা কৈ।

৫। **শঙ্গোম শুম্বদা মমাশাবী য়াওবা**—মসি থায়নদি তৌন-রমদে। ভগবানগী লীলাদা রস-পুষ্ট তৌননবা হোৎনবদা অপনবা, অরানবা করিসু লৈত্তে, মরম চায়বদি মহুনা তৌদবা য়াদবহুম ওই-রিবনি। অদূবু নন্দালয়গী কৃষ্ণে অসিনদি চাউমনখিবনা লমথোকপ-মতাংদা অকায়বা লাকই। মসি মথক্তসু পল্লগ্রে। তৌরিবা থবক অহুগী মপুংদি যণশেনবনি, অতৈদি রস-মচা ওাক্তনি। লীলা লীলা অহুগী মুখ্যরসপু ঈহোক্তুনা থয়গা গৌণ-রসশুদা মপুং ফাহনখিবা থোক্ত-নবা ফাওবদি য়েংশিনবা চুম্মী।

৬। **ফি মন্দ্রগা শেল থাবা**—গোষ্ঠ-লীলা শায়রিঙৈদা কৃষ্ণ বলরাম অমদি মমাশাবীনচিংবদা চঙহুনা শেল মন্দ্রগা ফি থারবা—

মদি চৎনবী রাগ্মা লানবা থবক্তি। রস থুগাইবা মশকনি। মসিনা চৎনবী এইখিবদি পৃথিবীগী অনিত্তবা লাঙ্গাউ মতুংতদগী হৌরকখি, মরুম্ম সনা কোয়ুংদদি নত্তে, অরাপ্পা থুরঙ্গগী কৌথি। চংনবী অসি সনা কোয়ুংমক্তদনু মওক লিংশিল্লকুনা হুজীক্তি মাবু থিংবীনবা কনায় লৈরবগুম মনীং কৌবা নোংমা নোংমগী হেন্নকলে।

কনাগুম্বা ভাবক-বৈষ্ণবশিংনা মানা পেনবা মতাংদা প্রেম-বিকার ফাওরক্লবদা থাপ্পা লৈহনা মগুবং কত্তুনা মিংতম্মী প্রেম শিল্লকবা অমদি অম্বীবা ওজা সূত্রধারনা চঙহনা প্রেম তৌরবা অসিতমা থাম-নমী চৎনবীনি। স্বর্গীয় বোধচন্দ্রসিংহ মহারাজনা লৈবাকী শাসন হেক থাদোকখিবদগীদি অনৌবা চৎনবী অসি মপাঙ্গল অহুম কনখৎলকখি। অসিগুম্বা চৎনবী অসিদু মসিনা লীলারসতা অপনবা পীবা থোক্তনবা ফাওনদি চেকশিনবা চুম্মী।

৭। **ফিজেৎ-লৈতেংদা থোশানবা**—(ক) শ্রীভগবানগী লীলা শামবদা ফাওরিবা, উৎলিবা আচার্য্যগী শরক পুম্মক, উৎলিবা লীলা লীলা অহুপা মরী চপ চপ চানা লৈরবা ওইগদবনি। যশোদা রোহিণী শাবীনা থৃদাঙ্গা ঘড়ি শিবা, ঘাঘরী শেৎলগা মায়খুম হাইদোকপা, কুমিন শেত্তুনা কোক্তুম্বী হাপ্লগা থবাক য়েং হাপ্তবা, নন্দগী প্রোত-শঙ্কনা সুট-টাই তৌবা, অাজমেবী য়েংপা—অসিনচিংবসি শাথীপ্রবা মওংনি। মীনা য়েংবদা পেম্নগনি খন্দুনদি তৌবীম্নিবনি অদুনু ভাবক্না য়েংজনীংলিবদি অশেংবা থাম্নগী যশোদা রোহিণী, নন্দগী দ্বারপালনা মতম মতম অহুগী ওইখি ওইথিবা মওং-মতৌ ফিজেৎ-লৈতেং—এরেথোকপী লাইগুরুশিংনা য়াংপিরম্বা অহুগুম্বা মশক মওং অহুম্বনি, হুজীকী মতমগী খমথেংবী ফিজেৎ-লৈতেং অহু নত্তে। প্রজ লীলাগী অশোয়বা অক্রমক থওহৌদ্রবসু য়াথল মুন্না তৌহনা লৈবাক লিংথৌনা য়াংপিরবা অহু ফাওবতদি ভাকপিক্তম থোকই।

(খ) **ধেনুকাসুর অমসুং য়াগী চরশিং**—মতিক চাবা মথোয়গী ফিজেৎনচিংবা থম্বীরবদি মসিমক্তি থোকলোইদবনি। ওথোয়ট্রিনা

থম্বালবদগী মানা-মানা থোক্পা অসুম তৌনবা মতমদা চংখ্রে। ফাগি মানরবু হাওরকলে। স্যার চূড়াচাঁদ মহারাজগী পালা হাকতদি থিং-চারনক্লিংবগী ফিজেৎ থম্বালগী অমম্বুং মতুনা সনা কোম্মুংদসু খুমলস্কু অমুম্মক হঙৎহন্দা শীজিন্নরম্মী, হজীক্তি লৈখিদরে। ধেম্নকাসুর শা-বগী কোমম অতুতং নত্তনা মশাদা কাইস্ত পকখিদল্লে। মশা-মচা নোমবা পেনবা মীনা ভৌবমক নত্রবদি মসি লেংবা মুংঙাইতে।

(গ) পোৎলোই শুবনা কায়রকপা—অথঙবা, ময়ম কূপ্না থিবীবা অহল্লম্মন থরা নত্তনা নহারোল পোৎলোই শূবশিংনা ফজবা, অলৌখা মশক হাপকৎনবা হোৎনবগী চাউরবা ঈহৌ অমসু হুজীক শেৎনরিবা পোৎলোইশিং অসিদা উবা ফংই। পোৎ খুদিংমক্কী de-velop তৌববুদি তৌদফদবনি, অতুম ওইনমক পোৎ অতুগী অশেংবা মশক মচুদি থাদোকপূবা য়াদে। অমগী ফজবা মতৌম্বু অমদা হাপ-চিন্দুনা পোৎ অতুগী মশক মাঙহনহদি য়াদে। অসুম্না চখ্লবদি ঐখোয়গী তোঙানবা মশক অমা তোপ্না লৈজবতু মমৈদদি মাঙখিবা য়ানা লৈ।

৮। ঈশৈ থুগায়বা—শ্রী৺গোবিন্দগী গোষ্ঠ লীলাক্রমগী মশাগী ঈশৈনচিংবা চপচানা লৈখিভৈদা কনাগুম্বা মমা শাবীনা মতু কাহৌরে, তমহৌদ্রে, থৌগনদি ভোকপা য়াদে হায়হুনা খুল্লক্তা কায়কপা ঈশৈনা, হেক্তমক মতাং চায় হায়হুনা শকচিনবা, মদূবু থঙনা থঙনা উনা উনমক ওথোরিটিনসু উবীদবা তাবিদবা—চেৎনা থমগ্রবা অকনবা নিয়মনা পূনগ্রবা অহুগুম্বা সেবাগী পোৎচঙশিং অদূবু থৌশাদহুনা সনা কোনুংমকনা মাঙহনখিনবা হোৎনবিবা ওইনা থোক্লগদবা অহু-গুম্বা মতৌ অহু হুজীক কয়া কয়া থোক্লরে। সনা কোম্মুংদি আদর্শগী মফমনি, ফিদম লৌনফমনি, খুল্লক্কী মতৌ তমহুনা তৌশিল্লক্রবদি লৈবাক অসিদা জগোই ঈশৈগী মরাইবক লোইরে হায়বমক য়াবা মওঙ অহু থরগী মতুংদা থোক্লবা য়ানা লৈরে ॥ ০ ॥

থোৗদা পাওথোকচবদং শকচনবা, করি খঙজদবা ঐথোয়না লাই-গুরুশিংগী থোঙ্গুল লীজবদা কংজবা খরদংনা মচাক ওইনজহুনা থৌরবা বুদ্ধিনা লাম্বা কংজবা তৌহনুনীংদবা খরস্থ উৎচহুনা সভাগী থোৗগন তৌৈ। অশোয় অঙাম য়াওবা থিবীক ঙাকপিহৈবা পূকচেল্লা ঙাক-পিহুনা চুমশিনবীরগা অরংবা মণি মতুমগুম মঙাল চেলহনবীনবা সভাগী চরণদা হুয়া হুয়া চঙজরি। ইতি—

য়েংনথিবা লাইরিকশিং—

শ্রীমদ্ভাগবত, চৈতন্য চরিতামৃত, কৃষ্ণ ভাবনামৃত, ভক্তি-রসামৃত সিন্ধু, গুজাশিংগী কোর্কেবক (গোষ্ঠ), পদকল্পতরু—অসিনচিংবা—

পুথোকপিবা ওজাশিং—

১। শ্রীহুইরেম লালা সিংহ শ্রীগোবিন্দগী গোষ্ঠ লীলা ওজাহন
২। শ্রীলোংজম তোম্পোক সিংহ " " ওজা য়াইমা
৩। শ্রীমাইস্নাম অঙাহল সিংহ " " ওজা তোন
৪। শ্রীঅকেসনা সিংহ রাজকুমার শ্রীবিজয় গোবিন্দগী গোষ্ঠ ওজা পুরেন

শ্রীসুরচান্দ শর্মা

রাস লীলা

(ওক্টোবর ২৯ অয়ুক)

জগোইগী হৌরককম

তাল, লয়, ছন্দগী মথক্তা হকচাংগী ওইবা মওঙ মতৌবু 'জগোই' হায়না খঙনৈ।

জগোইদি তাইবঙ অসি শেমগে হায়না ভগবান ঈশ্বর মহাক্না নীংবা অতুদগী জগোই হায়বসি হৌরে হায়নৈ অদুগা তাইবঙ মরোল অহুম, জীব, ঈ রা—ঈশিংগী ঈপোমনচিংবা অসিদং নত্তুনা হুমিং থা থরানমিচাকনচিংবা উরি তাব্রিবা পুম্নমক অসি ভগবান মহাক্কী জগোই অভিনয়নি হায়না লৌনৈ।

সংসারগী মশক অসিমক জগোইনি হায় মতুদি—বিষ্ণুধর্ম্মোত্তরগী "ত্রৈলোক্যস্যানুকরণং নৃত্তে সম্যক্ প্রতিষ্ঠিতম্"। অম্রম্না তাইবঙ মীওইবনা ঈশৈ-জগোই হৈনহুনা লাকই, অসিগুম্না জগোই ঈশৈদা শাদোং ওই-হুনা ভারতবর্ষদা ভরত মুনিনা নাট্য-শাস্ত্র, লেংহুনা ধর্ম্মগী কান্নবা থিবীকপু ৰংবা গুম্না 'জগোই ঈশৈ' হায়বসি শন্দোকখি।

মণিপুরদা মৈতৈনা তাইবঙ পানবগী মপুবু ঈপা অমসুং শক্তিবু ইমা হায়রুনা 'লাইনিংথৌ লাইরেম্মা' অনিগী লীলাবু লাই হরাউহুনা জগোই ঈশৈনা ধর্ম্মগী চৎনবী অহু তৌহুনা লাকই। মতমগী মতুংইন্না শকলোন মথং মথং ওইরকই।

ধর্ম্ম তিন্নরকপা

৺অত্তোম্বাপু শর্ম্মনা গবেষণা শিরোমণিগী 'মণিপুর রাস' হায়রবা লাইরিক্তগী থঙবদি ক্যাম্বা নিংথৌ (খৃঃ ১৪৭০-১৫০৮) হায়ক্তা মৈতৈগী ধর্ম্মগা বৈষ্ণব ধর্ম্মগা য়ানখায়নবা হৌখি। মৈদিংঙু চরাই-

য়োংবগী সনা হাক্তক্তা 'হরিনাম দীক্ষা' তৌখি, মৈদিংঙু গরীবনিরাজ সনা হাক্তক্তা রামানন্দী' ধর্ম্ম লৌখি। (চরাইরোংবা খৃঃ ১৬৯৭-১৭০৯) কাওবা নিংথৌ ওইখি, (গরীবনরাজ খৃঃ ১৭০৯-১৭৪৯) কাওবা নিংথৌ ওইখি।

মণিপুরগী জগোই রাস হৌখিবা—শ্রীযুৎ ভাগ্যচন্দ্র মহারাজগী স্বপ্নদা শ্রীগোবিন্দবু দর্শন ফংহৌবা অতুগা শ্রীযুৎমকী থম্মোইদা শ্রীশ্রীরাধাগোবিন্দগী ভাব প্রেমবু ভাম্মোইহনা লৈখিবদগী শকাব্দ ১৭০১ (১৭৭৯ ইং) গী হিয়াঙ্গৈ থাগী কার্ত্তিক) তরামাথোইনি পানবা (একাদশী, ঈরাই সুমি ত্রা শ্রীগোবিন্দ অভিষেক তৌরগা লাংথবান কোন্নুংগী রাস মণ্ডলদা হুমিৎ মঙানি শান্নহনা কৎখিবা রাস অসিবু শ্রীযুৎ ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা ইহান হান্না কৎখিবা মণিপুরগী জগোই রাস হায়না খঙনরকই।

জগোইরাস কৎপগী মরম—'কলিযুগকী ধর্ম্মদি সংকীর্ত্তননি' হায়বা ভাগবতকী য়াথং মতুংইন্না মশাগী কান্নবা রাখল থাদোকুনা শ্রীগোবিন্দগী পেন্নবতা হায়রহনা শ্রীকৃষ্ণগী রাস ক্রীড়াবু সংকীর্ত্তননা যজ্ঞগী মশক ওইহনা মীওইনা পোক্লগা ফংগে হায়না নীংবা খ্বারদগী ৰবা অতু ইরার লায়না পীবা ওহা 'জগোইরাস'—পর্ব্বযাত্রা মহোৎসবতা কৎলি।

সঙ্কীর্ত্তনবু যজ্ঞনি হায়—'যজ্ঞৈ সংকীর্ত্তন প্রায়ৈর্যজন্তি হি সুমেধসঃ।' (শ্রীভাগবত ১১।৫।২৮—২৯)

যজ্ঞদা ঘি হৈহনা মৈ থায়। মতুদা অশ্বমেধ, গোমেধ, অগ্নিনচিংবা যজ্ঞ পুন্নমক্তী মনুংদা কলিদা সংকীর্ত্তন মহাযজ্ঞনা অথোইবনি। কৃষ্ণগী নাম অমুক শোনবগা অশ্বমেধ যজ্ঞ কোটি অমগা মান্নৈ। (চৈতন্য চরিতামৃত)

ব্রজগোপীশিংনা অমকগা লৈত্রবা মশাগী ওইজবা রাওত্রবা কৃষ্ণপীতঅক থম্নুনা পুন্নমক কথোক্লুনা শ্রীকৃষ্ণবু পেন্দহন্নি। মসিগী

মতুংইন্না মণিপুরগী জগোই রাস—যজ্ঞগী মশক ওইবা সংকীর্ত্তননা অশ্বমেধ-যজ্ঞ-কোটি অমদগী হেনবা যজ্ঞ অসি তৌই।

রাস—'সর্ব্বরসঃ কদম্বময় রাসঃ'—মুংঙাইবা রস পুম্নমক্না তিনবনু রাস কৌই। অসিদা নত্তনা অর্থ কয়া থোকনা তৌহনস্ন হায়নৈ। মীওইবনা য়ান্না থাজনা শ্রীকৃষ্ণগী ব্রজবধূশিং (গোপী) গা লোয়নহুনা শায়খিবা 'রাস ক্রীড়া' অসি তাগদবনি, চীরস্ন হায়গদবনি। মহুমনা তৌরবা ধীর ওইরবা মী অহুনা শ্রীভগবানদা অথোইবা ভক্তি কংহুনা থম্মোইগী লাঙ্গনা ওইবা 'কাম' থুনা থাদোকই। (শ্রীমদ্ভাগবত)

'অথোইবা ভক্তি'—ইশাগী মুংঙাইজনবা থনবা থাদোকুনা শ্রীকৃষ্ণগী পেয়নবতা থন্নবা অদুবু থগুনৈ। অহুগা 'কাম' হায়বনা মশাগী মুংঙাইজনবা থনববু থগুনৈ।

৺অতোম্বাপু শর্ম্মা গবেষণা শিরোমণিনা হায়—"শ্রুতিনা হায়, সর্ব্ব খলু ইদং ব্রহ্ম"—শ্রীকৃষ্ণনা কয়স্বা কথবা মতমদা শ্রীবৃন্দাবনদা রাস-লীলা শায়হুনা জগৎবাসী মমাগুদা অসিগুম্বা ফিদম (আদর্শ) অসি থম্মীরম্বা। অসিগুম্বা মীওইবগী জড়দেহ অসিদা দিব্যপ্রেম থোকহনবনি। লাইবক কবা মণিপুরাধিপতি জয়সিংহ ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা অসিগুম্বা সুপ্রাচীন মণিপুর অসিদা পোকপিহুনা অহুগুম্বা দিব্য-প্রেম পুথোকে হায়হুনা মহাকনা মণিপুর শেমগৎলি অহুগা শ্রীযুৎনা শ্রীরূপ পরমানন্দদা মধুর-প্রেম ভক্তিদা দীক্ষা লৌহুনা ভক্তিব্যাস অমসুং খুম্বোং চন্দ্র সিদ্ধান্তগা লোয়ননা 'মৈতৈ ধর্ম্ম অমসুং ভাগবতধর্ম্ম' অনি অসি অমত্তা ওইনা তিনশিন্দুনা মবুংঙো শ্রীগোবিন্দদা অহুগুম্বা সর্ব্বরস-কদম্বময়-রাস' লীলাবু সংকীর্ত্তন মহাযজ্ঞগী মশক ওইনা কৎলি।

মনিপুরদা রাস কৎপগী নিয়ম—মরু ওইনা ঋতু ঋতুগী মতু ংইন্না পর্ব্বযাত্রা মহোৎসবতা রাস-লীলা কৎকনি। মরমদি শ্রীকৃষ্ণনা বৃন্দাবনদা গোপীশিংগা লোয়ননা শায়খিবা তুনিংকা চায়না শানৈ। (বৈষ্ণবশিংগী চৎনরুপা মওঙনি)।

১। শ্রীমদ্ভাগবত-তা শরদ-কী পূর্ণিমাদা মহারাস শাদৈ। অসি মনিপুরদা মেরা রাকুকপদা শাদৈ।

২। কুঞ্জরাস—মেরা রাথিনবদা কৎপগী মরম—ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা বিশ্বনাথ চক্রবর্ত্তিগী সারার্থ সন্দর্শনী টিকাদা আশ্বিন পূর্ণিমাদা রাস শাদৈ হায়রবা মত অদুগী সম্মান তৌদুনা মেরা রাথিনবা আশ্বিন পূর্ণিমাদগী গোবিন্দজীদা 'কুঞ্জরাস, অসি কৎখি।

৩। শজিবুগী পূর্ণিমাদা 'বসন্তরাস' কৎলি। থুনাল্তা রাস অসি কালেন পূর্ণিমা লাওবা থা অমা চুপ্পা কৎনৈ। কল্লিগুপ্তদা ইঙেন লাওবদা চোঙ্গনৈ।

৪। নিত্যরাস— শরদকী থা অমা, বসন্তগী থা অমা অসি নত্তবা থা খুদিংদা শাদৈ।

৫। কুঞ্জরাস, দিবারাস— অবুক হুংখিলগী মতমদা শানবা রাস মথলনি—নিত্য-রাসকুম্না মতম পূম্নমক্তা শাদৈ। শ্রীকৃষ্ণরাস সংগীত সংগ্রহ কৌবা লাইরিক্তা বসন্তগী দিবারাস হায়রবা মতাং অমা য়াওরি। বসন্ত পাল্লবা অসিনা মসি বসন্তগী মতমদা অকরুনা তৌদ-দবরা হায়রবা রাখল অমা পোকহল্লি।

অসুম্না রাস মথল মঙা অসি হৌজিক চৌজীক মনিপুরদা নিরন্তরশিং অসি কয়াদনা কৎমরি।

রাসশিংগী মত—

১। মহারাস—শ্রীমদ্ভাগবত—রাস পঞ্চাধ্যায়গী মত কায়দনা ঈশৈ শ্লোক পূম্নমক অদুগী মতুংইন্না শাদৈ।

২। বসন্তরাস—ব্রহ্মবৈবর্ত্ত-পুরাণনা মপুং ওইরগা জয়দেব কবিগী 'গীত-গোবিন্দগী শবাক থরগা রাম্নদুনা শেম্বনি। পদকল্পতরু, সঙ্গীত মাধব, রাস-উল্লাসতন্ত্রনচিংবদগীসু ঈশৈ লৌখৎলম্মী।

৩। নিত্যরাস—নিতি লীলানি। গোবিন্দ-লীলামৃতগী মতানি। নিত্যরাসকী থোইদোকপা অমদি শ্রীকৃষ্ণনা অভিলাষ তৌরদা কৃষ্ণদা

লোয়কনা নৈগী শয্যা শেমদুনা ইকেম্মবু ঙাইবা অসি নিত্যরাসতা তৌই। মতাং অসি গোবিন্দ লীলামৃতগী মত নত্তে। মতাং অসিদা অমুমনা লৈরকই মতুদি—শ্রীযুৎ চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজগী সনা পুক্লিংগা নিত্তি-লীলা হায়বা অসিদা ইকেম্মনা হান্না লেঙলকুনা শয্যা শেমলগা ইবুংঙোনা লেঙলকুনা য়াবা অসিদা থবাদ য়াম্না য়ায়কুনা মসিগা ওয়বা ইবুংঙোনা হান্না লেঙলগা। ঙাইবা অমা লৈয়রোইত্রা হায়না মরামদা তাকপিরবদা শ্রীযুৎকী য়াথংদি ঈশ্বরগী য়াথংনি হায়না নিত্য-য়াসতা কৃষ্ণনা হান্না অভিসার তৌরগা শয্যা শেমদুনা হকেম্মবু ঙাইবা মতাং অসি ওইখিবনি, অসুমনা গোবিন্দ-লীলামৃতগী মত পুম্নমক্কী মতাং অসিনা তোপই।

৪। কুঞ্জরাস অমসুং দিবারাস অনি অসি নিত্যরাসকী গোবিন্দ-লীলামৃতগী মতনি, খেন্নবা খরদি লৈ।

জগোই রাস পুথোকপিরম্বা নিংথৌরোল

১। শ্রীযুৎ ভাগ্যচন্দ্র সনা হাক্তক্তা 'মহারাস', 'কুঞ্জরাস', অমসুং 'বসন্তরাস'—মখল অহুম অসি কংপিরম্মী। য়াকম অসি 'নিংথৌ চহি' কৌবা লাইরিকসু য়াবি।

২। শ্রীযুৎ চন্দ্রকীর্ত্তি সনা চাক্তক্তা নিত্যরাস অহুগা গোপী বৃন্দা-বন পাম্বেং অমসুং থুরুম্বা পরেং, ভঙ্গ মখল অনি অসিগা কংপিরম্মী।

৩। শ্রীযুৎ স্যার চূড়াচাঁদ মহারাজগী সনা হাক্তক্তা দিবারাস হায়বা মখল অসি হৌদোকপিরকই। মখক্তা হায়গ্রে, 'বসন্ত-দিবারাস' হায়বা অমদি গম্ভীরসিংহ মহারাজ সনা হাক্তক্তা সংগ্রহ তৌবিরম্বা লাইরিক শ্রীকৃষ্ণরস সংগীত-সংগ্রহদা লৈরম্মী।

হৌজীক জগোই রাস মখল মঙা অসি মণিপুরদা ইত্তংতম্না মতম মতমদা উবা ফংলি।

জগোই রাসদা করি করি ভঙ্গী শাবা

১। কুঞ্জরাসতা ভঙ্গী অচৌবতমক শাই।

২। মহারাসতা ভঙ্গী অচৌবা অমসুং বৃন্দাবন-পরেং শাই।

৩। বসন্তরাসতা ভঙ্গীঅচৌবা অমসুং খুরুম্বা-পরেং শাই।
(চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজ সনা হাক্তক্তা 'বৃন্দাবন-পরেং, খুরুম্বা-পরেং' হায়বা ভঙ্গীপরেং অনি অসি হাপকত্তুনা কংনরকখি)

চংনবী অমনা রাস খুদীংদা ভঙ্গী পরেং অচৌবদি শাদবা য়াদে। অতৈদি অকনবা নিয়ম থমদে। ভঙ্গী অচৌবদি ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা ইহান হায়না কংপা রাসকা লোয়নরক্লবা ভঙ্গীনি। 'ভঙ্গী পরেং অচৌববু' সম্ভোগ, 'বৃন্দাবন-পরেংবু বৃন্দাবন-বর্ণন' অমসুং 'খুরুম্বা-পরেংবু'না যুগল-প্রার্থনা অমুমনা চংনৈ।

জগোই রাসকী মখল

মণিপুরগী জগোইরাস কংপদা অহানবা মখল অনি থোক্না থারবা য়াই মতুদি—গোবিন্দগী কোমুংদা কংপা অমদি বিজয়গোবিন্দ, খুল্লক্তা কংপা। অনি অসিগী খেন্নবদি—

(ক) কোমুংদা কংপা জগোইরাসদি মণ্ডপকী রাসমণ্ডল মরাম্নদা ৺রাধাগোবিন্দ মূর্ত্তি অনিবু 'ভদ্রচক্র'দা লেঙশিন্নগা গোপীনা কোয়না জগোই শাই। মরম অদুনা কৃষ্ণশাবা, রাধা শাবা য়াওদে। মহারাস শান্নবদদি গোপী অমনা রাধাগী শরুক শিন্দুনা কৃষ্ণ অন্তর্ধান তৌরিঙৈদা কৃষ্ণথিবগী রারোল খরা ছাড়াদা থীবা শকপা ওইনা তৌই। অদুগা অহানবা বেণু নাদগী মুংদা অভিসার তৌনরকলবী গোপীশিংনা কৃষ্ণগী নাক য়োররকবদা কৃষ্ণনা স্বাগতম্ ভো' অসিনচিংবা শ্লোক থীরকপা শাদুনা ভদ্র-চক্রগী মখাদা হায়দগী চওদুনা লৈহোরবা (চঙবা রাবা মীওই) মী অমনা ছাড়াদা থীরকই। কোমুংগী জগোইদদি গোবিন্দনা বিরাজমান তৌবীরবনা কৃষ্ণ অভিসার অমদি কৃষ্ণ-নর্ত্তন য়াওদে।

(খ) খুল্লকী জগোই রাস-দদি নিপামচা নুপীমচানা রাধা অমসুং কৃষ্ণ শারগা পুন্না অমসুং তোঙান্না জগোই শানৈ।

কোন্নুংগী রাসদা ৺গোবিন্দ নিরূপণ তৌরগা ইথান হায়রা কংখিবা রাসতা শ্রীমতী রাসেশ্বরীদি নিরূপণ তৌবা নংদবদগী রায়রা রানা খন্নরবদা শ্রীযুংনা মজাইবেম্মা বিম্বাবতী (মমৈদা সিজ লাইরোইবী হায়না খঙন-খিবী) বু শাহনবা য়ারোইত্রা হায়না সনা য়াথং তাকশিরক্লবদা রাকম অসি শ্রীগোবিন্দনা থোকহনগে হায়ব ইচ্ছানা ৺রাসেশ্বরী-মূর্ত্তি অসি লোইশিনবা য়াহল্লবনি, মসিমক য়ায়রা ফরে হায়না ময়ায়রা খন্নরহুনা হৈস্লাম খোঙমনা চৈথাবা কুম, অগ্রহায়ণ-থাগী শুক্লা দ্বাদশী ইরাই হুমিত্তা সাপম লখন সিংহনা শ্রীগোবিন্দ নিরূপণ তৌই। ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা মচা ইবেম্মা সীজ লাইরোইবী (বিম্বাবতী)বু অওঙ অচৌন তমহুনা শ্রীগোবিন্দদা কংথোকই। মতুংদা অনুপ্রভু-নিরূপণ তৌরগা নবদ্বীপতা পুশিন্দুনা সেবা চংখি। রাকম অসিদা মণিপুর জগোই রাসকী মরু ওইবা শকতম উরে।

রাস শান্নফম - মাওবতা রাস মণ্ডল অমা শেমগনি।

রাস মণ্ডল—মণ্ডপময়োন মখোঙ ১২ মুংই, মহুগী ময়াম চানা মায়কৈ মরিদা থোঙ ওইনা কাংপা ইকোয় কোয়না লৈ-শুনা নেমতক্লা থাহুনা শেমই। কোন্নুংগীদি মসি ফি অঙৌবনা চৈ য়ুংলগা কোয়না শেমই। অহুগা ময়ায় চপ চানা কোম তৌরগা থমচেংকী মওঙ মায়া উপাকনা লৈমায়দগী খুহুপ ২ রোম য়াংনা শাবা ছত্র-চক্র শেমই। খুল্লকীদি ছত্র-চক্র য়াওবে। রাস মণ্ডল শেম্বা হায়বসিদি রাস খুদীংদা মফম খুদীংদা অতুম্মক মাইয়, মসি য়াওদবা য়াদে।

অসুম্না রাস মণ্ডল অসি বৃন্দাবনগী নিকুঞ্জ-বনদা ইবুংঙো ইবেম্মা অনিনা মতম লৈবা খিবীক্তা লেঙদনা বৃন্দাবনদা লীলা শান্নহুনা লৈ হায়বা মফম অহু সাধু বৈষ্ণবশিংনা ধ্যান তৌনবা যোগপীঠগী মওঙ লৌহুনা শেম্বনি হায়না চংনরমই। রাস লোইরগা মফম অহুবু রাস মণ্ডলমকী ধূলিনি হায়না চেকশিন্না লৌনৈ।

পূর্ব্বরঙ্গ—জগোই রাস মথল খুদংমেক শান্নবগী অহানবদা নিপা-পালানা গৌরচন্দ্রিকা শকুনা পূর্ব্বরঙ্গ তৌই। লৈ-চন্দন অমদি

কিনচিংবনা বরিরগা নিপাপালানা অহানবদা পূংগী রাগ অতৌবা হৌদুনা ঈশৈ হনবনা ঈশৈগী রাগ হৌরগা গুরুবন্দনা, সভাবন্দনা তৌরগা মথং মথং গৌরাঙ্গ ভাবিদগী কৃষ্ণ রূপ ফাওবা শরম্মি। মসিদা সঙ্কীর্ত্তনগী হৌনবী তিনতাল, মেল, তাঞ্চপ মেনকুপ পনিং অসিদা শকই। অদুগা নিপা-পালা শকপা লোইরগা রাস ভজিবা রাসধারী ওজানা সূত্রধার পুংয়েবা ওইনা কৈরগা সূত্রধারী ঈশৈ-শকপী অমদি যন্ত্রখোংবা পুন্নমক মণ্ডপকী অরাং নোংচুপ থংবা চিংথেক্তা —শ্রীরাধাগোবিন্দ অমদি ভাবক বৈষ্ণব-সভা পুম্বা খুরুম্নরগা, মশা মশাগী যন্ত্র লোয়রনা ফম্নদুনা লৈগনি। পুং-য়েবা ওজা মকোকনা চিথেক অসিগী য়েং ওইননা ফম্লগা মাগী য়েংতা ওজা তুইনবা পুংয়েবা লৈগনি। অনিস্রক মায় নোংপোক ওনগদবনি। পুংয়েবা তুং-ইনবগী য়েংতা 'মোইরাংথোংবা' ফমগনি। মোইরাং থোংদদি নিপাপালাদগী হৌনা অতুম্বক লোয়নরক্রবনি। চিথেক অসিগী ওয়া থংবদা মায় মথা ওন্দুনা সূত্রধারী-ঈশৈ শকপী মকোক ফমগনি অমসুং মাগী ওইনা তুইনবী অতৈ ফমখিগনি। বাঁশী খোংবা অনিনা পুংয়েবা মকোক অমসুং ঈশৈ শকপী মকোক্কী মতুং ওইরপনা য়েং-ওয় লাইনা ফমগনি। অদুগা ফমলবদা মখোয় পুন্নমক্পু লৈ চন্দন অমদি কিনচিংবনা বরিরগা রাস হৌগনি।

জগোই রাস অমা হৌদনদা নিপাপালা সংকীর্ত্তন য়াওদবা য়াদনা চংনরকই। অদুমনা শান্নগদৌরিবা রাস অসিগী অকায়-অতোই খোক্তনবা অমদি শান্নগদৌরিবা লীলা অদুগী মতাং ফোংদোকুনা ঈশ্বরগী নাম-গুণ শক শোন্দুনা হাম্না তৌবা পূর্ব্বরঙ্গ হায়বা চংনবা অসি তৌই।

গৌরাঙ্গ ভাবি—শ্রীগৌরাঙ্গ মহাপ্রভুগী মতম পুন্নমক্তা রাধা গোবিন্দগী শান্নখিবা লীলা পুন্নমকপু ফাওখিবা মতৌ অদুবু নিপাপা-লাগী মখাদা লাকনবা কৃষ্ণগী লীলা মতাংবু পন্দুনা শ্রীগৌরাঙ্গদা কাও-রম্লে হায়না হৌদুনা গৌরাঙ্গ ভাবিদগী হৌবা পূর্ব্ব-রঙ্গ তৌই।

কোয়ুংদা শ্রীগোবিন্দগী মন্দিরদা কৎপা রাসদি পূর্ব্বদগী অসি থোক্লগা চন্দ্রচক্রদা লেঙশিল্লবা শ্রীরাধা গোবিন্দবু ব্রাহ্মণনা কুঞ্জআরতি তৌরুরা কৎলগা, গোপীশিংনা প্রার্থনা শরুগা রাসকী হৌনবী মথং মথং তাই ।

মণিপুর জগোই রাসকী মত—মণিপুর জগোই রাস, ঋতুগী মঙ্গলইরা অকনবা পর্ব্বদিনদা শাই। দ্রষ্টব্যো নাট্য-নৃত্যে চ পর্ব্বকালে বিশেষতঃ' (অভিনয় দর্পণ)

মমাংগৈদদি সনা কোয়ুংদা গোবিন্দগীদা কৎপা রাস পূন্নমক্তা নুপী মচা নৈশাবী কুমারীশিং নত্তনা মো-নুপীশিংবুদি য়াওহন্নরমদে। অসুম্না রাসতা নৈশাবী মচা গোপীশিংগা কৃষ্ণ শাবা অমগা শাই। মহা-রাসতা গোপী খুদীংগী কৃষ্ণ অমমমগা জগোই শাই। কোয়ুংদা শান্নবনা রাধা গোবিন্দ লেঙথোক্লগা শাই ।

রাসকা ঈশৈ শৈরেং—রাসপঞ্চাধ্যায়, গীতগোবিন্দ, গোবিন্দ-—লীলামৃত, বৈষ্ণব-পদাবলীশিংনচিংবা লাইরিকশিংদগী লৌখত্তুনা রাস পূন্নমক্কী ঈশৈ শেমখি ।

জগোই রাসকী রস—গোপী ভাবকী মরু ওইবদি মধুর রসনি। মসিবু মুখ্যরস কৌই। মরমদি সাত্ত্বিক ভাবনা স্থায়ীভাব ওইবদগী রস ওইবা মথলনি। মধুর-রস মথল ৬৪ থোক্লা খায়দোকই। (ভক্তি রসামৃতসিন্ধু) ।

জগোইনা ফোংদোকপা—জগোই শাবদা খুৎপী মতোনগা খুদোম্বী মতোনগা শন্ননা পান্নবা খুং অসিনা মরুওইবা খুৎকম ওইবা, মিৎয়েংনা নাতোন নাকচি হাইবপ উনা খুত্তপ মরিগী লম লাপ্পা মাওদা য়েংবা অসিগুম্বা মওঙনি । মসি শান্ত ভক্তি রসকী অনুভাবকা চাই—

নাসাগ্রন্যস্তনেত্রত্বমবধুতবিচেষ্টিতং।
যুগমাত্রেক্ষিত গতির্জ্ঞান মুদ্রা প্রদর্শনং ॥

(ভক্তি রসামৃত সিন্ধু)

চৗন্না ঈশৈ শকই, খোঙদা তাল থমগনি, নতোল নাকচি হাইরুপ উনা খুৎতা মিৎ থমগনি। খুৎকা মিৎকা থানদে, খুৎ য়াংবা নেৎরা মঙ মতুংইন্না মিৎকা লোয়ননা ওক য়াওগনি। মসি অভিনয়-দর্পণগী—

'যতোহস্তস্ততো দৃষ্টির্যতো দৃষ্টিস্ততো মনঃ।
যতো মনস্ততো ভাবো যতোভাবস্ততো রসঃ॥

মনিপুর জগোই রাসকী থোইদোকপা খুৎ-শা অমদি হকচাং পুম্ন-মক (জগোইগী কায়াৎ খুদোং) লয় অমত্তুং তাল অতুপা ইরোয়নৈ। মখল অমুম্না শাবা জগোইবু ঐতিহাসিক রহস্য' কৌবা শ্রীরামদাস সেন'গী লাইরিক্তা 'চালক' কৌই। মতুদি বংশী নত্রগা অতোপ্পা যন্ত্রগী লয় মতুং ইন্না খুৎ লেওবা ওৎপবু 'চালক' কৌই। অসিগুম্বা মতং মতং নাইদনা মরী মরী শম্লনা, ইপোম নাইনা শাবা অসিনা 'মধুর রস' কোংদোকই।

নিপাগী জগোই, নুপীগী জগোই মখল লৈবনা নিপা জগোইদা অকনবা জগোই ওইবদগী মকক নাইবা খন্না য়াওবগুম উরবন্নু তশেংনা মকক নাইনা চপ লেম্নমক্তি নত্তে।

জগোই রাসদা নুপী জগোইদা নিপাগী জগোই অকনবগী শরুক খন্না য়াওনা শাবা, নিপা জগোইদসু নুপী জগোইগী অমেঙবা অথেৎপা খন্না য়াওনা অনি অসি থোক্লা শাই।

জগোই মসিগী অকরুবা খুংফম, শাথেক, মিৎকম খোঙকম, কিতুপ্তা চালি, অকৈবী, হাইদোকপী, চম্প্রাওকপী, লশিংকান্নী থাঙ-য়ানবী, খুজেং লৈবী, চক্র লৈবী—অসিনচিংবা কন্না শাই।

মনিপুর জগোই-রাসদা জগোই শারিবী গোপী অমদি কৃষ্ণ শাবনা ভাব অমবু কোংদোক্লে হায়না মায়-মি কী অকনবা বিকার শীজিন্নতুনা মানবা উৎনবা হোৎনবদগী ঈশৈ অগুদগী ভাব অতুনকা জগোই শারিবী অতুপা পুম্লিং হকচাং মশা অমত্তা ওইথিতুনা থাম্বা য়ানদনা পি তাবা, তু চুরুনাচিংবা সাত্ত্বিক বিকার ওইবা মতো অতুনা মনিপুর জগোই রাসকী

ভাব কোংদোকপা—শাস্ত্রশিংগী মতকম্ভু কাম্লনদবা মনিপুরগী হাম্নদগী লোয়নশন্নকপা জগোই ঈশৈগী ইচুদা অমত্তা ওইনা ত্তিনশিন্দুনা ইতোপ তোপ্পা মওঙগী জগোই মথল অমা ওইনা থোকলকখি। ঈশৈনা মপুং ওইবদগী মসিবু 'গীতি-নাট' হায়নদু খঙনৈ। মসিদা আঙ্গিক, বাচিক, সাত্বিক অমসুং আহার্য্য অভিনয় মথল ৪ মকী অভিনয় তৌই।

মণিপুরগী জগোই রাসকী অভিনয় মথল পুম্নমক্তা ইতোপ তোপ্পা মথল অমা ওইবা মশক উবা অমসুং মতম থম্নদত্তা জগোই-রাসকী মপুং কাবা শক্তম অমা শাগৎখিবগী মম্নমদা ওক্তাশিংনা খঙনম্নকই মহুদি—মণিপুর মচাশিং—মী পুম্নমক থাঙ-তা-মুক্কাগী বিদ্যা নীংখিনা হৈরকই, ঈশৈ শকপা হৈনরকই, মহু পেনা শকপনচিংবা তৌহনা লাকই—লাই হারউবগী জগোই শাবা চৎনরকই। ময়েক থোকপা ফি মথল মথেল শাবনচিংবা লৈবাক অসিগী লেমজনীংঙাই ওইবা মহৈ-শিং অসি অমত্তা বাংঙনা লৈরম্বা জাতি অমা ওইবদগী ধর্ম্ম হোংবগী মতুংইন্না লাইনীং লাইশোনগী পথিং অহুদা জগোই ঈশৈ পানশিনবদা থোইদোক্না অনৌবা ওইদে। মরম অসিদগী ওসিগী জগোই রাস অসি মতম থম্নদংগী মন্নুংদা জগোই-ঈশৈ পাম্বুনা জগোই-রাস শ্রীগোবিন্দদা কৎপনি। জগোই ঈশৈগী মন্নুং মপান কাওনা অমুক হন্না বিদ্যা অসিগী মখোঙ শেমগৎপগী থবক্তি চন্দ্রকীর্ত্তি সনা হাক্তক্না খ্বায়দগী হেন্নি। মতম অদুগী মী পুম্নমক জগোই-ঈশৈ হৈবা হায়বসিনা মীওইবগী অথোইবা বিদ্যা ওইরম্মী। পুং ঈশৈ-জগোইবু হৈরবা মী অদুদি কম অকৌবা ওইহল্লি, মনা মথুম চাউনা পীহুনা সন্মান তৌবি। ভারতকী মকম্ন কম্নাদা মী থাহুনা সঙ্গীত বিদ্যা তমহল্লি। সনা হাক্তক অসিদা জগোই-শাবী' লোয়শঙ হায়না খঙনবা লোয়শঙ অসিদা ধুলোক, তবলা এসরাজ, বেহলানচিংবা যন্ত্র ময়াম থোংবা, নিপানা নুপীগী কিজেং (চামর) শেংতুনা ঝুলন, দুর্গাপূজানচিংবদা শাবা জগোই মথল অমা মসিবু 'মার্ব্বাক জগোই' হায়নদু খঙনবা অসিগুম্বা মথল অসিমদু হৌদোকপিরম্মী।

অনৌবা মণ্ডপ থরা

জগোই রাসদা ভক্তি কংপা, থুকম্বা হায়না চংনবা অসিদগী অচাউরম কা-বগী ভাব ওইবগী মতৌ ওইবা শেল অমম্বুং ফি লংশিন্দুনা থাবা অসি চংনবী মণ্ডপদা কংপা ওইনা কংলিবা রাসকা চূনবা মণ্ডপদা নত্রবদি রাস-গী মরু ওইবা ভাবতা বৈষ্ণবশিংগী থম্মোইদা অনাবা রাখল অমা পোকপনা রাসকী চেকশিনবা অরুবা অহু লায়-থোক্লরক্লগনি। করিগুম্বা মফমশিংদা শ ড়ী শেংলপা পোংলোই শেংপী মরক্তা রাস রাওবী মথল অমগা উরে। মসিম্থু চংনবীদা পোংলোই শেংপনা মণিপুর জগোই রাসকী মগুণ ভাকপা ওইগনি।

অসি নত্তনা মণিপুরগী জগোই রাসদা করিগুম্বা মতাং কয়া হাপচিনবা অমদি ওস্থোকপা ভারবদি অহন্নম্মন খণ্ডহন্নমকম থোকই। মহুদা ঐখোয়না ঐখোযগী ইজ্জং থম্বা থোক্কনি। জগোই শেম্বা হায়ব-সিমকপু মৈতৈ জগোইগী মথীবোঙ খঙলবা ওজা গুরুশিংতনা শেম্বা ওমগদবনি। হোংলকপগী মতুংদা হান্না স স্কৃত অমদি বৈষ্ণব পদাবলী-নচিংবদগী মযেক শৈরেং লৌহনা শকলম্বা অহু স্যার চূড়াচাঁদ মহা-রাজগী সনা হাক্তক্তগী মৈতৈলোন্দা শকপা হায়বসি চংনরকলে। মরমদি—হান্না মণিপুরদা ইরোন্না—মৈতৈলোন্না ঈশৈ শকপা লাই হাক্তক্তগী চংনহনা লাকপহু নিংথৌনা পাম্বগী মতু ইন্না অনৌবা ধর্ম্মগী মশক লৌবগা লোয়ননা ঈশৈশম্থু ধর্ম্মগা মরী লৈবা লোন্দা শকই। অহওমনা নিংথৌনবু পামলবদি প্রজাশিংম্থু চংপা হায়বসি মণিপুর প্রজাশিংনা নীংথিনা ভাকলকই। মসিগী মতুংইন্না হৌজিক জগোই রাসকী ঈশৈ মৈতৈলোন্দা শক্লখি।

গৌড়ীয় সম্প্রদায়না মৈতৈবু থাগংলি। রাকম অসি খগেন্দ্রনাথ মিত্রনা মহাকী কীর্ত্তন (লামায় ২৪) দা হায়রম্মী— মৈতৈমা গৌড়ীয়া ধর্ম্মদা দীক্ষা তৌরবা মতমদা তৌবা সংকীর্ত্তনগী রারেন পূম্নমক অসি গৌড়ীয় সম্প্রদায়নচিংবা ভারতীয় সম্প্রদায় অমদগী লৌবা অমত্তা

য়াওদে, সুপ্নগী মৈতৈনা মণিপুরতদা মহৌশানা তৌরকপা ওাক্তনি। মহুগী মরুদি বেদনচিংবা প্রাচীন শাস্ত্রশা ওন্না লৈরম্না উগনি।

অনৌবা ষ্টেজদা জগোই উৎপা

হৌজীক চৎনরিবা অনৌবা মথলগী জগোই ষ্টেজদা উৎপা কয়া চৎনরে। মসিদা খন্নবা য়াবদি মণিপুরগী জগোইদা লাই হরাউবগী জগোই অমসুং জগোই রাস মখল অনিমক অসি মথক্তা পনগ্রবা থোইদোক হেন্জোকপা মুমিৎ—পর্ব্বদিনতদা শাবা জগোই মখলনি। মসিগী মপুং ফাবা হৌনবী শুবা জগোই মখল অহুদি পর্ব্বদিনদা মাওবতা কৎলিবা মতম মতম অহুদা নত্তনা উবা ফংদে। ষ্টেজদদি মহু নত্তবা মওঙ খরদং উৎপা ওইনা তৌই। অহুনা ষ্টেজদা ভঙ্গী পরেং য়াওনা শানদে, মপুং ফাবা জগোই রাস ওইবা য়াদে।

মণিপুরদা ফংপা রাস অসিদা রাধাকৃষ্ণগী রসদা মুখ্য অমসুং গৌণ হায়না ভক্তিরসদা মখল অনি থোকই। নাট্য-শাস্ত্র অমসুং অভিনয় দর্পণদা মুখ্য-রস অসিগী মখল য়াওদে, 'শৃঙ্গার'দি য়াওই। ভক্তিরসদা শৃঙ্গার-রসবু মধুর-রস হায়না স্থাবী ভাব মহাভাবনা ওইহনা লৈ। মসিদি অশেংবা মীওইবনা সংসারদা হৌগদবা সাধনাগী অথুপ্পা অমৃতগী মশক ওইবা রসবু ভক্তিগ্রন্থ কয়ানা লাউরি। নাট্য-রসসু শৃঙ্গারগী স্থায়ী ভাব রতিনা ওইবনিনা মধুর রসগা মরীদি অমত্তনি। ষ্টেজদা উৎননবগী জগোইদি 'নৃত্য'—মতম হ য়বা নাইদনা উৎপা য়াবা মায়-মিৎ অমদি হকচাংগী খুংথেক শাথেক অভিনয় কয়ানা মখল মখাগী বিকার উৎপা মণিপুরগী জগোইনা ষ্টেজগা থোইনা চুনবা, মতমগা চানবা চাংয়েং কয়া লৌখৎনরি। শুমাঙদা অমদি মাওবতা ধর্ম্মগী মশক ওইনা লৈবা জগোই রাসকী মতেক খরদং ষ্টেজদা উৎনরবসু অশেংবা মপুং ফাবা মশক উৎপদি য়ায়া লুনা থোকনি।

অসুম্না লাই হরাউবসু অসি মওার—ষ্টেজদা চানবা অশেংবা উৎপা খুদোং চাদে।

জগোই রাসকী মরু ওইবা মথং মনাও

১। নিপা পালানা হৌনবী রাগ হৌদুনা গৌরাঙ্গ ভাবিদগী কৃষ্ণরূপ ফাওবা শকই।

২। রাসকী সূত্রধার ওজানা পুংগী রাগমচা হৌদুনা ঈশৈগী রাগ, গুরুবন্দনা, সভাবন্দনা শকুনা বৃন্দাবন বর্ণন তারগা রাস হৌগনি।

৩। অহানবদা কৃষ্ণ অভিসার তৌগনি, জগোই শানা শানা কুঞ্জ য়ৌনবা চংকনি। মসি গোবিন্দজীদদি য়াওদে।

৪। অসুমনা কুঞ্জ য়ৌবগা কৃষ্ণনা মুরলী-নাদ তৌগনি। নিত্যরাসকীনা বৃন্দাগা শয্যা শেম্মিন্নবা লোইরগা কোম্না বাঁশী খোংই।

৫। মুরলী খোঙ্গেল তাবদা গোপীশিংনা 'বাঁশী অনুরাগ' তৌগনি। মহারাসতদি বাঁশী অনুরাগ অসি য়াওদে।

৬। গোপী অভিসারদা কৃষ্ণ কংনীংবগী রাখলনা রারবী মবেম্মরু সখিশিংনা নাক-যেত্তা চামর থৌগনগা লোয়ননা কুঞ্জ তমনা লেপই।

৭। কুঞ্জ য়ৌদুনা ইবুংঙো ইবেম্মা অনিনা পুন্না লেপশিন্নবদা সখিশিংনা সেবা তৌদুনা প্রার্থনা তৌই।

৮। মতুংদা রাধাকৃষ্ণ অনিনা মন্নারদা লৈরগা সখিশিংনা মুখোক মথং লাইনা কোম্বনা লেপ্পুনা মণ্ডলী-সাজন তৌরগা গোপীশিংনা রাগ হৌদুনা শকনি।

৯। গোপী রাগদগী জগোই মপোপ—মসিদা তিনতাল, মেল অমসুং তানচপা অহুম অসিদা বৃন্দাবনগী নীংথিবা গুণ, কৃষ্ণগী গুণ অমসুং মরামনা জগোই শাবগী ফজবা থাগৎপা ঈশৈশিং অসিদা জগোই শাই। মথাদা চালি তাই।

১০। জগোই মপোপ লোইরগা 'ভঙ্গী-পরেং শাই।

১১। মতুং লোইরগা কৃষ্ণ-নর্তন (তাণ্ডব) অমসুং রাধানর্তন তৌই।

১২। মথংদা আত্মসমর্পণ, পুষ্পাঞ্জলি— প্রার্থনা তৌরগা আরতি কংথুনা গৃহাগমন তৌরগা লোইশিন্নি।

ভঙ্গী-পরেং শাররগা বসন্ত রাসতদি আবির-খেল, মান-নাচিংবা তৌই। মহারাসকীনা কৃষ্ণ অন্তর্ধান, এক-গোপী-এক-শ্যাম-নাচিংবা মতাং শাই।

পূর্ণমক অসিগী মপুংদা চালি জগোই হায়রবসি মরু ওইবা শন্নক অমনি। ভঙ্গীপরেং অতৈ শাত্রবসু চালিদংদি শাদবা রাদে। কলাওবনা খাইমাওদা জগোই মতেক অমত্তং শাগে হায়রবদি চালি অসি শাগনি।

ফিজেৎ—(পোৎলোই)

জগোই রাসকী ফিজেৎ—পোৎলোইদা কৃষ্ণগী অমসুং গোপীগী পোৎলোই মখল অনিনি। অসিগী মথক্তা কোকুম্বী অমসুং ঝাঁপা হায়না গোপীগী ফিজেৎ মখল অনি শুই। অকোনবগী ঝাঁপা ফিজেৎ অসিদি গোবিন্দগী কংলিবা মহারাস কুঞ্জরাস অমসুং বসন্তরাস মখল অহুম অসিমদি শেংত্তে। নিতারাস অমসুং দিবারাস হায়রবা মখল অনি অসিদা শেংলিবা ফিজেৎ অসিদি চন্দ্রকীর্ত্তি সনা হাত্তক্তা নিত্য-রাস হৌদোকখিবা অমুদা হৌদোকখিবনি।

সত্যযুগতা ধ্যান, ত্রেতাদা হোম, দ্বাপরদা পূজা অমসুং কলিদা সংকীর্ত্তননা ধর্ম্মনি অহুনা ধর্ম্ম তৌবদা ত্রিকচ্ছ শেংত্রবদি মাংই। মরম অসিনা নাইমনে, গুপ্ত্বানে অমসুং ওয়গী ফীরেনে অহুম অসি শুত্রবদি মাংই। অহুগা ইরফি য়াওত্রবসু ফি শেংত্তবা কৌই, ধর্ম্ম তৌবা য়'দে। কোকসু থাদোকপা য়াদে। অসিগুম্বা ধর্ম্মগী নিয়ম মতুংইন্না জগোই রাসকী ফিজেৎ শেংলি। (মৈতৈ কীর্ত্তন লাঃ ২০৬)

কৃষ্ণ-পোৎলোই (নটবর বেশ)

১। কোকী শম থাউ তৈত্থনা শমজেং হাংলগা মাথদা চন্দন থিরগনি। চন্দন থিনবদা হকচাংগী মফম ১২ দা থিগনি। মায়

পাম্বোম মরু, অমসুং থবাক্কী মকমশিং অসিদা মরু ওইনা শেংনা থিল্লগা অতৈ মকমশিংদি হৌনবীগী মতুংইন্না মকম মকমশিং অদুগুম শোল্লগা পুল্লীংদা হুকচাংগী মকম ১২ দা চন্দন থিল্লে হায়না নীংগনি। হৌজীক্তি মতমগী মতুংইন্না মায়দা পাউডারনচিংবা কয়া থাদুনা শকচু শেমনৈ।

২। সনাফীগে কৈজোম গুঞ্জা থাদহুনা শামু নাতান শানা শেংলি। ফৈজোমগী গুঞ্জা নামৈ অমসুং নাক য়েংকী ফীরৈশিং নাম্বোক্তনবা লংনা ফাজিল্লি।

৩। কৈজোমগী মথক্তা মচু মচুগী পয়েংনা শেম্বা থড়া হাপকনি (পুনগনি)।

৪। নাক-য়েং অনিমক্তা থুকউদগী খুদোল অনিবোম চোম্বনা খাওন হাপকনি। খাওন অসিদা হায়নবদি শ্রীকৃষ্ণনা যশশেনবা লেঙবদা য়াররুগা হাননবা অচা অথক হাপ্পা খাউগী মওঙ অদু লৌহুনা শেম্বনি। হায়রিবা, ভাগবত ৺উদ্ধব সিংহনা তাকপিবম্বদি, ইন্নফি খাওন ওন্দুনা নাক য়েংতা তাবা ফীজানগী কজবা অদুদগী লৌহুমা ফিগী মহুংতা খাওন অনি অসি নাক-য়েং অনিদা হাপলিবনি। অদুগা ইন্নফি য়াও-ত্রবদি য়াদে হায়বম্ন লৈ। (ইন্নফিদা খাওন ওন্দুনা চাপ্পা জগোইগী ফিশেং রেঙ্গুন্দা মৈতৈনা শাবা জগোইদা উবরুই)।

৫। খাওনপ অশাংবা (গুঞ্জা হায়নম্ন খওনবা) না মাঙদা য়াম্বহুনা হাপ্লগা মহুগী মথক্তা খাঙ্গোর অমা অমুক লাকশিনগনি।

৬। পিশিন্দ্রাই—সনা মচুগী ফিজুর পবেংনা মথং মনাও অভেল অশাং নাইনা শেম্বা থবক্কী নাক-য়েংতা শব্দ পোলাং লৈব্রিবা অদুগী মথক মথক্তা তাহনবগুম যাম্বহনবা য়ানবা শেমহুনা, অদুগা থবাক ময়ারগী শরু অদুগী মপাদা মণি মপাক (কৌস্তুভ) শানা মিংশেল থিনবা অকোইবা মপাক মচা অমদগী পিশিন্দ্রাই মরীগী মচীনশিং অদু হৌকম ওইনহুনা য়ান্তগনি। মাঙদা তৌরিবসি মপা মায়না তুংলোমদম্বু চপ মায়না অদুম্বক তৌরুগনি। লেংজুম অনিমক্তা পিশিন্দ্রাই মরীনা য়াম্বুরগা হায়রিবা মওঙ অসি তানবা হাপকদবনি। মসিগী মপান্না

খাওন কাম্নগী মম্নক্কা লৈবা থবাক্কী অহাঙবা মফমশিং অম্বু মেন-শিনহল্লি, অমরে মদা কৌস্তুভ অম্নুমু মফম লেঙহল্লে।

৭। থবাক্কা লীক শিগনি। লীকশিংদি—(ওকশম পকপী) লীকমান পরেং, ক্যাংলীকদাং, হৈগ্‌ পরেং (লীকখোম), লৈপরেং অঙৌবা অমম্নুং মচুগী পরেংশিং অসি থবাক্কী মতা চানা শিগনি।

৮। খুংকী লৈতেং—পাম্বোমদা তাল, পাম্বোম য়াই (তাল-থক তালখা), খুংনমদা খুংতোপ (রতন চূড়) খুজেংদা রক্ষা (লৈখা)। লৌজীক পাম্বোম অফাংবী হায়বা মখল অমম্নু হাপনরে। খুৎচাশিংদা খুদোপ শিগনি। খুদোপশিংদি মুবী খুদোপ, চরোং খুদোপ, পরৈ খুদোপ, লাইরেন মখোয়, খোই মহুম, অসিনচিংবনি। পরৈ খুদোপ, লাইরেন মখোয় খোই মহুম অসিদি মক ওইনা নুপীনা শিনৈ। অদুবু জগোয়দদি কৃষ্ণ শাবনা শিবস্তু অম্নুম চৎনৈ। খুজেংদনা খুজি শিগনি।

৯। কোক্কী লৈতেং— ফি অমুবদা চীরোঙ মুকুট হাপ্নুনা মশা'পুম্নু লৈতেং তৌবা (খিনবা) নাথুম হাপকনি। খাঙদা হাপখিবা খাঙনপ অশাংবা অম্নুগুম্বা অমা লুখমদা য়াম্থনা হাপকনি। মথক্কা মায়গী মওও তানা কোকনম হাপকনি। মথংদা লৈত্রেং—(কজেংলৈ) হাপলগা তুংদা য়াম্থবা শমজিংরে হাপ্লগা রাহোং মক্নুনা ইকোয় কোম্বা মওঙদা শেম্বা চূড়া হাপকনি। নাদা লৈ চিনগনি, চোমায় য়াম্থগনি। লাইপক ময়াম্ন চানা তংব' চিত্রাবলী অমা হাপকনি, হৌজীক কর্ণফুলম্নু হাপনরে।

১০। খোঙগী লৈতেং—খুজেংদা নুপুর অমম্নুং খোঙদোপ হাপকনি। নুপুর হায়বসি হৌজীক খঙনবা শরীক পরেং অসি নত্তবা খোঙগী খুজেংদা হাপ্পা লৈতেংনি। শরীক্কি মওঙনি হায়বা য়াবা, লীক-মচানা মতোন্দা পরেং শানা য়াম্থবা (শরীক য়ানবা) য়াওই। কৃষ্ণগী ওইনা শরীক (শেঙ্গাউ শরীক) পরেং মচা অমমম য়েং-ওইদা শিন্না চৎনরকই।

লুগী পোৎলোই (লোপী কিজেং)

41. Ojha Nongmaithem Tomba, Kangjabi Leirak
42. Ojha Nongmaithem Brajabidhu, Keisampat

সেমিনারদা নৈনখিবা শরুকী শন্নপা মওং

ওক্টোবর তাং ২৪ নোংমাইজিং (অয়ুক)

সভা হৌদোকপা

প্রার্থনা অমসুং তরাম্না সভাবু ওকচরবা তুংদা ডাইরেক্টরনা (শ্রীনীলকান্ত সিংহ) থৌগৎরাহৈ পীবীরকপা খরা পাথোকখি মথাগী মীওইশিংদগী—ভারতকী প্রধান মন্ত্রী শ্রীমতী ইন্দিরা গান্ধী, সাহিত্য একাদেমীগী সভাপতি—ডাক্তর সুনীতিকুমার চাটার্জি, সঙ্গীত নাটক একাদেমীগী ভাইস-চেয়ারমেন—শ্রীকে, পি, এস, মেনন, সঙ্গীত নাটক একাদেমীগী ফেলো—স্বামী প্রজ্ঞানানন্দ, বোম্বেগী নেসনেল সেণ্টর ফোর পার্ফোমিং আর্টসকী ডাইরেক্টর—শ্রীভি, কে, নারায়ণ মেনন, শ্রীউদয়শঙ্কর, ডাক্তর ভি, রাঘবন অমসুং ডাক্তর (প্রোফেসর) মহেশ্বর নেওগ।

সভা হৌদোকপদা শ্রীডি, আর, কোহলিনা হায়খি—ইশামকীদি অর্থনীতি অমসুং সমাজ সেবাগী মীওইনি। লাম্লবা পুক্তা কলচয় হৈনদে। অসিমকপু থায়নগী সভ্যতাগী কজবা খরদি মাওদনবা থক্ষন থোকই। কংলা, বৃন্দাবন-চন্দ্রনচিংবদা লৈরিবা খরসি মাওখিদনবা হোৎনগদবনি—হৌজিকমকীদি ভারত সরকারনা বিষ্ণুপুরগী মন্দিরদগী তেম্না থবক পায়থক্রি। ঐহাক্না মতম খরদং তিন্নরক্লবা নেহরু ডান্স একাদেমীনা হন্দকী সেমিনার অমসুং ফেষ্টিভেল শীল্লকপসি থাগৎনীং-ঙাইদি—থোইদোক্লা মনুংগী অমসুং মপানগী প্রতিনিধিশিং মতিক চানা য়াওরে। মণিপুরগী ঈশৈ জগোয়গী লমদমদা অনৌবা রাওন অমা পুথকনি হায়না আশা তৌরি।

নৈনগদবা রাফম পুথোকপদা শ্রীএন, তোম্বী সিংহনা পনখি—হন্দকী অসি ফনা কুইনা রানা হোৎনরবগী মতুংদা ওইরকপনি। অসিগুম্বা

অসি চহী যনা কুইনা অমুক হন্না পাওথোকপা ওমগনি থাজদে। মণিপুরগী ঈশৈ জগোইগী মায়কৈদা চোইজাইনবা কয়ামুক লৈবিরসি খোমজিন্নগা চৎনগদবা অশেংবা খন্না লেপ্পনা হন্দকী সেমিনার অসিগী পান্দমনি। অহুবু থবক অসি লৈবাক্কী ওঝাশিংগী মথুন্তা লৈরে।

সভাপতি গুরু অমুবীনা মথাগী অইবা অসি পাথোকহনখি—

'হন্দকী সেমিনার অসিনা মণিপুরদা ইহান হানবনি—মসিদা লাই-গুরুনা খরীরবা বিদ্যা পুন্নবক অহু অমনা মতেক অমা মমনা মতেক অমা পুথোরক্তনা মপুংফাবা শকতম অমা লাকশিন্দুনা অকবা মূর্ত্তি অমা শাগত্তুনা থন্নবগী মতম চপ চাবরা সেমিনারনি।

অহুনা সভানা মসি থোক্কনবা পুকচেল অমত্তা ওইনা মুংশিননা তাথোক তাশিন তৌনহনা মণিপুরগী বিদ্যা পুন্নমকপু মাণ্ডদনবা ঐখোয় পুন্নমক্তা হোংনবিনবা সভাগী মফমদা ঐনা খুকমজরি।"

ওক্টোবর তাং ২৪ নোংমাইজিং (মুংথিল)

থাং-তাগী মরমদা নৈনবা সভা

পাথোকখিবা চে—মণিপুরগী থাং-তা

(পাখিবা—শ্রীনিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ)

ডিমোনষ্ট্রেসনগী শকক্তা শ্রীখেলচন্দ্র সিংহগী মতুংদা মথং মথং চৎখিব—রাজকুমার শ্রীসনাহল সিংহ, রাজকুমার শ্রীঅচৌবী, পাওম্বম ওঝা ভরত, শ্রীগুরুময়ুম গৌরকিশোর শর্ম্মা, শ্রীলৈতাম্বেম হেরামোত সিংহ। শ্রীঅচৌবী সিংহনা থাং তাগা জগোইগা মরী লৈনৈ হায়রগী প্রমাণদা মথাগী জগোয খুৎশাশিংগা থাং-তাগা নকশিন্নবহু পুথোকখি—লাই হরাউবা, লোংলৈ উপলৈ, খুজেং লৈবী, চম্প্রা ওকপী, চাদি অমমুং

থম্না-থোইবীগী কীরেপ। নৈনবগী শরুক্তা মথাগী প্রতিনিধিশিংনা শরুক য়াখি –

শ্রীলোইতোংবম কালাচান্দ সিংহ : থেঙ্গৌরোল ৮ হায়বসিবু ৯ হায়বনা চুমগদ্রা ? (৯ হায়বনা চুমই য়ানখি)

শ্রীকনীন্দ্র সিংহ : থাংগা-তাগসিবু কনানা হানগদগে ? অপোকপা খুরুম্বদা থাং ৭। ৮ য়াওবগী রাকম লৈরি। থাগেম্বগী মমাংগী মতমদসু তা শীজিন্নবগী রা য়াওরি।

শ্রীঅশাংবম মীনকেতন সিংহ : থাং হায়বসি মঙ্গুংদা চঙলকপা ওইগনি। "মীনুরোল" পুন্নাদা তা শীজিন্নবগী রা পল্লি। তুহারগী চোলোমদি থাংগী খোঙকমদা শাবনি।

পণ্ডিত চনম্বম বীরহরি সিংহ : থাংনা হানগনি। গুরুগী খুদোম্বীদগী থাং খোকপগী রা পুন্নাদা পল্লি।

শ্রীনিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ : থরদি কূপশিন্না য়েংখিবা তাই। অমনা হেক হাল্লি হায়বদা লুগনি। থাংসু ঙরাং নহালদা চঙলকপদি ওইরোই।

ওঝা পরশুরাম (শেকমাই) : পুন্নাদা য়েংলুরবদি অনী অসিমক ইরি লিরবা ঙাকনি। নোংবান পোম্বী লুরাউবদা অচুগা লৈশেমগী রারীদা সনামহিনা তা পায়তুনা চংখিবগী রা পল্লি। অমুকসু পোইরৈত্তোন্না মখাংদগী থাং লৌথোকখি হায়বসু পুরা অমদা পল্লি।

য়াজো মাইবী : ঐখোইনা লৌজবদি থাংনা হকচাংনি। তানা থরানি। থাংনা পাথংবনি, তানা সনামহীনি।

শ্রীমীনকেতন সিংহ : ঐহাক্কী রাকমতু শেয়াম্মনা পুবীখ্রে। থাং হায়তুনা হৌজিক্কী খোংকম খোংলোন নাইরিবা অসিবু হারজবনি। মতমগী থাং হায়বসিদি তপ্পা নৌনা চঙলকপনি। মপান্দগী লাক্লবসু মৈতৈগী গুণনা ঐখোইগী ওইশিনখিবনি।

নৈনখিবা অসিদা কুমারী সবিতা মেহতা, রাজকুমার শ্রীসনাহল, শ্রীথাইদেম নবকুমার সিংহ, শ্রীএন কেরানী, শ্রীধবল সিংহসু শরুক য়াখি।

ওক্টোবর তাং ২৫ নিংথৌকাবা (অয়ুক)

লাই হরাউবগী মরমদা নৈনখিবা সভা

চে পাথোকখিবা—পণ্ডিত মোইরাংথেম চন্দ্র সিংহ

ডেমোনষ্ট্রেসনগী শরুক্তা রাজো মাইবীনা উংখি—হকচাং শাবা, পান্থোইবী জগোই, পাম হাইবা, পাতোন জগোই। অসিমসু হায়খি—'মমান' গী চপ্‌চাবা অর্থ করি ওইগদগে? পণ্ডিতশিংনা মত থেন্নরি। নোংপোক নিংথৌ, খ্যাবা অমসুং পান্থোইবী অহুমসিদি লৈ অমগী লৈনা অহুমগুম্না লৌজে—পান্থোইবীনা মপুং ওইবা তাই। পান্থোইবী জগোইদি চাশী অফেবীনি—হৌজিক্তি মঙং অমদা ওনখয়ে। নৈনবগী শরুক্তা মখাগী মীওইশিং অসি য়াওখি।

পণ্ডিত ঙারিয়ানবম কুলচন্দ্র সিংহ : হৌজিক্তি মাইবী মশেল অমতা মান্নত্রে। বেও পাটি চঙলকপদগীসু জগোইগী মশক ওনথ্রে। লোইশংশিংগীসু উপায় লৈত্রে। অচুম্বা লেপকমসু লৈত্রে। লাই হরাউবগী মথলদি অহুমনি—চকপা, কংলৈ অমসুং মোইরাং। থেন্নরিবা, হাপচিন্নরক্লিবাময়ামসি কম্মিচিমচিংবা শেমদুনা চুমথোকহৌগদ্রা?

শ্রীঅরাম্বম অমুবা সিংহ : থেন্নবা কয়ামুক লৈরগনা মপান্দা উংলুবদা অরাবা ওই। থুংথেক ৬৪ ককা তায়রিবসি কূপ্না য়েংজনীংই। মায়দর্শীশং অসিসু য়ুক্ষম মায়বনিনা মায়হনবা য়াগনি।

ডাক্তর এম, কীর্ত্তি সিংহ : বেও পার্টিনচিংবা অনৌবা যন্ত্র চঙলকলিবসি ময়াম্না য়ানবীবা অমা দরকার ওইরি। নত্রবদি জগোই অসি মাঙখিবা য়ারি।

বুদ্ধিচন্দ্র য়ুম্নাম মচা : জগোইগী হৌকমবু চুকোইদগীনি হায়বসি রাজনীংঙে। চক হায়বদি মতমবু কোই হায়বদি কোইরি হায়বনি। মসিদগী জগোই থোকখিবনি। মতম কৌবা লাইরেম্বীগী লৌবুক্তা মপুনা কোইরি। লাই লোইশিনবদি নোংদোন্দনি। লাই হৌবদা কদাইদগী কদাইদা লোইশিনবা? (পণ্ডিত চন্দ্র সিংহ—পূমলোই লোইবদি ঈশিংদনি। মচু মত্তবনা নোংদোন্দা থিংগৎপনি।)

শ্রীরাজকুমার ঝলজিৎ সিংহ : থ'য়না নিপা নুপীনা হরাউবদা করি ফীজেৎ শেৎনরম্বগে? মচুগী রাহুদি অয়ায়বনি। চীংঙু হরাউবা হায়দবা করিগীনো?

শ্রীফনীন্দ্র সিংহ : লাই ইকৌবদা মী য়োন য়ানশিনবা, শাগে শাগেগী পিবানা থিংগদবনি। লাই হরাউবদা অকাম্বা রাহৈ শীজিন্নরিবসি থিংতুনা মমল য়াম্বা পাউতাক্তা থল্লবা রাহৈ অশেংবশিংদু শীজিন্নহনগদবনি।

ওঝা পরশুরাম : 'অনোইরোল" দা ইরি। চকপা শোরারেলনা শা তানবা চংপদা হরাউবা উরকই। মতুগী মতৌ তঙনি। হরাউবা হায়বসি খুনগীদমক চাওখংনবা ঈরাৎপনি। হরাউবা মথল অনি—খুন্নুং অমসুং কংলৈ অনীমক মায়দে। খুন্নুং হরাউবদদি য়ুম্মাংবা মী চঙহল্লে।

পণ্ডিত চনম্বম বীরহরি : হরাউবা কমদৌনা হৌবগে? লরাইলেনফুদা খুং মথম অমদগী হৌখি—মঙালবু য়েং ওই থায়দোকখ্রগা য়েৎথংবনা নিপা অমসুং ওইথ'বনা নুপী ওইখি। অহানবদা লৈরমই—খমনুং রাংঙ ইঙা লৈশাবা (হরুম)। মথংদা

খোয়কথি—চক মরি অমসুং ঈশৈগী যন্ত্রশিং। কংলা হায়রবদি কংলৈপুং ময়োন হায়বনি।

শ্রীএন, ইবোবী সিংহ: মণিপুরী জাতি হায়বসি অয়াংবা দর্শন খণ্ডবনি। বেদবু মশক খণ্ডবনি। থায়নগী ফজবা অসি ফিল্ম অমসুং টেপ-রেকোর্ডকী মতেংনা মাণ্ডনবা হোৎনগদবনি।

শ্রীবুদ্ধিচন্দ্র য়ুম্নাম মচা: "লাইপৌ" হায়রিবসু "লাইপাউ" হায়গদবনি।

শ্রীকামিনীকুমার সিংহ: লাই হরাউবগী দর্শনদি "লাইপৌ" শাবদা লৈরে।

অক্টোবর তাং ২৫ নিংথৌকাবা (সুংথিল)

লাই হরাউবা নৈনবগী সভা

পাখিবা চে—মৈতৈ জগোই খুথেক (শ্রীথম্বাল শর্ম্মা)

শ্রীথম্বাল শর্ম্মানা স্লেমোমষ্ট্রেসনগা লোয়ননা চে অমু পাথোক্লবা তুংদা মখাগী প্রতিনিধিশিং অসিনা নৈনবদা শরুক য়াখি—

পণ্ডিত কুলচন্দ্র সিংহ: মুদ্রাগী মতাংসি চপচানা হায়বদি ওমজ্রি। অত্রবু মমিংশিং অসিদি য়ানৌই। খরগা থমবা য়ারি।

পণ্ডিত মোইরাংথেম চন্দ্র সিংহ: সংস্কৃতগী মমিংশিংসি মৈতৈগী মমিংনা মহুৎ শিনবনি। ঐথোইগী ইরোলদা শীজিন্নবা ওাকুনি। মুদ্রা হায়বা য়াহৈসি চুমদে—হস্তক হায়গদবনি। মৈতৈরোনগী মমিংশিংসি থমগদবনি।

শ্রীঅরাম্বম অমুবী সিংহ: মসিমক্তি মতম থরা হেন্নবরা নীংই। অনৌবা মমিংশিংসি য়াবা ওমজদে।

ডাক্তর কে, এম, বর্ম্মা (শান্তিনিকেতন) ঃ মৈতৈ মহিংগী লোয়ননা হস্তকশিংগসি শীজিন্নবদা করিম্ কাররে। খল্লগদবা রাকমদি—শীজিন্নরিবা মওংসি চপচাবা মৈতৈগী ওইরে। হায়বসিনি। চপচানা খোমজিনবা অমসুং য়ানবা অমা চঙলি।

শ্রীবুদ্ধিচন্দ্র য়ুম্নাম মচা ঃ মৈতৈ জগোয়দা অভিনয় য়াওদবা য়ারোই।

শ্রীলাইরিকয়েংবম মনিহার সিংহ ঃ সংস্কৃতগী মৈতৈরোনগসি শীজিন্নবদা কনানা হানবগে ? মসিবু মাইবা মাইবী লোইশংদা হংকম খোক্ত্রা ?

রাজকুমার শ্রীপ্রিয়গোপালস্ম' ঃ হিন্দুশিংনা মুদ্রা পুখোকই। 'কথাকলি' জগোইদা মুদ্রা শীজিনৈ। সংস্কৃত মুদ্রাশিংসি মৈতৈ মমিং কমদৌনা খোনসিগে হায়বহ্ চাংয়েং অমা চংবগী রাকমনি।

শ্রীঅরাম্বম অমুবী সিংহ ঃ উৎলিবা মুদ্রাশিং অসিবু লাই হরাউবদা তশেংনমক শীজিন্নরবরা ? শীজিন্নবা থেংনদে।

মতাং অসিদা সভাপতি—ওঝা পরশুরাম (শেকমাই) না লোইশিল্লি—পণ্ডিত চন্দ্রসিংহ অমসুং কুলচন্দ্র অনিনা হায়-রিবসি য়াজনীংই। মৈতৈগী খুংথেক লৈজরমই—এখোয়না কাউখিবননি। হৌজিক্তি খল্লবসি—কমদৌনা মসিবু কায়হন্দনা খমগদগে ?

ডাক্তর মোইরাংথেম কীর্ত্তি সিংহ ঃ এখোই হৌজিক হেজিন্নকইবা অসি থি হৌগদবনি।

শ্রীফনীন্দ্র সিংহ ঃ থায়নগী অমুক হন্জিন্দুনা থিরসি। চঙশিল্লকপা মথৈ লংশেকশ্রসি। মাইবা মাইবীশিংস্ য়ামমক চেকশিনকম খোক্লবনি।

পণ্ডিত চোংথাম ইবোয়াইমা ঃ লাই হরাউবগী মহাদেবগী মরী লৈনদে। মীতৈ সংস্কৃতি হিংহনগদবনি।

শ্রীনিঙোম্বম ইবোবী সিংহ : লৈমগা লমাগা খংনবীহুনা লাই হুয়াউবা মাঙহনবীবে। অমাঙবা মথল কয়ামুকম্থু চঙলক্লে। করিগীদমক বেও পাটিদা ঙাক তাইনবীরিবনো? ম্যাগায়ালীসিংসিগী হেক্লিনকইবসি খিংবীয়ুদনা।

শ্রীঠৈং (অদ্রে) : পনম নিংথৌ হুয়াউবদা ফিমু শেংলগা হুয়াউই। থবক য়েন্থোকনৈ। 'ময়াং লৈবাক্কী' (হায়বদি মণিপুরগী মকম মফম অতৈগী) কনা অমতম্বু য়েহন্দে। গভর্ণর্র কাওবা হয়াউবা য়েংগে হায়রবদি ঐখোইগী অশিবা হকচাংগী মথক্তা নেতুনা চংথ্রগা য়েংবীবা তাবনি।

শ্রীলৈতাম্হেম হেরামোত : মৈতৈ হায়বসি চাউরবা জাতি অমনি। শোম্হরুবা হন্থনা খঙ্গবগী দরকার লৈতে।

নৈনবা অসিদা ডাক্তর ভাগ্য সিংহ, শ্রীগৌরদাস শর্ম্মা (নম্বোল) অমসুং শ্রীবাপুরু শরুক য়াখি।

ওক্টোবর তাং ২৬ লৈপাকপোকপা (অয়ুক)

মণিপুরগী লোক-গীত (খুন্নুং ঈশৈ) গী মরমদা নৈনবা সভা

পাথোকথিবা চে- ( ) খুন্নুং ঈশৈ শ্রীচান্দম গোপাল সিংহ

( ) কবুং জগোই অমসুং ঈশৈ – গুরু অবুংবম

শ্রীচান্দম গোপাল সিংহনা চে পাথোকপগা লোয়ননা চবুংবম ওঝা মেরা সিংহনা মথাগী অসি ডিমোনষ্ট্রেসন তৌহুনা উৎখি—রাগ হৌবা, হেপলি পাবোং, শিকপ লোন, লৈমরোল শৈরোল, কালেন শৈজিং, পান্থাইবী শৈরোল, হেপলী থাঙবৈ, জাং শৈশক অমসুং শোক কম্বোং লাংওয়াথেল। শ্রীমতী ?বেমনী দেবীনা খোংজোম পর্ব্বগী

ডিমোনষ্ট্রেসন তৌথি। মথৎদা ওঝা কালী (খাংজবোক)না বাঁশীগী মরোল খরা ঊৎখি—ভৈরবীদা মুরলী বাদ তৌথি। মথৎদা কৃষ্ণ রূপ, রাধা রূপ অমসুং যুগল রূপকী ঈশৈশিংসু বাঁশী মরোলদা পুথোকুনা তাহনখি। নৈনবগী শরুক্তা মথাগী প্রতিনিধিশিং অসি শরুক য়াখি।

শ্রীশঙ্গেনবম নদীয়া সিংহ ঃ হেশলী থাংবৈ/হেশলী পাবোৎ হায়বসিবু তাল ওইরোইদ্রা ? রাগ কৌবদি চুমলোই।

শ্রীলোইতোংবম কালাচাঁদ সিংহ : লোক-গীতবু খুন্নুং ঈশৈ হায়বগী মহুত্তা 'হনাৎকী ঈশৈ' হায়বনা চুমলোইদ্রা। লৈমরোল শৈরোলগদি নায়ক-নায়িকাগী ওইবা খুন্নং ঈশৈ য়াওয়ি। ইরেংবা পু রারীদসু অচুম পল্লি।

শ্রীনিঙোম্বম ইবোবী সিংহ : পেপরগীদি ফজধে—স্বরলিপি অসিসু নীংথিজে। অচুবু রাগ হৌবা হায়বসিদি শৈহৌ তংবা হায়বনা করোইদ্রা ? অাৎ শৈশক হায়বসিমসু রায়ী শৈশকতা হায়বা য়ারোইদ্রা ?

শ্রীলাইশ্রম বীরেন্দ্রকুমার সিংহ : লোক-গীততি খুন্নুং ঈশৈ হায়বনা চুমগনি। বাংলাগীসু পল্লী গীত হায়হনা চৎনরি। তশেংবদি পুন্নমক অসি খিজিন্নবা ফোকলোর রিসার্চ ইনষ্টিট্যুট অমা লিংখৎকম থেক্লবনি। মৈতৈশিংনা হিন্দু ওইদ্রিঙৈদা, ওইরবা তুংদা ওইরম্বা অমসুং ওন্নকইবা শৈহেক শৈদা পুন্নমক অসি খিজিনগদবনি। ঐখোয়না "জয়দেব' শরুয়িবা মশক কয়াসি য়েংশিনবা চুমলে।

ডাক্তর ভাগ্য সিংহঃ খুন্নুং ঈশৈ হায়বসি যাজনীংদে। খুন্নং ঈশৈ হায়গদবনি।

শ্রীসুরচান্দ শর্ম্মা ঃ মোইরাংশাইগী গৌরকপদি মাইবম শামু মচা হায়বহনা পুথোক্লম্বনি। থম্বা থাইবীগী মসবু শাইগী ছন্দদা শক থাদগী খণ্ডনখিবনি। তুজাক্ত অতোপ্পা মোইরাংশাই ওল্লে।

শ্রীজয়ন্তকুমার শর্মা : য়াখিবমশৈ মাহৈশিংসি শেংনবা হোৎনরসি। কখিগী তামুলপান-খুবম, পত্র চিঠি হায়পদগে ? মাখর ইমাতোন হায়বা তারোইদ্রা ?

রাজো মাইবী : ইমা মাইবীদগী যেক লাকপনি। খুন হায়বদি ইমা হায়বনি। খুন্নুং ঈশৈ হায়বদা কায়দে।

নৈনবগী শরুক অসিদা শ্রীখুমন্থেম ফনীন্দ্র সিংহ, শ্রীচান্দম গোপাল সিংহন্থু শরুক য়াখি। মথংদা গুরু অবুংবমগী চে পাখোক্লবা তুংদা মথাগী প্রতিনিধিশিংনা মন্ত্র যোৎওদোক্লখি।

শ্রীঅবুংনা কবুই : জগোই ঈশৈগী চপচাবা হৌরকফমসি ঐখোয় অমুক্তং থিদোকখিসি।

প্রোফেসর মংথোই থাংমৈ : পেপরগীদি ফন ফজরে। অদুবু লুংঙাইতবদি নহারোলশিংনা কোক ডাক্সতা থাজবা লৈতবা অমসুং থৌশারক্লিবা অসিনি। খুন্নুং ঈশৈ হায়বসি সমাজগী চৎনরোল মতুংইন্না মখল থায়দোকপনা চুমগনি। তশেংবমকন্থু ঈশৈশিংগী মন্নুং ঙুনজিনবা অর্থসু খিনকম থোকই।

শ্রীংম্বো কবুই (সভাপতি) : মীতৈ চীংমী হায়বসি অমতনি। ঐখোয়সু নখোয়নি। নখোয়সু ঐখোয়নি। অচুম্বসি হায়দোকপা মতম ওইরে। ঐগাক উচেক লাংমৈগী ফিজেত্তা নুপীগী ফিজেৎ, য়েনবা য়াবাগী ফিজেত্তা নিপাগী পিজেৎ পামজৈ।

অক্টোবর তাং ২৬ লৈপাকপোকপা (সুংখিল)

সংকীর্ত্তণগী ঈশৈ নৈনবা সভা

পাথোকখিবা চে - সংকীর্ত্তণগী ঈশৈ (শ্রী অয়াম কমল সিংহ)

শ্রী অয়াম কমল সিংহনা ওঝা শিংগী মতুংদা চে পাথোক্লবা মতুংদা মথাগী ওঝাশিংনা য়াগগী ডিমোনষ্ট্রেসন তৌখি — শ্রী অভিরাম শাৰা শর্ম্মা (মালৰ অমসুং মল্লার), ওঝা লক্ষ্মণ (শ্রীরাগঃ) শ্রী নিংথৌজম চাউবা সিংহ (বসন্ত অমসুং কর্ণাট), শ্রী শগোলশেম কালীদমন (হিল্লোল)। মথংদা মৈতৈগী ঈশৈগা সুর চাংদয়বা উৎখি — চেক্লা পাইখরবনা (হেক্লো···) প্রলয় পযধিজলে (লানশোনবীগী লময়াইদা), ওঝা লক্ষ্মণনা হৈয়াংশোইনিদা (সুখের নিশি গোল), হাই অশাংবা (অঙাং থেম্বদগী লোবা)। নৈনবগী শরুক্তা মথাগী প্রতিনিধিশিং অসিনা শরুক য়াখি—

শ্রী অরাম্বম অমুবী সিংহ : পুথোকপদা পেন্দবা খরদি য়াওরি। য়ে কমল, ধৈবত ইথেং থেংনদে। তোড়ীগী অতোপ্পা মশক লৈরমগন্ত্রা? সুর হায়রবসিদি য়াবা তাই। কর্ণাটিক সঙ্গীত তসু অসী মত্তায়। চেকশিন্না য়েংবদি ফারগনি।

ডাক্তর ভাগ্য সিংহ : হায়দোকপগী উচ্চারণ লানবসিদি ধর্ম্ম হোংখিদ্রনা তৌবননি। শ স্ত্রীযগী য়ুক্ষমদা শাগৎপদি ওইগনি। শোরখিবা খরসিদ তৌগে হায়না চৌবা ওইরম্বা য়াই।

শ্রী কালীদমন সিংহ : নট সংকীর্ত্তণগী শৈশকসিদি এথোরগী ওইরবনি। ওঝা কয়াগী চৌদ্দা চথরকপা ওইবনা শোরবা য়াওরকপদি মশানা তাবনি। অতৈদগী তম্লুবা নত্তে।

শ্রী রাজকুমার ঝলজিৎ সিংহ : লম লমগী তোপ তোপ্পা মচুনা শঙলকপদি মশানা তাবনি। হোৎনরিবা অসি থাগৎনীংঙাইদ্রি।

শ্রীইবেতোম্বী সিংহ : হিন্দুস্থানীগী নটকী শৈশকা খেরবগি লৈতবা নত্তে। উংলিবা রাগ পুরুষ ও অসিমক হিন্দুস্থানীগী স্কেলগা চপ চাম্নদবা য়াওই।

শ্রীরাজকুমার সিংহজিৎ সিংহ : হোৎনরিবা মওং অসিবুদি থাগত্তবা ওমদে।

শ্রীমেঘজর সিংহ : ঐখোয়না মায়ৈ মান্নদে হায়বসিদা অমুক লাংতকরিবা কন্নিগীনো? হিন্দুস্থানী কর্ণাটিকস্তু অতুমওায়। ফগে ফো কৎলোই তোকউ—ঐখোরগীস্তু য়াগ লৈজয়ে। লৈজরিবা অসি চপচানা সুর-লিপিদা থমজিন্দুনা মওং অমা তাপ্ননহৌবা চুম্মী।

সভা অসিদা শ্রীবনীন্দ্র সিংহ, ডাক্তর এম, কীর্ত্তি সিংহ অমস্তুং শ্রীখাওেম্বম গুলাপী সিংহস্তু শকক য়াথি।

অক্টোবর তাং ২৭ য়ুমশকৈশা (অয়ুক)

সংকীর্ত্তণ চোলোমগী মরমদা নৈনখিবা সভা

চে পাথোকখিবা—নট চোলোম (শ্রীসুরচান্দ শর্ম্মা)

ওঝাশিংগী অপুনবা চে অতু শ্রীসুরচান্দ শর্ম্মনা পাথোক্লবা তুংদা ওঝা মাইবম ইবুংঙোহল সিংহনা—গুরুগী নাম পল্লদুনা মতাং কয়া উত্তুনা তাকখি—ভজন, ফমথবা (গৌরচন্দ্র), তাল রৈবা, লম্বীঘাট, মেলবু, মেলয়াহং, মেন থাবা, ফিন্তুপ অহুন, মখেক অহুম, তানচপ (হস্তক) অমস্তুং মেনকুপ মপী (অরাউবা)। মথংদা গতি কয়ামুক উৎখি—শামুগী খোঙচং, কাংচগী খোঙচং (ব্রহ্মতাল), তীনকানা ঈশিংদা ঈয়োইবা, শংগোল অরাশানা চৎপদা থুর্জি লাকথংপা (পেনকুপ অকুপ্পা)। নৈনবগী মতাংদা মখাগী মীশকশিং অসিনা শকক য়াথি।

শ্রীরাজকুমার ঝলজিৎ সিংহ : কয়ম্বা মিংথৌগী হাক্তক্তা চোলোম চৎনরকপগে ? ইতিহাসকী থিজিনবা মশক অমা চঙ্দি।

শ্রীফনীন্দ্র সিংহ : অরি অনৌ তিন্নরকপা অসি থাগৎচনীংই। শাজৎ-লীচৎ হায়বসিমক য়াম্না কজবা য়াহৈনি।

পণ্ডিত লৈরেনজাউ সিংহ : চোলোমগী খুরুম্বদা অষ্টাঙ্গ প্রণাম শীজিন্নবসি চুমই। বেদগী বাক্যনি। চোলোম হায়বসি দেশীনি।

শ্রীরাজকুমার সিংহজিৎ সিংহ : চোলোমগী অভিনয়সি চপচানা তৌবা উৎপা নত্তে—সঙ্কেসটিক আর্টনি—মথরাই অচু পুথোকপনি। শামুমকী শাজবা চপচানা শামুনা চৎপত্তু নত্তে; শাজৎতুগী মথরাই হাপ্প ন। চোলোম হায়বসি হৌজিক্তি অয়াম্বদা তম্মরক্তে। ঈশৈ শকপনা তুহার অহুম ওইনরক্লে। তুহারগী চপচাবা মওং অসিদি থক্ষম থোকই। চোলোম হৈবতনা তুহার ওইহনসি। তাণ্ডব হায়বসি সংহার তাক্তবু খণ্ডনবা নত্তে। নাট্য শাস্ত্রগী মতুং ইন্নবমু মৈতৈ সংকীর্ত্তণগী চোলোমমু তাণ্ডবনি।

শ্রীনিংথৌজাউ (অরাপত্তি) : শাস্ত্রগী মতুংইন্না চোলোমনা চলনদগীনি; গঠননা ভূষণনি—লৈতেংনি।

শ্রীশগোলশেম কালীদমন সিংহ : সংকীর্ত্তণগীদি পুন্নমক চোলোম তমদবা য়াদে—তুহার চৎকে চৎলু চংলোই তোকউ। নট সংকীর্ত্তণবু তাকসি হায়রবদি চোলোমগী চপচাবা নিয়ম তাক্তবা শুকয়া য়ারোই। পুন্নমকমু তাক্লবা হোৎনবীমু হায়না আপীল তৌজরি। থায়নগী চোলোম নিয়ম থুগায়বা য়ারোই।

প্রতিনিধি অমা (থা কংলৈরোন খিবগী) : য়াহং থরদং হংজনীংই। মীতৈনা চন্দন থিল্লিবসি চুম্লিবয়া ? লাইবক্তা ইমাবু (চন্দনবু) নমজবনি—ললাটে চন্দন বিন্দু হায়রি। নাথাংগী মচিদা নমজবসিনা করি হায়রিবা ?

তাকত কীর্ত্তি সিংহ ঃ চোলোমগী মথল উৎপ্রেক্ষপাসি খাল চোলোমগী মশক্তি উত্রি। মহুসু য়েংক্ষম থোকই। পণ্ডিতরাজ অভোয়াপুগী মতা যেন থান্নমদাইগী লাইবত্ তোক লাইবনি হায়রিবসি য়াম্না অর্থ লৈবা য়াকমনি।

শ্রীনিংথোউজম ইবোবী সিংহ, শ্রীএন কেরানী সিংহ, শ্রীলোখোইথেম তোম্বা সিংহ অমসুং শ্রীক্ষেত্রিমযুম মারাং সিংহসু নৈনবা অসিদা শরুক য়াখি।

অক্টোবর তাং ২৭ য়ুমশকৈশা। (সুংথিল)

পুংগী মরমদা নৈনবা সভা

পাথোকখিবা চে—সংকীর্ত্তন পুং (শ্রীলোইতোংবম কালাচান্দ সিংহ)

ওঝাশিংগী অপুনবা চে অদু শ্রীকালাচান্দ সিংহনা পাথোকপগা লোয়নবা শ্রীঅমুয়াইমা সিংহনা উত্তুনা তাকখি। মথংদা রাজমেনগী মাত্রাগী মতাংদা শ্রীলক্ষ্মণনা মাত্রা ৭ নি হায়রুনা উৎখি। শ্রীহেরামত সিংহনা মাত্রা ৮ নি হায়রুনা উৎখি। মতাং অসিদা চরাংনবা অমা থোক্তুনা ওঝাশিং থরদি চৈথদা কাখৎনরকখি। নৈনখিবগী মতাংদা মথাক্কী মীওইশিং অসি শরুক য়াখি—

গুরু অমুবী সিংহ ঃ মথক্তা "মৃদঙ্গ নির্ণয়" হায়বা অমা পনখ্রিবা অদু য়েংননীংঙাই ওইরি। মহুমক্তা তালগী অয়োইবা বিচার তৌবা য়ানীংদে।

গুরু বিপিন সিংহ ঃ রাজমেন তালগী মাত্রাগী মতাংদদি চপচানা লেপ্পা থম্না লুম্নি। লাইরিকী অয়েপ্পা প্রমাণসু ফংবা ওমত্রি।

ওঝা ইবোহল অপাবী সিংহ ঃ রাজমেল তুইতালদি মাত্রা ৭ ওইগদবনি।

মথংদা মাত্রা ৭ নি হায়রবা কান্নুনা পুখোক্লুনা রৈ—শ্রীখিংবাইজম বাবুবা রৈ—শ্রীলক্ষ্মণমা মাত্রা মশীং থী), মতাং অসিদা ওয়াশিং ময়াম লাউনরকই।

শ্রীলৌয়েম্বম ইবোবাইমা সিংহ : হৌজিকী মাত্রা ৭ নি হায়না রৈরিবা পুন্নমক অসিদি থীবদা মাত্রা ৮ ওাক্কনি।

শ্রীলোইতোংবম কালাচান্দ সিংহ : পুন্নমকসি (মাত্রা ৮ নি হায়বসি) লাইবিক্কী প্রমাণ তৌরি। লাইরিক্তা য়েংবীয়ু। ময়ামবু ওল্লু ওাকপীরবদি ওন্থোকচগে। অদুবু ওনকম থোকপ্রা ?

ওক্টোবর তাং ২৮ শগোলশেল (অয়ুক)

পুংগী নৈনবা সভা

চে পাথোকপা—মৈতৈ নট পালাগী তালদা শাস্ত্রগা শন্নপ্ন চাংদমনবা (গুরু বিপিন সিংহ)

কুমারী কলাবতী দেবীনা গুরু বিপিন সিংহগী চে অসি পাথোকপগা লোয়ননা শ্রীবিপিন সিংহনস্থ ডিমোনষ্ট্রেসনগা লোয়ননা শন্দোক্লা তাকখি। নৈনবগী শরুক্তা মথাগী মীওইশিং অসিনা শরুক য়াখি।

শ্রীলোইতোংবম কালাচান্দ সিংহ : মৈতৈগী পুংগী তানদা তানকোক, তানয়াই, তানমৈ চাবা হায়না খায়দুনা লৈহ্নিবসি চপচাবা খিজিনকম থোকই।

শ্রীরাজকুমার সিংহজিৎ সিংহ : তালদা হৌবদনা অমনা হৌরগা লোইবদনা অমনা লোইবসি ময়ম চারিবরা ? মসিগী বৈজ্ঞানিক ওইবা মশক অমা থগুদোকপা চুমই। (গুরু বিপিন সিংহ — মায়পনি হায়বা লৈতে, ছুংতালনা হৌরগা একতালনা লোইবা চংনরি)।

শ্রীএন, মেঙ্গুব সিংহ: দক্ষিণ ভারতকী কর্ণাটিক সঙ্গীততা মাত্রা চংনদে; দ্রুত, অনুদ্রুত শীজিরৈ। তাল ১০৮ যুক চংনরি — মপুংনা ৭×৫ ওইনা ৩৫ যুক শীজিন্নরি। হিন্দুস্থানী সঙ্গীততা জাতি অনি চংনরি—সম অমসুং বিষম। ভাটখণ্ডেনা অর্দ্ধচন্দ্র, বিষ্ণু দিগম্বরনা দণ্ডমাত্রা শীজিরৈ। লঘুবু অনুদ্রুত ৪ গা মাল্লনা থমই। মণিপুরগী তালগী তোপ তোপ্পা অমদি মপানগী অরুবনা অরায়বা, অরায়বনা অরুবা অসিনি। রাজমেল হায়বসি লায়নদি উরগা য়াম্লনক লুথরবা তালনি। তালগী থোইদোকপা অমনা থিওরিদা ইবা য়াদবা প্রাকটিকেল ওইবা কয়া য়াওরি—গুরুদগী তমদ্রিমখৈ থঙবা ওন্নরোইদবা। কর্ণাটক, হিন্দুস্থানী অমসুং মণিপুরী হায়না অহুম থোক্কা লৈরবসু হিন্দুস্থানী সঙ্গীতকদি নকশিন্নৈ হায়না লৌব য়াই।

গুরু বিপিন সিংহ: তাল হায়বসি বিজ্ঞান অমনি। মৈতৈগী তোপ তোপ্পা অমা লৈজরি। হিন্দুস্থানী সঙ্গীতকসু মাল্লদবা কয়া য়াওরি। মৈতৈগী ওঝাশিংগীদি লঘু গুরুদা নত্তে — দ্রুত, প্লুত হায়বা কাওবা লৈরি।

শ্রীলৌরেম্বম ইবোয়াইমা সিংহ: হিন্দুস্থানী অমসু' কর্ণাটক সঙ্গীত অনিমক্কা যাররবনিনা হেক্নত্তুম বৈজ্ঞানিক ও'রে হায়রবগী প্রমাণ ওইরে।

শ্রীঅরাম্বম অমুবী সিংহ: তালগী মতাং নৈনরক দা বাংলা কীর্ত্তনগী তালগী মশকসু য়েংশিনগদবনি। কীর্ত্তনগী তালশিং খরগা কুপ্পা নৈনদনদি মণিপুরী তালবু মশক খওবা লুগনি। আবর্ত্তন হায়রিবসিমক মঙ্, চুয়া খওজিনগদবনি।

কুমারী কলাবতী দেবী: আবর্ত্তন হায়বদি ঐখোয়গী 'কোয়চা' হায়রিবসিনি।

শ্রীরাজকুমার ঝলজিৎ সিংহ: মণিপুরী তালসি হিন্দুস্থানী অমসুং কর্ণাটককী পদ্ধতি অনিগী তিনশিন্নবা অমা ওইরম্বা য়াই। বিজ্ঞানগীদমক্তা বিজ্ঞান থিকবগী কান্নবা লৈতে। নরোত্তম দাসকী ১৬ শুবা শতাব্দীগী অতরাইদগী হৌরকপা বৈষ্ণবকী ঈহৌগা মথৌ লৈননা অচুম্বা খরম্সু থিবদা ফংলকপা য়াই। লাইবক থীবদি তৌজিক কাওবদা মণিপুরী সঙ্গীতকী মতাংদা তোপ তোপ্পা মশক তাকপা ওইবা শাস্ত্রীয় ওইরবা লাইথিক অমতা পুথোকপা ওমদ্রি।

শ্রীনিঙোম্বম গবোবী সিংহ: শ্রীমেঙ্গরনা হৌদোকপীরকপসি রাজনীংই। পদ্ধতি অনিরক অসি লৌবীয়ু অদুগা তোপ তোপ্পা মণিপুরীগী ওইবা অমা পুথোকপীয়ু।

শ্রীনোংমাইথেম তোম্বা সিংহ: মাত্রা ৭ নত্রগা ৮ গী মশক অসি য়েংবীয়ু (অসি হায়রুনা –" আছে গ্রাম নবদ্বীপ ধাম" হায়রবা ঈশৈ অসিনা পুং য়েক্নুনা মাত্রা ৭ অমসুং ৮ গী খেন্নবদু উংথি)। লৈবগীদি যোগ-নাম হায়রুনা যুগল মন্ত্রসু লৈরি।

শ্রীথোকচোম কুলবিধু সিংহ: তৌজিক্কী রাজমেন থোনবীথিবদু মাত্রা ৯ দা থোনবীরে।

শ্রীরাজকুমার সিংহজিৎ সিংহ: রাজমেলসি মাত্রা ৭ নবু খরা খুদোং চাগদ্রা নীংজে। (অসি হায়রুনা মাত্রা ৭ × ২ অমসুং ৮ × ২ গী মশক পুথোকুনা তাকই অদুসু পুংদা য়ৈ।)

শ্রীশগোলশেম কালীমন সিংহ: ময়াম পুংমক য়ুমদা অমুক্তং লোঙবীতুনা কুপ্পা নৈনবীখিবনা ফরোইদ্রা? (তাবোক্তগী "য়ারোই" হায়না লাউরকই।)

শ্রীইবোহল অপাবী সিংহ: ঐহাক্সু ওঝা শিনাম ইন্দ্রগী তমজহৌবনি। রাজমেলসি মাত্রা ৭ নি হায়না খঙজরকই।

শ্রীলৈচোনবম কোইরেং সিংহ (সভাপতি) : ঐহাক্তীদি শ্রীগোবিন্দগী চংনম্নকপা অসিগা ক্ষারনদবা মাত্রা ৮ অসিদা লৈজৱে।

সভানা লোইশিনবা অমা নাইদবা য়াদে হায়না তকশিল্লকপদগী ডাইরেক্টর শ্রীনীলকান্ত সিংহনা সভাদা মখাগী অস়ুম্না য়ানয়ে হায়না মত কোংদোকপদা সভানা য়ানখি—"সভা অসিগী অম্নাস্না প্রতিনিধিশিংগী মত-দদি রাজমেল হায়বসি মাত্রা ৮ নি। অসিমকপু ওক্ক খরনদি মসিদা য়ানীংদবা কোংদোকই অমম্নুং মাত্রা ৭ না ওইগনি হায়না মত কোংদোকই।"

ওক্টোবর তাং ২৮ শগোলশেল (সুংথিল)

গোষ্ঠ-ভঙ্গী পরেংগী নৈনবা সভা

পাথোকখিবা চে —গোষ্ঠলীলা (শ্রীসুরচান্দ শর্ম্মা)

ওঝাশিংগী ওইবা চে অসি শ্রীসুরচান্দ শর্ম্মানা পাথোকপগা লোয়ননা ওঝা থাইদেম লোকেশ্বর সিংহনা মতেক কয়া উত্তুনা তাকখি। ওঝা হুইরেম লাংগা সিংহনস়ু মতাং খরদা উত্তুনা তাকই। নৈনখিবা শরুক্তা মখাগী মীওইশিং অসিনা শরুক য়াখি।

শ্রীথাইদেম লোকেশ্বর সিংহ : উপলৈগী মতাংদা কোন্নুংদা চংনরিবগা ঐহাক্তা তম্লীজবদা খেন্নম্নিবা অসি পঙখেন খেন্নবা ওইরোই। ঐহাকস়ু ওঝাশিংদগী নীংথনা ওমজহৌবনি।

শ্রীঅরাম্বম অমুবী সিংহ : মরুক অসিদা হাওবম ওঝা অতোম্বগী ষ্টাইল অমস়ু নৈনজৌবা য়াই। ষ্টাইল খেন্নবা অনিনি হায়না লৌবা য়াই। য়াকম থোক্তবা অমনা মাত্রা ৭ পু ১৪ দা শাংদোকপা অসি'ন। তরেৎতমক ওইকম থোকই।

শ্রীএন, কেরানী সিংহ : ওঝা লালাগী ভঙ্গীগী থুংশা অসি য়াজনীংই।

শ্রীরাজকুমার সিংহজিৎ সিংহ ঃ হৌরকপা চেহরা আর্ট হায়বসিদগী অসিনা মচুমদা হায়রবাং কৌইতে। অরোইবা অশাবা আর্ট (গ্রাফিক আর্টস) নত্রু থবা মীংথিবনা থমহৌই। হৌজিক শারিবা অসি রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মতমদা শারম্বা অদুমদি হায়বা লুগনি—ওঝা কম্পাসী হ্রক্তা হাপতোক হাপচিন তৌজনা ওইরবা মশক ওইগনি। অসিনা মথংগী মত অমি অসিমক ঐথোয়না লৌশিনবা য়াই।

শ্রীথুমহেম কমীন্দ্র সিংহ ঃ কীজেত্তা অকায়বা লৈরিবা অসিমত দি থাদোকপা চুমই।

শ্রীলোইতোংবম কালাচান্দ সিংহ ঃ মত খেনবা য়াওরিবা অমিমক লৌশিনবগী মতত্তা শ্রীগোবিন্দজীদা চংনরিবা অদু লৌকম থোকই।

গুরু বিপিন সিংহ ঃ গোষ্ঠ লীলা হায়বসি গোপ রাসনি—রাসলীলা মথল অমনি। মত খেনরিবা অসিগী মতাংদদি ঐহাক্তি ওঝা লোকেশ্বরণা মায়জরি। তরমকম্ব শ্রীগোবিন্দগী ওঝা—তোম্পোককী তররজবনি।

শ্রীলোংজম তোম্পাক সিংহ ঃ ঐহাক্তি কররিবু থঙগবনো? তৌবগীদি হেজিকসি কাংস্তু নীথি ন্নুংশাইনা তমদ্রে। গুরু বিপিন অসিমকস্তু ঐহক্র তম্বীজৈ বা নত্তে।

শ্রীঅমুদোন শর্ম্মা (সভাপতি) ঃ কররিবু হায় নবনো? ঐনা পামজবা হায়বনু শ্রীগোবিন্দগী চর্যাবিবা পরম্পরা অসি মতম পূণদা কাংনদবা হায়বসিগনি। মনিপা কাংবস্তু অকায়বা লৈতে। শ্রীগোবিন্দগদি মতম পূম্বদ থাননবা চুমই।

নৈনখিবা অসিদা শ্রীবুদ্ধিচন্দ্র মুয়ামমচা, ডাক্তর ভাগ্য সিংহ, ডাক্তর এম, কীর্ত্তি সিংহ অমসুং গুরু অকেন্নাস্তু শরুক য়াথি।

ওক্টোবর তাং ২৯ ঈরাৎ (অয়ুক)

রাসলীলাগী মরম্দা নৈনবা সভা

পাথোকখিবা চে—(১) রাসলীলা (শ্রীচিত্রসেন সিংহ)

(২) Approach to Manipuri Dancing (Nayana Jhaveri)

(৩) Presentation of Manipuri Dance in the changing world (Devajani Chaliha)

ওঝাশিংগী চে অসি শ্রীচিত্রসেন সিংহনা পাথোকপগা লোয়ননা শ্রীমতী ভার্গবী দেবীনা ডেমোনষ্ট্রেসন তৌদুনা মখাগী খরসি জগোই শাদুনা উৎলি—খুৎকম (ধ্যানগী মওংদা), অকেবা চালিগী খোঙচৎ, নাক-য়েত্তা চৎপা, রাধা অভিসারগী খোঙচৎ, নুপীগী জগোইদা তাণ্ডবকী অকনবা ফজবস্ম য়াওরকপা, অভিনয় মতেক অমা, কৃষ্ণনর্তন। মথংদা অয়ুক থাং তাগী ফিরেপ অময়ুং র.সকী ফিরেপকী নরবা মশক কয়া শ্রীরাজকুমার অচৌবী সিংহনা শাদুনা উৎখি—চালিগী খোংচত্তা, উপলৈ লোংলৈদা। মথংদা শ্রীমতী নয়না ঝাবেরীগী পেপর অময়ুং শ্রীমতী দেবযানী চালিহাগী পেপর অনিমক পাথোকখি। নৈনবগী শরুক্তা মখাগী মীওইশিং অসি শরুক য়াখি—

শ্রীক্ষেত্রীময়ুম নারাং সিংহ : ভক্তি মার্গদা চৎপা ঐখোয়গীদি বোল নাম—মাত্রা ১৬ অসিনা লোইজয়ে। মসি শ্রীগোবিন্দগী নির্মাল্যগী মশকনি। রাকম অসি থক থাদোকপা চুময়ে।

শ্রীএন, কেরানী সিংহ : লাইহরাওবগী রাস থোয়কপা হায়বসিদি শোয়দ্রবনি। লাংবো শাবা হায়বসি ভঙ্গী পরেংনি। ভঙ্গী পরেংদা রূপ প্রার্থনা লৈ, সম্ভোগতি য়াওয়ে। মুদ্রা য়েংলে খওয়ে। ঐহাক মৈতৈনি।

শ্রীইবোহল শর্মা : পান্থোইবী খাংচেং হায়বা অমসু লৈরি। ইংগোক ১৯৪০ গী অতুরাইদা মিলিটরীনা লৌহৌবা জগোইগী ফিল্ম (৩৫ এম এম) অমা থমজরি। মহুগী ফিজেংকা হৌজিক্কা য়েংনরবদি ওন্থোক্লা খেনগ্রে।

শ্রীচাউতোম্বী : থাম্বনগীনি হায়তুনসু হৌজিক্তি কোরিওগ্রাফী চঙদবা য়াদ্রে। বেলে হায়বসি নোংচুপকীনি; অসিমকসু হৌজিক্তি চঙলক্তবা য়াদ্রে।

ওক্টোবর তাং ২৯ ঈরায় (লুংথিল)

রাসলীলাগী মরমদা নৈনবা সভা

পাথোকখিবা চে—Ballet in Manipuri

(রাজকুমার শ্রীসিংহজিৎ সিংহ)

ত্রিবেণী-কলা-সঙ্গম (দিল্লী) গী বেলে ইউনিটকী ডাইরেক্টর শ্রীরাজকুমার সিংহজিৎ সিংহনা মতাংগী চে অসি পাথোকপা মতুংদা নৈনবগী সভা চংথখি। মখাগী প্রতিনিধিশিং অসি শরুক য়াখি—

ডাক্তর শ্রীভাগ্য সিংহ : হৌজিক ফাওবা বসন্তরাসকী হৌরম পুথোকপা ঙমদ্রি। চন্দ্রাবলীনা অশংবা পোংলোই শেংলিবসি চুমকাত্তে—চন্দ্রাবলীদি য়াজোওনা লৈতেংবীদি—অঙাঙবা মচু শেংকদবনি।

শ্রীবুদ্ধিচন্দ্র য়ুম্নামমচা : রাসলীলা হায়বসি অশেংবদি মৈতৈগী ওইবা য়ুম্বমদা শাগৎপনি। মসিদা তা খোম্বাবগী মশক য়াওরি। পোসরান, কজেংলৈ মৈতৈগীনি। ফিজেংকী শরুকা মৈতৈগী ওইবা কয়ামুক য়াওরি।

ডাক্তর, কে, এম, বর্মা : (ক) মণিপুরী জগোইবু মাগুবকীনি হায়বদি লানগনি। কর্ত্তাল চোলোমদি ওইরম্ব য়াই। অদুবু লাই হরাউবনচিংবা জগোই কয়াদি মাগুবকী ওইবা জগোই নত্তে।

(খ) ষ্টেজ হায়বসি সমস্যা অমা ওইংগদবা নত্তে। কোর্ম অদুদি খক হোংলোইদবনি। বিজলী শক্তিবু ঐখোয়না মপু ওইহনগদবা নত্তে—ঐখোয়গী মীনায় ওইনা শীজিন্নগদবনি। ভারতকী জগোই হায়বসিদি মশানা অদুম মকম লেপচবনি।

(গ) বেলে হায়বসি হায়গদবা রাকম অমা য়াওদবা য়াদে। মণিপুরী জগোইদ্র বেলে অমনি হায়বা য়াই। থোইদোক্না অনৌবা সীনগী ওইবা মশক পুশিনবগী দরকার লৈতে। অভিনয়দি য়াওদবা য়ারোই- নৃত্য শোয়দনা যাওগনি।

(ঘ) মণিপুরী জগোইগী তোপ তোপ্পা ষ্টাইল হায়ববু অমগা অমগা শম্নবসিনি।

শ্রীরাজকুমার সিংহজিৎ : মণিপুরী জগোইদি মাগুবকীনি হায়বস্থ য়াই। অদুবু মসি ষ্টেজদা পুংলোকপস্ত য়াই। মরোশাগী চৎনরিবা অসিনা ষ্টেজদা কাররকপদা মওং অমা হোংদোক্লবা শুকয়া য়ারোই। বেলে হায়বসি জগোইদা নত্তে। মসিদা ড্রামা, ঈশৈ অমস্তুং সীনরিনচবা লোইনা য়াওরবনি। মণিপুরী অভিনয়গী মতাংদদি সজেসন অমস্তুং হোংদোকপগী মরক্তা থেয়বগী দৈই অসি তুংশোন লৈতে। প্রতীক (সিমবোল) না মপুং ওইবা জগোইগী ষ্টাইলনি। শ্রীবর্ম্মানা তাকপীখিবা মৈতৈ জগোইগী ষ্টাইলদি অমগা অমগা শম্নবনি হায়বত্থ য়াজনীই—কথা-কলিদা তৌবগুম্না কট মুভমেণ্ট য়াওদে। মণিপুরী রাস-লীলাদি বেলে কৌবা য়ারোই। বেলেদা ভাগুসবা বা য়াওবা য়াদে।

শ্রীমেজোর সিংহ: রাসলীলাদি তৌজিকমক্তি কমার্সিয়েল আর্ট ওইশিল্লক্রবনি।

শ্রীওইনাম ভোগেশ্বর সিংহ: শ্রীগোবিন্দগী মন্দিরদা কৃষ্ণ শাবা, খোয়রাগী শাবী রাওদবক্স অনন্তশাই মন্ত্রীগী মতমদা ভাংবমগী ওবা রূপচন্দ্রনা জগোই অমি অসি তম্বীহনখি। ইংশোক ১৮৭০ দা শ্রীগোপেশ্বরনা 'নাচত নাগরী" হায়বা ঈশৈ অমস্থং জগোই তম্বীখি।

শ্রীরাজকুমার ঝলজিৎ সিংহ: বসন্তরাসকী হৌকম তাকপদা "ব্রহ্মবৈবর্ত পুরাণ" দগীনি হায়বসিবু কদাইরাইদা রাওবনো? ঐহাক্তি থেংনদে। (শ্রীচিত্রসেননা মহাক্কী চেদা পনখিবা অদু ময়েক কয়া শে দবমুদা লৌখোকপা য়াখি।)

শ্রীচাউতোম্বী সিংহ: মণিপুরী জগোইদি বেঙ্গেগদি চানৈ। খুদম হায়বদু ত্রিবেণী কন্দা সঙ্গমদা রাজকুমার শ্রীসিংহজিৎনা পুখোকখিবা বেলে ময়াম অসিনি।

শ্রীখিংবাইজম বাবু সিংহ: ভঙ্গী শাংদোকপা হায়দুনা মাত্রা ১৪ দা পুরকলিবা অসি থায়ম্দগী চংশক্রবা মশক্তি হেন্না চুমহনবতনি।

শ্রীরাজকুমার প্রিয়গোপালসানা: ঐহাক্কা গুরুঅমুবীদা মাসিগী মরমদা হংগ্রবনি। গুরু মশাংক্কা রাগ্রপনি—মতমগী বৈজ্ঞানিক ওইবা দাবীগী মশক অসি তাহন্নবা মশাক্কা শাংদোকহনগ্রবনি।

শ্রীরাজকুমার সিংহজিৎ: ভঙ্গী শাংদোকপগী বিচার অমদি মেৎ-ওইগী বিচারনি। মসি মাত্রা ১৪ দা ওইরগতদা মপুং ফায়।

ওক্টোবর তাং ৩০ থাংজ (অয়ুক)

য়ানরকপা অমস্তুং হ্বারেপকী সভা

ডাইরেক্টরনা সেশন ময়াম অতু'গী য়ানরকপা খরা পুথোক্লুনা সভাদা পুথোক্লুনা সক্লানা য়ানখি। মতুগী মতু'দা হ্বারেপ কমিটি অমনা খময়বা মতুংদা অমুক সভাদা হ্বারেপ খরা পুথোক্লুনা খঃখি অমসুং য়ানখি। হ্বারেপ খুদিংগী মরী লৈননা মত কয়ামুক পীনখি। লোই-শিন্নকপদা মথাগী মীওইশিংনা অয়ুন্না লোইশিনখি।

ডাক্তর সুরেশ অবস্থী : হন্দক্কী সেমিনারগী অসিদা মতম খরদং য়াওজবা ফংজবসিঙ্গা ওন্থোক্লা অপেনবা পোকচক্রে। ঐহাক্না ভারততা অমসুং হ্বাংনদা য়াওজরকপা সেমিনারশিংগী মরুংদা মসিনা খ্বাইদগী মপূ ফাবনি হায়জনী ৫ সংস্কৃতিগী মশক নৈনরকপদা ওঝাশিংনা তর্ক বিতর্ক খংনগে তৌরমখে চোংশিন্নহুনা থরায় য়াওবা উংপসি ত'শংনমক অতাওবনি। মসিগুম্বা পওনা থোক্তে। মসিগীদমক সেমিনার অসিবু পাঙ-থোক্লবা শীনবীরিবা থুডিংমকপু থাগ চরি।

ডাক্তর কে, এম, বর্মা : মত্রগী ৩'ংবদি হৌজিক ফাওবা মওং অমা তাদ্রি হায়না খল্লি। খুদম ওইনা হায়রবদা—রাজমেল হায়বসি মাত্রা ৮ নত্রগা ৪ নত্রগা ১৬ ওইবা য়াই। অদুবু অমুক্তদা পূন্না মাত্রা ৭। ৮। ১৪। ১৬ ওই হায়রবদি তশেংনমক চময়বা থোকই। মসি শেংদাকপা য়ায়মক দরকার ওইরি। লাই হরাউবা অমসুং খ্রাসকী খুংথেক শাথেক্কীদমক মমিং-মথাশিং অতু অহানবদা থোমজিনবা দরকার ওইরি। করিগুম্বা মমিং অতুনা হ্বাংলবদি অখক্ক অহৈগী কমিটি অমনা মমিং খরা ফাওবা শেম্বা চুমই। মতাং অসিদদি মপানগী খুংথেক শাথেকা চাংদমরুবা য়াদ্রি। থাং-৩১ হায়রবস জগোই নত্তে। মসিদি

ইশাবু কঞ্জনবা পুথোকপা আটি অমনি অদুবু মসিমসু খণ্ডজিননদবনি। মকুওইনা রেংগদবদি থাংতাগী খোঙচৎ-শাথেরা লাই হবাউবা অমসুং বাসললাগী জগোই শাথেক্তা ববয়া মমি লাবাগ হাযবদুনি। ভরত মুনিগী নাট্য শাস্ত্রদা ফাওবা ফসিজুবা থুংলোন শাৱোন অসি পল্লি। অদুবু হেক্তিক্তদি হযরাইদবনি অনিমক তোঙন তোঙানবা ভাক্তুনি।

ওক্টোবর তাং ৩০ থাংজ মুংথিল)

অরোইবা সভা

অরোইবা সভাদা সভাপতিনা শ্রীচিংগাংবম কালাচান্দ শাস্ত্রীনা ওইখি—কুমারী সবিতা মেহতানা অরোইবা ভাষন পীখি। মীশক খরনসু সেমিনার অদুবু ৱেভিয় তৌবা ওইনা মত খর খরদংসু ফোংদোক্লখি মথাগী অস্রুমা ভাঙনখি।

কুমারী সবিতা মেহতাঃ মণিপুর হায়বসি অঙকপা লৈবাক অমনি। মসিদা ফগী শক্তি অমসুং অদিবা সংস্কৃতিগী শক্তিগা অনিগী পুনস্রম নংবি পুথোক্লখিবা চেশিং অমসুং নৈনবদা থরাই থাওনখিবশিং অদু ঈবদা ফজবা ওমদে। অদুবু নির্ণয় (অরেপ্পা) অমা পীবা হায়বসি থম্মোয়গী থবক নত্তে, দুর্ঙ্কিগী থবক্তি মণিপুরী সাহিত্য হায়বসিসু মতা চাংদা না ওংবকপা নত্তে। তম্বমর ওইবরা দেশ অমনি। কংলৈনা খোয়দৌদা লৈরি থা ভা হায়বসি পুসীগী থানবা ৱাদ্রবা অমনি। 'পাফন' হায়বদি ববিনে মসি থবসি রাংবা সপ্তংগী মমক্লি নামক অসি খল্ল উক্লবগা রাজর্ষি ভাগচন্দ্রবু হন্না হন্না হয়নাবা চাদে

শ্রীরাজকুমার সিংহজিৎ : ঐখোয়দনা মরোয়রে হায়বা 'chauvinism' অসি থাদোক্‌দবনি। মতাং কয়া চাকাত্তবদা ঐখোয়গী পঙথক্তা খংনবা য়াওরি। চংনগদবা অমা জ্ঞান তানা পুখোক্নবা চুয়নি।

শ্রীক্ষেত্রী নারাং সিংহ : ঐখোয়না তৌগদবা হায়ববু পরম্পরা অসি কায়দনবা ঙাকসি। অদুগা প্রচারসু তৌসি।

ড.ক্টর কে, এম, বর্মা : মুমিৎ ৭ নিগী নীংথিজনা চংথরিবা অসিগী মপুং ওইবা মনাদি ডাইরেক্টরনা ফংগদবনি। চেশিং অদু শাংমনবা খরা য়াওগে। মতুংদসু অসিগুম্বা সেমিনার অসি তোয়না ফমগনি হায়না আশা তৌরি। য়াকম অমনা— মতুংদদি হীরম অমদা সমস্যা মচা অমতং লৌথংলগা কুপ্না নৈনবনা চুমই। ডিমোনষ্ট্রেসনশিং অমসুং প্রোগ্রামশিং নীংথিজে। মসিগীদমক আর্টিষ্ট খুদিংমকপু থাগৎচরি। থোইদোক্সু লাইহবাউবা জগোইদা থোকখিবা—কুমার মাইবীবু থাগৎনীংই। চপ লেপথিবদুদা অমুক্ত ফাওবা মরা কাথোকখিদে। তশেংনমক ফজৈ।

শ্রীরাজকুমার ঝলজিৎ সিংহ : শ্রীচান্দম গোপাল সিংহনা পেনাগী শৈশক্কী 'স্বরলিপি' খরা পুথোক্ৰবা হোৎনবদু থাগৎচনীংই। অসিগুম্বসি য়াম্মক দরকার ওইরি।

শ্রীকালাচান্দ শাস্ত্রী (সভাপতি) : পূরমক অসি জগোইগী জগোই ঙাক্কনি। জগৎ পুম্বসি জগোইনি।

ডাইরেক্টর শ্রীনীলকান্ত সিংহনা অরোইবা থাগৎ য়াহৈ পীবদা কায়নবগী মুংশিবা অমনা নমহৎখিহনা য়াম্না য়ানা মপি তারকপা থিংনবা নখি।

অরানবা চুমথোক্পা

	অরানবা	অচুম্বা	লামায়	পরেং
১।	থৌদোক্সু	থোইদোক্সু	৪	২২
২।	ফোঙ্দোকনি	ফোঙ্দোক্খি	৭	২১
৩।	খোংলোম	খোঙ্লোন	১৬	৫
৪।	লৈখোমতাউ	লৈখোমতাউ	১৭	২৫
৫।	তাখোকনা	তাখোক্না	২২	৫
৬।	নোংখোঙ	নোংখাঙ্	২২	১৬
৭।	ওয়	ওয়গী	২৪	৭
৮।	লাংথৈ	লাংথৈ্	৩০	২৪
৯।	শীন্নবা	শীজিন্নবা	৩৬	১৭
১০।	কোকচিং	কোকচি	৩৬	২৫
১১।	চইন—	চীংমীনা ফোনৌ লোক্ত্রিভৈদা চানবা মরোং ভাং অমা	—	—
১২	কতাই ভাইবু	কতোই ভাইবু	৬২	২০
১৩।	হোনমী	হোনবী	৬৩	১
১৪।	লাওকুনদো	লাওকুনদো	৬৩	২৪
১৫।	গিমলম	গিনলম	৬৩	২৬
১৬।	লমসৈ	লমমৈ	৬৫	১
১৭।	অঙাংকী	অঙাংগী	৬৬	২১
১৮।	লেং	লে	৬৭	১৭
১৯।	নংস্থ	নংথু	৬৮	২১
২০।	তারেন	তাবেন	৬৮	২৪
২১।	সংলম	সংথুম	৬৯	১৪
২২।	হোজাগে	হোজাহো	৬৯	১৬
২৩।	লমজি চো	লমশিংচো	৬৯	১৭
২৪।	মতোই	মতোইনা	৬৯	১৯

	অরানবা	অচুম্বা	নামায়	পরেং
২৫।	শুংই	শুই	৭০	১১
২৬।	শাং	শা	৭১	১
২৭।	শাথং	পাথং	৭১	৯
২৮।	কাংলবস্থ	কংলবস্থ	৭১	২১
২৯।	ফাংজৈ	ফাংকৈ	৭৯	১৯
৩০।	মশুং	মঙং	৮০	১৬
৩১।	চপ্কামকী	চপালামগী	৮১	১৪
৩২।	ই্রোমদা	ওইরোমদা	৮১	২৫
৩৩।	ইনবুদি	ইনববুদি	৮১	১৯
৩৪।	হুমবগী	হুনবগী	৮৬	১
৩৫।	গোইং	গোষ্ঠং	৮৯	২৪
৩৬।	সারহ্ন	সায়াহ্ন	৮৯	২৫
৩৭।	চারন্	চারয়ন্	৮৯	২৫
৩৮।	গোষ্ঠে	গোষ্ঠং	৯০	২
৩৯।	যাতি	যাতি প্রদোষে	৯০	২
৪০।	সুহৃদ্ বঃ	সুহৃদো যঃ	৯০	২
৪১।	অবতারঃ	অবতারঃ	৯০	২
৪২।	দ্যুতি সংবাদ	দূতি সংবাদ	১০৩	৭
৪৩।	গৌরচন্দ্রকা	গৌরচন্দ্রিকা	১৩০	১১
৪৪।	গৌরপহ্	গৌরপদ	১১১	৮
৪৫।	রাজমেল	রাজমেল	১৫৪	৮
৪৬।	শর্ম্মনা	শর্ম্মা	২০৭	২১
৪৭।	ফরি	করি	২১১	২৫

MANIPUR UNIVERSITY LIBRARY IMPHAL 8637